ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী পুন্সি



অইবা

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোঙবা

বিঃ কুঞ্জবিন শর্ম্মা

ইম্ফাল ২০১৬

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী পুন্সি

অইবা

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোঙবা

বিঃ কুক্কুবিন শর্ম্মা

ইম্ফাল ২০১৬

অইবনা হায়জবা

"ৰাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী শা-লানগী পুন্সি" হায়বা লাইরিক অসি খৃ:১৯৯২-৯৩গী মতমদা ইজখিবা লাইরিক্নি। চৈথারোল কুম্বাবদা রেকোর্ড তৌবীরম্বা ৰাংখৈ পোইলা নৎত্রগা মেঞ্জোর (মেজর)সিগী মরমদা থম্বীরম্বা ৰাফমশিং লৌখৎচদুনা ইজবনি। চৈথারোল কুম্বাবসিনা লৈপাক-নিংথৌগী মরমদা মরু ওইবা থৌদোক-ৰাথোকশিংদমক চনখৎ-ইখৎপীরম্বনা ৰাংখৈ মৈরাবগী পুন্সিগী থৌদোক-ৰাথোক্কী মরমদা য়াম্না তাঙনা ইবীরম্মী। ৰাংখৈ মৈরাবা পাউনম নাউলসিংহগা মতম অমতদা লোংজাম্বা রোমা মেঞ্জোর/জেনরেলদা থাঙ-তাগী মহৈ-মশীং তম্মীন্নবা মীশক্নি মশা-মশাগী চহিদসু লোন্নি। অদুগা খৃ:১৮৫৬ তা কাম-হাও নৎত্রগা অকাম-হাও[The Chin Tribes of the Chin Hills in Myanmar] বু মনিপুরনা লান্দাবদা মশাগী চহি ২৪ রোমদা শুরিবা পাউনম নাউলসিংবু মহাক্কী ওঝা লোংজাম্বা রোমাসিংহগী মতুং ইন্দুনা লান য়াওখি, হায়না পীবীরম্বনিনা ৰাংখৈ মৈরাবসু ওঝাগী তুং ইনবদিদা য়াওরম্বা য়াই। অদুগা মৈতৈনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি কনবগী পাউনা নাউলসিংহদা সুবেদার ফম পী হায়না হায়রগা মনা-মথুম পীবা মতমদা নিংথৌ কল্লিবা মীশকসিগী মমিং মথা তশেংনা পন্দ্রিবা করিগীনো? মনা-মথুম পীবগী মতাংসিদা চৈথারোল কুম্বাবদা থম্বীরল্লিবা ৰারোলদি ঃ-

ককচীঙ চন্দ্রশ্যামগী কুম শক ১৭৭৮ পোইনু থা ১৬নি ঈরাই (খৃ:১৮৫৬ কী ডিসেম্বর ১২) দা মহারাজনা কাম-হাও নাবা যাত্রা তৌএ। ১৮নি নোংমাইজিঙদা পোইনুগী সংক্রান্তি হৌএ, ১৯নি নিংথৌকাবদা মহারাজ কাম-হাও নাবা শাল্লে। .... মহারাজগী স্না থৌগল ফংজরকপা চিরোম পার্থ, নহারুপ লাকপা, হাওবমচা বিনদ মেঞ্জর, ২মদি থাঙবন পীএ। লোংজামচা রোমা পোৎশঙবা হঞ্জবা, লাইতোঞ্জমচা চন্দ্রসিং ২মদি সনা থৌগল ফংজরকপা পুম্নমদি মাগী মাগী মতীক য়েংদুনা নিংথৌফি, স্না খুজী, স্নরীক পীএ। [চৈথা:কুম: ২০১৫, ১৫৬-৪৭] অসিনি। নিংথৌ কনবনচিংবা তৌরিবদি থাঙবন (খ্বাইদগী ৰাংবা থাক্কী মনা-মথুম) ফংলিবা অহানবগী মীক অনিসিনি।

মসিদা ফম হাপ্পা নৎত্রগা পীবসি নিংথৌগী মনীঙনি, হায়দুনা খুদোংচাবা লৌদুনা পণ্ডিত শাবসি ইতিহাসতা অকায়বা লাক্কনি নৎত্রগা ওইরক্কনি।

শিননবা পোক্লকপা মীওইবনি, মানা মানা তৌজবা থবক্লা মহাক্কী থাক লেপকদবনি। অদুনা মানা মানা তৌরম্বা থবক য়েংবা নৎত্রগা থিদোকপা তাই। মদুনা মীদুগী মথৌনা-মরিংজেন মহৈ-মশিঙ, মরৌশিঙনচিংবা লেপকদৌরিবনি। মসি মুন্না খল্লগা খুৎ থাবা ফৈ হায়বসি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী পুন্সি হায়বা লাইরিকসি ইরকপা মতমদা খঙে। মরমদি মহাক্লা শিগনি নৎত্রগা শিবা য়াই খঙলবা লানফমদুদা শিবগী খন্দনা চঙখ্রিবদু মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না পুকচেল চাওবা কথোকপনি। মরম অসিনা ৱাংখৈ মৈরাব মেঞ্জারগী পুন্সিগী ৱারিসি পুথোকচবনি।

অইবনা হৈজদবা অমসুং খঙজদবনা অরান-অহুই কয়ামরুম য়াওরম্বা য়াই। মদুশিংদু অপঙবা ওইবদগী থোক্লিবনি খন্দুনা খ্বাই তরা মচাশিংনা ঙাকপীনবা নীজরি। অরানবশিংদু মথংগী ফোঙবদা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা ময়ামদগী নীজরি।

খ্বাইগী
বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

য়াওফম তাকপা ঃ-

হিরম লমায়

হিরম	লমায়
১। ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী পুন্সি	১
২। ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী ৰারোল-ৰাপুঙ্	১৪
৩। লোংজাম্বা রোমা সিংহ, জেনরেল	২৭
৪। মিয়ুটিনী মেডল	২৯
৫। ৰাংখৈ মৈরাবগী শা-লানগী মহৈ-মশিংগী থাক	৩৭
৬। মৈত্রবাক্কী থাঙগী মহৈ-মশীংদা ৰাংখৈ মৈরাবগী মফম	৪৩
৭। ৰাংখৈ মৈরাবগী মহৈ মশীংগী থাকসিগী ৰাখোম	৬১
৮। ৰাংখৈ মৈরাবনা মথং-মথং ওইখিবা ফমশিং	৬৪
৯। ৰাংখৈ মৈরাবগী শাচৎ-লানচৎ অমসুং লানফশিং	৭০
১০।মনিপুরগী খৃ:১৮৯১ গী নীঙতম লান্দা ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোর	৮৮
১১।চৈথারোল কুম্বাবগী লমাইদগী	১০৮
১২।মৈতৈগা বৃটিশকা লান লাউথোক্লখিবা	১১৬
১৩।মৈতৈনা লান লাউথোকখিবা	১২৩
১৪।বৃটিশনা লানদরকপগী খুৎ হনদুনা লাম্থেংনবা	১২৯
১৫।বৃটিশনা মনিপুরগী মথক্তা লান লাউথোকখিবা	১৩৩
১৬।খৃ:১৮৯১গী লাঞ্জাওদা খা মৈরমগী লান অমসুং লানফমশিং	১৩৯
১৭।বৃটিশনা খা মৈরমদা লাঞ্জংলকপা	১৬১
১৮।ককচিং ৰাইহিরগী লমহাংগী লান	১৬৯
১৯।ককচিং খুলেন খুল্লক্কী লান	১৭৪
২০।মনাওচিং চিংয়া অমসুং চিংশা নাপোমগী লান	১৮২
২১।ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা থেংনখিবা লানওং	১৮৫
২২।মীনম চারবা চৈথারোল কুম্ববগী ৰারোল	২০৪
২৩।ৰাংখৈ মৈরাবগী খুৎনা লাম্থেংনখিবা চপচাবা বৃটিশ লান্মীগী মশিং	২২১
২৪।ৰাংখৈ মৈরাবগী তেঙ্গোল লানশঙ খুৎশারোন	২২৫
২৫।ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লৈখিদবা নুমিৎ	২২৮

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী শা-লানগী পুন্সি

ৱাহৌদোক

ৱাংখৈ মৈরাবা/পোইলা/মেঞ্জোর , ইং কুমশীঙ ১৮৯১ গী মৈতৈ-বৃটান্নিয়া লাঞ্জাওদা অৱাং, নোংচুপ অমসুং খা-মৈরমদগী লাল্লম-লাম্থোঙ অহুম থোক্লা বৃটিশ/বৃটান্নিয়া/ঈংলিশনা মৈত্রবাক/মনিপুরদা লান্দারকপদা খা-মৈরমগী লানঙাক-লাঞ্জঙদা পল্লেন্দা শাবা মাঙজীন থারকপা বৃটিশকী লান্মী-লুপকী তেঙ্গোল/লানবন থুগায়রুনবগীদমক্তা কৈরক ককচীঙগী খুনফমশিং ফাওরগা নীঙলোমদগী/লুতুংলোমদগী লান্দাদুনা বৃটিশপু তকখায়রক্লবগী লাঞ্জঙ-লাম্থোঙদা ককচীঙ খুল্লক্কী লানফমদা মমা-লৈপাক মনিপুরগী অমসুং পোইরৈ মপা-চা/মৈতৈ/মনিপুরীগী মনীঙ-মখা তন্বা ঙাক্লনবগীদমক অমদি মকাংলুপকী ঈকাই খুম্নজরবা নীঙতম-ফিরালবু লৈমায়দা চিংথখিগদবদগী কন্ননবগীদমক্তা মহাক মশাগী-হুমাংমল, মহাকচাংগী ঈ, তোংশা অমসুং মশক মতৌদা অহিংবা- অচঙবগী মতীক-ময়াই পীরি-পুহল্লিবা য়াইবী মথৱাই কথোক্কুনা মনীঙ-মখা তন্বগী লাইরেন্বীদা নীঙতন্বগী মমল পীরন্নবা, মমা-লৈপাক্কী মফৌ-মচেঙ চাবগী, ঈশিং-মাঈশিং থকপগী লমল শীংজরম্লবা অমসুং মৈতৈ ওইনা কাংলুপ-মফুরুপ্তুদা মরৈপাকসিদা পোকচরকপা-চাওজরকপগী তৌফম থোকপা মথৌ-মঙমগী, ইনফম-পীফম থোকপা মমল-তৌবীমল অমসুং য়োকপীমল শীংলল্লবা অথৌবা, লানফম মায়য়োক য়াবদা য়াইবী-থৱাই চুপফমদা হীপখিদুনা তারবা ফাওবদা মখুত্তগী খুৎলায় থাদোক্তুনা য়াইবী পোন্থানরম্বা, মৈতৈ-কাংলুপকী থোইদোক হেন্দোক্লা অথৌবা ওইরবশিংগী মনুংদা/মরক্তা তোমথিন ওইরবা অথৌবা অমনি।

মহাক, পোইরৈ মৈতৈগী লৈপাক-নিংথৌনা লানগীদমক্তা লানফমদা চঙননবা পীখিবা য়াথং, থৌদা অমসুং থৌগায়দা মথৌ, থৌদাং অমদি, থৌগায় পাংথোকদা নৎত্রগা পাংথোক্লবা হোৎনবদা মমায় লৈদুনা চেনখি-তুংহন্নখিদ্রবা অমসুং মদুগীদমক খুদোংথীবা, অৱাবা মায়রোঙ য়াবদা নাথৈদুনা অমদি নাকোয়নদুনা পীখিবা-লৌখিবা য়াথং অমসুং থৌদাংগী পান্দমফম লমথুংফম

য়ৌদ্রিঙৈদা নৎত্রগা য়ৌবা ঙমদনা/ঙম্‌দদুনা/তেঙ্গোন লানবন শঙদুনা লৈবা নৎত্রগা লানফম থাদোক্তুনা চেনখিবা অয়ন্বা, হিংনা-হিংনা শিরবা লান্মী/লাল্লোই অমা নত্তে, নৎত্রগা অপীবা/পীরকপা য়াথং থৌদাগী থৌগায় পান্দমফম, লান্দা - লাঞ্জঙলুগদবগী লমথুংফম থৌদ্রিঙৈদা য়েক্লবনা লমখাঙদা লমথক্তুনা, লাললুমদুনা নৎত্রগা লমখাঙগী লমদু য়েক্লবনা লেঙ লৌদুনা লৌশিনখ্রগা মফমদুদা/লমদমদুদা য়েক্লবালেখ্রে, চঙখ্রে নৎত্রগা হাইজিনখ্রে হায়বা ঈ- পাউ তারগা/খঙ্‌লগা লৈকায়গী ফৌশুখোন্না খুবাক কুরোম হুদুনা পোকথোক্তুনা লাঞ্জঙ-লান্দা' মাঙলোমদা চঙশিন- তমশিনবা/ তকশিন-তানশিনবা তৌদনা/ঙমদদুনা লমখাঙ- লমফৈদা তেঙ্গোল শাদুনা, লানব্‌ন- লানখোং তৌদুনা লানবন শেম শাদুনা য়েক্লবা লান্দারকপা- লাঞ্জঙলকপা ঙাইদুনা লৈবা, লাইগী শোয়দনবা লান তৌ হায়বগী মতৌবা, মহাকসু মহোৎনখি- মতৌখিদনা হায়বা থোক্লনবা/হায়ননবা অমসুং মেনবা ঙমদ্রবা মীগী মচীন- চীনফেন্দা পাউখুম অমা খুন্বা য়ানবা মমিং/নমা অমা থোংবা য়ানবা অমসুং পাউথোক অমা থোকপা য়াননবা মওংদা তেঙ্গোল- লানবনগী পন্নুং- শাথুপফমদা লোত্তুনা শা থুপ্লগা লাল্লুমদুনা লাঞ্জারবা/লান্দা লাঞ্জঙলকপা ঙাইদুনা লৈবা মীকিথী, খোয়জেন লীংজেন তাউরবা মীতম্বাল অমসুং মথৌনা- মরীংজেন শোয়রোল্লবা মৈতে লান্মী/লাল্লোই অমসু নৎখি- ওইখিদে।

অনিশুবা মালেম/পৃথিবীগী লাঞ্জাওদা এক্সিস ফোসকী জর্মন্‌গী সেক্তরদা নাজি পাটীগী এডোল্ফ হের হিটলর/ফাহিয়রগী জর্মন লান্মীশিংনা, এল্লাইড ফোর্সকী রুশিয়া সেক্তরদা কম্মুনিষ্ট পাটীগী রুশিয়ান লুচিংবা মার্শেল ষ্টেলিননা, রুশিয়ান লান্মীশিংবু তকখায়রক্তুনা ষ্টেলিনগার্ড সহরনচিংবা মফমশিং লৌশিনখ্রবদা মরৈপাক হুন্দোক্লবা মায়োক্লনা য়েক্লবগা লান্বা তৌদুনা লান্থেংনবদি কিদুনা/তৌদনা লানফমদগী নীঙহন- নীঙহন্ননা চেল্লগা নৎত্রগা লান নীঙলোমদা হন্দোক্লগা রেডিওদা লেকচর তৌদুনা মখোয়না য়ারিবা নৎত্রগা মখোয়গা লাল্লোয়-লান্দিনরিবা মালেমসিগী লৈপাকশিংগী মতেং লাক্লনবা অমসুং তেংবাং পীরক্লবা লাউখিবা, ফ্রান্স, আমেরিকানচিংবা লাঞ্জীন/মাঙ থংলিবা লৈপাকশিংনা তেংবাংবীরক্লবা থৌরাংগী ফত্ত' লৌশীং খুজীল-শারৌদুবু লাঞ্জাওদু লোয়খ্রবা মতুংদুদা “ শীংনা লানহন্দোকপা” হায়না থোঞ্জিন- কৌশিন্দুনা ঈকাই- খাঙদগী কঙ কোৎপগী ৱাহে অমসুং ৱাশেম ৱারী- ৱাতায় কয়া পুথোক্তুনা অশীংবা শাখিবা/ওইখিবা অদুগুম্বগী শাজৎ লমচত্তু ৱাংখে মৈরাবা অথৌবদি হৈনজদবা অমসুং পামজদবা লাঞ্জিংলেন অমনি।

ককচীঙ পল্লেন শক্তাকপা লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরসি, পোইরৈ মৈত্রবাক্তা মৈতৈ নিংথৌ পানবা ঙমদদুনা লৈপাক কাংখোং চায়রবা মতম শিংদগী অনিরক হন্না কন্দুনা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালবু তোংঙন তোংঙানবা কুমশীঙ চা/চহি-চা/শতাব্দ অনিদা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল তশেংনা ফংফম থোকপা অমদি সনাগী মপোক্লা চৎনবী ৱায়েল ৱাখুন্দা নিংথৌ ওইফম থোক্লবা মৈতৈ- নিংথৌ মচাশিংদা ফম্বাল মখুত্তা তারবা ফাওবদা পুকচেল শেংনা ফম্বাল খুৎশিন্নবা, চাওথোকচনীঙাই ওইরবা ''ৱাংখৈময়ুম'' হায়বা মৈতৈ খুন্নাইলোনগী শাগৈদুদা পোকখিবা, ৱাংখৈময়ুম শাগৈগী মপা- মপু মশক খঙবগী লেমজনীঙাই ওইরবা মশাজৎ- মরমচৎনা পুল্লবা ৱাংখৈময়ুম মচা অমনি। মরম অসিনা মহাক্কী মিংলেন্দা মপা মপুনা শীজিন্নরকপা মশাগী শাগৈ শক্তাক/শকখঙন্নবা খুদম ৱাহৈ ৱাংখৈময়ুম ওইবগী নৎত্রগা ৱাংখৈময়ুম হায়বসিগী তেনশিন- শমজিনবা ৱাহৈ "ৱাংখৈ" হায়বসিনা হৌদুনা মহাকপু মিঙ্গৌনরম্বনি/মিংথোন্নরম্বনি।

অরেপ্পা শকখঙনবা শক্তাকপা

ঐখোয়গী ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোর অথৌবসি ৱাংখৈময়ুম শাগৈসিগী পুকোক ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবদগী চাদা-নাউদারকপদা মঙোন্দগী/চীঙঙা য়াঙবগী শূথাঙ-শূরোন্দা মীরোল মাপল চথ্তরগা শমথরক্কুনা লৈরিবা ৱাংখৈ খেদজী, মিংলেন অমনা, ৱাংখৈ ক্ষেত্রি, পোইলানা থিংবাইজম চনু/নিংঙোল কুণ্ডশ্বরী পান্নদুনা পোকচবা মচাইবুংঙো অনিগী অহন্নি; মহাক্কী মনাউ ইবুংঙোগী মমিংনা ৱাংখৈ জগৎ সিংহ হায়না কৌই। মহাক্কী শাগৈগী শল্লাইগী পুকোক-পুরেন্না মৈদিংঙুচা শনোংবা লাল্লুমখোম্বা, ৱাংখৈরাকপা [মৈদিংঙু শেনবী কিয়াম্ব/ক্যাম্ব (খৃ: ১৪৬৭-১৫০৮) গী মনাউ ইবুংঙোনি] কৌবসিনি। অদুগা শাগৈ-শল্লাইগী য়েক্কী পুকোক-পুরেন-কোকলেন্না মৈদিংঙু তুবীয়োঙ্গ নোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা [খৃ: ৩৩/৩৪-১৫৪], তুবী অহিং মী-ওইবা, নোংথিল খোইমোম লাই ওইবনি। য়েক্লা নিংথৌজানি [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪,২৪৮]।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা পুন্সিগী মহৌশা ওইরক্কুনা মৈতৈ' লৈপাক নিংথৌগী থৌগল তৌরক্লবা, মফম ফম্নাইদুনা মথৌ নাইরক্লবা, থৌদাং য়ারক্লবা, লৈকায় লৈয়াৎকী, কংলৈগী/কংলৈ- লৈকোক- লৈকায় লৈয়াৎকী

নত্রগা কংলৈপাক্কী অমসুং মৈতৈ পোইরৈ লৈপাক্কী/মনিপুরগী মশক নাইবা মীশক অমা নত্রগা লৈপাক নিংথৌগী থৌদা-থৌগায় য়াবা অমসুং থৌদাং পুবা, লৈঙাক- লৈকন শরুক য়াবা মীশক অমা ওইরক্লবদা মহাকপু মথক্তা পঞ্জখিবা ময়ুম য়ুম্নাক খঙনবা খুদম ৱাহৈ "ৱাংখৈ" হায়বসিগা মহাক্কী মমিং মিংলেন "মৈরাবা" হায়বসিগা অনিসিনা পুল্লগা খঙনবসিদগী মহাক্কী য়ুম্নাক শাগৈ শক্তাক্ল/শকখঙনা খুদম-ৱাহৈসিগা মঙোন্দা লৈপাক নিংথৌনা পীদুনা মহাক্লা পায়রম্বা/ওইরম্বা ফমথোনগী ফমমিংগা অনিসিনা মহাকপু খঙনবসিনা লৈপাক-খ্বাই পুম্নমক্লা মীয়াম-খ্বাইগী ওইনা শকখঙ-মায়খঙনবা হেল্লি। হায়রিবা য়ুম্নাক্কী ফমথোন-ফমমিংগা পুল্লগা মমিং ওইনা কৌনা-থোন্নবা মিংথোন-মিংখৈ - "ৱাংখৈ পোইলা" হায়বসিনা হেন্না মমিং চৎনা ফাওই অমদি খ্বাই মীয়াম্না নুংশিনা- চানা অমসুং খুৎলোয়না- লায়না কৌনৈ/খঙনৈ [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৬৯, ৪৮৮, ৪৯০, ৪৯১, etc]

ঙসিগী অনৌবা য়াওলগী মতমসিদা ঐখোয়গী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরসিবু হৌজিক্কী অনৌবা য়ুগকী অনৌবা য়াওলগী মতমসিদা মালেম শীনবা থুংনা অরিবনা অনৌবা ওল্লক্লবা লাইনীঙগুম লৌনরি-ঙাক্লরিবা, চৎনরি-তৌনরিবা অমসুং কুম/চহি লেপ্তু-কাঙদনা ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা পাংথোক্লরি-খুরুম্নরিবা "অকন-অথৌ" নত্রগা থৌনা ফবশিংবু ঈরাৎ-থেল্লাৎনবা [Hero Worship/Adoration]; মমা-লৈপাক, মরৈবাক নীঙবশিংবু ঈকাই খুম্নবা উৎপা [Patriot Respect/Regard/Revere] অমসুং মরৈবাক-মজাতিগীদমক্তা মশাগী শূজ' - নোমজমনগী হুমাং কংখিদবা, মহকচাংগী তোংশা ফাওবা কখোকখিবা; মশাগী শীংলীগী ঈরক্তগী অঙাংবা ঈখেং, অমুবা ঈ-মতুম য়াওনা লেপ্তুনা শীন্থরবা ফাওবদা চৈনাখোলগী তেংথশ মচীনবান্দা পকখিদ্রবা-শোনখিদ্রবা অমসুং শিগনি কিবনা চেৎনা থাগোন্নরিবা য়াইবী থৱাইবু মমা-লৈপাক্কী-মজাতিগী মরমগীদমক নোক্লা- নোক্লা পোন্থাখিবা/ থাদোকখিবশিংদুবু লাৎচ-শোঞ্জবগী [Martyr Veneration/Devotion] লীচিং- লমজিং মখাদা, চহি অমগী নুমিৎ ৩৬৫ সিগী মনুংদা নোংমখত্তা ওইরবসু মাগী/মখোয়গী নীঙশীং-থৌরম পাংথোক্তুনা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং কত্তুনা মরৈপাক নীঙবগী কাউদবা থাঙফম হক্লিবা, তুংলমচৎকী মীওইশিং ওইহৌরবা মীশকশিং অমদি মীওইবা

খুন্নাইগী, মশানা হিংলুরিবা খুন্নাইদুগী নত্রগা লৈপাক মীয়ামগীদমক নত্রগা মীতোপ অশোন-অনা, অৱা-অনা তারবশিংগীদমক্তা মপান্থোম তিংদুনা, মথবাক লোংনা খুদোংথীবা মায়োক্নবদা অকিবা-নীঙহন্নবা পোক্তবা খ্বাই-তরা মচাশিংগীদমক থবক-থৌদাং লৌদুনা নোম্লি-শূরিবা নত্রগা মীয়ামগী থবক পায়খৎলিবা মীশক-মীওই [Social/Public worker] শিংবু মখোয়দুগী মচা-মশূ ওইনা নত্রগা মখোয়দুনা শেন্বী-শাবিরন্নবা মখোয়গী তুংগী মীরোল ওইনা মখোয়গী/মখোয়বু তৌবীমল খঙবা উত্তুনা মখোয়বু ঈকাই খুম্ননা খুরুম-খাজঙনরিবা অমসুং লাৎচ-নীঙজরিবা ঙসিগী মীরোলগী মীওইশিংগী মফমদা ৱাংখৈ পোইলা ওইনা শক্তাক্লি-শকখঙহল্লিবদি - মৈত্রবাক মনিপুরগী ঙরাংগী ইতিহাসতা ঈগী মুকনা ইরিবা খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ-বৃটান্নিয়াগী লাঞ্জাওগী চেনা খরদা তারিবা পোইৱৈ মৈত্রবাক-মনিপুরগী চিরবা মতমদা লৈপাক নিংথৌগী য়াথং-থৌদা মকোক- থোংনা মৈতৈগী মবুংঙো মৈদিংঙু, মথংখনবা, ৱাঙ্গোন-নিংথৌ (যুবারাজ), মতুং ইনবা - লাঞ্জিং-পুরেন/ সেনাপতিনচিংবা অঙম-অথৌশিংনা বৃটিশনা মায়কৈ অহুমদগী মতম মান্ননা মনিপুরদা লান্দারকপগী লানঙাক-লানশোক্লনবা, লাল্লম-লান্থোঙ শীনবগী মৈত্রবাক কন্নবগী থৌশীল-থৌরাংগী মখাদা ককচীঙদগী তুংওইননা পল্লেন্দা শারিবা বৃটিশ তেঙ্গোলদা লান্দারুনবা অমসুং মনিপুর-বর্মা-লম্বীদগী মাঙওইননা লৈরিবা পল্লেন তেঙ্গোল থুগায়রুনবা মৈতৈগী লান্মী লুপ অনি অরোৎপা-অরোনবা লম্বীদা অমা অমসুং অফোংবা-অউবা লম্বীদা অমা এপ্রিল ২০, ১৮৯১ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং-নোংয়ায় অমসুং অয়ুক্কী নুমিৎ য়ুংবা মতমদা মথং শিংনা মৈতৈ সিফাই ৭০০ অমসুং ৪০০ গী লাঞ্জিংলেন, লাঞ্জিংবশিং হাপ্তুনা থারকপা লানওংগী লাঞ্জঙদা অহানবগীসিগী লাঞ্জিংলেন ওইদুনা খোঙশাল্লক্লগা ককচীঙ খুল্লক-লানফমগী লান্থেংনখি-লানশোক্লখিবগী লমায়শিংনা পরেং-পরেং ওইনা মরোল লোল্লিবা, ৱারী লীরিবা ৱারীদুগী মরু ওইবা শক্তম লৌরিবা মীশক্তুনি। অদুবু হায়রিবা ইতিহাসকী লমায়শিংদুনা পীরিবা ৱারোলশিংসি কাউথোক্লরক্লদুনা শকখঙবীদ্রবসু হৌজিক্কী মীরোলসিদা শক্তাক্লবা অতোপ্পা পান্থে অমা পীবা/উৎপা তারবদি, মদু হেক উরু-য়েংলুবদা অউবা মীদুগী মিৎয়েংনা মহাক্কী থোপ্তা পুরক্তুনা লমদমসিগী মীরোল খুদিংমক্কী, কাংলুপ- ফুরুপ পুম্নমক্কী নহারোলশিংদা ঙক্না লুকথবা পীদুনা মাঙলমচৎ

ৱাখন্দা লুপহন্দুনা পুক্নীঙদা ইতিহাসকী চেনা ফাক্তোক্তুনা পাৱারী-পুৱারীগী ৱাখলদা ইতিহাসকী লমায় হাইগত্তুনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শকখঙ-শকলেপ্নহন্নবগী ঈথিন-ঈপোম পীরিবা লমদমদুদা চেল্লিবা শেকমায় তুরেলগী ওয় থংবা (খা-থংবা) তোবর্বান্দগী মিটর ১০০ মুক্তা লাপ্পা লৈখ্রিবা মনাওচীঙ-চীঙদুম পরেং [ককচীঙ সবডিভিসন, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ত, মনিপুর] গী চীঙদুম-চীঙদোন অহুম নাইবগী ময়ায় থংবা, অনেন্বা চীঙদোন্দগী য়েৎলোম থংবা [অৱাং থংবা] নাকল্লোমদা লোয়রোইননা ঙমথখিবা নাপোমগী নৌনা শেন্বা থেন অমদা লৈরি-খীল্লিবা নুঙগী ফম্বাক্তা কাইদোংলিবা লাইরিক ময়েক ইবা নুঙ অদুনি। হায়জরিবা মরাক-ময়ুংদা ময়ুংনা হেল্লগা চীথেক মরি নাইবা, ঈঙ্গ্রেজী মরোনগী রোমান ময়েক্না মরোল লোন্দুনা অরাকপা মীশিংদা মাঙগী থৌদোকপু পাউদন্নিবা নুঙপাক মচাদুনা হায়রি :-

THIS IS THE SITE WHERE WANGKHEI MEIRABA POILA ALONG WITH 20 MEITEI WARRIORS FELL IN ACTION AGAINST THE BRITISHERS ON 23rd APRIL, 1891.

Commemoration Stone Laid By
Shri Y. Irabot
Education Minister
Manipur
April 23rd - 1989.

শমনা তেনখ্রবা ৱারোলসিনা লীরি - "খৃ: ১৮৯১ গী ককচীঙ-খুল্লক্কী লানফমসিদগী লাল্লুস্লমদুনা লান্দারকপা বৃটিশকী লানগী মৈশানা মৈতৈ-তেঙ্গোল অমসুং লাল্লমগী লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লান্থে-লানহন ওইনা বৃটিশ সিফাইশিংগা নোংমৈ কাপ্পা-কাপ্পনা লান হনে দাল্লকপদা ময়াম্বা-চীঙ তুংওইনরম্লগা মনাওচীঙ লানশিল্লক্তুনা অনিশুবা

চীঙদোং-চীঙদোনগী অৰাং থংবা নাপোমসিদা উপাল অমগী মৰুমদা থুপ্লগা নোংমৈ চীন্দোন লীক্লমলোমদা [কৌব্রু লাইচী ওইরপ্না] ওন্দুনা য়েক্লবা লান্বা তৌনরিঙৈদা গুর্খা সিফাই অমগী নোংমৈ মরুনা থজীন্দা পান্দুনা উপান্দুগী মখোঙদা লৈথদুনা তারগা মপোক্তুমগী অরোয়বা য়াহীপ তাদুনা মফমদুমক্তা য়াইবী থৰাই চুপখি।” অদুগা মহাক্না খোঙলোইনদুনা বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিংগা লানফম মায়য়োক য়ানদুনা নোংমৈ কাপ্লরকখিবা, মহাক্কী থাজনীঙঙাই ওইরবা লাঞ্জিংলেনগীদমক মশা অমসুং মপুন্সি কথোকখ্রবা লাঞ্জিংলেনগী ঙাকশেন-লান্মী [Security personnel] অমসুং হকথং-হক্কন-লান্মী [Body Guard] ওইনা তুংয়িন্না লানঙাক লানশোক্লখিবা, শিরবা ফাওবদা থাদোকপা লৈতনা ঙাক-শেন্দুনা মশাগী মথৌ পাংথোকখিবা মৈতৈ সিফাই ১৯ [তরামাপন: অদুবু বৃটিশ রেকোর্ডতদি ১৬ খক্তা ওইনা (১৭ কী মনুংদা ৰাংখৈ মেঞ্জোর লৌথোকখ্রগা) পীবীরম্মী, মসি মখোয়না মমিৎনা উবা অদুখক্তং হায়রম্বগী ৰাফম্নি, হায়জনীঙই] খকসু মফম অশ্বাইদা পুন্সিগী মৈরা মুৎখি। মরৈপাক নীঙবা মখোয় ২০ অসিনা কথোকখিবা থৰাই, তুংগী মীরোনগীদমক্তা তৌরম্বা খুদোন অমসুং মজাতিগী নহারোলশিংদা তম্বীরম্বা মনীঙ-মখা তম্না হিংননবগী পরা অদুগীদমক ৰাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা লানদা মখুত্তগী খুৎলাই থাদনা তুখিবা অমসুং মহাক্কী য়াইবী থৰাই মৈতৈ লৈমা ঈমাগী লৈমায়না চুপশিনখিবা মফম অদুনা মখোয় পুম্নমক্কী অরোয়বা নুংশাশোর হোনদোকফম ওইনা লৌদুনা অমদি মফমসিবু ইতিহাসকী মহৈরোইশিংদা তাক্লনবা অমসুং তুংলমচৎকী মীরোলশিংনা কাউদনবগীদমক হায়জরিবা মেঞ্জোর মৈরাবগী তুফম অমদি থৰাই চুপফম মফম অদুমক্তদগী মিটর ১.৮০ (ফুট ৬) রোম নোংচুপ ওইরপ শেল্লৈ-ফৈল্লৈননা মথক্তা পঞ্জখিবা লাইরিক-ময়েক ইবা নুঙপাক-মচা [Stone slab] অমসুং মসিগী নুঙপাক্কী ফমবৈ-ফম্বাক চনখত্তুনা লৈখিদবশিংগী নীঙশীং-নুঙ [স্মৃতি শিলা (Monumental Stone or Memorial Slab] ওইনা থমখিবনি।

নীঙশীং-ফুরা শাবিদনা নীঙশীং-নুঙখক্তং খীনবসিবু হক্কন্নবদা ৰাজৰবী মনাওচীঙগী তেংথাখোলবু সেকমায় তুরেলগী ঈচেন্না পুথখিদুনা ইন্ফাল তুরেলগী ঈচেন্দা তীনখ্রবসু, থৰাই থারমদায় পুংফমদুদা ৰানা হোন্দোকখিবা নুংশাশোর অদু তমথীরবা মতমগী নোংলৈনা হুমদোকপীখ্রবসু মমা নীঙবা

মচাশিংগী মরৈপাক নুংশিবগী খোন্থাংনা মৈত্রবাক-মনিপুরগী চীঙখোঙ-চীঙয়া, লোইয়া-তময়া শীনবা থুংনা য়ৈরক্লবা অমসুং অকন-অথৌবু ঈরাৎ-থেল্লাৎচবগী নুংশিংনা ভারতবর্ষ থুংনা শীৎলক্লবা মতমদুদা ইন্দিয়ান মচাশিংগী মনীঙ তম্বা পাম্বা অমদি অকনববু থাজবা সিফাইশিংনা নোংমদি মফমসিদা লাক্তুনা অকাউববু নীঙশীংলগা মঙক নোন্না খুরুম্লখিনি, অমদি মখোয়গী হৌনবী মচৎ-মনাৎ অমসুং ৱাখল-ৱাখুলগী মখাদা নোংমৈ মশীঙ নাইদনা কাপ্তুনা গার্ড ওফ ওনর [Guard of Honour] পীদুনা বেঙ্গুলগী লৈমোটিফ [Leimotif sound of Bugle] কী খোন্থাংনা নীল্লখিগনি।

শক্তাক-ৱাখোম

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী য়াইবী থাদোক্লম্লবা হকচাং এপ্রিল ২৩, ১৮৯১, শগোলশেল নুমিৎকী নোংথিল লৌরাংৱাইরমদা মনাওচীঙগী নাপোমদগী মৈতৈ-ককচীঙগী খুঞ্জাশিংনা পুখৎলক্তুনা মৈত্রবাক্কী মৈতৈ-লান্মীগী তেঙ্গোল, মনিপুর-বর্মা লম্বীগী মনাক অমসুং ৱাংজীং তুরেলগী মনাক নক্না ঈশিংচাবা লমদমদা শারিবা মৈতৈগী খা-মৈরম লাল্লমগী পনয়ায় লানঙাক তেঙ্গোল ৱাংজীংদা য়ৌরক্তুনা থল্লখি। অদুগা নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরমদা মৈতৈগী লাল্লমসিগী পন্নীঙ লানবন্দগী সনখ্যা মাইপাকম্না [লোকেন্দ্রবীরজিৎ সিংহ], ৱাংখৈরাকপা খা- মৈরম লাল্লমগী লাঞ্জিং পুরেন্নচিংবা মেঙ্গোর পোইলা, শাজোর খরগা; পনয়ায় ৱাংজীং তেঙ্গোলগী য়েনখোয়বা মেঙ্গোর, ৱাংজীং তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলেন অমসুং চোংথা নীলমনি সিংহ অয়া পুরেন মেঙ্গোর, লানজিং মথং-খনবা; অমসুং পনমাঙ খোংজোম তেঙ্গোলগী লানজিংলেন চোংথা মিয়াসিং মেঙ্গোর অমদি লানজিং- মথং-খনবা পাওনা নাওলসিংহ/ব্রজবাসি তোপ মেঙ্গোর পুন্দুনা লানওং-লান্থোঙ, লান্দা-লানকনচিংবা খন্নবগী- তানবগী তীন্নবা লোয়রগা থোক্লকপদা মৈতৈগী লাঞ্জিং-পুরেন, লাঞ্জিংলেনচিংবনা ঈকাইখুম্নবা উৎফম থোকপদু উৎলগা নুমিত্তুগী নুমিদাংদুদা লান্মীশিংনা ৱাংজীঙদগী ইম্ফাল সনা কোনুংদা পুখত্তুনা লান্মী লোইশঙ অমসুং তোপ গারোডদা পুশিন্দুনা হৌনবী লাইথৌ পাংথোক্লগা ময়ুমদা পুথরক্তুনা মশানা চৎচবা লাইনীঙলোনগী/ধর্ম্মগী ৱায়েল মতুং ইন্না মথৌ-মঙম পাংথোক্তুনা অফবা মপোক্কী শেংলবা হকচাংদু পোৎশী-পোৎলোয়রগা উৎপুঙ ওইরম্বদগী উফুল ওইনা মনিপুর মমা লৈপাক্কী হকচাং তীনখ্রে।

ৰাংখৈ মৈরাবগী হকচাংদি উৎ ওনখ্রে, মালেম লৈফুন্দা তীনখ্রে অদুবু মহাক্কী য়াইবী-থৰাই মঙা অমসুং য়াইবী মিরাংপান মিনা মহাক্কী শাগোন্নবা ঙাকশেন-লান্মীগী অচেৎপা হকথং খোঙলোই ওইখিবা মৈতৈ লাল্লোয় ১৯গা লোইনদুনা ঙসি ফাওবদসু মনাওচীঙগী চীঙশা-নাপোম অৰাংথংবগী উরক-উমংদুনা নাকন্দা থাঙশাং য়ান্দুনা নমদা চুঙ্গোয় পোরগা খুৎনা মিয়ুটিনি-হেন্রী রাইফল [Mutini-Henry rifle] থাদা পমদুনা চীঙলগা/শীঙলগা মৈত্রবাক-মনিপুরগী মনীঙ তম্বা ঙাক্লবা, মৈতৈনা মীখা থাগদবদগী কন্ননবা, অমসুং মৈতৈ-জাতিগী নীঙতম ফিরাল তুহন্দনবা শঙদুনা-শেন্নদুনা লৈরি। ওইথোক্তবনি খনবীগনু, মনীঙ-মখা তম্বা পাম্বা, মমা-লৈপাক্কীদা মথৰাই কৎখিবা নত্রগা কৎকে/কৎকনি নীঙখিবা অমসুং লেপখিবা মীওইশিংদি মতম পুম্নমক্তা হিংদুনা লৈ; খক শিবা নাইদে অমসুং অশিবনসু লৌশিনবা নত্রগা কাউহনবা ঙমদে অদুবু মীতম্বাল ওইরবা অয়ম্বশিংদি মতম খোঙজেলগী মিকুপ খুদিংমক্তা শিদুনতা লৈ। মথৌনা ফনা ফদুনসু পাকাস্না/ভৈরবসিংহ, শগোলহঞ্জবা মীচঙ-সঙ্গ লৈখিবনা "লেফটেনেন্ট জেনরেল [Lieutenant General] পাকাস্না" হায়না বৃটিশ য়ুনাইটেড কিংদমগী ভাইসরোয় অমসুং বৃটিশ ভারতকীনা সুপ্রীম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলগী গোভর্নর-জেনরেল হেন্রী চার্লস কৈথ, মার্কুইস ওফ লেণ্ডসডাউন [Henry Charles Keith, Marquis of Landsdowne (1888-94 A.D)] দা ৰারী তৌবীদুনা খঙহনবীনবা মতমদুগী অসামগী চিফ কম্মিস্নার জে: ডবলিয়ু কুইন্টন্নদা মীরক-মীচনথী ওইমনবদগী মফম তারবা সুরচন্দ্র সিংহ, মতম অমগী মনিপুরগী মহারাজ ওইরম্বনা খৃ: ১৮৯০ গী নবেম্বর ১৪ দা পীবা ৰাচৎ-ৰানোমগীদি ওইরগা ৰাকৎ-ৰারোল [Representation] দা পল্লি [N.K.S., 1983, A-IV, X] অমসুং মাইস্না শামু সিংহ, লুৰাং নিংথৌবুসু কোলোনেল/কর্নেল [Colonel] হায়না পীরি [মথক্কীসিদা, VI], অদুবু মীচঙ কন্দবা/লৈজদবা ৰাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরবুদি চৈথারোল কুম্বাবদা "পোইলা" হায়বসিদমক পনবীরম্মী। হায়রিবা চৈথারোল কুম্বাবসি চনখৎপদা/ইখৎপদা ৰাচৎ-ৰানোমগী মিত্রং খর য়াওখি হায়বসিদি চনখৎলিবা-ইখৎলিবা খুৎচনখৎ-লাচনখৎ, ইরল্লিবা খুৎই-লাকই, থম্বীরল্লিবা ৰারোল-ৰাফমশিং, পীবীরল্লিবা নুমিৎ-থাবান,

অসিনচিংবদগীসু লায়না খঙবা-ফাবা ঙম্বীগনি। অঙকপা হায়বদুনি লৈপাক্কী মীয়ামগী ওইবা থবক! ৱাখৈশেন-অচাশেন, ৱানোম-ৱাচৎশেন; শেমজিন-শাজিনবগী থুমচা-ঙাচাশেন : হায়বসি পামদ-লৌদবা লৈরমদবা মফম, মতম, মীরোলনচিংবা লৈরমদ্রে মৈতৈ লৈপাকসিদা? মদুবু হিংনবা লানফমগী শেন্দান লন্বীরা, মচা- মশূগী নত্রগা তুংগী মীরোলগী পৈশিন্দুনা থম্নবগীদমক্তরা নত্রগা লৈপাক-নিংথৌগী শেঙ্গাওগীদমক তুংশিন্দুনা থম্নবগীরা? হৌজিক হৌদোক্লুদনা নাচন মথীনা পাউহোম্লদুনা কান্নদে, নৌনা হৌদোক্লুদুনা মীয়াম্না নোক্লরবসু ঈকাইবীররোয়। নহানগী মরৈপাক নীঙবা [Worshiper/ Devotee of Mother country or Father land] অদুগা ঙরাংগীনা মজাতি-মফুরুপ নুংশিবা [Lover of Nation] শারম্লগা মীচেন-মীরোৎ ওইনা নাথেম্নগা লাইরিক হৈবা শাবদগী চীঙমী খুঞ্জাশিংদা লঙজরুদুনা মরৈপাক্তা লৈফম লৈত্রবদা নারোন্দগী মহৈগী শকখঙ-চে পুদুনা লাক্লগা মরৈপাক লল্লোনফমদা হারুনবা লৈঙাকলোনগী-লান্মী অমা ওইনা চোংথোক্লক্তুনা পাউশা (Circus) না মিত্রং [Magic] গী লুহুপকা মায়খুমগা উপ্তুনা ফাওদোক্লক্লগা খঙদবনা অখঙবা শারিবা, থাজবগী হী-য়াই পুরিবা অশীংবা! রুশিয়াগী লেনিন [Vladimir Ilyich Ulyanov (1870-1924)] গুম তান্থোক্তুনা লোৎলুরগা থোক্লকপা কেকু লোৎপী শান্নবা হৈবা অহৈবা, নঙগী খুজীল-থৌরাংনা খোর্জে মচীন থৈহন্দুনা ইতিহাসকী ঈচেলসে অরূবনা মতায়দা অনৈবনা ময়ায়দা চেলহল্লে; অরানবনা অচুম্বা, অচুম্বনা অরানবা, অশেংবনা শেংদবা ওইহনবীরিবা হে তোংজৈ মরীন্দা শামু লিৎহনবা !

কান্নদে, মীচঙ-সঙ্গ লৈজদবা! মমান্নবনা উতোন লোমখ্রগা হৈখোঙদা ফমদুনা হৈরাং কেল্লকপা ঙাইরিবা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ নীঙতম লান্দা মথৱাই পোন্থা থাখিবগী য়াইবী থৱাই চুপফমসিদি, খৃ: ২০০২ য়ৌরবা ফাওবদা মনিপুর সরকারনা পাৱারী-পুৱারীগী অমসুং মচৎ- মনাৎকী নীঙশীং-য়ুম্ফম [Historical and Cultural Monumental Site] ওইনা গোভর্নমেন্টনা "এন্সিয়েন্ট এণ্ড হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস এণ্ড আর্কিওলোজিকেল সাইটস এণ্ড রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬ [Ancient & Historical Monuments and Archaeological

Sites & Remains Act, 1976] কী মখাদা লৌশিনবীরগা কনশিন্দুনা থন্বীদ্রে। চৎখ্রবা ইতিহাসপু হঙ্গৎনা য়েংখত্তবনা পুম্নমক করিসু খঙদনা নত্রগা পেনা, খোংজোম- পর্ব্বনচিংবদা শৈথাদুনা শৈশক্লবা তারবদসু পাংখোক চামদুনা লৈরম্বদগী মহাক্কী শাগৈ মচাশিংদা সোসিয়েল ৱার্কর ২না পাউ পীবীরকপদগী মহাক্কী য়ুম্নাক শাগৈ ফুরুপনা তাকপীরকপশিংগা খুৎশম্নুনা থিজ-হুমজদুনা ফংজরকপা খরদগী মহাক্না খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩, শগোলশেল নুমিত্তা মরৈপাক্কী নীঙতম ঙাক্লবা লান্দা তুখিবগী তুফম অমসুং থৱাই চুপফমদা খৃ: ১৯৮৯ দগী মহাক অমসুং মহাক্না লোইনখিবশিংগী নীঙশীং নুঙ্ য়ুংজ-খীঞ্জদুনা লৈপাক খ্বাই খঙহন্না মরৈপাক-নীঙবা অথৌবসিগী অমদি মাগী তুংইনবশিংদুগী নীঙশীং-কুমওন পাংথোকপা লেপ্পা লৈতনা চত্থজরক্তুনা চহিগী ঙমজবা হে-লৈ কত্তুনা মৈতৈ-জাতিগী অরোয়বা নীংতম-লান, ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩ দা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মহাক্না শাগোন্ননা মথৱাই কৎখ্রবা মৈতৈগী অথৌবা লাল্লোয় ১৯ গী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম চহি খুদিংগী এপ্রিল ২৩ দা পাংথোকচদুনা লাকখি। অদুবু মরাইবক ফরবা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মৈতৈ লাল্লোয় ১৯ না অরোয়বা ওইনা য়াতাখিবা মনাওচীঙ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীঙমী-তন্মী হৌরক্তুনা জাতি-ফুরুপ-কাংলুপ থিনদনা - মৈতৈ হিন্দু, মৈতৈ/মীতৈ নাৎলুপ- ফুরুপ, মৈতৈ পাংঙল (মনিপুরী মুস্লীম) অমসুং মান্তক-কোম, পুন্না তীন্নদুনা অকোয়বদা লৈরিবা খুনশিং - কৈরক, ককচীঙ-খুল্লেন, ককচীঙ-ৱাইরী, ৱাবগাই, মান্তক্লচিংবা খুঙ্গংশিংগী মীহুৎ য়াওনা কৈরক্কী ঈনাৎ শেমগৎ-শাগৎ লুপ/ক্লবনা থৌদাং লৌদুনা কুমশিগী এপ্রিল, ২০০২ দা অখন্নবা মীহুৎশিং কৌদুনা ইম্ফালদা লৈরিবা ৱাংখৈ-মৈরাবা মেঞ্জোরগী মচা-মশূশিংবুসু কৌরগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনরগা "ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর ডেথ এনিভসরী এডহোক সেলেব্রেসন কোম্মিটী [Wangkhei Meiraba Manjor Death Anniversary Celebration Adhoc Committee]" অমা শেমদুনা চহিসিগী এপ্রিল ২৩ লৈপাকপোকপা নুমিত্তগী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মহাক্না লোইনবা লাল্লোই ১৯ গী কুমওনগী নীঙশীং- থৌরম খ্বাই-মীয়ামগী ওইনা পাংথোকপা হৌখি। পাংথোকখ্রিবা থৌরমসিদা মনিপুর গভর্নমেন্টকী কেবিনেট থাক্কী মন্ত্রী অনি, মিংলেন ফাননা ইজরবদা,

শ্রীয়েল্লাংবম বিরমনি সিংহ, ওনরেবল মিনিষ্টর (কেবিনেট) রেভিনিয়ু অমসুং মি:এম:ডি: অব্দুল সলাম, রেস্পেক্তেবল মিনিষ্টর (কেবিনেট), কোপরেস এণ্ড বেকৱার্ড ক্লাসেস অমদি মখোয়গী অফিসিয়েল ষ্টাফ খর য়াওবীদুনা লৈ-শূ কৎপা, সেকমায় তুরেন্দা তর্পননচিংবগা তৌবগা লোইননা থৌরম মপুঙ ফাহনবীখি। নীঙশীং-থৌরমসিগী থৌরম মপু (President) অমসুং অথোইবা অতিথিগী ফম্ফমল্লাংদা ওনরেবল মিনিষ্টরশিং শ্রী এম:ডি: অব্দুল সলাম অমসুং শ্রী ঈ: বীরমনি সিংহ মথংশিংনা লেঙশিনবীদুনা থৌরমগী লৈতেং ওইবীখ্রবসু হন্দক্কী চহিসিমত্তুদি মনিপুর সরকারগী নত্রগা সরকারনা শকখঙ-মায়খঙলবা থৌরম্মক ওইনদি পাংথোকখিদ্রে। অদুবু য়াম্না থুনমক পামজরিবা থাকসিদা পুখৎনবা মনিপুর সরকারদা তক্করী হায়না ওনরেবল মিনিষ্টর অনিনা থৌরম পাংথোকপদা মীয়ামদা লাউথোক্কুনা তাকপীরকপসিনা শীঞ্জ-লাংজরিবা এডহোক কোম্মিটীসিগী থৌনা হাপ্পীরম্মী অমসুং তুংগী থাজজবা পীবীরম্মী।

অরানবা, চুমদবা নত্রগা পঙতৌ হেক তৌশিনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী হৈনখ্রবা লমচৎনি, অদুবু, অদুম ওইদুনসু হাননা তৌশিনখ্রবদুবু লাল্লে, চুমদ্রে হায়বা খঙনা-খঙনা অচুম্বদা শেমদোকপা-চুমথোকপা হায়বসিদা ৱারৈ চেন্নবা, মতম চঙবা অমসুং শেল তীঙবনা লানবদুগী লাননা, অচুম্বদুগীসু চুম্না, অশেংবদুনা শেংনা অদুম্মক মতম খরদি পাংথোক্লবা ঙাক্তনি অদুবু অচুম্বা-অশেংবদুগীদি পরিং নায়দনা লীশাং শীৎনা অদুম লৈজহৌবা ঙাক্তনি। অসুম্না লন্নাইগী (Private) নত্রগা নাইতোমগী (Individual) গী ওইবা থবক/থৌরম নত্তবা লৈপাক-খ্বাইগী নত্রগা ষ্টেটকী/নেসনেলগী সরকারগী ওইবা থবকশিং-থৌরমশিংদা লালহনবা/চুমহন্দবা, করিসু নত্তে, লৈতে হায়না খন্দুনা ফৈরেং-তুরেং হায়জিনবা/তাকশিনবা নত্রগা ঐগী অপান্বা/পাল্লিবা অদুখক্তা থুংননা/ওইহন্নবা নত্রগা ঈশাগী মিংচৎ, শেল-থুম, খ্বাইনা শকখঙবনচিংবা কান্নবা ফংননবগীদমক্তা ঈশাগী ঈনাৎ অমসুং ঈহৈ, ঈজাতিগী ঈকাইখুম্নবসু য়োম্থোকপা নত্রগা য়োননবা মীরৈপাক্তা কোয়হা হাবা মীওইশিংসু মীয়ামগী খুন্নাই অমা লৈরবদি খুন্নাইদুগী মনুংদুদা য়াওদবা-লৈতবা নত্তে। অদুগা লান্দবা/শোয়দবা ঙমবা কনাসু য়াওদে, মীওইবা পুম্নমক লানবা/অরানবা তৌবগী মচা ঙাক্তনি। অদুগা ঈশানা তৌরুরিবা থবক্তুনা/

থৌরমদুনা লাললে/লানখ্রে হায়বা খঙদ্রিঙৈদি খঙদ্রিঙৈনি, খঙলক্লবদি লাল্লিবদু ঈশানা য়াজগদবনি; ভারত সংবিধানগী নাগরিক অধিকার [Article 19 (a) of Indian Constitution] না "ৱা ঙাংবা অমসুং অপান্বা-অনীঙবা ফোংদোকপগী নীঙতম্বা[Freedom of speech and expression]" পী হায়দুনা মুক্তুনা লৈরবদি অমসুং খঙনা খঙনা অরানবদু অদুম লানহন্দুনা থল্লবদি লৈপাকসিগী, জাতিসিগী করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু মরৈবাক-মজাতিবু ফহন্নীঙবগী লমচৎ-শাজৎ নত্তে। অমুক্লা, করিগুম্বা অমা খঙনা খঙনা লাল্লবদি/লালহল্লবদি অমুক হন্না শেমদোক-চুমথোকপদা ৱারগদবা অমসুং য়াররোয়দবা মরমচৎনা পুন্দুনা লৈরবা অমদি কোয়চিং চিংদুনা চৎলবা থবক্লি/মহাক্লি। মরম অসিনা মশাগী মরালবু লাল্লি/লাল্লে/লানখ্রে হায়বা খঙনা মশানা মরান্দু য়াজবা ঙমদ্রবা মী মহাক অদুদি লাইরিক ফনা হৈবসু ওইসনু, মরল-মথুম য়াম্না লৈবসু ওইরসনু, মশক-মতৌ মপা লৈতনা ফজবসু ওইজসনু; মহাক, মরৈপাক্তা, মকাংলুপ্তা অমসুং মহাক্কী/মশাগী তুংগী মীরোন্দা মতম চুপ্পগী লঙজরবা-লাঞ্জরবা, খুন্নাইগী মীপুম খুদিংমক্কী য়েক্ল-য়েংথিরবা মীশক ওইরবা, লাই-তীনশিংগী অকি-অখং ফাওদ্রবা-পোক্ত্রবা অমসুং লাইরৈপাক্তা তীনখ্রবা মকাংলুপকী মপা-মপুশিংদুদা হায়ফম খঙদনা অয়োন-অরানবা তৌরবা মীনুংখাঙ- মীরৈহৎনি। অদুবু পোলিটিক্সকী কংয়েৎ, লাইরিক হৈবা শাবগী ফত্ত' শারৌগী কোচী অমদি ইতিহাসকী ওঝা শাবগী মীনম-লাংথাক্লা মশা কনথোক্লবা- নাম্থোক্লবা, নুমিৎ খুদিংগী মীনম্বা, ওইদবা ঙাংলিবা লৌনম্বগী শক্তম পুরিবা মশানা ৱা ঙাংবদা য়াওরিবদু মশাদা তাজরুবগা খুন্নাইবু উৎ চায়দুনা চীনফেন ফরিবা মীহাৎপা-মীওইশিংদগীদি মহাক্লা হেন্না শাথী-তমথীরবা মীশক্লি।

মীওইবনা মী অমা ওইনা খুন্নাইসিদা হিংগদৌরিবসিবু মতম কয়াম্না শাংবগে; কুইনা হিংলবদা, পুন্সিনা শাংলবদা চহি ১০০ খক মঙাই। অসিগুম্লবা পুন্সিসিদা মীনুখাঙ-মীরৈহৎ ওইদুনা লৈরগা হিংনা হিংনা শিববুদি মশাগী লৈজবা ঙমজবা খরদং মীওইবগীদমক অচুম্বা-অশেংবদা কৎলম্লগা মতমগী খায়াত্তা তাদুনা শিনা শিনা হিংবদুনা শরুক চামা হেন্না ফৈ, মরমদি মীওইবনা মখোয়গী অকাউবদুবু লাকশিন্দুনা নীঙশীংলক্লগা তৌশিন্নদুনা লৌনম-নমথাক তৌদুনা অহিংবা ওইরম্বদু অদুম্মক মরন্নাই মতোমতা হাৎচদুনা শিজখিগনি, অচুম্বা

অমসুং অশেংবদুনা শিরগা তাদুনা লৈরন্নবসু লৈপাক খ্বাই-মীয়াম্না চিংখৎ-লৌখৎলগা খ্বাই চঙদুনা লাইয়েং-হীদাক থাদুনা হিংহল্লকখিগনি। মরম অসিনা ঙসি লৈপাক অপুনবগী ওইনা মনিপুর গভর্নমেন্টনা ষ্টেটকী/কাংলুপকী ওইনা শকখঙ- মায়খঙবীদ্রিবা নত্রগা পাংথোকপীদ্রিবা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙোর অমসুং মহাক্কা লোয়ননা মরৈপাক্কীদমক্তা শিমিন্নখিবা, হক থেংনা খুৎনা ফংনা লান্থেংনবদা শরুক য়াখিবা মৈতৈগী অথৌবা লাল্লোয় ১৯ গী কুমওনগী নীঙশীং-থৌরম পাংথোকপা নুমিৎ এপ্রিল ২৩ সি নোংমদি মশক নাইরকখিগনি, মরমদি, সনাগী ফজবনা লোত্তুনা থম্বা য়াদে, অদুগা মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বসু য়াদে।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙোরগী শা-লান্‌গী ৱারোল-ৱাপুঙ্

ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা/মেঙোরগী শা-লানগী পুন্সিগী ৱারোল-ৱাপুঙ্ অসিদা লৌখৎচনবা পান্দল্লিবা হিরম-লমদাংশিংদি - (১) মহাক্কী শা-লানগী মহৈ-মশীং, (২) মহাক্না শরুক য়াখিবা শা-লান অমসুং শাফম-লানফমশিং অমসুং (৩) খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ-নীঙতম-লাঞ্জঙদা মৈরাবগী থৌদাং - হায়বশিংসিগী ৱাফম-ৱারোল খরদং থমজবনি। হোৎনরিবা থবকসিদা - উদবা মপাতম, খঙদবা মমি লাক্লকপসিদা অরান-অহুই য়াওরকপা পুম্নমক মরৈপাক-মজাতিগীদমক্তা মথৱায় কৎখ্রবা মখোয়গী অশোনবা-অশোয়বা নত্তে, থবকসি পান্দমজরুরিবনা খঙজদ-হৈজদবদগীনি। অদুগা অশেংবা থৱাই ওইখ্রবা মখোয়গী মফমদা তৌরুরিবা থবকসিনা লঙজবা থোক্তুনা অৱা-অনা ফংজবা অমসুং খুদোংথীবা মায়য়োক্নবা তারবদি ঙসিগী সমাজসিনা কত্থোকখ্রবা অচঙবা থৱাইশিংদুবুদি অয়ম্বা-পাংদবা ওইবগীদমক্তা মীচৈ [curse] নবীনদুনা মখোয়না মরৈপাক-মজাতিবু নুংশিজবা-নীঙজবা অদুবু অরেম্বদা তাহনবীদুনা মখোয়গী শেংলবা য়াইবী-থৱাইশিংদুবু লানঙমদবা থৱাই-মি, মিরাংপান ওইহনবীদনবা তাইবং মপুনা মহাক্কী মখোঙ খুয়াখাদা চিংশিনবীনবা, ওইদবা- মীনম্বগী থৌরীনা মখোয়বু পুন্দুনা ফাদুনা থম্বীগনু, মরমদি মখোয়না তুংগী মীরোল, ঐখোয়গী ঙসিগীদমক মখোয়গী লৈজবা

পুম্নমক মখোয়গী অমতা খাকচদনা ঙরাংগী মমল য়াম্লবা মতমদু ফাওবা পীথোক্লক্লবা- কথোক্লক্লবনি। মসিগীদমক ঐখোয়না মখোয়গী তৌবীমল খঙনা ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা মখোয়গী য়াইৰী থৱাইশিংগী চুপখিফম অসিদা মখোয়গী মৈরা অমমমদংগা, ঙমজবা হৈরাং-লৈরাংশিংগা কৎচদুনা মখোয়গী তৌবীমলবু নীঙশীংজসি। মসুম্না মৈরা, হে-লৈনচিংবা খরদং কৎচবসি মীরমদম-মীরৈপাকচাশিংনা উরগা ঐখোয়গা জাতিগী থাক্তা পুনমিন্নরিবা য়ুমলোন-কৈরোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী ঈচীন-ঈনাও ওইরবা মীওইশিং অমসুং য়ুমথং-কৈথংনরিবা ঐখোয়গী বিজাতিগী থাক্তা আন্তরজাতিগী মীওইবা সমাজদা তীন্নরিবা অৱা/বর্মীজ/ম্রান্মা/ম্যান্মা-মচাশিংনা ঐখোয়বু মপা-মপু লাৎপা নীঙব [Ancestor/Forefather Worship/Reverence] গী নীঙশীং- থৌরমসিদগী মরৈপাক-নীঙবা, মজাতিবু নুংশিবা অকন-অথৌশিংগী মচা-মশূশিংনি হায়বদু/হায়না লায়না শকখঙখিগনি।

(১) ৱাংখৈ মৈরাবগী শা-লানগী মহৈ-মশীং

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা পোক্লক-শাৎখিবা অমসুং হৌরক-চাওরকখিবা লমদমসি মনিপুর তম্পাক্কী নহারুপ পানাগী ইম্ফাল কংলৈ লৈকোক্কী য়াইস্কুল লৈকোক-লৈকায়গী নম্বুল মপালদা লৈবা/চিংবা পীশুম ওয়নাম লৈকায়দনি। হৌজিক্কী মতমসিদা মহাক্কী ময়ুম্ফম-মরমদম খঙননবা হায়বা তারগনা পীশুম নম্বুল মপালগী নোংথোন্বম লৈরক্তনি অমসুং অমুক হেন্না লায়না খুৎলোয়না খঙননবা হায়রগনা, মনিপুরদা অনৌবা লৈঙাকলোনগী য়াওল চঙলকপা মতমগী তু উরকপা পুংজাশিংদা মীয়ামগী অমসুং মৈতৈ-খুন্নাইগীদমক্তা নোংচুপলোমদগী ফুজিল্লকপা ভারত জাতিয় কংগ্রেস অমসুং কম্মুনিষ্টগী লমজেন্দা ফৌ-চরোংগা থাঙ্গোলগা য়েকপা অঙাংবা ফিরাল পায়দুনা মীয়ামগী লান্মী অমা ওইনা চোংথোক্তুনা কম্যুনিষ্ট পার্টীগী ঈহও অমসুং মনিপুর কম্যুনিষ্ট লানহও [Communist Party's Movement and Manipur Communist Revolution (1948-49)] গী লমজিং মৈরা অমসুং লাঞ্জিং রাইফল পায়দুনা খুৎমারকখিবা ভারতিয় কম্যুনিষ্ট পার্টিগী জননেতা, মনিপুরগী নীঙতম কম্যুনিষ্ট লাল্লোয় হিজম ইরাবত সিংহগী শাৎচ-পোকচফম লৈকায়দুদনি। মহাক লৈকায়দুগী থৌবাল তাবা ৱাংখৈময়ুম ফুরুপকী ৱাংখৈ খেদাজী পোইলাগী মচানুপা অহল ওইনা ৱাংখৈময়ুম ঈংখোলদা পোক্লকখি, হৌরক-চাওরকখি, লৈরম-হিংলম্মী

অমসুং তাইবং পুন্সি লোল্লদুনা অহিং- অচঙবগী ময়াইনা মহনফম, অদুদা লাকখিবা মতমদুদা ময়ুম-মকাইফমদা হনখ্রবদা মহাক্কী মহকচাংদু মতমদুগী চৎনবা লোনচৎ ইন্দুনা ময়ুম-ঈংখোলদুদা পোৎলোয়খি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরসি মীওইবনা পোক্লকপা মতমদা করিসু ওইদনা, করিসু লোইনরক্তনা খুদুম শীঙনা তাইবংপান্দা লাকখিবা, চাওরক-শাংলক্লগা মহাক-মহাক্কী থবক-থৌদৌনা মহাক-মহাক্কী মশক শেন্বা ওইবনা পুন্সিগী ময়ায় ওইবা মতমদগীনা অরোয়বা মিৎকুপ ফাওবা শামী-লান্মী ওইনা অমদি শা-লানগী পুন্সি, শা-লান তৌননবা লানবন-তেঙ্গোন্দদা লেনবা লাল্লোয় অমা ওইনা হিংলম্মী। মরম অসিনা মহাক্কী শা-লানগী মহৈ-মশীংসি পুন্সিগী লমদাং চানা মাগী তুংগী পুন্সিদা শীজিন্নবা খুৎপায়-খুৎলাই ওইনা তল্লকখি। হায়রিবশিংসিগী মরী লৈনবা ৱাফম খরদি মখাগীশিংসিনি।

ৱাংখৈ মৈরাবগী শা-লানগী মহৈ-মশীংগী ওঝা/গুরু

ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা/মেঞ্জোর, অথৌবসিগী লৈপাক-খ্বাই পুম্নমক্কা খঙন-তানরবা শা-লানগী অমসুং থাঙ-তাগী মহৈ-মশীংগী ওঝা গুরুদি মৈদিংঙু রাজা গম্ভীর সিংহ [খৃ: ১৮২৫-৩৪] গী স্নাহাক্তক্তগীনা মৈদিংঙু রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [খৃ: ১৮৩৪-৪৪ ১সুং ১৮৫০-৮৬], কে:সি:এস:আই [K.C.S.I. i.e. Knight Commander of Star of India] গী স্না হাক্তক ফাওবদা মৈতৈগী নিংথৌরোল ৪ [মঙা ওইগদবদা মৈদিঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অনি লোন্‌না পানখিবননি] তুনা লৈপাক নিংথৌগী থৌগল তৌরক্লবা - লোংজাম্বা লোমা/রোমা [Romah] সিংহ, মেঞ্জোর হায়না কৌবা মৈতৈগী অথৌবা লাল্লোয়দুনি। হায়রিবা ৱাংখৈ মৈরাবগী ওঝা/গুরু লোংজাম্বা রোমাসিংহ, মেঞ্জোর অসি মনিপুর তম্পাক্কী নহারুপ পানাগী ইম্ফাল কংলৈগী য়াইস্কুল লৈকোক লৈকায়গী মনুং চনবা কৈশামথোং লোংজম লৈকায় [হৌজিক্কী কৈশামথোং লোংজম লৈরক্কী মনুংদা চঙশিল্লগা লৈরিবা মফমদুদা ময়ুম-ঈংখোল লীংলম্ব] নি। লোংজাম্বা রোমা সিংহসি মহাক্কী মতমদুগী মৈতৈ অকন-অথৌশিং, শারম-লাল্লম, শাথোঙ-লানথোঙ, শা-লানগী লান্দা-লানকন, লাঞ্জেন- লাঙ্থেনচিংবা নীঙথিনা খঙবা অমসুং থাঙ-তা শীজিন্নবগী মহৈ-মশীঙ, খুৎলায়দুনা শাফা-লানফাবগী হৈ-শীংবাগী মরোল খঙ-হৈবনচিংবা মীশকশিংগী মতোন তোল্লোদা লেপ্লিবা মীওইশিংগী মনুংদসু অখন্নবা ওইনা মীথোহ- মীহেল্লবা মীশক অমনি।

লোংজাম্বা রোমা সিংহনা হওরক্খিবা পুন্সিগী মশক :-

লোংজাম্বা রোমা সিংহসি মৈত্রবাক-মনিপুরনা মপাঙ্গলগী চীঙদোন্দা লেপ্তুনা লৈরম্বা মতমদুগী মতুংদা মৈতৈশিংনা অৱাশিংগী মখুত্তা মায়থীবা ফংদুনা মরৈপাক মীখা পোননা মকাংলুপকী মনীঙতম্বা মাঙদুনা চহি তরেৎ খুন্তাকখিবা [Seven Years Devastation (1819-25 A.D) of Manipur] গী মতমসিদা মশা কাংদোং ফাদুনা শা-লান অমসুং শাফম-লানফমগী মহে-মশীং খরমখৈ হৈরবা, খঙলবা মতম্নি। মতমসিদা মরৈপাকপু য়েক্লবগী মখুত্তগী হন্দোক্লবা কছারদা নাথৈদুনা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌমচা গম্ভীরসিংহ [তুংলমচৎকী রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃ:১৮২৫-৩৪) না লীংখৎখিবা অমসুং "ঐখোয়গী ঈনিংথৌ নুংশিখিবা, রাজা নরসিংহ (১৮৪৪-৫০)] গা খুৎশম্নদুনা ময়াম্নুংগী মিংদা মনাও ইবুংঙোনা সেনাপতি ওইদুনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী অমসুং গভর্নমেন্টকী মতেং লৌদুনা খৃ: ১৮২৪ কী সেপ্তেম্বর থাদগী শেমগৎলকখিবা "রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী [বি: কে:, ১৯৯৬, এ-১১,৩]", মতুংদা "মনিপুর লেভী" হায়না মমিং ওনখিবা অদুগী অহানবা মিং চনখিবা শগোল-লান্মী ৫০ অমসুং খোঙমী ৫০০ গী মনুংদা য়াওদুনা মমা লৈপাক হন্দোক্লবগী অমসুং হন্দোকপগী থৌদাং শরুক য়াররক্লবা মীশক্নি। মহাক হায়রিবা অহানবা লীংখৎখিবা মনিপুর লেভীগী খোঙমী ৫০০ দুগী মনুংদা মৈতৈ লান্মী/সিফাইগী ৩৯ শুবা মশীঙদা ময়ামগী মথং-মনাওগী পরেংদুদা লৈখিবা মনিপুর-লেভীগী লান্মী/ সিফাই অমনি।

লোংজাম্বা রোমা সিংহ, লানজিং-পুরেন গম্ভীর সিংহ অমসুং লাঞ্জিংলেন নরসিংনা মনিপুর লেভীগী লান্মীশিংগা, মায়কৈ শোমগী লম্মিৎ-তুমিৎ য়েংনবা, লম্বীগী মতুং ইল্লকপা লেফটেনেন্ট (মতুংদা কেপ্তেন) রোবার্ট বোইলু পেম্বরটোন [Robert Boilieu (or R.B.) Pemberton] গা লোয়ননা অৱাগী মখুত্তগী মনিপুর হন্দোক্লবা মনিপুরদা লৈরিবা অৱা-লান্মীশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা তাম্হোক্লবা লাকপা খোঙচৎতুদা য়াওরকখি। মৈতৈ-নীঙতম লান্মী মপৈসিনা সিলেটতগী কছার ফাওরগা মৈতৈ/মনিপুর তম্পাক তারকপা অমসুং মৈতৈ কোনুং কংলা কোনুংলেন্দা চঙ্বগী খোঙ্চৎসিগী আর:বি: পেম্বরটোন্না মহাক্কী ডাইরীদা উৎখিবদুগী মওং-মতৌদু লৌদুনা শমজিন্না শেম-শারবা শক্তমদু মখাদা উৎচরি, মদুদি :-

খোঙশাল্লকপা নুমিৎ থাবান	খোঙহৎওরকপা মফম	থুংলুবা নুমিৎ	থুংলুবা মফম	অরাপ্পা মাইল-ফা-খুদুপ
মে ১৭, ১৮২৫	সিলেট হেডক্বার্টর	মে ২৩, ১৮২৫	বাসকান্দি কছার	
মে ২৩, ১৮২৫	বাসকান্দি	মে ২৫, ১৮২৫	তুকমু নালা	১১-৫-৬০
মে ২৬, ১৮২৫	তুকমু নালা	মে: ২৬, ১৮২৫	জিরি নালা	৬-৭-২০৪
মে ২৬, ১৮২৫	জিরি নালা		মক্রু/মকুরোক	১১-৪-০
	মক্রু/মকুরোক		কলানাগা খুনশিং	২-৭-১১৭
	কালানাগা খুনশিং		বরাক নালা	৪-৪-১৬৭
	বরাক নালা		কম্বুনগী নোংচুপ	৭-০-০
	কম্বুনগী নোংচুপ থাবা থংবা নাকন			
	থংবা নাকন		নোংবা/নুংবা	৫-৭-৫৬
	নোংবা/নুংবা	জুন ১, ১৮২৫	মুঞ্জিরোক কোনা	৩-৭-৫
জুন ৪, ১৮২৫	মুঞ্জিরোক কোনা		ঈরং তুরেনগী য়েৎ	
			থংবা তোবর্বান	৪-২-৩৯
	ঈরং তুরেনগী য়েৎ			
	থংবা তোবর্বান		অৰাংখুন	৩-২-১৮৫
	অৰাংখুন		ঐই নালা	৩-৬-০
	ঐই নালা		নুংঙা/নুংনাই খুন	৩-৫-১৮৫
	নুংঙা/নুংনাই খুন		ঐই নালাগী ওয়	
			থংবা তোবর্বান	৫-০-১৬৩
	ঐই নালাগী ওয়			
	থংবা তোবর্বান	জুন ১০, ১৮২৫	মাকলং মৈতৈ খুন	১০-২-১৯৭
জুন ১২, ১৮২৫	মাকলং মৈতৈ খুন	জুন ১২, ১৮২৫	মৈতৈ কোনুংলেন	
			ইম্ফাল কংলা	১১-০-৫
জুন ১৪, ১৮২৫	মৈতৈ কোনুংলেন	জুন ১৪, ১৮২৫	অন্দ্রো চকপা খুন	১৬-১-০
জুন ১৫, ১৮২৫	অন্দ্রো চকপা খুন	জুন ১৫, ১৮২৫	মৈতৈ কোনুংলেন	
			ইম্ফাল কংলা	১৬-১-০

* অকোনবগী খোঙচৎ অমসুং হল্লকপগী - খোঙফমসি পেম্বর্টোনগীদা য়াওদে।

অসিনি। মনিপুর লেভীগী মবুংঙো অমসুং লাঞ্জিং-পুরেন গম্ভীরসিংহনা আর:বি:পেম্বরটোন, লেফটেনেন্ট অমসুং থৌগন-লাংগন মৈতৈ সিফাই খরগা লোয়ননা সিলেটকী খোঙহওদুনা খোঙশাল্লক্লগা কছারগী বাসকান্দিদা মে ২৩ দা থুংলগা মফমদুদা লোংজান্বা রোমা সিংহ য়াওবা মনিপুরগী লেভীগী শগোল লান্মী ৪০ অমসুং খোঙমী ৫০০ বু লেভীগী লাঞ্জিংলেন নরসিংহনা মখোয়গী মনিপুর লেভীগী হেডক্যাটরদগী যাত্রাপুরদা পুদুনা লাক্লগা পুনশিন্নরখি। অদুদগী মখোয়না কছার অমসুং মনিপুরগী তু-খোং, চীঙ-মান অমসুং চীঙমী খুন কয়া লান্দুনা লাক্লগা মনিপুর তম্পাক্কী অৱাং-নোংপোক্কী লোইচীঙ-লোইয়া মনাক্কী মৈতৈ খুন মাকলংদা চহিসিগী জুন ১০, ঈরাই নুমিত্তা থুংলখি। মফমদুদা নুমিৎ য়ুংলমদায়দা থুংলবনিনা মমাঙদগী পুরকপা রেসন চান-থক্লবা চীঞ্জাক্কী চেঙজেল লোয়রদুনা লৈত্রবদা চীঞ্জাক থিনদুনা লৈরিবঁগে অমসুং চান-থক্লবা থৌরাংলিঙৈদা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নখিদে, অদুবু নোংঙানবগী নুমিত্তু [জুন, ১১, থাঙজগী নুংথিল পুং ২ তারকপদা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা শারম্বা অৱাগী তেঙ্গোল লানবন থাদোক্কুনা চেনখ্রে হায়বা পাউসি ফংখিরম্মী। অদুবু মৈতৈ লান্মীগী সিফাইদুনা চীঙলক মাল্লক্তা লমশাং লেপ্পুনা চৎলকপগী চোকথবগী মতৌ অমসুং অয়ুক্কী চাকলেন, চাক থেংনা চাবগী লেঙনীঙ-শানীঙদবগী মওং উবদা লাঞ্জিং-পুরেন অমসুং লাঞ্জিংলেন্না মখোয়দা পোত্থানবগী মথৌ লৈরিবসি খঙল-উরদুনা নুমিত্তুমা পোত্থাহনখি (মথক্কীসিদা, ৪৫)। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবনদি লৈপাক নিংথৌগী শেন্বী-শাবীবা হৈবনিনা নুমিৎসিদা লান শোক্লবগী ৱাফমদা চনখৎলিবা পণ্ডিততুনা ইরি :-

...ওয়নাম বলরামগী কুমশক ১৭৪৭... ঈংঙা থা ... ২৫ নি থাঙজতা অৱা লৈপাকচাপা লৈরমপাপু তকথোক্কুনা চেনখিএ। লান্দি শমশোক নিংথৌনে চৌরিখম কালেনপানে ২ মনাচিংনা ২৪ ফারৌএ।.. [চৈ: কু: ১৯৮৯,২২৪]

অদুনা অসুম্না মশাগী ওইজবা ফংননবা লাইরিক-লাইশূদা খুৎকী অহৈ অশীংগী মহৈ শান্নবসি মৈতৈ পণ্ডিতশিংগী মহৌশা ওইরমাল্লে।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ, মনিপুর লেভীগী লাঞ্জিং-পুরেন্না মথংগী নুমিৎ জুন ১২, ১৮২৫ নোংমাইজীঙ নুমিত্তা মৈতৈগী কংলা কোনুংলেনদা মহাক্কী শামী-লান্মী ময়ামগা লোয়ননা চঙদুনা মৈত্রবাক মনিপুরগী নিংথৌ ওইরে হায়না

লাউথোক্তুনা মৈতৈগী মনীঙ-মখা তম্বা হঞ্জিনবা, মরৈপাকপু য়েক্লবগী মখুত্তগী হন্দোকপা অমসুং অমুক হন্না মৈত্রবাক্তা অনৌবা নিংথৌ পাল্লবগী হরাও-তয়াম পাংথোকখি, মনিপুর লেভীগী সিফাইশিংনা নুংঙাইবা ফোংদোকপসিদা লোংজাম্বা রোমা সিংহসু লেভীগী সিফাই অমা ওইনা নুংঙাইবদুগী শরুক য়াখি। থৌরমসি পাংথোক্লকপা মতুং নুমিৎ ৫ নি শুবা জুন ১৭, ঈরাই নুমিত্তা অৱাৎ- অপা পুন্নমক লৌননবা সিলেটতা ফ্রোন্টিয়ার এজেন্ট উন্ননবা মনিপুর ঙাকপগী থৌদাং মনাও ইবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিদা শীন্নরল্লগা লেফটেনেন্ট আর:বি: পেম্বর্টোনগা লোয়ননা মৈতৈ সিফাই ২২০গা চঙখি। সিলেটতগী লেভীগী সিফাই মশীঙ শগোল-লান্মী ১০০ অমসুং খোঙমী ১০০০ দা হেনগৎপা য়ানরগা চিঞ্জাক অমসুং খুৎশূ-খুৎলাই পুরগা কেপ্তেন (মমৈদা মেজর) গ্রান্ট অমসুং লেফ: পেম্বর্টোনগা লোইননা ডিসেম্বর থাদা থোক্লকখি। মরক্কী মতমসিদা লোংজাম্বা রোমা সিংহ মহারাজ গম্ভীরসিংগা লোয়নৈ।

মহারাজনা থোক্লকপগা ঈকুই কুইদনা অৱা লান্দানবা থৌরাং লৌখত্তুনা মনাও-ইবুংঙো নরসিংহবু হান্ননা লোংজাম্বা রোমা সিংহগা লোয়ননা মনিপুর লেভীগী সিফাই ১০০০ জানুৱারী ১, ১৮২৬ তা তমুদা লান চঙহনখি। অদুবু তুমুগী লানবন অৱা লান্মীনা চেকশিন্না ঙাকখিবগী ঈ-পাউ ফংদুনা গম্ভীর সিংহ মহারাজনা কেপ্তেন গ্রান্ট অমসুং লেফ: পেম্বর্টোন লোয়নদুনা মৈতৈ সিফাই ১০০০ পুদুনা জানুৱারী ১৪, ঈরাইদা তুমুদা লাঞ্জঙখি। মফমদুদা থুংলুরগা য়েক্লরিবা লান্মী মপৈ অনিমক অমনা অমগী অচেৎ-অকোম য়েংনদুনা চেকশিন্না তেঙ্গৌল ঙাক্লদুনা লৈরম্বদগী মৈতৈ লান্মীনা তকশিন্দুনা তুমু লানবন্দু থুগায়খি। অসুম্না নুমিৎ ৫ নি জুন ১৯-২৩ ফাওবা লানশঙদা অমসুং লাল্লম-লানফম অমসুং হকথেংননা খুৎফংননা য়ান্নবা লানফম-লাল্লক্তা লৈবসিদা রোমা সিংহসু চোকথবা লৈতবগুম থৌদাং য়াখি। অসুম্না তোপ বমদিয়ার য়াওদনা অৱা লানবন থুগায়দুনা মখোয়বু তাম্থোকখ্রগা নিংথি তুরেন মপান্দা তারিবা অৱা খুঞ্জাশিংগী খুঙ্গং-কংলৈ [Village & Town] কয়া অমুক হন্না নৌনা লাকশিন্দুনা লৌশিনখি। অৱানা লৌশিল্লম্বা অমদি খুদুম চল্লম্বা নিংথি তুরেন মপানগী লম পুন্নমক হন্দোক্লগাময়াম্বুং চৌরজিৎ মহারাজ (খৃ: ১৮০৩-১৩) না শীন্নরকপা ব্রজসিংহ থাঙশাংবু অৱাগী মঙক ককপগী তৈরিবা ঈদু নিংথি

তুরেনগী ঈচেন্দা চান্নগা মফমদু ফাওবা মৈতৈগী লম্নি খঙননবা-তাক্লনবা মনিপুর লেভীগী নীঙতম ফিরাল নিংথি তুরেলগী তোবর্বান/মপান্দা য়ুংদুনা মনিপুরগী লমখৈ/ঙমখৈ খুদম থমখি [মথক্কীসিদা, ২২৫]। অসুন্না নহা ওইরিবা মৈতৈ-লান্মী মপৈ [মনিপুর লেভী] গী সিফাই অমা ওইবনা মমাঙগী লানফমশিং অমসুং লানশিংসিগী লানশোক-লাম্থেংনবদা মমিং শীংথাবিদ্রবসু অমসুং সিফাইখক্তং ওইবসিনা মশক-মমিং পনবীরমদ্রবসু লোংজাম্বা রোমা সিংহসি মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা অনৌবা যুগকী অনৌবা মনিপুর ওইনা অমুক নৌহৌননা লৈশেম-নোংশেম্বগুম শেমগৎ-শাগৎলদুনা খুনুং লৈপাক মখা তম্বা, নিংথৌ পানবা অমসুং মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েঞ্জবা এসিয়াটিক লৈপাক অমা ওইবগী থাক্তা খৃ: ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী ২৪ দা বর্মা/ম্যান্মারগী য়ান্দাবু [Yandaboo] দা বৃটিশ অমসুং বর্মীজ গভর্নমেন্ট অনিনা সহি তৌনখিবা য়ান-চেদা পন্দুনা শক্তাক্লকপগী মতুং ইন্না লৌখৎলকপা লৈপাক- নিংথৌগী থৌশীল-থৌরাং পূম্নমক্তা শরুক য়ারকখি অমসুং থৌদাং লৌরকখি। মতম অসিৱাইদদি লোংজাম্বা রোমা সিংহসি মথক থোংবশিংগী য়াথং ইনবা, য়াথংদু থবক্তা ওন্থোক্লবা/ওন্থোকপগী লান্মীনি। অদুবু মহাক গম্ভীরসিংহ মহারাজগী চহি ৭ খুন্তাকপদা মৈতৈগী লৈঙাকলোনগী লীপুন্দগী নাম্থোক্তুনা মনীঙ মখা তম্বা চীঙমী খুনশিংবু লাকশিন্নবা লানচৎ অমসুং লানফমশিং - লুৱাংলোন হাওখুন (২২৫), ঙাকাচেং-চীঙমী খুন (২২৬), ওখ্রুল তাংখুল হাওখুন, চোইথর তাংখুল হাওখুন, থোনলাং কবুই হাওখুন (২২৭), খাগী হাও (২২৮-২৩৪), অৱাং-হাও/লুংহুপ্পা (২২৭-২৩৩), থৌপুম কবুই হাও (২৩২), উখ্রুল, সোমদন, ফদাং, খোংচাই-হাও (২৫৩), খাকি হাও খুঙ্গং ২০ (২৩৯), লাং-হাওখুন (২৪০), কচাই খুঙ্গং ৩, থোইৱা খুন, খোংতৈ খুন, তলোইমৈ খুন, তোলোই খুঙ্গং (২৪২) অসিনচিংবা; বৃটিশশিংগী লানবাং ওইনা খৃ: ১৮২৯ দা খাহি/খাসি (মেঘালয় ষ্টেটকী) লান্দাবা চৎপা অমসুং নৌনা লান্দাদুনা লোই চনবগী লান্দা-লাঞ্জঙগী' লানফমশিং - থিংবা, ইপুমৈ, য়েলেমমৈ, ইফেমৈ, ইখিমৈ, ৱাইনোং, ইবাইমৈ [বরাক তুরেনগী নোংপোক্তা লৈবা খুঙ্গংশিংনি], কশোমিচি, শনমৈ, মখেকমৈ, কাতুমৈ, তোনফমমৈ, কাতেঞ্জঙ, কারুমৈ, শিঙামৈ, মখোংমৈ, তরানমৈ [বরাক্কী নোংচুপ লোমদা লৈবা খুনশিংনি], মখান, মাও,

পুংতোংমৈ, পুংতোংমৈ খুনৌ, খোইয়ু খুন, মানেংমৈ, য়াং, পাবুলাংমৈ, ৱামৈ, মাও খুল্লেন, কাশামৈ, পুতোংমৈ, ইবেমৈ, পাকক্রমৈ, দেবৌমৈ, ইসেমৈ, কাইপুঙমৈ, কচুংমৈ (২৪২) নচিংবা নাগা খুঙ্গংশিং লাকশিন্দুনা লোইপোৎ কাহনবগী লান্দা-লানফমশিংদা মশীঙ নাইদনা য়াওরকখি। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা খৃ: ১৮৩৩ গী জানুৱারীদগী ফেব্রুৱারী ফাওবদা অৱাংলোমগী মথক্কী নাগা খুঙ্গংশিংসি [হৌজিক্তা নাগালেণ্ডদা তীনখ্রে] থুগায়রগা খেপুমৈ/খিপুমৈ/খিরোমৈ [কোহিমা স্মোল হিল টাউন] দা লান্দাদুনা লাকশিন্দুনা মহাক্কী খোঙ্গুল য়েকপা নুঙ [হৌজিক্তি নাগা লালহওবশিংনা হুন্দোকখ্রে] য়ুংবগী মতাংদসু লোংজাম্বা রোমা সিংহসি করিগুম্বা সিফাইগী ফম [কোন্থোন্দার, কুট নত্রগা জামান্দার] অমা পায়দুনা য়াওরমগনি হায়না থাজজৈ।

লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মতুং তারকপা মৈতৈ নিংথৌশিং মৈদিংঙু নিংথেম পীশক [চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃ: ১৮৩৪-৪৪)], মৈদিংঙু নরসিংহ, অমসুং মৈদিংঙু দেবেন্দ্র সিংহ [খৃ: ১৮৫০ গী থা ৩] গী স্নাহাক্তকশিংসিদসু চৈথারোল কুম্বাবনা মনা-মনীন অমতা নাইদে, অদুবু মথক্তা তৌখিবা থবকশিং অসিদা মহাক্কী মমিং শীঙথাবীরমদ্রবসু লাম্মী অমা ওইনা মশীন- শীন্থা পায়রকপগী ৱায়েল অমসুং য়ুম্ফমদা তৌফম থোকপদুনা পীজবনি, মরম অসিনা নিংথৌরেল অসিগী স্নাহাক্তকসিদসু লাম্মীগী শীন্থা, থৌদাং, থৌগায় অমা লৈবনা খৃ: ১৮৪৪ গী জানুৱারী ২৭ কী থৌদোক- ৱাথোক্তুগী শরৌ, খুজীল-থৌরাং অমসুং থৌশীল-থৌদৌ য়াওখিরম্বগী খুদম মুথত্তুনা থল্লম্বগুম তৌই। লোংজাম্বা রোমা সিংহনা য়াম্না মঙাল নাইখিবসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ কে:সি:এস:আই [K.C.S.I (Knight Commander of Star of India) না অনিরক শুবা ওইনা পানবগী স্নাহাক্তক [খৃ: ১৮৫০-৮৬] অসিদনি। অদুগা মতমসিদা লৈপাক্কী ওইনা মমিং নাইরবা সৌগাইজাম্বা বলরাম/বোলাই সিংহ [মমৈদা তুলিহন মেঞ্জোর/জেনরেল ওইখি] অমসুং কাঙঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ সিংহ [মমৈদা তুলিনহা মেঞ্জোর/জেনরেল ওইখি] অনিসিমক্তগী মহাক্না চহিদসু লাম্মীগী থবক্তসু মথক থোংবা [Senior] নি। মরম অসিনা মহাক্না মমিং লৈনা লৈপাক্কী থবক তৌরকপা অমসুং মনিংথৌগী থৌগল তৌরকপগী অহানবা খুদম-চাংদমদি :-

... থিঙ্গুজাম্বা চীংখোম্বগী কুম শক ১৭৭৫ ... ফাইরেন থা... ১৫ নি নিংথৌকাব [ফেব্রু: মার্চ, ১৮৫৪] দা পোৎশঙবা হঞ্জবা রোমা সাহেবতা দরবার তৌরুবা থুংলে [মথক্কীসিদা, ৩২২]।

অসিনি। মসিদা মহাক মীয়াম-মীচমগী থৌ [Civil Service] গী ফমদা মহাক পোৎশঙবা শঙলেন [Department of Tribute And Tributary Affairs] গী হঞ্জবা [শঙলেন-লাকপ (Head of Department) গী ঙমথং Assistant/Deputy or next to the Departmental Head)] গী ফমথোন পায়রে - হায়বসিনি। অদুগা মতমদুদা মহাক্না পায়বা/ওইবা লান্মীগী ফমথোন [Army/Military Post/Rank (মৈতৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমগী মৈতৈগী অঙম অথৌ অমসুং অকন-অরিং/অথৌশিংদি মতমদুগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইরোন অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোন্না পীবা ৱায়েলনা মী অমনা সিভিল, মিলিটরী অমসুং জুদিসিয়েরীগী ওইবা টু টায়ার নত্রগা থ্রী টায়ারগী ফম, থৌগায় অমসুং থৌদাং পুবা ঙাক্তনি)] দি পীরমদ্রে/থেংনজদ্রে, অদুবু মথক্কী পোৎশঙবা শঙলেন হঞ্জবসিগা মিলিটরীরোমদা থাক মান্নগদবা ফমথোন্দি সাজোর [Sajora (Lieutenent)]/পোইলা [Captain] ওইবনা মহাক ফম অনিসিগী মনুংদা অমা পায়রম্বা/ওইরম্বা য়াই, অদুবু অকোনবগীসিনা হেন্না নক্লা লৈ, মরমদি, হায়রিবা চহি খৃ: ১৮৫৪ সিগী মতুং চহি ৩/৪ গী মনুংদা মহাক মেঞ্জোর (Major) ফম ওইরে অমসুং পোইলা সিদগী মেঞ্জোর/মেজর ফম কাগদবনি। মহাক্না মেঞ্জোর ফম ফংখিবসি মতম অদুৱাইগী ভারতবর্ষ শীনবা থুংনা হওরকখিবা য়াওলগী ঈহও, 'সিপোই লানহও, ১৮৫৭ [Sepoy Mutiny, 1857] দা অৱাং-নোংপোক ভারতকী ওইনা ৪৩ শুবা বেঙ্গল নেটিভ ইনফেন্ট্রী [43rd Bengal Native Infantry] না থৌদাং লৌদুনা য়াওল ঈহও শাগৎপা, খুৎলাই পায়দুনা লাঞ্জঙলকপা অমসুং লানহওগী লানগী, লানফমগী অমসুং লান্থোঙ-লাল্লমগী অৱাং-নোংপোক ভারত অমসুং অৱাং-নোংচুপ থংবা বর্মা, অনিসিনা তায়নরিবা লমতুপকী লমশাং পরেংসিগী লুচিংবা অমসুং লাঞ্জিংবা [Leader & Battle/Mutiny Commander] মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মজাইবুংঙো "সনা চহি অহুম" এলাইজ "রনজিৎ সিংহ", বৃটিশশিংনদি "নরেন্দ্রজিৎ" হায়না

মিংথোন্নবা মৈতৈ-লাল্লোয় অথৌবসিবু মৈত্রবাক্তা চঙহন্দনবা মনিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট মেজর ডবলিয়ু মেক্লোক [Major W. Mcculloch] না লানবাংবীনবা মৈতৈ নিংথৌদা হায়জরকপদগী বৃটিশকী লান পাংবা ওইনা সিফাই লানহওগী লানহওবশিংনা মনিপুররোম হাইজিল্লক্লবদা মহারাজগী য়াথংনা লোংজান্বা রোমা সিংহনা মৈতৈ-লান্মীগী সিফাই ৪০০ পুদুনা জিরি উমংগী উনুংদা মৈতৈ লান্মী মপৈশিংনা থৎপদগী লমথৈরক- নাকোইনরক্তুনা লৈখ্রবদা সিফাই লানহওগী লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লদুনা লান্থেংনবদা খুৎলাইনা শোক্লবা লাঞ্জিংলেন সনা-চহি-অহুমবু লোংজান্বা রোমা সিংহনা ফাখিরম্মী, মসিদা মহাক্কী মেঞ্জোর ফমসি পীখিব্রা হায়না খঞ্জে অদুবু মসিগী মমাঙদা ফমসি মহাক্লা হান্ননা পায়রব্রা হায়বদুসু হায়জবা ঙমদে, চৈথারোল কুম্বাবনা পীরিবা খুৎপীসিদদি সনা চহি-অহুম ফাদ্রিঙৈগী মমাংদা হান্ননা পায়বা ফম নত্তবগুম উৎলি [মথক্কীসিদা, ৩৪২]। হায়রিবা মেঞ্জোরসিগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবসিনা মহাক্কী থৌরম-ব্বারমদা উৎলল্লিবশিংদি :-

(১) .... ককচীঙ্ চন্দ্রশ্যামগী কুম শক ১৭৭৮ ... ব্বাকচীঙ .... ২৪ নি নিংথৌকাবা [Feb., 1857] দা মহারাজ [চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ] না অকাম হাও [The Chin tribe of Chin Hills in present Myanmar] নারুবা থুংলৈ। ... লোংজান্বা লোমা/রোমা, পোৎশঙবা হঞ্জবা; লাইতোঞ্জমচা চন্দ্রসিং অমদি, সনা থৌগল ফংজরকপা পুন্নমক্তি মাগী মাগী মতীক ওকপা য়েংদুনা নিংথৌফি, স্নাখুজী, স্নরীক পীএ [মথক্কীসিদা, ৩৩২]।

(২) ... য়ুম্নাম চাওবগী কুম শক ১৭৮০ গী .... শজিবু থা ... ৪ নি শগোলশেল [April, 1859] লোংজান্বা পোৎশঙবা হঞ্জবা লোমানা জিরিদগী শামু ৬০ ফারুরবা ৫ দি শিএ, ৪৮ দি ময়াংদা য়োল্লে, শামু য়াপনবা ১ নচিংবা শামু ৭ তি থুংলৈ [মথক্কীসিদা, ৩৩৯]।

(৩) .... থোকচাও চান্দগী কুম শক ১৭৮২... শজিবু ... ১৮ নি নোংমাইজীঙ [April, 1860] দা লোংজমচা লামা মেঞ্জোরনা ময়াংদগী শামু ফারুবা শামু ৬ থুংলৈ। থাঙকোকপা ১ য়াওরকএ [মথক্কীসিদা, ৩৪২]।

(৪) ... ওইনা ব্রজগী কুম শক ১৭৮৪... পোইনু ৬ নি শগোলশেল [Dec., 1862] লোংজান্বা মেঞ্জোরগা সাহেবকা নীঙঙায় তৌনৈ হায়দুনা ময়াং চঙখিয়ে [মথক্কীসিদা, ৩৫১]।

(৫) ... তাওরিয়া কৃতিবাসিগী কুম শক ১৭৯০... লাংবন... ২৭ নি লংমায়জীঙ [Oct., 1868] গী অয়ুক্তা মহারাজ থোক্তুনা লোংজমচা মেঙ্গোরগা কাংঙবা মেঙ্গোরগা ২মকপু তেংমায় লেপহন্দুনা হিয়াঙ তান্নে। [মথক্কীসিদা, ৩৭৩]। ...

(৬) ... মেরা... ২১ নি য়ুমশকৈশ [Nov., 1868] দা লোংজমচা মেঙ্গোরনা চিংদুনা অৱাংলম চাত্রিক-হাও নাবা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৩৭৩]। ....

(৭) ফাইরেন ... ২০ নি নিংথৌকাব [March, 1869] দা লোংচমচা মেঙ্গোর, সিফাই ২০০ লোইনদুনা লুশৈ নাবা চৎলে। ২৩ নি শগোলশেন্দা খুম্বোং মেঙ্গোর, মাইস্না শামু শেলুংবহন ২মনচিংনা সিফাই ১০০ লোইনদুনা থোমজিল্লে। ... লমতা ... ১৮ নি নিংথৌকাবদা ময়াম্বুং সেনাপতি নচিংনা লুশৈ নাবা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৩৭৫] ...।

(৮) শজিবু ... ৬ নি ঈরাই [April] দা লোংজমচা মেঙ্গোরনা কম্বীরোন্দা লুশৈ হাওবু থুগায়রুবা থুংলৈ [মথক্কীসিদা, ৩৭৬]।

(৯) ... মোইরাং চৈতন্যসিংগী কুম শক ১৭৯১ ... ফাইরেন ... ৭ নি নিংথৌকাবা [Feb, 1870] ... ২০ নি লংমাইজীং [Feb., 21] দা লোংজাম্বা মেঙ্গোর, চীঙঙাখম্বম্নমচা লাইফম লাকপা ... ৩ মনচিংনা সিফাই ৫০ লোইননা অৱাংলমদা লময়েন্নবা থোমজিল্লে [মথক্কীসিদা, ৩৮৩]।

(১০) ... হাওরোংবা দেবগী কুম শক ১৭৯৪ ... পোইনু... ১৭ নি নিংথৌকাবা [Jan., 1873] দা লোংজাম্বা মেঙ্গোরনা থিবোমৈদা শ্রীযুৎ মপাইবুংঙোগী পাতাশোন [পদাসন (Foot print)] খুরুম্বা চৎলে। পাংঙন পেংগুন (Bunglar) ২মসুং চেনখিবা ফারকএ [মথক্কীসিদা, ৪০৬]। ...

(১১) ফাইরেন ... ১৪ নি লৈপাকপোকপা [Feb.-Mar.] নুমিত্তা লোংজাম্বা তোপ মেঙ্গোরসু তমাশোন সাহেবকা অৱাংলম লময়েন্নবা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৪০৭]।

(১২) মাইস্না দেবসিংগী কুম শক ১৭৯২ ... ৱাকচীঙ ৬ নি ... য়ুমশকৈশ [Jan., 1871] দা মবুধৌ পাখংবগী লাইমাংদা শ্রীযুৎ মহারাজ য়াওনা

নিংথৌজা খোইরা ওইননবা য়েনখোম সিনাম নম্বুল মপাল তাবা কৃতিধজ, খাবম ইনববু মবুধৌ পাখংবগী লৈমন পীথক্তুনা থা ৩ গী শাক্ষি তৌহল্লে। শাক্ষি অদু লৌবদা য়াওবা মীদি শ্রী মজাইবুংঙো যুবারাজ, মকু ইবুংঙো মাইস্না লুৱাং নিংথৌ,.... বিজয়া গাবোৎকী লোংজমচা তোপ মেঞ্জোর, কাংঙবমচা থাঙ্গাল মেঞ্জোর ... হৈথমচা য়োইরেন হিদং... তৌএ [মথক্কীসিদা, ৩৮৮-৮৯]।

(১৩) ... হাওপুজাম্বা [চন্দ্রসিংগী কুম শক ১৮০০ ... পোইনু ... ৪ নি য়ুমশকৈশ [Dec., 1878] দা লোংজাম্বা মেঞ্জোরনা অৱাংলম চৎলুবা থুংলৈ [মথক্কীসিদা, ৪৩৯]।

(১৪) ..... থোকচাও চাওথোইগী কুম শক ১৮০৩ ... থৱান ৬ নি নিংথৌকাবা [1st Aug., 1881] শঞ্জেনবা পঞ্জিবু শঙলাকপা থিন্দোকএ। অদু নুমিত্তা লোংজাম্বা মেঞ্জোরবু পুখ্রনবা থিন্দোকএ। চোংথামচা মুহোদোরবু তোপ মেঞ্জোর থিন্দোকএ [মথক্কীসিদা, ৪৫৩]।

অসিশিংসিনি। মথক্কী ৱারোল-ৱাফমশিংসিদগী ফংলিবদি লোংজাম্বা/ লোংজমচা লোমা/রোমা সিংহ মেঞ্জোরসি শা-লান্দা হৈ-শীংবা, মমিং চৎপদা নত্তনা লৈঙাক্লোন অমসুং খুন্নাইলোনগী হিরম-ৱারমশিং, মতাং লমদাংশিংসিদসু ৱারেপ-ৱাতেম্বা, ৱাতায়-ৱামেনবা, অসিনচিংবদসু খঙ-হৈরবা অমনি, অমদি লৈপাক নিংথৌগী চেক-চেকশিল্লক্লবা, লৈপাক্কী ৱা লুরক্লবা মতমদা অমসুং লমদাংশিংদা ৱা তান্নফম, অরুবা ৱারু খন্নফম ওইনা মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী মতমদা লৈপাক পুবা অঙম্বা ওইরম্মী। অদুগা মহাক মৈতৈ লৈপাক্কী চৈরাপ ফমদৌ ৬৪ [Supreme Court, General Legislative Assembly And House of Representatives of the then 64 Land divisions like the present Electorial constituencies] গী মনুংদা নিংথৌগী-মন্ত্রী মণ্ডন [King's Council of Minister] গী মনুংমক্তদসু নিংথৌ পোংবা তরা [King's Cabinet of Ten Minister] গী মনুং চল্লিবা পুখ্রনবা [Hon. Minister (Cabinet) of Food and Civil Supply] হায়বা ফমথোল অসি ফাওবা ফংখিরম্মী। অদুগা মৈতৈগী ওইবা কাংলুপকী মনাংশিং, লৈঙাক্লোন- খুন্নাইলোনগী মচৎ-লোনচৎনচিংবগী

ৱায়েল-ৱাখুননা পীরল্লিবা কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা ফম অমা পায়বা/ওইবদা হান্না ওইরম্বা/ওইরিবা মীশক অদুনা ফমদু থাদোক্তবা নত্রগা মশা লৈখিদদুনা/শিখিদুনা ফমদু হাঙদ্রিবা ফাওবদা অতোপ্পা মী/মীনৌ অমনা ওইবা য়াদবা নত্রগা ওইনদবা নত্রগা অতোপ্পা মী অমদা পীবা/হাপ্পা য়াদবগী চৎনবী-ঙাক্লবী লৈরম্মী। অদুনা ফমশিংসি মহাক্না মতীক চারদুনা হাপ্পা তারবসু মথক্কী মীওইশিং লৈখিদবা য়াওরকপনা ওইখিবা-হাপখিবা ঙাক্তনি।

লোংজাম্বা রোমাসিং মেঞ্জোরনা তাইবং পুন্সি লোমখিবগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবনা তুমিন্না লৈশিল্লি অদুগা মাগী ফমগী নত্রগা থাক্কী ওইবা নত্রগা থাক্তু য়ৌদবা মীওইশিং খরগীদি চনখত্তুনা থল্লম্মী। অদুগা মহাকপু পুখ্রনবগী ফম থিন্দোকখিবা খৃ: ১৮৮১ গী আগষ্ট কী তাং ১, নিংথৌকাবা নুমিৎসিগী মতুংদগীদি মৱা-মপাউ অমতা তাখিদ্রে, অমসুং চীন্থাং ওইনা হায়না-পন্নবগী মওংদসু লৈপাক পুংজাও থিন্দুনা হায়নবগী ওইরবসু তাখিদ্রে। মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তিদা নোঙ্গারবা অমসুং সনা হকচাংনা পোৎলোয়গী খাম্বী-মৈরীনা ৱায়দুনা হকচাং তুমখিবগা লানহওখিবা সনখ্যা বরাচাওবগী লানহও [20th May, 1886] সিগী লানশোক্ল-লান্থেংনবগী ঈ-পাউ শা-লান অদুক পামজখ্রবা নুপাদুগী লোংজাম্বা রোমা সিংগী ৱাফম পনখিদ্রে। মরম অসিনা লোংজাম্বা রোমা সিংহ মেঞ্জোরসি খৃ: ১৮৮১ দগী ১৮৮৬ ফাওবগী মনুংসিদা থুপখ্রে।

লোংজাম্বা রোমা সিংহ, জেনরেল :- লোংজাম্বা রোমা সিংহ মেঞ্জোর, পুখ্রনবা অসি মহাক্না মৈত্রবাক মনিপুরগী লৈপাক নিংথৌগী অমসুং মীয়ামগী থবক তৌমিন্নরকপা মপাং অনি, মহাক্না মখোয় অনিমক্তুদগীদি মশাগী চহিদদি মহাক্না হনবা - সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ, মেঞ্জোর অমসুং কাংঙবা চিদানন্দ/থাঙ্গাল সিংহ, মেঞ্জোর, মখোয় অহুমসি মালেমসিগী ওইনা ৱাংলবা ফমথোন চিফ ওফ আর্মী ষ্টাফ [Chief of Army Staff] কী হেক মথংদা লৈবা ফমথোনগী থাক্তা লৈরিবা ফম জেনরেল [General] হায়বসিসু ফংখিরম্মী। হায়রিবা মখোয় অহুমসিনা ফমথোনসি খৃ: ১৮৮০ গী মতুংদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মখোয়গী থোইদোক-হেন্দোক্লা লৈপাক্কী থবক্তা ৱাজবসিগী অৱামল নত্রগা তৌজমল খঙবা উৎপগী ওইনা পীরম্বা য়াই, অদুবু

ঈঙ্গ্রেজ মচা মঙক কনখ্রবা অমনা ফাওবা শকখঙ-মায়খঙখিবসিদি, মনিপুরনা মনীঙ-তম্লিনৈঙেদা, নিংথৌ পাল্লিনৈঙেদা বৃটিশ-ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা মনিপুরদা লৈরম্বা লেফটেনেন্ট কোলোনেল সার জেমস জোনষ্টোন [1877-86] না মহাক্কী মমিংদা মিডল ঈংলিস স্কুল [Johnstone Middle English School] অমা লীংখৎখিবসিগী হেক মমাঙ খৃ: ১৮৮৫ দনি। মখোয়বু ঈংলিশ পোলিটিকেল এজেন্টসিনা জেনরেল ওইনা শকখঙ মায়খঙখিবগী মরী-মখোঙ ওইবা ৱারোলদি :-

... One day the two ministers Thangal Major and Bulaaram Singh came to see me, accompanied by old Roma Singh Major. They look rather uneasy and I suspected something was coming out. Presently Thangal rose and saluted me, and said,"The Maharaja has promoted us to be Generals?" I received the intelligence without any enthusiasm, feeling assumed that the act had been dictated by a desire to give them a more high-sounding title than my military one, I being then only a Lieut. Colonel... I coldly replied that of course the Maharaja would please himself, but I love old things, old names... and should continue to call them by the dean old name of Major .... Time after time was begged to address my three friends as Generals but I was exorable and the title almost fell into disuse among the Manipuri's who had at first adopted them. Old Thangal once had a long talk about it, and I said plainly, "I give nothing for nothing, someday when you do something I shall address you as Generals". Years passed I went on leave, and my locus tenen's too good naturally gave in and addressed them Generals, and even induced the Chief Commissioner of the day to do likewise. When he wrote to me and told me of it I was naturally not very pleased and mentioned it to an old Indian friend who said,

"Well you will have to do the same that the Chief Commissioner has.

Sometime after this I again renewed efforts that I had long been making for the establishment of an English School in Manipur. The Durbar naturally objected; wisely ... I felt however that the time has came and longed the question with great force, and one day said to the ministers, "You have long wanted to addressed as Generals and I told you that when you did something worthy of it I should do so. Now the day that the Maharaja gives his consent to an English school being established I shall address you as Generals." A few days afterwards the Maharaja's consent was brought. I immediately stood up and shook hands most warmly with them, saying, "I think you cordially Generals." From that day the question was finally set as rest ... [S.J.J., 1990, 142-47].

অসিনি। মসি মখোয় অহুম - লোংজাম্বা রোমা সিংহ, সৌৰাইজাম্বা বলরাম সিংহ অমসুং কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহনা জেনরেল হায়বা ফমথোনসি নত্রগা মিংথোলসি ফংখিবগী ৱাশক্কুনা পীবা ৱারোলনি।

মিয়ুটিনী মেডল [Mutiny Medal] :- লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেঞ্জোর/জেনরেলগী শা-লান, শাফম-লানফমগী হৈ-শীংবা অমসুং লানওং-লানথোঙ খঙনা লাঞ্জঙ-লান্দাবা, লানহন-লাম্থৈ, অসিনচিংবগী মহৈ-মশীংসিদা লাইগী নোংদমদগীবু ওইরবসু, মরাইবক ফবদগীবু ওইরবসু নত্রগা মহৈ-মশীংসিগী হৈজবা শীংজবগী মখুত্তা থোকপনবু ওইরবসু মৈতৈ লৈপাক্তা লৈরিবা মৈতৈ কাংলুপকী মীওইশিং অসিদা নত্তনা ভারতবর্ষ অমসুং য়ুরোপকী য়ুনাইটেদ কিংদমগী ভারতবাসি অমসুং ঈঙ্গ্রেজ মচাশিং ফাওবনা ঈকাই খুম্নগদবা/খুম্নবা শাফম-লানফমগী লান্দা-লাম্থেংনবা হৈবগী মিংচৎ অমদি মনা-মথুম, মনিপুরগী মৈতৈ মচাশিং- মতমদুগী পোইরৈ লৈপাক্কী মপু নিংথৌদগী চিংদুনা য়ুমগী শাইজীন্দগী শেন্দ্রাং অমা ফাওবা ফাদ্রিবা মীয়ামসিগী

মনুংদগী কনা অমত্তনসু ফংনখিদ্রিবা, মহাক মথন্তাখক্তনা ফংখিবা লোংজাম্বা রোমা সিংহনা ঐখোয়গী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী মখুৎ পায়দুনা তন্বীরকপা ওঝানি।

লোংজাম্বা রোমা সিংহসিনা ভারতবর্ষকী হিন্দু- মুস্লিম সিফাইশিংনা লীংজেন অমতা ওইনা লানহওখিবা সিপাহি লানহওগী ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদমগী লৈবাকশিংসিগী অমসুং মী- কাংলুপশিংসিগী, হায়রিবা সিফাই লানহও [Sepoy Mutiny (1857-58)] সিগী লাঞ্জিং পুরেন অমসুং লুচিংবা সনা চহি অহুমবু জিরিগী উমং-উনুংশিংদগী ফাখিবগীদমক বৃটিশকী চিরবা তাঞ্জাদুগী থৌদোক- ৱাথোক্তুদা মনিপুরগী লমখৈ চঙহন্দনবা ঙাক্লবা, লানহও চঙহন্দনবা মাগী লৈজবা লান্মীগী মকোক থোংবশিংদা লান ঙাকপগী য়াথং পীখিবগী, চেকশিন- লানঙাক থৌরাং- থৌদাংগুম থৌগায় পান্নখিবা অমদি থৌদাং লৌখিবগী অমসুং হকথেংননা লান শোক্লদুনা সনা চহি অহুম, মায়কৈসোমগী সিফাই লানহওগী লাঞ্জিং পুরেনসিবু খুৎথেংননা ফাখিবগীদমক্তা সিপোঙ্গ মিয়ুটিনী লোয়বা অমসুং ৱায়েল-ৱাতেম তৌখ্রবা মতুংদা বৃটেনগী মহারাণী ভিক্তোরিয়ানা মহাক্কী ভারত্তা লৈরিবা ভাইসরোই নত্রগা গোভনর-জেনরেল-ইন-কাউন্সিল লোর্ড/ভিস্কাউন্ট কেন্নিং [Sir/Viscount Canning (1856-62)] গী খুত্থাংদা লান্দা শরুক য়াখিবশিংদা মনা-মথুম চাওনা য়েন্থোকখিরম্মী। হায়রিবা মনা- মথুমসি ফংবা মৈত্রবাক- মনিপুরগী মীশক- মীওইশিংদুদি :-

মশীঙ ফংখিবা মীশক্কী মমিং-মথা	মফম-ফমথোন	ফংখিবা মনাগী পোংশক
(১) রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (Raja Chandrakeertti Singh)	মণিপুরগী নিংথৌ [King of Manipur]	i) ড্রেস ওফ ওনর [Dress of Honour] ii) থাঙশাং [Sword] iii) শউনগী খ্বাঙলাক [Girdle/Belt]
(২) ইবুংশীজ হাওজৌ মচা (Princely Haojou Singh)	মেঞ্জোর (Major)	ঈকাইবগী ফুরিৎ শাইজোনবা [Khillut or Robe of Honour]

(৩) গোকুল ঠাকুর (Gokul, the Brahmin)	থুমজাওরুংবা [Deputy Chief of Salt Supply & manufacture]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৪) নামৈরাকপা [Nameirakpa]	মেঞ্জোর (Major)	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৫) চীঙঙাখনবা [Cheengakhanba]	পুখ্রনবা [Minister of Food & Civil Supply]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৬) নেপ্রা [Nepra]	শেল্লুংবা [Treasurer]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৭) সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ Shougaijamba Balaram Singh	শেল্লুংবা [Treasurer]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৮) লাইরিকয়েংবা নন্দবাবু [Lairikyengba Nandababu]	লাইরিকয়েংবা হঞ্জবা [Hd. of office of Correspondence And Communication]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(৯) চীঙঙাখনবা [Cheengakhanba]	দেৱান [Magistrate Grade III]	মথক্কীসিগা মান্নে।
(১০) লোংজাম্বা রোমা সিংহ [Longjamba Rohma Singh]	মেঞ্জোর (Major)	মিয়ুটিনী মেডল [Mutiny Medal]

[বি: কে:, ১৯৯৮, ১০৩-০৪: &২০১১,১৯৩]

ৱাখোম-ৱাফম :- মথক্তা উৎচখ্রিবশিং অসিদগী নীঙথিনা উবা ফংলে, মদুদি, ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী শা-লানগী, থাঙ-তাগী, লান্দা-লানকনগী, লাল্লম-লানথোঙগী, অসিনচিংবা মহৈ-মশীংগী ওঝা-গুরু লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেঞ্জোর/জেনরেল অসি মতমদুদা চৎনরিবা তম্নরিবা অমসুং হৈত-খঙদবা য়াদবনি হায়না লৌনরিবা মহৈ-মশীং, থাঙ-তাগী মহৈ-মশীংগা কোন্ননা নোংমৈ, বম-তোপ শীজিন্নবদা হৈ-শীংবা অমসুং শগোলবু লানশা ওইনা, মশান্নগী ওইনা অমদি লমশাং চৎলকপগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নবদা মীথক থোংনবা তম্বদা মহাক্কী মতমদুগী খ্বাইদগী হেন্না মতীক চারবা ওঝাশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং ওঝাসিগী থাঙলোন-থাঙহাই, থাঙগী লানওং-লান্দাদা

অমসুং খোঙলোন-খুৎলোন্দা মমিং লৈরবা পাওনা নাওলসিংহ/ব্রজবাসি, মেঙ্গোরসু অমনি। হায়জরিবা ৱাফমশিংসি খৃ: ১৮৬৩-৬৪ দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা থাঙগী শা-লানগী মহৈ-মশীং [Martial Art of Sword and its fighting] তম্লীঙলক্লদুনা মৈত্রবাক্তা ওঝা ফংদ্রবদা মতমদুগী পঞ্জাবকী লাহোর [Lahore] সহরদগী থাঙগী ওঝা পঞ্জাবী অমা কৌথোক-চেন্থোক্তুনা মহৈসি তম্মনবগী থৌশীল-থৌরাংগী মখাদা মহাক্কী মহৈ-মশীংগী হৈথোই-শীংথোইবগী মতৌদু উবদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মৈতৈগী থাঙ হৈবা ওঝাশিং নত্রগা লাল্লোয়- লাঞ্জিংবশিংগা থাঙগী মহৈগী চাং য়েংনহন্দুনা অথোই- অহেন য়েংনবগী থৌরম অমা শীন্দুনা পাংথোক্লবা মফম লেপ্লকপদা লোংজাম্বা রোমা সিংহগী ময়ুমগী শা-লানগী মহৈ-মশীং তম্ফমশঙ/ঔরায়শঙ ওইনা খন্দুনা পাংথোকখিবা অমসুং লাহোরগী পঞ্জাবী ওঝাদুগী লম্বাদা মায় খুরোয়দবা লাম্বা খনবদা লোংজাম্বা রোমা সিংহগী সেবক/ছাত্র [Disciple/ Pupil] পাওনা নাওলসিংহ/ব্রজবাসি অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবা মশামক মকোক মথং ওইনা খন্দুনা ব্রজবাসি পাওনাগা লাম্বা তৌদুনা চাং য়েংনবদা পঞ্জাবী ওজাদু মায়থীদুনা মরৈপাক্তা হনখিবগী ৱারী- ৱাখোঙ অমসুং ৱাফম-ৱারোন্না শৌগৎ-পমখত্তুনা লৈ [ৱাফমসি মতুংদসু লাকখিগনি]। মথক্কী ৱারম অসিনা মহৈরোইনা হৈজ-শীংজহৌদবা, ফাহৌ-লৌহৌবা ঙমহৌদবগী ৱাফমদদি খঙজদ্রে, ওঝাগী ওইনদি ৱাংখৈ মৈরাবা মহৈ-মশীং তমজগে হায়না ওজা-গুরু বোরিদুনা খুরুম-খাজঙজরগা তমজখিবা ওঝা লোংজাম্বা রোমা সিংহ অসিদি তশেংনমক ওঝা ওইবদা মতীক চারবা অহৈবা ওঝানি।

মহৈ-মশীং তমিন্নরকপা মরুপ- মপাং

থমজগদৌরিবা হিরমসিগী মতাংদা হৌজিক্তা মথক্তা খরমখৈ পঞ্জখ্রে অদুবু মপুঙ ফাবা ৱাফমদি মখা তাজরক্লিবশিংসিনি।

পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসিগী মীশিংনা খুন্থোক-খুন্দাবা হৌরকপা ঙল্লিঙৈগী মতমদগীনা লমদমসিদা পাল্লম্বা মচোয়- মচোয় তারবা খুৎ-খুৎপু, কাংবু কাংলুপ অমসুং পুরুপ-ফুরুপ কয়ানা মখোয় মশেন য়াম্থৎনদুনা হিংননবা লানফমগী মিংদা ঈগী মপুঙ ফাবা খুদোন কয়ারক কৎনখ্রবা মতুংদা তোংঙান-তোংঙান্না মচেৎ-মচেৎ তাদুনা নক্না-লাপনা পান্নরিবা ফুরুপ-

কাংলুপশিংবু পুনশিনহন্দুনা নত্রগা মখোয় মশেল য়ানবা খরগী মখাদা পুনশিন-তীনশিন্নদুনা লমদমসিগী লৈমায়দা পুনশিল্লবা/পুল্লবা [Consolidated] কাংলুপ ওইনা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা লেপ্লনবা/শেম্লনবা হোৎনরকপা মতমদুগী হৌনা অমসুং লৈপাক নিংথৌ পান্দুনা মনীঙ-মখা তম্বা, মতোমতা মথন্তা লৈঙাকচবা অমসুং নিংথৌনা হিরম ব্রারম, থৌরম-মরম পুম্নমক্কী মকোক থোংবা ওইনা লৈপাক্কী মপু, লমগী মবুংঙো লমচাবা [Tribute/tax Receiver] ওইনা পাল্লদুনা খৃ: ১৮৯১ ফাওবা তেক্ত- কায়দনা লৈপাক লেপ্লম্বা/পাল্লবা শাংলবা মতমশিং অদুগী মনুংদদি শা-লানগী, শাফা-লানফাগী, লান্থোঙ-লাল্লমগী, লান্দা-লাঞ্জঙ, অসিনচিংবগী মহৈ-মশীং হৈবা, খঙবা, শীজিন্নবা ঙম্বা অমসুং খুৎলোয়না, খুৎলৌ-খোঙলৌ লৈতনা শীজিন্নবা ঙম্বগী মতীক-ময়াই মশাগা শাগোন্নরিবা/পুরিবা মীশকশিং অদুনা মৈতৈগী কাংলুপকী মনাত্তা অমসুং মচত্তা খুন্নাইগী নুপা অমা ওইবগী ময়াই চেনবনি হায়না খন্ন-নীঙনরম্মী অমসুং অসিগুম্বা লানগী মহৈসিগী মখা পোল্লিবা লান অসিনা হিংনবগী মচাক-মথুম পীবা লানখোম-পোৎ অমসুং লোইপোৎ হিংনবগী মরল-মথুম তান্ননবা পান্বে/লন্বী ওইবগুম তৌবগা হায়রিবা শা-লানগী মহৈ-মশীংসিবু নুপা অমা ওইবগী মহৈ-মশীংনি হায়না য়াম্না পাম্নরম্মী, লুনা চেকশিন্না তৌনরম্মী। অদুগা হায়রিবা শা-লানগী মহৈ-মশীংসি মরন্নাই মতোমতগী নুপা মচা অমা ওইবগী নুপা থৌদাং পাংথোকপদা অমসুং লৈপাক নিংথৌগী, মীচম-মীয়ামগী অমসুং খ্বাই তরা মচাগী য়াথং, থৌগায়, থৌদানচিংববু পাংথোক্লবা থৌচৎপদা অমদি খুনগন-লৈকনগী, লৈঙাক-খুনঙাক্কী ওইনা খঙদ-হৈতবা য়াদ্রবা, তম্বা-ঔরায়বা, থাদোকপা য়াদ্রবা অমসুং শাজেন-লাংজেন থাদোকফদ-হুন্দোকফদ্রবা মহৈ-মশীং ওইনা লৈরম্মী। মখুন খুঙ্গংগী খুঞ্জা অমা অমসুং খুন্নাই শীঙলুপকী খুজীং অমা ওইনা অমসুং অপুনবা ফুরুপ-কাংলুপ অমসুং খুন্নাইগী খন্দুনা য়েংদুনা শোয়দনা খুনমী অমগী মশাদা লোয়নদবা য়াদ্রবা শা-লানগী মহৈসিনা ওইরম্মী। মৈতৈসিনা শাফম-লানফম তোয়বা, মীশক মীশীঙ-য়ামদবা অমসুং পোত্থোক-পোৎফং ব্রাৎপা লৈপাক অমগী মচা ওইরুবনা শিখিবা-শোয়খিবগী মশীঙনা হিংহৌ- চঙহৌবগী মশীঙদগী হেক-হেক হেনবা, করম্বা মতমদা করম্বা মফমদগী লান্দারক্কদগে, কৈদৌঙৈ

লান লাক্কদগে, অসিনচিংবগী অরেপ্পা খঙদে হায়দুনসু তত্তনা শাফম-লানফম, লানগী তেমথেং ওইবনা মিকুপ-নাহুম শেন্দুনা লৈতবা য়াদবনা শা-লানগী মহৈ-মশীংসিগী মপাল তাংবা নত্তনা মৈতৈ মীরুপ্পা মালেম লৈমায়সিদগী মুৎখিদনবা অতোপ্পা পান্বে/উপায় লৈখিদে। মরম অসিনা মহৈ-মশীং অসি নুপী অঙাং ফাওবদা কনানা কনানো থিদনা তম্নরকপা মহৈ- মশীং ওইরম্মী।

চুম্নগী ঈমুং-মনুংগী গুম্লবা লৈপাক মনুংগী লান্দা-লানহৌগী ৱাফমসিদগী হেন্দুনা মীরৈপাক-মীজাতিশিং - অৱা [Burmese], কবো [Shan/Tai], ময়াং [Dimasa Kacharee], তখেন [Tripuree] নচিংবা লৈপাক জাতিশিংনা তকশিল্লক-লান্দারকপদা মখোয়গী তেমথেংবু ঙাকথোক্লবা, মখোয়না হেঞ্জিল্লকপা খোঙফম-খোঙথাংশিং থিংননবা অমসুং য়েক্নবশিংগা লান্থেং-লানশোক্ননবা লালগী লুপ, লাল্লুপ নত্রগা লান্মী-লাল্লোয়শিংগী অপুনবা লানঙাকলুপ, ‘লাল্লুপ’, অমুকসু নত্রগা লানগীদমক নত্রগা লান্দামিন্নদুনা লান্দা-মরুপ ওইগদবা মীওইশিংগী/ লাল্লোয়শিংগী খুৎ/খুৎপু নত্রগা কাংবু/কাংলুপ নত্রগা লুপ পুনগদবা মরুপ-লাল্লুপনা লানগী মতমশিংদুদা লানগী লুপ/মরুপ ওইদুনা লৈরিঙৈদা অমসুং লানগীদমক্তা শেম-শাদুনা মতম পুম্নমক্তা/চুপ্পদা লৈরিবা লুপ অচৌবা অমা মৈত্রবাক মনিপুরগী ইতিহাসকী মতমদা লৈপাকসিদা লীংখত্তুনা অমসুং পুন্দুনা লৈবা মতম ওইরিঙৈদদি শা-লানগী মহৈ-মশীঙ, লৌশীং নত্রগা লৌ অসি হৈত্রবা-খঙদ্রবদি ঙরাংগী মতম ফাওবগী মৈতৈ মীরোলশিংনা অদুগুম্বা মীওইদুবু মীরেম-মীকিথী ওইনা শীঙথানরম্মী। মতম অমদা মীপুম খুদিংগী শোয়দনা শাগোন্নরগদবা শা-লানগী মহৈ-মশীংসিদগী মৈতৈগী কাংলুপকী ওইবা মশান্না কয়া - মুক্না, খোঙ কাংজৈ, হিয়াঙ লমজেন নচিংবগী মথক্তা তা হুনবা, তেন কাপপা, আরাম্বাই হুনবনচিংবসু লৈরি। অদুদসু নত্তনা শারিৎ-শারাক্কী খোঙফম, খুৎফম, ফিরেপ, ফিদুপ্পচিংবা কয়াসু চোংথোক্লকখি অমসুং মৈতৈ-মনাৎকী অনোয়রোনগী খোঙথাং, খোঙ্‌লৈশিং অমদি থেঙ্গৌরোন মাপন্দগী শৎকৎলগা অনৌবা ওইনা পুথোকলিবা মনিপুরী রাস/জগোয়শিং - তালরাস, দন্ডরাস অমসুং মণ্ডল রাসকী মখল-মথেলশিংনা জগোয়-ঈশৈ, ঈশৈ-নোংমাই, পুং-ঈশৈনচিংবদা চঙ-চঙদুনা লৈরিবা মহৈ-মশীংনি। অতৈ মখলগী মহৈ-মশীংশিং - লাইরিক-লাইশূ, শীনশূ- শীল্লংনচিংবদি শা-লানগী মহৈ- মশীংসিগুম মৈতৈ-মচাশিংনা চেৎনা-লুনা তৌনদে। তশেংনমকসু মনীঙ-মখা তম্বা ঙাক্ল-কন্ননবগীদমক্তদি মহৈ-মশীং অসিখক্তনা নীঙতম্বগী মাঙজীন থাবা ঙমই।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী মহৈরোই ওইরিঙৈগী মতমদা/পুন্সিদা শা-লানগী মহৈ- মশীংসি মহাক্কী ঈকাই খুম্নফম ওইবা ওঝা, মতীক চারবা গুরু লোংজাম্বা রোমা সিংহ মেঙ্গোর/জেনরেলগী মফমদগী তমজরকপা মতমদা থেংনখিবা মরুপ, তম্মীনরকপা মপাং অমসুং মহৈরোইগী পুন্সিদা লোইনরকপা মরোইদি পাওনামচা নাওলসিংহ এলাইজ পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঙ্গোর হায়দুনা ঙসিগী লৈপাক মচাশিংনা হেক পনবদা খঙনবীরিবা মীথোই-মীহেল্লবা মীশক অদুনি। পাওনা ব্রজাবাসি নম্বুল মপাল তাবা কৈশামথোংদা লৈবীরম্বা মৈত্রবাক-মনিপুরবু নোংদম থীবগী খুদোং থীবনা লুমদুনা লৈরবা তাঞ্জাদা মনিপুর লৈঙাক লান্মীগী তোপ মেঙ্গোর ফমথোন য়াম্না তেন্না নুমিৎ ৮/৯ দং ফম পায়বীরম্বা মীশক্লি অমসুং তোপ মেঙ্গোর মহাক্না লৈরম্বা লৈরক্লি হায়দুনা লমদমদুগী লৈরক্তুবু তোপ লৈরক মিংথোনবনি। ওঝা গুরু অমতগী মফমদা শা-লানগী, থাঙ-তাগী মহৈ-মশীং তম্মীন্নরক্লবা মহৈরোই/পরুৱা অনিসিগী ময়ুম-লৈফম্না নাকল ওয়-য়েত্তা লৈরগা ওঝা/গুরুগী শঙ্গায়না অনিদুগী মরক্তা লৈরিবনি। মখোয়গী ওঝা লোংজাম্বা রোমা সিংহগী ঈংখোল পনগোয়নুংদা মখোয় অনিনা তমগদৌরিবা/তম্লবা মহৈ-মশীংদুগী মীয়াম্না চামা চনিগীমক নত্রবসু মী মঙামা-তরামগী ফম্ফম-তীন্নফম, চোং-ফন্দুনা থাঙ-তাগী মহৈগী বাগ ঔরায়বা/ঔরায়নবা য়াবা মহৈ-তম্ফম-শঙ অদি শাদুনা লৈ, অসিদসু নত্তনা মখোয়গী মহৈ-মশীংদু চাংয়েংনবা, ঔরায়নবা অমসুং মহৈগী থাক লেপ্পবা মতম লাক্লবসু অহাঙবা লমহাঙগী মথৌ চঙলক্লবদসু মদুগীদমক্তা অহাঙবা লমশিং- শুম্মাঙ, মাঙ্গোল, লমপাক-লমচেৎ অমসুং শঙ্গোয়-শঙহাং মফম চানা মতীক ওক্লা লৈরমগদবা মাল্লি। ৱাংখৈ মৈরাবগী মরোই- মতাউ/ মরুপ- মপাং মহৈরোই ওইমিন্নরিবা পাওনা ব্রজবাসিগী মহৈ- মশীংগী মতাংদদি খ্বাইনা খঙদুনা লৈরবনি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগা পাওনা ব্রজবাসি মেঙ্গোরগা অনি অসি থংমুন-নাউমুন ওইবা মরুপ-মতাওসু শান্নরম্বা য়াবা অমসুং য়াম্না চেৎনা-লুনা তীন্নবা ওঝা অমতগী ছাত্র/পরুৱা অনিসিনি। ওঝা অমতগী ছাত্র/পরুৱাশিংনা মপা অমতগী পোকমিন্নবা মচীন-মনাওগুম খন্নবা, ঈকাই খুম্ননবা অমসুং লুনা নীঙনবসি, মৈতৈগী থাঙ-তাগী/শা-লানগী মহৈ-মশীংসিগী ছাত্রশিংদনা

অতৈদগী চাং য়াম্না হেন্না ৱাংনা লৈ। মদু পুম্নমক্তু মহৈ-মশীংসি পুন্না তম্মীন্নরুবগী নুংশিনবা, নোল্লুকপা মরমচৎনা অমনা অমবু ঈকাই খুম্ননবগী লীচিংদা নকশিন্নবা হেল্লকপা অমদি তোয়না উন্নবা, ৱারী-ৱাতায় শান্নরকপসিনা চান্না-চিন্নবগী থাক ৱাংখৎহল্লকপা, অসিশিং অসিনা ওইগনি। ব্রজবাসি পাউনা অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবা অনিসি লম্বী অমরোমদগী য়েংলকপদা মখোয় অনিসি অমনা অমগী খুৎফম খোঙফম খঙনবা, ফিরেপ-ফিথুপ উনবা, মরীন লীনদা খঙনবা, মিৎকুপ নাহুম শেন্নবা মান্নবা, থাঙলোন খুৎহাই তীন্নবা অমদি অমনা অমগী লৌ খঙনবা- উনবা মশেন নি। অমনা অমদগী অসি হেনখি, অসি ৱাৎলি হায়বগী অরোন লৌশীং খঙনবা অমসুং নোংমৈগী-লাল্লমগী লমদাংদসু অদু মঙাই খুৎকাপ-থিনকাপ, পান্দম-পানফম, নোংমৈ খুৎপায়-লাকপায়গী খুৎফম-দাকফম তীন্নবনা নম্বা মরুপ অনিসিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোয়। অদুগা মখোয় অনিসি অমনা অমগী অশোনবা অমসুং অহোবা মী অতৈনা খঙবা-ফাবা ঙমদবদু য়েংবতদা খঙনরবা ওঝা অমতগী মহৈরোই মশেন্নি। অদুগা ব্রজবাসি পাওনা মপোক্কী/মশাগী পীথোক্লক্লুবা খুজেং ককপা থাঙলোন্না ফাওবনি, অদুগা লোয়ননা লাইনীঙ পরৈ চেৎনা পুক্নীঙ ৱাখলগী ময়াই চেনবনা অমসুং হোৎনবা শাজেন কনবনা লাইনীঙ মহৈ পান্দুনা পুম্নমক্কী মথক থোংবগী খ্বাইনা শকখঙনবনি; অদুগা ৱাংখৈ মৈরাবনা মরীন লীন্দা পানবা, থৌনা-লীংজেন্না পুক্নীঙ ঈথিন্দা হেনবা, শিবা- নাবা খঙদনা য়েক্লবদা মউবা, থৌনা-লীংজেন্দুনা চৎপনি [রা: কু: স:, ১৯৮৮,৩৪]। অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা ৱাংখৈ মৈরাবসি “চঙঙুরবদি হল্লনু, পায়রুরবদি থারনু” - হায়বসিনা পুনবনা লাম্বা থেংনরুবা মমান্নববু লাকশিনবা ঙম্বগী মীয়াম্না শকখঙ- মায়খঙনবনি।

ৱাখৈ ৱায়েনদা :- ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী মহৈ-মশীং তম্মীন্নরকপা অমসুং শা-লানগী মহৈসিগী ওঝাগী ছাত্র/মহৈরোই ওইরিঙৈগী মরুপ-মপাং অমসুং মরোই-মতাওগী লমদাংসিদা খ্বাইনা খঙনবীরিবা ব্রজবাসি পাওনা মেঙ্গোরসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কনাগুম্বা অমতা হৌজিক ফাওবদা তাকপী তীকপীরকপগী ঈ-পাউ লৈজদ্রি। থমজরিবা খরসি লাইরিক্তা থেংনজরকপা, তাজরকপা খরদগী ফংজবা খরদু থমজবনি।

ৱাংখৈ মৈরাবগী শা-লানগী মহৈ-মশীংগী থাক

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরবু, মখোয়গী মরৈপাক মনুং [Empire] দা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা সম্রাজবাদী বৃটিশ [Imperial Britisher] ইম্পরিয়েলগী মায়য়োক্তা খৃ: ১৮৯১ দা মৈতৈনা মশাগী মনীঙ-মখা তন্বা ঙাকচ- কঞ্জনবগীদমক্তা শোক্লখিবা এঙ্গলো-মনিপুরী লাঞ্জাও অদুগী খ্বাইদগী হেন্না লান্দা-লান্থেংগী মৈশা কন্না মৈরী থোক্লা পুংজা খুদিংগী মৈশানা মহী চেলহল্লবা য়োৎথৌ-মহীগুম শৌগৎলি-পাখৎলিবা, মনিপুর তম্পাক্কী খা-মৈরমগী লাল্লমগী লানফমশিংগী মনুংদগী তমথীরবা লানফম অমদা শকলোৎ-শক উহন্দনা অরোনবা লাঞ্জং-লানতৌ অমসুং লান্দা-লানজঙনবগীদমক্তা মৈতৈ লান্মীগী পোরেপ-পোফম খঙলবা লান্মী মপৈ [Regular/Standing Army] গী লান্মী ৫০০০ লৈজবগী মনুংদগী সিফাই-লাল্লোয় ৭০০ পুহন্দুনা, পোরেপ-পোফম খঙদ্রিবা লান্মী মপৈ [Irregular/Lallup Army] গী সিফাই মশীঙ ১২,০০০ লৈবগী মনুংদগী অমতসু য়াওহন্দনা লান্দা-লানজঙনবা থারকখিবসি মহাক্কী শা-লানগী, শাফম-লানফমগী অমসুং লানথোঙ-লাল্লুমগী মহৈ-মশীংগী লৌশীং-ৱাখলগী থাক অসি খ্বাইগী ওইনা চৎনবা য়াবা থাক অদুদগী য়াম্না হেন্না ৱাংলে, লৈরে - হায়বসি লায়না খঙবা ঙমই। তরামাপন শুবা খৃষ্ট মতুং কুমশীঙ চাগী লোয়রমদায়দা খা-এসিয়া অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী লমদমশিংদা শোক্লখিবা লানশিং অমসুং লানফমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মচাওরে-মকল্লে হায়না শীঙথানরিবা, লানফমসি মায় পাকপগীদমক্তা বৃটিশ-ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী মিলিটরী অফিসার অনিবু ফাওবা মেজোর-জেনরেল [Major-General] ওইনা ফমথোন কাহন্দুনা মাঙওইনখিবা অকক্লবা খুজীন-শারৌনা মায়থীরবদা থৌশীল-থৌরাং তৌদুনা মনিপুরগী মায়কৈ অহুম - অৱাং, নোংচুপ অমসুং নোংপোক্তগী/ খা-মৈরমদগী অচৌবা লান্মী মপৈ অহুম্না মতম মান্ননা লানঙ-লান্দাদুনা মখোয়দা লঙজদনা লঙজরে লৌরিবা মনিপুরী/মৈতৈশিংবু ঙায়োক-চফুদগী ঙা ফাবগুম ফারগা হাত্তোক্লবা থারকখিবা লান্মী মপৈ অহুমদুগী মনুংদুদসু খ্বাইদগী হেন্না তমথী-শাথীরবা মওংদা লান থোক্লখিবা মায়কৈ অমদি লানফমশিং অমসুং লাল্লবা বৃটিশ অফিসারশিংনা মশানা লাঞ্জরে, হায়নীঙদদুনা

লোননা অহিংদা লান্দাদুনা মীফা-মীপুন তৌগে থৌরাংখিবগী লানফম হাক্কন্নবদা মৈতৈ নিংথৌ কুলচন্দ্রধবজ সিংহনা মনিপুরগী মহারাজ ওইনা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৫, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউখ্রবা মতুংদগী থিলহও-থিলহও, চীফেৎ-চীফেৎ লান শোক্ল-থেংনহনদুনা লাক্লবা খা-মৈরম মায়কৈগী লাল্লমসিদা কেপ্তেন প্রেসগেব [Presgrave], ১২ শুবা বর্মা রেজিমেন্টসিগী কেপ্তেনসিনা রেজিমেন্টসিখক্তদগী খোঙমী রাইফলমেন ১০০ অমসুং লেফটেনেন্ট কোক্সনা পুবা শগোল-লানমী ৪০ গা লোয়নদুনা চহিসিগী এপ্রিল ১৩ দগী পল্লেন্দা লম কন্দুনা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরিঙৈদা বর্মাগী তুমু টাউন্দগী খোঙহওনা লাক্কদবা ব্রিগেডিয়ার- জেনরেল টি গ্রাহম, সি:বি: না লাঞ্জিং-পুরেন ওইনা পুরক্কদৌরিবা অচৌবা লান্মী মপৈ অদুদগী মচা খায়দোক্তুনা মাঙজীন থাবা লান্মী-লুপ [Pioneer/Advance Column/Section] ওইনা ২শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী মরিশুবা রাইফলস [2-4 Gurkhas] কী কম্যাণ্ডেন্ট মেজর সার চার্লস লেস্লীনা লাঞ্জিংলেন ওইদুনা গুর্খা অমসুং শিখ সিফাই ২৫০ অমসুং মতুং ইনবা কেপ্তেন অনি লেফটেনেন্ট অহুম, ডাক্তর অমা অমসুং তোপ পুবা লেফটেনেন্ট পার্সীগা লোয়নদুনা পল্লেনগী তেঙ্গোলসিদা পুনশিন্দুনা শগোন-লান্মী ৪০ য়াওনা অপুনবা লান্মী ৩৯০ না ঙাক্লিবা তেঙ্গোলসি থুগায়রুনবগীদমক্তা মৈতৈগী লাল্লম-লানচৎ অনি থোক্লা চঙশিন্নবা মৈতৈ সনা কোনুংদগী য়াথং পীদুনা অফোংবা লম্বী, মনিপুর-বর্মা লম্বীদা চোংথা মিয়া সিংহ মেজরনা লাঞ্জিংলেন ওই, পাওনা ব্রজবাসিনা লাঞ্জিংবা ওইনা, খুম্বোং মেঙ্গোর, চীঙলেনম্না নৎত্রগ চুঙ্গোয়ম্না ফুঙ্গানাই শঙলাকপা, হৈরাং খোংজানচিংবা য়াওরগা লান্মী ৪০০ পীদুনা চহিসিগী থাসিগী ২০গী নুমিৎয়ুংবা মতমদা খোঙহওহন্দুনা থারকখি অমসুং অরোনবা লম্বী ইম্ফাল-থৌবাল-মোইরাং পল্লী লম্বীদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোর মথন্তদা সিফাই ৭০০ পুহন্দুনা হায়রিবা এপ্রিল ২০ নুমিৎসিগী অহিং নোংয়ায়দা খোঙহওহন্দুনা, পল্লেন তেঙ্গোলগী নীঙলোমদগী খোমগত্তুনা ককচীঙদগী পল্লেন্দা লান্দাদুনা মাঙলোমগী চোংথা মিয়া মেঙ্গোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি মেঙ্গোরগী লান্মীগা নীঙ-তুংলোমগী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী লান্মীগা অনিনা থাঙচপ্নদুনা বৃটিশ মাঙহন্নবা থারকখিবনি।

মতমসিদা মনিপুরদা লৈরম্বা শাথোঙ-লান্থোঙ-খঙবা, লাল্লম-লানমিৎ উরবা লৈপাক পুম্বা মৈতৈ নিংথৌদগী চিংনা তিন্দুনা যুবারাজ

টেকেন্দ্রজি বীর সিংহ, সেনাপতি অঙৌম্না, জিলাঙম্বা দোল্লাইরোই হঞ্জবা; কাংঙবা থাঙ্গাল, জেনরেল; মাইস্না শামু সিংহ মেঞ্জোর/কর্নেল [Colonel], অসিনচিংবা অঙম-অথৌশিং, অকন-অরিংশিংনা তানখিবা পল্লেন্দা থাঙচপ্না মাঙ-তুং চপ্পুনা লান্দাদুনা লান্থেংনবগী থৌরাংদু অরেম্বা থৌশীল ওইহনখিবনা খুৎলোইনগদবনা মথৌ শোয়রকপনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিংনা লাল্লুম-নাথেৎলমগনি খল্লুদবনা মহাক্না থৱাই থাখিবনি। মরম অসিনা মঙোন্দা শা-লানগী, লানফম-লান্থোঙ শীনবগী, য়েক্লবা থিংবা অমসুং ঙাকথোকপা, অসিনচিংবগী মহৈ-মশীং অমসুং ৱাখল- লৌশীং কনাদগীসু হন্থদনা মতীক চানা অদুম্মক লৈ হায়বসিদি অচুম্বনি অদুবু তৌগদবা মথৌ তৌরক্তবা, হায়নখিবা য়াথং ঙাক্তবা অমসুং পীখিবা থৌদাগী থৌদাং লৌদবা য়াওরকপা, য়াথং পীরিঙৈদুদা ঙমলোইদবা লৈরগা ঙমলোই খুমহৌদবা, ঙমগদবা শাদুনা, ফৈ হায়রম্বগী মহৈনা ৱাংখৈ মৈরাবনা য়াইবী থৱাই মাঙখিবনি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী শাজৎ-লানচৎশিংদা মহাক্না মকোক থোংবা লাঞ্জিংলেন ওইনা অহানবা চৎখিবা লান অমসুং লানফম চৈথারোল কুম্বাবনা উৎলিবসিগী মওং- মতৌসি য়েংদুনা মহাক্কী মহৈ-মশীংগী থাকসিদা করি পীরিবগে হায়বদু য়েংননবগীদমক্তা লৌখৎচরিবদি :-

... খাংজ্রাকপম চাওবগী কুম শক ১৭৯৯ ... ৱাকচীঙ ... ১৩ নি শগোলশেন [January 17, 1878] দা য়ুম্নাম্বা সুবেদার, ৱাংখৈময়ুমচা সুবেদার, চিংশুবা সুবেদার ৩মনচিংনা অৱাংলম লানচৎলে [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৩৬]। ... লমতা... ২৮ নি লংমাইজীঙ [March 31, 1878] দা ৱাংখৈ সুবেদারনা অৱাংলমদা লান চৎলুবা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ৪৩৭]।

অসিনি। লৌখৎচরিবা ৱাফমসিগী মরী-মখোঙ খঙননবা লীজবা তারবদি - হায়রিবা লানসিগী লানফম অসি সৌৱাইজাম্বা মেঞ্জোরনা মৈতৈ সিফাই ১০০ অমসুং বৃটিশ সিফাই ২০ পুদুনা চৎলগা অৱাং-হাও [লুহুপ্লা তাংখুল] গী হাওখুনসি ডিসেম্বর ২৪, ১৮৭৭ তা থুগায়রুবদগী হাওখুলদুগী হাওশিংদুনা অমুক হন্না লানগী ঈৱাং হওরকখিবনি। চীঙমীশিংগী ঈৱাং নমথনবা থারক্লিবা মৈতৈ-সিফাই অসিনা অৱাং হাও তাংখুলশিংগী খুনশিংসিনা

অমগা অমগা থাপ্লনা চীঙদোন-চীঙদোন্দা লৈদুনা চীঙলক্কী খুদোংথীনীঙঙাই ওইরবা মফমদা মচোই মচোই চাইনা লৈবা অমসুং চীঙলম্বীগী লম্বী থোংগী খুদোং চাদবদা উমং-ৱামং ওইবগী লানহওও কাংবুদা খুদোংচাবা পীবনা মতম চঙদনা থবক পায়খত্তুনা হাওশিংদুবু হেক্তমক লায়না লাকশিনবা অমসুং নমথবা ঙম্লমদে। মরম অসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা সুবেদারনা পুরিবা মৈতৈ-লাম্মী লুপসিনা খোঙশানদোক্লকপা নুমিত্তগীনা কোনুংদা হল্লক্তুনা থুংলবা নুমিৎ অসি ফাওবদা পুন্না নুমিৎ ৭৬ নি চঙবসিদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপগী নুমিৎ হুমনি-হুমনিগী চাংচত্তা পাথোকখ্রগা নুমিৎ ৭০, হায়বদি থা অনিগা নুমিৎ ১০ সি চীঙলক্কী লানশঙদা শারক-লাল্লক্তা লেল্লকখি। অসিগুম্বা খুদোংথীরবা অমসুং অৱাবসি মায়য়োক্লদুনা লৈরিঙৈসিদা কোনুংদগী কাংঙবা থাঙ্গাল মেঞ্জোরনা মৈতৈ-লাম্মী পুদুনা কোংয়াঙলোক্তা মার্চ ১৭, লংমাইজিংদা থোমজিল্লক্তুনা ঐখোয়গী লানচিংবা খর ফাখিবদগী খরদি শাফখি। অদুবু চৎখিবদা সুবেদার ৩ চৎখ্রগা হল্লকপদা অমখক্তমক হল্লকপগী ৱারোল পীবীরিবা অসিনদি লানফমসিগী লানসিদা মৈতৈশিংসি কয়া খুদোং চারমগদবা মান্দে। অসিগুম্বা খুদোংথীবশিংসিদগী মথৱাই হিংননবা অমসুং মশা লিৎননবা হোৎনবা/তৌবা হায়বসি শা-লানগী মহৈ-মশীং অসি নত্তনদি য়াদে; অমতা লাক্লে, অমগী; লাম্মী ১০/১০০লাক্লে, ১০/১০০ গা লাম্বা তৌবা ঙম্নবা, লোইননা, লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবগী পাম্বৈ /উপায় অমসুং উকন-হক্কন শীজিন্নীঙ্বা মওং-মতৌ, মফম-মতম্নচিংবদা শীজিন্নবা ঙম্বদুনি শা-লানগী মহৈ-মশীংগী থাক্তা ৱাংনরিবসি। অদুগা মহাক্কী শা-লানগী মহৈ মশীংগী থাকসি হেক্তমক লায়না উৎপা/খঙহনবা, থোকখিৱা থৌদোক-ৱাথোক্লা খুদম-চাংদম ওইবা অদুগা চৈথারোল কুম্বাবদি নিংথৌগী মিংচৎ থিগনি হায়দুনা চনখৎ-ইখৎপা য়াদবা থৌদোক ৱারী, চীম্থাঙ-য়ৈনা - চখ্রিবা অমা লৈরি, মদুগী শমজিনবা মওংদুদি :-

মনিপুরেশ্বর মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, কে:সি:এস:আই [খৃ: ১৮৫০-৮৬], ফম্বাল মিংলেন্না, মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, ঈশ্বরসিংহ মহারাজনা কছারদা মৈদিংঙু ঐখোয় ঈনিংথৌ নুংশিখিবনা পাল্লিঙৈদা লানহওরকপা ঙমদনবগীদমক্তা নরসিংহ মহারাজদা থাজবা থম্বা বৃটিশশিংনা ময়ুম-লৈফমদা বৃটিশকী শন্ত্রী থমদুনা য়ুমদা কৈশুম্নথম্বা [নজরবন্দী (House

arrest)] দগী নরসিংহ মহারাজনা নোঙ্গাখ্রবদা মৈদিংঙুসিগী মচানুপা অনিগী থৌশীলনা য়ুমগী কৈশুমদগী নাম্থোকহন্দুনা মৈত্রবাক্তা লান্দারক্তুনা দেবেন্দ্র সিংহ মহারাজবু তাম্থোক্তুনা খৃ: ১৮৫০ গী জুলাই ১২, পুয়াম য়ুবসিংগী কুম শক ১৭৭২, ঈংঙেন হুমনি ঈরাই নুমিত্তা মৈতৈ-নিংথৌগী ফম্বাল কাদুনা মনিপুরগী মপু ওইখি। অদুবু হান্নগী মৈতৈ নিংথৌ ওইরম্বা দেবেন্দ্র সিংহনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজবু নিংথৌ তাংবন্দগী চিংথনবগীদমক্তা হৌজ-হৌজ লানহওরকপসিদগী মৈত্রবাক্কী অতৈ নিংথৌমচাশিংনা লানহওরক্কনি, নত্রগা লানহওবশিংগী কাংলুপ্তা চঙখিদুনা মখোয়গী মীচঙ ওইখিগনি অমসুং মীচম-মীয়াম ওইবশিং; মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা শাদা থৌবা, লান্দা হৈবা নিংথেমচাগী খুৎ-কাংবু, অঙম-অথৌ, অকন-অরিং অরাম-চাশিং; লৌমী-শীনমীগী মীথোই-মীহেল্লবা মীশক- মীওইশিংবু লানহওবা খুৎ ওইরক্কনি নত্রগা/লানহওবশিংদা মতেং-তেংবাং পীবা অমদি লান্‌হও-মীচঙ ওইখিনি - হায়না মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিবু ঙাকখৎ-শৌগৎলিবা মীওইশিং, মরু ওইনা, নিংথেমপোকপী মাইস্না কুমুদনী; হাওবম মন্ত্রী, কৈশা নোংথোনবা, খুম্বোং মেঙ্গোর; শৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ, মেঙ্গোর; কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহ, মেঙ্গোর; কোঞ্জেংবা কৈরুংবা; মাইস্নাম খেন্দম্বা হজারী; হুইরোংবা দোহার; য়ুম্নাম্বা কিশোর [মথক্কীসিদা, ২৫৫] নচিংবনা খন্ন-নৈনরগা মরাল লৈবা, মপুক ফত্তবগী কা-হেনবা থৌরাং কয়াগী খুজীল-থৌশীল তৌখি। মরম অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মৈতৈ নিংথৌমচা, নিংথেমচাশিংগী ময়ুমদা থমজবা খুৎশূ-খুৎলাই খোমগৎপা [মথক্কীসিদা, ৩০৪], অকন-অথৌশিং, অঙম-অরিংবশিংবু তাঞ্জা লুমদুনা লানহওবগী নত্রগা লানহওবদা মতেং পীবা-পাংবগী নত্রগা হায়রিবা মরালশিংসি তৌরক্কনি হায়বগী চিংনবগী মিংদা মরাল পীশিন্দুনা ফাবা-পুনবা কয়া অমসুং ফাজিল্লগা কৈশুমদা শুমদুনা থম্বনচিংবগী খুজীল-থৌরাং কয়া লোন্না নত্রগা ফোংনা চত্থরবগী শারৌ খোঙথাং কয়া লৌখৎখি, লোইননা অরামচা মীচম প্রজা কয়াবুসু কয়ারক হন্না ওৎ-নৈবগী থৌওং-থৌদৌশিং পায়খৎখি-চত্থখি [ডা:চ:স:, ১৯৭০,৮৮]। মসিশিং চৈথারোন কুম্বাবদা নীঙথিনা চনখত্তে।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি হাক্তক্কী লানহও খর :- অসুম্না মীয়াম্বু ওৎ-নৈবা অমসুং নিংথৌমচা অমদি নিংথেমচাশিংবু ঈকাইবা পীদুনা

কাইহৎওরুবা অমদি অকন-অথৌশিংগী ঈকাই খুম্নবা থন্বীদবসিদগী মৈতৈ নিংথৌমচাশিং - স্না খৌদোন [মমাঙগী মতমদা যুবারাজ ওইরম্বা], স্না ত্রিভুবনজিৎ [মহারাজ নরসিংহগী মচা, চন্দ্রকীর্ত্তিবু কছার নজরবন্দীদগী নান্থোকহনখিবা], সনখ্যা লৈস্রাম তাবা, ইবুংশীজ খুঞ্জাওবা, ঈবুংশীজ পুস্কোর, ঈবুংশীজ শঙ্গোয়তাবনচিংবশিংনা খৃ: ১৮৫১ দা নিংথৌ শেমদুনা লান্দারকখি মহারাজ দেবেন্দ্র সিংহনা মে ১২, ১৮৫১ দা অনিরকশুবা ওইনা লান্দারকপা, ওক্তোবর ২৫, ১৮৫২ গী ঈবুংশীজ মেল্লে খোম্বগী লানহৎও [মথক্কীসিদা, ৯০], চহিসিদা ঈবুংশীজ নাওলসিংহ [মধুচন্দ্র মহারাজ (খৃ: ১৮০০-০৩) গী মচা ইবুংঙো], ঈবুংশীজ কহ্নাই সিংহ ১দি ঈবুংশীজ ফৈরাবা (অনিমক মারজিৎ মহারাজগী মচা ঙাক্তনি), মচীন-মনাও অনিনা কছারদগী চহিসিদা লান্দারকপা [মথক্কীসিদা, ৯১] অমসুং অনিসিগী খৃ: ১৮৫৪ গী অনিরকশুবা লান্দা [মথক্কীসিদা, ৯১], ঈবুংশীজ মায়পাক [মৈদিংঙু গারবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী মচা ইবুংঙো আনন্দ শাইগী মশু] খৃ: ১৮৫০ অমসুং খৃ: ১৮৬২ গী লান্দারকখিবশিং [মথক্কীসিদা, ৯৯ ১সুং চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৩৪৬] অমদি মখোয় নিংথৌমচাশিংনা কছারদগী, ত্রিপুরাদগী অসিনচিংবদগী মতেং লৌদুনা লান্দানবগী তৌরিবা থৌরাং-ঈরাংগী ঈ-পাউশিংসিদা পুম্নমকসি থোকহল্লক্লিবা অচাওরম পাম্বা মমা শাদুং লৌওনবীগী য়াথং মখা থাবশিংসিনা চীরোন, ৱাচৎ-ৱানোমনচিংবা কয়া লেপ্তুনা তৌবদগী রাজা চন্দ্রকির্ত্তি পুক্লীঙ-ৱাখন্দা মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেমচাশিংনা মঙোন্দগী নিংথৌ-তাংবন মুন্ননবা/লৌননবা লান্দারক্কনি নত্রগা লানহৎওরক্কনি হায়না তত্তনা-তোয়না মমা শীজসিনা ঙংবদগী মহারাজসু চাননা ৱাফমসিদা লুপখ্রে অমসুং মদুনা মহাকপু হুই অঙাওবা ওইহনখ্রে।

সনা চপ্রান্দ :- মথক্তা হায়খিবা অসুম্না হুই অঙাওবা ওইরবা নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিসিনা অঙম-অরায়, অফ-ফত্তবনচিংবদা ৱাখল- লৌমাঙনরবা তাঞ্জাসিদা মতম অদুৱাইদা মৈতৈ থাঙ-তাগী অমসুং হুয়েল- লানওংগী মহৈ-মশীং হৈবদা মৈতৈ-লৈপাক শীন-থুংনা মমিং চৎলবা মৈতৈ নিংথেমচাময়ুমগী যুবারাজ বংসকী মৈতৈগী থাঙলোন তারোন্দা শক্লাইরবা সনা চপ্রান্দ সিংহ কৌববু মশাগী মরাল শুপলৈ লৈতনা মহাক্কী থাঙ-তাগী,

শামী-লান্মীগী অমসুং শা-লানগী মহৈ-মশীংসিগীদমক্তা মপুক ফত্রবশিংনা চিংনবগী শেমজিন-শাজিনবা য়াবা মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা, ফোংনা মীয়াম মমাঙদা ফারগা ৱায়েল-বিচার তৌরিবনি হায়দুনা ফত্তবা লৌশীং মখৈনা তাদুনা শারক্লবা মীওইশিং খরনা তৌরগা শিবগী চৈরাক্তা ঙবোংখাওদা নমদুনা হাৎপগী দণ্ডি পীখি। হায়রিবা লানহৎওবগী মিংদা মীচম হাৎপগী য়াথংদু অপীবা নুমিত্তুদা অপীবা মফমদুদা লৈপাক মীয়াম খঙহন্দবা শাননবা লৈপাক পুংজাও থীল্লগা চজীঙ-ঙাংলৌ অনিগী লৈরক খায়না চেন্থখিবা ঈপুন-ঈতীন ঈচেলগী মশা অনি - মনিপুর/ইম্ফাল তুরেল অমসুং লিনৱাই/ঈরীন তুরেন অনিমক্কী ঈতীন্নফম লিল্লোং শাহওপাৎকী তুরেন ঈরোঙ-ঈতীন্নফমদুদা ঙবোংখাওদা নল্লগা মখ্বাঙ নুঙদুম য়ান্দুনা হুন্থরগা হাৎখি [বি: কে:, ১৯৯৬, ১১]।

মৈত্রবাক্কী থাঙগী মহৈ-মশীংদা ৱাংখৈ মৈরাবগী মফম :- মথক্কী সনা চপ্রান্দবু মরাল লৈতনা হাত্তোকপীখিবগী থৌদোক অমসুং থৌদৌসিনা মৈতৈগী শা-লানগী অমসুং থাঙ-তাগী মহৈ-মশীং হৈবা-ওঝাশিংগী মফমদা অকিবা-অথুকপা অমা পীখি। মরম অসিনা মতমসিদগী মৈতৈগী শা-লানগী, থাঙ-তাগী অসিনচিংবা শাফা-লানফা,শাফম-লানফমগা মরী লৈনবা মহৈ-মশীংশিংসি থুপ্লখি, হিরমশিংসিদা খঙ-হৈরবা কনাসু লৈত্রবগুম মসিগী মরমদা চীন্দা ফাওবা পন্নখিদ্রে, মৈত্রবাকসিমক্তদা মৈতৈগী মহৈ-মশীংশিংদু লুপখ্রে, পুন্নমক লোৎশিন্নখ্রে। অদুবু মতমগী চৈথা চারক্লবদা মহৈ-মশীংসিবু থৌওই-উশিৎলুদবদগী অমসুং মহাক্লা মমায় থক্লা মীৱা চানদুনা তৌরুবা থবক্তুগী মৈশামক লাংদ্রবস, নীঙমদবা অমদি ফাওরে, মরমদি, মহাক্লা অসিগুম্বা মহৈ-মশীংসিগী অকুপ্পা অমসুং অথুপ্পা মহৈ, মীবু লাকশিন্নবগী পান্বে-উপায়শিংদু খঙনীঙলকপা-হৈনীঙলকপা মতমদুদদি মৈতৈগী অখঙ-অহৈ ওঝা অমতনা খঙই হৈ হায়বীখিদ্রে; খঙদে, হৈতে, হায়বা ঙাক্তনা কোনুং মনুংদু পীক থল্লম্লে। অসুম্না কৈনীঙচিৎ ফংলবা মৈতৈ নিংথৌদুনা শাফা-লানফাগী, থাঙ-তাগী, শারিৎ-শারাক্কী, অসিনচিংবা মহৈ-মশীংসিগী মৈতৈ ওঝা ফংদ্রবনিনা মীরৈপাক্তগী ওঝা অহৈবা অমগী মফমদগী মহৈ-মশীংশিংসি তম্লনবা লেপখ্রে অমসুং মদুগীদমক খুজীল-থৌরাং শীন্দুনা মতমদুগী অৱাং-নোংচুপ ভারতকী থাঙ-তা হৈবদা মমিং লৈরবা রাজপুত নত্রগা শিখকী ওঝা পাম্নদুনা পঞ্জাবকী লাহোরদগী ওঝা,

পঞ্জাবী-শিখকী থাঙ-তাগী মহৈ-মশীংদা মমিং ফাওরবা অমা, বৃটিশ গভর্নমেন্টকী খুত্থাংদগী মনিপুরদা চেনথোকখি অমসুং মহারাজবু মহৈ-মশীং তম্বীবগী চঙগদবা শেনফম পুন্নমক ষ্টেট গভর্নমেন্টকী শেনফম/ফণ্ডদগী পুথোক্তুনা হিরম-লমদাংসিগী থৌরাং-ঈরাং পুন্নমক লোয়শিনখি। মহারাজনা ওঝাদুনা মনিপুরদা থুংলরবদা মহাক্কী পঞ্জাবী-শিখকী গুরুশিং - [গুরু গোবিন্দসিংহ, গুরু অর্জ্জুন সিংহনচিংবা] থাঙ-তাগী মহৈ-মশীংদুগী অথুপপা পরম্পরাদগী চৎনরকপা মহৈশিংদু শ্রীযুৎ সনামাঙদা অমসুং মনাই-মশনশিংগী মনাঙদা উৎহন্দুনা মহাক্কী হৈ-শীংবগী মঙালদু স্নামিয়েং তাবীখি। পঞ্জাবী ওঝাদুগী মহৈ-মশীংদুদা হৈ-শীংবা, লায়না-খুৎলোয়না মহৈশিংদু শীন্নবা ঙম্বা, মশাগী খোঙলোন-খুৎলোন থুবা- য়াঙবগী তৌবা ঙম্বা, অসিনচিংবদু উরুরগা স্না পুক্নীঙদদি পেল্লে অদুবু থম্মোই অমসুং ৱাখন্দদি মকাংলুপ-মফুরুপকীদমক্তদি পাখৎপা, নুংনাংবা অমসুং নুংওনবা পোল্লক্লে। মহারাজগী নুংঙাইত্রিবা অদু কোক্লবগীদমক্তা পঞ্জাবী ওঝাদুগী মহৈ-মশীং অদু তম্বা মতমদুদা অথৌবা, সনা নাক্তা থৌগল তৌরিবা মৈতৈগী অঙম-অথৌশিংদা পঞ্জাবী ওঝাদুনা উৎলিবা শিখ গুরু-শিংগী গুরু-শিশ্য পারম্পরাদগী ফংলকপা থাঙ-তাগী মহৈ-মশীং অদুগুম্বা মৈতৈগীদি লৈরমগদ্রা অমসুং মখুৎ-মখোঙ শীংলবা, মীৎকুপ- নাহুম শেন্নদুনা থাঙহাই-নোংথাঙ কুপহনখিবা ওঝাদুগা লাম্বা তৌদুনা চাংয়েংনবা য়াবা মৈতৈ মচা থাঙহৈ-তাহৈবা লৈরিব্রা? হায়না ৱাহং- পাউহঙ্গৎলক্লে। অদুবু মতমদুদা থাঙ-তা হৈবা সনা থৌগল ফংলম্বা মীরৈপাকচাগী মহৈ-মশীংদু উরুরগা মপুক্নীঙদা ৱারৌনরবা মৈতৈ অঙম-অথৌ কনানসু মপুক্নীঙ হকচিন্না থিংজিনবা য়াবা পাউখুম অমতা পীনরমদে, মদুগী মহুত্তা মমাঙগী মতম অমদা মহূ লৌথোকপীখ্রবা কুম্মৈ-লীলাগী লিনগুম মরু লুকথরগা চৎনখি।

মৈদিংঙুনা পুক্নীঙ নুংশিবা, ৱাখল নুংশুক-নুংজানবা অমসুং নীঙঙমদবগী কৈনীঙচিৎ ফংবগী মায়থোং লাংশিনবগী মতৌদু উবদা সনা নাক্তা সনা হাকথংগুম থৌগল্লিবা কোনুং অমসুং লৈপাক্কী পণ্ডিত অমসু ওইজবা, থাঙ-তাগী শা-লানগী অমদি শারিৎ-শারাক, মুকনা-কাঙজৈগী লৌ-লাংনচিংবগী হিরম-লমদাংগী অখঙ-অহৈ ওইবশিংগী লীচৎ-শাজৎ, মহৈ-মরৌশীংনচিংবদসু মখঙবা অহল, মতমদুগী নহারুপ পানাগী য়াইস্কুল কংলৈ লৈকোক্কী শীঙজমৈ থোঙঙাম লৈকায়দা লৈরম্বা থোঙঙাম চাওবা কৌবা অসিনা শ্রীযুৎকী সনা খুৎয়াখাদা হঙ্গৎচখি :-

"শ্রীযুৎ ঈবুংঙো মৈতৈ লৈপাক্তা ননাইশিং থাঙ তৌবা/হৈবা খর অদুম্মক মরৈজরি। অদুগা থাঙ-তাগী মহৈ-মশীং হৈবা ননাইশিং, শাচিং-লানচিংবা খর লৈরিবশিংসিগী মরমদা খরদং হঙ্গৎচরবদা পঞ্জাবী ওঝা ঈবুংঙোসিগা লান্বানবগী লমদাংসিদা সনামিৎয়েং থম্বীগদবদি :-

১) - নিংথৌখোংজম শিলোৎ তাবা হায়বা ননাই অসি থাঙদি হৈ, কয়া কুপতে, মরোল খর ৱাৎনা থোক্কদ্রা!

(২) - লৌক্রাকপম শামু, সনামিৎয়েং হায়বা ননাইসি থাঙ হৈ, অদুবু ননাইসিগীসি লৈতেং-থাঙ, উৎন-শান্নবদা ফজবা কুম্মৈ-ফিয়োংগী ওইনা তৌই, য়ান্নবগী খোঙফমদদি খর খিৎ নোপকদ্রা!

(৩) - লিশম হাওবী হায়বা ননাইসিদি থাঙগী থাঙলোন-থাঙহাই, খুৎলোন-খোঙলোন্দদি কুপ্না হৈজৈ অদুবু মীনদি ফিবম-ফিরেপ্নচিংবদা কয়া উশিৎপীদে, মমান-মমান্নবা লান্বা থেংনরকপদা সনা মিৎয়েং তাবীবদা খর নুংঙাইবীরোয়দ্রা!

(৪) - য়েনখোয়বা (রুদ্র সিংহ) মেঙ্গোর, অচানবা ননাইসি থাঙ-তাগী মহৈ-মশীংদি হৈ, মায়য়োক্নরিবা/লামবানরিবা/য়েক্নবা মীদুনা মখুত্তা পায়রিবা থাঙ/খুৎলাইদু খোল্লাউ অমুক্তুদা তাহনবা/তাহন্নবা মহৈ-মশীংগী মরোলসু পুই, হৈ অদুগা থাঙগী থাঙলোনদি খর কুপফাত্তে, লীন্দাসু খর ৱাৎনা থোক্কদ্রা!

(৫) - লৈতা/লৈতান(লোইতান) মেঙ্গোর হায়বা ননাইসি থাঙ হৈজৈ, থাঙহাই-চুঙহাই ফজহনবগী থাঙ হাইবা য়াম্না নীঙথিজৈ, অদুবু লৈতেং-থাঙগী মহৈ-মশীং ওইনা তৌবসিনা লামবাবু লাকশিন্নবা য়ান্নবী থাঙগী মহৈদদি খর খিৎ ৱাৎকদ্রা!

(৬) - চোংথা মিয়া সিংহ (মতুংদা মেঙ্গোর ওইখি) হায়বা ননাইসি থাঙগী মহৈ-মশীংদি কুপ্না হৈজৈ, নুপা অমগী ওইবগী ফিবম-ফিরেপ্তা মশা মউ ৱাং-চাওরদুনা মীওই-মীতৌ চীঙ-লেমই, লামবানরুবা, মায়রোঙ য়ারুবা মীনা মপুক্লীঙ থুক্কনি, হঙ্গোইগনি, অদুবু লীনদাদি কয়া পান্দে, ননাইসি নীঙহন্নরক্কদ্রা!

(৭) - ৱাংখৈ মৈরাবা (মতুংদা মেঞ্জোর খৃ: ১৮৯১ দা ওইখি) হায়বা ননাইসি থাঙগী থাঙলোন, বাগ/থাঙহাইগী খোঙলোন-খুৎলোনসি কয়া কুপ্পা হৈত্রবসু নত্রগা য়ৌনা কুপতে, হৈতে হায়না লৌনরবসু লীনদা পানবা, নীঙহন্নরোয়দবা মীশক্তি, য়েক্লবগা/মমান্নবগা লামবা পানদুনা নত্রগা য়েক্লবা থেংনবদা হল্লোয়, ননাইসি খন্ননীঙঙাইনি।

(৮) - কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ সিংহ, তুলিনহা মেঞ্জোর [মতুংদা খৃ: ১৮৮১-৮৪ দা জেনরেল ফংখি] থাঙ-তা হৈবা, শাথোঙ-লানথোঙ খঙবা, শামিৎ-লানমিৎ উবা, অথোইবা নুপানি, শ্রীযুৎকী ওয়থাঙ খনবা ননাইনি, মৈত্রবাক্কী শা-লানগী লৈঙাক-লৈকন থৌগায়গী থৌদাং লৌবদা পুন্নমক্কী মকোক থংনা লানচিংলিবা অখন্নবা শাচিং-লানচিংবা ননাইনি; ননাইসিনা করিগুম্বা খুৎশিন-খুৎনাম্থোক্তগী শোয়খিবা থোক্লবদি মীরৈপাক্না মনিপুরবু উশীৎখিরোয়দ্রা!

(৯) - শৌগাইজামবা বোলাই/বলরাম সিংহ, তুলিহন, মেঞ্জোর [মতুংদা খৃ: ১৮৮১-৮৪ দা জেনরেল ফংখি] কাংঙবা থাঙ্গালগুম মতীক চারবা শাচিং-লানচিংলেননি, শ্রীযুৎকী য়েৎথাঙ খনবা ননাই অচানবনি; মৈত্রবাক মনিপুরগী খ্বাই পুন্নমক্তগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা লেপ্পিবা-লৈরিবা, মৈতৈ নিংথৌগী স্নাহাকথং ওইবা, নিংথৌ শেনবা অঙম্বনি; করিগুম্বা ননাইনা খোঙফম-খুৎফম শোয়বদগী খুদোং চাদ্রবদি/চাহৌদ্রবদি মৈতৈ লৈপাক মনিপুরবু মীরৈপাকশিংনা হয়েং তুং ফাওবা করিসু ওইনা খন্দনা উশিৎ থৌওইখিরোয়দ্রা!

(১০) - পাওনম নাওলসিং, পাওনা ব্রজবাসি, সুবেদার (মতুংদা খৃ: ১৮৯১ দা মেঞ্জোর ফংখি) হায়রিবা ননাইসি থাঙগী মহৈ-মশীং থাঙ-তাগী লৌশীং কুপ্পা হৈ, ননাইসি মশাগী নত্রগা মবুকথোক্কী পীথোকলকপা, মশানা হৈনজরবা 'খুজেং ককপা/ককপী' হায়বা তোঙানবা থাঙলোন অমগা শাগোন্নজৈ, পুই/হৈ; মন্ত্র শক্তি লৈবা নুপানি, মরীন লৈ, থেংনখ্রবদা হল্লোইদবা মীনি, শ্রীযুৎনা হেন্না সনা বুদ্ধি তাবীরবনি, অকাম হাওগী লানফমদা শ্রীযুৎ থৌগল ফংজখ্রবা ননাইনি, ননাইগা চাং য়েংনহনবদা শোয়রোয়দ্রা খঞ্জে, সনা বুদ্ধি নোংদম্বীনবা হঙ্গৎচরি।

[রা:ক:ম:, ১৯৮৮, ৩-৪ ১সুং বি:কে: ১৯৯৬, ১১-১৪]

অসিনি। মথক্কী থৌদোক ৱারী [Factual history] অসিদা উৎলিবা ৱারোলনা শাগৎলবা মীওই ১০ খক্কী মহে-মশীংগী মরমদা খরমখে তাক্লিবসিনা ৱাংখে মৈরাবা মেঙ্গোরগী শা-লানগী/থাঙ-তাগী মহে-মশীংগী থাক্কী লমদাংদা ঐখোয়গী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি - "ৱাংখে মৈরাবা/পোইলাসি শা-লানগী মহে-মশীংসিদা মহাক্না মশা ঈনখৎলকপগী মপান ফরকপা মতমদগীনা অহল ওইরক্লবদসু শা-লান চৎপা ঙম্লিঙৈগী মতম, হায়বদি, মৈতৈগী লাল্লুপ কাবগী চহি মতাং, মশাগী চহি ১৮ দগীনা ৬০ ফাওবগী মতমসিদদি মৈতৈ লৈপাক অপুন্বগী মহে-মশীংসিগী অখন্নবা মীওই/লাল্লোয় তরাগী মনুং চল্লিবা অমসুং অখন্নবা তরাদুমক্কী মনুংদসু মকোকমক নত্রবসু মথংদি শোয়দনা ওইরবা, হায়বদি, মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী পঞ্জাবী ওঝা শিখ থাঙলোন নীঙথিনা হৈরবা অদুবু লাম্বা পানবা, মায়রোঙ য়ানবা য়ানা খুৎলাইগী মহে-মশীং তান্নবা য়াবা, মহাক্না অশোয়-অঙাম য়াওদনা চাংয়েংনবদা মায় পাকপা ওইগদবা, তরাগী অমুক অখন্নবা/খনগৎলবা মীওই অনিখক্তগী মনুংদা অমনি। মতাংসিদা খনগৎলিবা মীশক অনিমকসি লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেঙ্গোর [মতুংদা খৃ: ১৮৮১-৮৪ দা জেনরেল ফংখি] গী পরুবা/সেবক/ছাত্র [Disciple] অমসুং খন্ন-নৈনরিবা মতম তাংককসিগী মনুংদদি মখোয় অনিমক্কী ওঝা লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেজরসি মশাগী চহি অহল ওইশিল্লক্লবসু লৈপাক-নিংথৌগী য়াথং পুদুনা থৌদা ইন্দুনা থৌগায় লাংবদা অমসুং থৌদাং লৌবদা শা-লান, হাওরান-ময়াংলানচিংবা কয়াগী-শাচৎ-লানচৎ, শাফম-লানফম কয়াগী শাচিংপুরেন-লাঞ্জিংপুরেন, লাঞ্জিংবা-লাঞ্জিংলেন ওইদুনা মনিংথৌ অমসুং মরৈপাক্কী থৌগল তৌরি। অদুগা হায়রিবা পঞ্জাবি ওঝাদুগা ব্রজবাসি পাওনা চাংয়েংনদুনা চৈবী/গদগা হাইনখ্রিবা মফমদুসু মখোয় ওঝাসিগী শঙ্গায়-ঈংখোল মনুংদনি। মতাংসিদা লনাই ওইনা থমজনীঙলিবা ৱাফমদি - মহাক্কী সেবক/ছাত্র অনিসিনা থাক অসি য়ৌরবসিনদি মখোয়গী ওঝা ওইরিবা লোংজাম্বা রোমা সিংহ মেঙ্গোরসিনদি করি ওইরমগদবগে, করম তৌরম্বগে? হায়রিবা ছাত্র অনিসি - "ওঝানা তম্মীবদি খিত্তনি, ঐখোয়না হৈজবনা অয়াম্বনি" - হায়বসিদি হায়রল্লোয়।

পাওনা ব্রজবাসিগীনা খুজেং ককপা, ৱাংখে মৈরাবগীনা মৈতৈ হেগুবোম আরাম্বাই :- ৱাংখে মৈরাবা, মেঙ্গোরসি মহাক্কী মরুপ পাওনা

ব্রজবাসিনা শা-লানগী মহৈ-মশীংসিগী থাঙ-শীজিন্নবগী মহৈদা খুৎলোন থুবা-য়াঙবগী লৌশীংদা মশাগী পীথোক্লকপা নত্রগা মবুকথোককী পুথোক্লকপা, মরৌশীংনা শাগোন্নজবা "খুজেং ককপা" হায়বা থাঙলোন অমা মরন্নাই ওইনা মমান্নবা খ্বাইনা নত্রগা মতমদুগী থাঙ-হৈবা পুম্নমক্না খঙনদ-হৈনদনা লোইনরিবসিগুম মহাকসু লানগী অমসুং লানফমগী লানওং-লানতৌ, লানথোঙ-লানলম, লান্দা-লানকন, লানথৈ-লানহন, অসিনচিংবগী মতুং ইন্না লানগী লুরবা তাঞ্জা, লানফমগী চিরবা ফিবম্নচিংবদা শীজিন্ননবা; মশানা শাজবা, মথন্তনা পুথোকচবা অমসুং মহাক মতোমতনা শীজিন্নখিবা, অমদি শীজিন্নবা হৈবা/ঙন্বা অদুগা মহাক্তনা মনিপুরগী লানগী ইতিহাসতা মৈতৈগী তোপ- তোপ্পা খুৎশূ-খুৎলাই অমা লৈরি, হায়রিবা খুৎলাইসিগী মমিংসি ঈংগ্রেজ মচাশিংনা মখোয়গী মরোন্না মৈতৈ হেণ্ডবোম [The Meitei Handbomb] হায়না মিংথোল্লন্মী [গু:ক:শ: ১৯৮১, ৩৬]।

ৱাংখৈ মৈরাবগী মবুদ্ধি-মরৌশীংনা পুথোকপা শাথীরবা, লৈমায়দা তাবগা নত্রগা পান্দমফমদা পানবগা হেক্তা পোকখায়দুনা তেঙ্গোল/লানবনগী মৈ চাক্নবা পোৎলমশিংদা লংশিন-হুঞ্জিন্দুনা মৈ চাকহনবা য়াগদবা খুৎলাইসি মতমদুদা চাওখৎপগী থাক্তা উতোন লোম্লে হায়না পোঙজখিবা ঈঙ্গ্রেজ মচাশিংনা ফাওবা মফম-মরাং খঙবা ঙমখিদ্রবা খুৎলাই অসি মহাক্না অনিরকখক্তং খৃ: ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মনিপুরী লাঞ্জাও লানফম অনিখক্তা শীজিন্নখিবগী অইবা ৱারোল ফংই।

ৱাংখৈ মৈরাবনা অহানবা ওইনা মৈতৈ হেন্দবোম আরাম্বাই শীজিন্নখিবগী মফম, মতম অমসুং থৌদোক ৱাথোকশিংদি :- খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বরগী মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংনা পুকচেল-খোয়জেল তীন্নরক্তবদগী মৈতৈ কোনুংলেন কংলাদা মতমদুদা পাল্লন্বা মীচঙ-মীখায় নাইনা ৱায়েনবা অমসুং থৌনা ফবা শানা য়মজবা সুরচন্দ্র সিংহ মহারাজ [খৃ: ১৮৮৬-৯০] বু মপুকচেলদুগী নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথরুবগী ৱাহওদগী থৌরৈতনা থৌথিবা লম-লৌশিনবগী হল্লেংবা লৈত্রবা লোইলম লিংখৎপা পাম্বা বৃটিশশিংনা মীরমদা খুৎ থিংজিল্লক্তুনা মখোয়গী মহারাণী ভিক্তোরিয়াগা মরুপ ওইরবা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক্কী মনীঙ মখা তম্বা নিংথৌবু মখোয়গী মখা থাবা নিংথৌগুম হৌন-খঙদবা, থৌওই- উশিত্তবা লীচৎ-শাজৎ চৎলবদগী মি:

কুইন্টল, অসামগী চিফ কম্মিস্নারবু অমসুং মহাক্কা লোইনরকপা বৃটিশ অফিসার মরি অমসুং গুর্খা-বেঙ্গুল সিফাই অমবু লঙ্জবদুগী মচীন থুপচিনখিবগা লোয়ননা মৈতৈনা বৃটিশশিংবু মনিপুরদগী তান্থোক্লবা মখোয়গী সিফাইশিংনা লৈরিবা রেসিডেন্সীদা খৃ: ১৮৯১গী মার্চ ২৪ গী অয়ুক্তগী লান শোক্লরক্তুনা অমুক লেপ্পগা অমুক অহিংগী পুং ১গী অদুৱাইদগী লান্দাদুনা বৃটিশ তেঙ্গোল থুগায়রকখি।

মতমদুগী কোন্থৌজম য়ুম্ফম [হৌজিক্কী গভর্নরগী য়ুম লৈফম] দা লৈরম্বা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা লৈরম্বা বৃটিশ লান্মীশিংনা মৈতৈনা তমশিল্লকপা নোংমৈ তোপ অমসুং তকশিল্লকলিবা লান্মীগী লান্দাসিদা খাঙবা ঙম্লক্তদুনা নুমিৎসিগী অহিং পুং অনিদগী মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা লাঞ্জেনখি। মিসেস গ্রিমউডনা লেফটেনেন্ট গোর্ডোন, মি: বোইলিয়ুনচিংবগা লোইননা মী ১৬০ রোম কছার তানবা চেনখি, অদুগা লংথবান্দা লৈবা বৃটিশকী ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাই ৪০ খক রেজিমেন্টসিমক্কী জমান্দার বীরবল নগরকাতিনা লুচিংদুনা খা মায়কৈরোমদা মনিপুর-বর্মা/অৱা লম্বীদা চেল্লক্লম্মী। মখোয়না মৈতৈ-লান্মীগী ফম্নাইবা, নন কম্মিসন অফিসার খরসু ফারগা পুরক্লগা লাংঙাথেল য়ৌরকপদা লাংঙাথেন খুনগী খুঞ্জা ৫০ খকসু পোথাং-মী [Porter] ওইনা পুরগা লাঞ্জেল্লক্তুনা তেংনৌপন্দা নোংমা পল্লম্মী। মনিপুরগী মহারাজ কুলচন্দ্রনা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৫, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা ইম্ফাল-কোহিমা লম্বীদা, মনিপুর-বর্মা লম্বীদা, খারোমদা চৎখিবা লান্মী ময়াম মনিপুরগী লম্বীগী পরিংদা লৈখিবা মনিপুর সরকারগী লমঙাক-শঙফম/থানা [Outpost] শিংদা খঙহন্দুনা টেলিগ্রাম মরী তিংলিবশিং ককথৎহনবনচিংবা তৌবগা লোয়ননা লান্মীশিং মিৎশীং-নাশীংনা লৈনখি। হায়রিবা নুমিৎ মার্চ ২৫ সিদা মায়কৈ অহুমদা লাঞ্জেনখ্রিবা বৃটিশ লান্মীশিংবু তান্ননবা মৈতৈ লান্মীশিং থাখিরম্মী। মসিদা খা-মৈরম মায়কৈগী লান্দান্নবা য়েনখোয়বা রুদ্র সিংহ, মেঞ্জোরনা (ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাগা) মৈতৈ-সিফাই ১০০ পুদুনা লাকপ [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৮৬] দা লাংঙাথেন্দগী বৃটিশনা চেনখিবগী পাউ তাদুনা তুংয়িন্নবা চথুরকপদা তেংনৌপন্দা বৃটিশ লান্মী ৪০ দুনা লানফা মৈতৈশিংদুগা লোয়ননা তেঙ্গোল [Battle camp] শাদুনা লৈরম্বা থেংনখি [মথক্কীসিদা, ৪৮৫]। হায়রিবা তেংনৌপনগী বৃটিশ-লান্মীগী ৪৩ শুবা গুর্খা সিফাইশিংগী

তেঙ্গোলসিদা মৈতৈ লান্মীনা লান্দাবদা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা [মতমসিদা মেঙ্গোর ওইদ্রি] না মহাক্কী খুৎলাই মৈতৈ-হেন্দবোম আরান্বাইসি লংশিন-হুঞ্জিন্দুনা বৃটিশ তেঙ্গোল মনুংদা পোকখায়হনখি। অসুম্না থাজদনা তৌথোল্লকপা মৈতৈ-লান্দান-লান্মী লুপসিগী লান্দা-লাঞ্জঙসিগী আরান্বাইসিনা পোকখায়রকপা অমসুং মৈ চাকপা য়াবা পোৎশিংদা আরান্বাই পোকখায়বদগী হওরকপা মৈনা চাকহল্লকপসিদা বৃটিশ গুর্খা সিফাইশিংদু খংদুনা অমসুং পাখত্তুনা তেঙ্গোল থাদোক্তুনা অমুক লানজেন্নখি। অসুম্না ৱাংখৈ মৈরাবনা মহাক্কী খুৎলাই হেন্দবোম আরান্বাইসি ঈহান-হানবা ওইনা তেংনৌপনগী বৃটিশ তেঙ্গোল থুগায়বসিদা শীজিন্নখি [গু:ক:শ:, ১৯৮১,]।

হায়রিবা মৈতৈ হেন্দবোম আরান্বাইসি অনিরকশুবা ওইনা শীজিন্নখিবনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোর [মতমসিদদি পোইলাদগী ফম হাইগৎখ্রে] না মৈতৈগী খা-মৈরমগী লাল্লম, বৃটিশকী ভারতবর্ষ পুবা সুপ্রীম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলনা মনিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না মখোয়গী গভর্নর- জেনরেল সার চার্লস কৈথ [Sir Charles Keith, Marquish of Landsdowne, Governor-General (1888-94) in the Supreme Council of Indian Administration] না খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ৩১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রবা মতুংদগী মনিপুরদা বৃটিশকী তুমুদগী লাঞ্জঙলক্কদবা তুমু লাল্লম-লান্মী [Tammu Column] গী মাওজীন থাবা লান্মী-লুপ, মেজর সার চার্লস লেস্লীনা লাঞ্জিংলকপা লান্মী-লুপনা চহিসিগী এপ্রিল ১৮ দা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোল য়ৌরক্তুনা অকোয়বগী ফিবম য়েংবা, য়েক্লবগী লান্থোঙ- লাঞ্জঙনচিংবগী লাঞ্জাবগী থৌরাংদা চহিসিগী থাসিগী ২২ গী নুমিদাংদা বৃটিশ লান্মী খরনা ককচীঙ ৱাইরীগী লম্পাক-লমহাং অমদা নুমিদাং পুং ৮/৯ দা ৱাতানরম্বদা [মতমসিদদি ককচীঙগী খুন অমসুং খুঞ্জাশিংসি বৃটিশনা লাকশিন্দুনা থমখ্রে] ৱাংখৈ মৈরাবনা মথন্তা লাঞ্জাবা লাকপদা থেংনরুবদগী মহাক্কী খুৎলাইসি শীজিন্নদুনা বৃটিশ লান্মীশিং মখোয় ১০/২০ অদুদা লান্দাখি অমসুং মখোয়গী ৱাতানরম্বদু থুগায়খি [মখাদা ৱাংখৈ মৈরাবগী শাফম-লানফমশিংগী মতাংদা য়েংবিয়ু]। অদুবু হায়জরিবা ৱাফমসিগী ৱারী নত্রগা ৱারোলসি বৃটিশ রেকোর্ডশিংদা অমসুং চৈথারোল কুম্বাবদা য়াওদে অমসুং পন্দে, মনিপুরগী বিজয় পঞ্চালী [মঙাশুবা শরুক], খোংজোম পবর্ব অমসুং অতৈ চীন্থাং য়ৈনা

চৎনরকপা পুৱারীদাময়েক শেংনা লৈরি। মীওইবগী ইতিহাসদনা মশানা মশাগী মায়থীবা হাপ্নদে অমসুং মীচঙ-মীখায় নাইবা ইতিহাস- ইবা মীওইশিংনা থৌদোক-থবকশিংবু নাথেবা, হুন্দোক্লম্বা অমসুং পন্দনা তোকথোকপা হায়বসি শুপশোয় শোয়দবা ৱাফম্নি। মরম অসিনা মথক্কী রেকোর্ডশিং অসিনা/অসিদা মৈরাবনা মৈতৈ-হেন্দবোম-আরাম্বাই শীজিন্নদুনা ককচীঙ-ৱাইরীগী লম্পাক্কী বৃটিশ অরোনবা ৱাতানবগী লোন্না তৌবা মীটিং থুগায়বগী ৱাফমসি বৃটিশনা পীরমদবনি।

মৈতৈ হেন্দবোম আরাম্বাই :- মৈত্রবাক মনিপুরসি মৈদিংঙু ময়াম্বা, নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা/পামহৈবা, গরিবনিৱাজ মহারাজ [খৃ:১৭০৯ -৪৮] গী স্নাহাক্তক্তগী অৱাগী কংলৈ-মেডু, চেকোং/সগাং, দবায়েন, মৎসেম্নচিংবদা লান্দাবদা আরাম্বাই শীজিন্নবগী মমিং কা হেন্না চৎলক্লবনি। অদুবু মতমসিদা মরু ওইনা শীজিন্নখিবসিদি পানবদা আরাম্বাই য়োৎচীন্না থোমদুনা শোকহনবা মখলগীনি, মসিবু "অৱাগী/বর্মাগী অকিবী আরাম্বাই" হায়না খঙনগনি। মরম অসিনা মনিপুরনা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা [খৃ: ১৪৩২-৬৭] স্নাহাক্তগীনা খৃ: ১৮৯১ ফাওবদা শীজিন্নখিবা আরাম্বাইশিংসি মখল অহুমনি, মখোয়দুদি :- (১) লাংথাক আরাম্বাই, (২) ঔৱাগী/বর্মাগী অকিবী আরাম্বাই, অমসুং (৩) মৈতৈ-হেন্দবোম আরাম্বাই অসিশিংসিনি অমসুং মখোয়সিগী চাওরাকপা অতেনবা ৱারোলশিং খর মখাদা পীজরি, :-

(১) লাংথাক আরাম্বাই

মখল অসিগী আরাম্বাইসি নুপা ঈন [Throwing net for fishing] গুম পাক্লা শন্না থমদুনা লাং থাকপগুম থাক্তুনা লাক্নদবা য়েক্লবগী লম্বীদা থম্লগা নত্রগা কোয়শিন্দুনা থম্লবা তেঙ্গোল নত্রগা লানবনগী অকোয়বদা লংদুনা-হুন্দুনা শীজিন্নরগা য়েক্লবগী খুৎলাই তাহনখিবা নত্রগা মশাদা পান্দুনা শোকহনবা, মচীন্দা তেঞ্জিন হাপ্পা খুৎলাইনি। আরাম্বাইসি মরী পানবা, মসিবু শীজিন্নরিবা হুল্লি-লংলিবা মীশক্তুনা ঈল্লী পায়বগুম আরাম্বাইসিদা পাল্লিবা মরীগী অতোপ্পা অরোয়বা মতোন অদু মখুত্তা পায়হৌ-লৈহৌনবা মওংদা শেম- শারবা খুৎলাইনি, অদুনা আরাম্বাইসিগী য়েক্লবা শোকহনবা য়াবা তেঞ্জীন/ য়োৎচীন অদুনা হুল্লিবা মীশক অদু পুমথা থাদোক্তুনা চৎখিবা নত্তে, য়েক্লবা শোকহনবা/ মাঙহনবা চৎখিবনি/থাখিবনি, অদুনা অমুক হন্না মরীদু

চিংশিন্দুনা নত্রগা তুংলোমদা চিংদুনা হায়বদি হুল্লিবা মীদুগী মশারোমদা চিংশিন্দুনা অতোপ্পদা অমুক হন্না শীজিন্নবা/পান্দম্বা য়াই। খুৎলাইসিগী য়োৎচীনসি মচীন থৌরবা তেঞ্জীন নত্রগা অপীকপা তাজীন নত্রগা তাজীন-মচাগুম্বা, ময়াম চরোং চরোং থৌরী/মরী অমদা পুনশিন্দুনা পাল্লগা শেম-শাবনি। লাংথাক আরাম্বাইসি শা-লান্দা শীজিন্নবগী খুৎশীজিন্নদি - য়েক্লবগী তেঙ্গোল, লানশঙ নত্রগা লানবন অদু নত্রগা লাল্লুমদুনা লৈরগা য়েক্লবগী মথক্তা লান্দাগদৌরিবা মফম অদু হান্ননা কোয়শিন্দুনা থমগদবনি। অদুগা আরাম্বাইসি লোয়নরিবা লান্দারিবা লান্মী লুপ অদুগী খোঙমী, শগোল-লান্মী নত্রবসু শামু-লান্মীগী লাল্লোয়শিংদুনা চায়থোক্কুনা লান্দাফম/লানফমদু কোয়না থুংনা লেপ্পুনা লৈরগা আরাম্বাইসিনা য়েক্লবশিংদা লংশিন-হুনজিন্দুনা লান্দাগদবনি। য়েক্লবশিং অদুগী লান্মীশিংগী লীথোক-নানথোকফম অহোবা-অহাঙবা মফম লৈহন্দনা/পীদনা য়েক্লবা লান্মীশিংদু নুপা-ইলনা ঙা উপ্পগুম আরাম্বাইসিনা লাং ওইরগা কোয়শিন্দুনা থমগদবনি, নুপা ইন্দুনা শোকহনগদবনি। অসুম্না লান্দারিবা মফম/তেঙ্গোল/ লানবন অদুগী মায়কৈ খুদিংমক্তু/পুম্নমক্তু থত্তুনা, হায়বদি, হুন-হুন্দুনা মখোয়দা পানবা-শোকপা য়াবগী অকিবা পীদুনা/পোকহন্দুনা নত্রগা য়েক্লবশিংনা খুৎলাই লংশিল্লক্কনি হায়বসিগী অকিবনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙমহন্দ্রিঙৈদা লান্দাশিন্দুনা য়েক্লব (শিং) অদু ফাগদবনি।

আরাম্বাই মখলসি লংদুনা/হুন্দুনা শীজিন্নবগী মওং-মতৌ, খুৎহুন-খুৎলংদি - থৌরী-কোঙ্গোয় হুনবগী মওং-মতৌ, খুৎলৈ-খুৎহাই, খুৎচিং-খুৎলাক্লচিংবগী নাওং-নাতাদা হুনগদবনি/শীজিন্নগদবনি। তেঞ্জে/তেঞ্জীন - য়োৎচীন পাল্লিবা/পুল্লিবা মরীশিংদু খুদুপ অমগী অশাংবগী চাংদা পুল্লপ শুপায় পায়শীল্লগা মালংদা/শুন্দ্রংদা পুম্নমক্তু পায়রিবা খুৎনা উরু-উরু লৈবা হৌগদবনি, অসুম্না উংবগী চাংদু খর কল্লক্লবা-য়াঙলক্লবদা থৌরী নত্রগা অপুনবদুগী নুপাইলগী ইল্লী পানবগুম পাল্লিবা মরীদু খজিক-খজিক থাদুনা শাংদোকহন্দুনা হকচাংদগী থাপতোকহনগদবনি অদুগা পাম্বোমদা মপাঙ্গল পীদুনা হকচাং মাঙলোমদা খংয়ীন ঈন্দুনা আরাম্বাইদুদা পাইখিনবগী মপাঙ্গল - শাফু পীরগা/হাপ্পগা খুদাং অমসুং খুজেং লৈদুনা কোৎলগা খুৎলাই অমুক্তগী কোৎলং-কোৎহুন্দা খংহও হওদুনা খংহুন হুনগদবনি। লাংথাক-আরাম্বাইগী খুৎহুন-খুৎলং অসি খংলং লংবা তা- খংলং/খংনং/খনং-তা [তা মচা

তারোন-তাগুম লংবা-হুনবদা শীজিন্নবদগী মমিংসি থোনখিবা/পীখিবা/ওইখিবা তা মখল] না মহুৎ শিনখিব্রা হায়না খঞ্জে।

মৈতৈগী আরাম্বাই মখল অসি মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা [খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা (খৃ: ১৪৩২-৬৭)] না শেনবী [Senwi] কবোগী আকলা লান্দাব [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ১৯] দা শীজিন্নখি - হায়না পীবীরি [গু:ক:শ: ১৯৮১, ৩৬] অমসুং মৈদিংঙুসিনা আকলা লান্দাবসি খৃ: ১৪৪৩ দনি হায়নসু পল্লি [মথক্কীসিদা, ৩৬]। মরম অসিনা আরাম্বাই মখলসি মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা খ্বাইদগী ঈহান হান্না শীজিন্নবা [হৌজিক ফাওবগী ওইনা থেংনবদা] গী ৱারোল ৱাফম থেংনজবনা মৈদিংঙুসিগী স্নাহাক্তক্তা মৈদিংঙুসিনা হৌদোকখিবনি হায়না খঞ্জে।

(২) ঔৱাগী/বর্মা (ম্যাম্মা/ম্রাম্মা) গী অকিবী আরাম্বাই

আরাম্বাই মখল অসি অয়াঙবা, অয়াংবা তেঞ্জৈ নত্রগা লংদুনা শীজিন্নবা তাখোক ৱাহোং মতু [Feather of Peacock] না য়োমদুনা পানবা তারোন তাগুম হুন্দুনা-লংদুনা য়েক্লবগী ফিবম-ফিরেপ পুম্নমক্তা শীজিন্নবা মৈতৈ শগোল লাম্মীশিংগী খুৎলাইনি। মসি অপাইবা অমসুং অয়াঙ্বা য়োৎচীন অতুম্বা তেঞ্জীনগুম্বা অমা, ময়োৎ/মওৎ [Axis] নাইবা/ওইবা মখোক অমদা পানশিল্লগা মদুনা ময়োৎ ওইদুনা কন্না লৈরকপা-উঙলকপগী মপাঙ্গলনা শাফু হাপ্পুনা খুৎকী খুৎজেংগী খুৎলৈনা মখোক্তুদগী নাম্থোকহল্লগা পাইথোকখিহন্দুনা হুল্লিবা-লংলিবা শগোল-লাম্মীদুদগী লাপ্না/থাপ্না লৈবা পানফম অমদা শাফু কন্না অকনবা চৈথেং পীদুনা পানবা অমসুং পাল্লিবদুনা য়েক্লবগী লাম্মীশিংবু অশোক-অপন, অকায়-অতোয়, ফুদেক-অতেক্লচিংবা নংহন্দুনা/ফংহন্দুনা মায়থীবা পীবা নত্রগা মাঙহনবা লানগী খুৎলাইনি। আরাম্বাই অসিগী মচীন্দা ময়া থাংলবা তাজীনগুম্বা অরূম্বা য়োৎকী য়োৎচীন পাল্লি, মদুনা পুম্নমকসি থোকহল্লিবনি। হায়রিবা খুৎলাইসিগী মরমদা বৃটিশ মচাশিংনা পীরম্বা ৱারোলদি:-

The cavalry of Manipur better known as the Cassey Horse fought both for and against us in the

First Burmese War. Their weapon was the rambai or the dart, the use of which was due to doubt to the fact that shock tactis could not be successfully carried out with such light cavalry in any country in which they were called on to operate [T.C.H., 1981.]

অসিনি। খুৎলাই অসি মৈতৈ-শগোল-লান্মীশিংনা লান্দাবদা, লাঞ্জেনবদা, লাষ্টেবদা অমসুং লান-হন্দোকপদা নীঙ-মাঙ, য়েৎ-ওয়, অমসুং লৈরিবা মায়কৈ পুন্নমক্তা ফিবম-ফিবমগী মতুং ইন্না শীজিন্নে, লংই/হুল্লি। মসি, নোংমৈ থোক্লক্ত্রিঙৈ অমসুং মশীঙ য়ামদ্রিঙৈদা য়েক্লবা লান্দাবা, ঙাকথোকপা, লান্দানবা/তান্নবনচিংবদা য়াম্না কান্নবা অমসুং মরু ওইবা খুৎলাই ওইরম্মী। অদুনা মৈতৈশিংনা আরাম্বাই অসি চুম্না লৈমায়দা লেপ্লগা হুনবদুদি শগোল মথক্তা তোংলগা শগোল থৌনা-থৌনা শগোল মথক্তুগী হুনবা অসিনা য়াম্না হেন্না শাফু অমসুং চৈথেং কল্লি হায়না লৌনৈ অমসুং মসিমকসি অচুম্বা ৱাফম্নি।

মৈতৈ-শগোল-লান্মীগী মথৱাই অমসুং অথোইবা পাম্বে/খুৎলাই ওইরবা আরাম্বাই অসি শগোলগী নাকল অনিমক্তা খাউ তুদুনা তেন্দোং, "আরাম্বাই তেন্দোং" শেম-শারগা তেন্দোং অনিদু থন্না হাপ্লগা য়ান্দুনা পুই। মখোয়না মসি লান তকশিনবা, তানশিনবা নত্রগা ফাননবা, হাৎননবা তান্নবদা মাঙলোমদা হুন্দুনা শীজিন্নে অদুগা য়েক্লবনা মখোয়বু তকথোক্লকপা-তাম্থোকলকপা নত্রগা মখোয়না তুংলোমদা লাঞ্জেল্লকপা, য়েক্লবশিংনা তুংয়িন্দুনা তান্নরকপা মতমদা মাঙলোমদা শগোল থৌনা থৌনা মখোয়গী নীঙলোমদা/তুংলোমদা হুন্দোক্লক্লগা লান হন্দোক্লকই। মৈতৈগী আরাম্বাই তেন্দোং অমদা আরাম্বাই তেন/তা অসি মশীঙ ৩০ দগী তাদনা চল্লি, মরম অসিনা মৈতৈ শগোল-লান্মী অমনা আরাম্বাই [Dart] মশীঙ ৬০/৬০ দি লোয়নদুনা চৎলি।

অৱা/ঔৱাগী অকিবী আরাম্বাই শাবা :- খুৎলাই অসি শেম-শাবদা চঙবা মচাক-মথুম, পোৎচঙ-চৈজঙ্শিংদি - (১) অশাংবা ৱাহোং মতু মচৈ ১০ দগীনা ১২ ফাওবা, (২) য়োৎকী তেঞ্জীন শাবা, অরূম্বা, শাংলবসু তেল্লবসু অরূম্বগী মতীক-ময়াই লৈবা মতোন তুম্বা য়োৎচীন, (৩) মচৈ অমসুং মখোক পান্নবা ৱা-উতোং, খুৎপায় চাবা ৱা মকক সে:মি:

৪০-৫০ শাংবা, (৪) খুৎপায়ফমগী-মরী পান্নবা লীমোন/লীহিং-থৌরী মতেক অমসুং (৫) ৱাহোং মতুশিং ফাজিন-পুনশিন্নবা লং খর, অসিশিংসিনি। হায়রিবা খুৎলাইসি শাবগী থৌরম পরেংদা - (১) অহানবদা, ৱাহোং মতুশিংদু মচা মান্ননা নীঙথিনা মতুগী মখোক মখৈ মায়কৈ অমরোমদা মান্ননা থন্নগা নান-শিত্তুনা ফত্ত-হাওদী লৌথোক্লগা থমগদবনি। (২) আরাম্বাইগী মখোক পানগদবা ৱাকক অদুগী চাওবগী নাপ [Measurement] লৌরগা নাপ্তুদা ৱাহোং-মতু মশা মশিংদুগী ১০/১২ না ময়ায় হোহল্লগা কোয়না কোয়শিন্দুনা পরেং লেঙলগা ৱা-উতোংদু হোরেন ৱাহোং-মতুশিংদুগী মরক্তা থিংজিন্দুনা লেঙশিনবা/ঈনশিনবা য়াননবা উতোং অমা ৱাহোং-মতুশিংদুনা শেন্বগী মওংদা লংদু তারগা/ফায়রগা লংজাদুনা অমমম ওইনা মতুশিংদুগী মচা অমমমগী মথক-মখা কারন চৎনদুনা লংদুনা কোয়শিন্দুনা হঙ্গৎ-হন্দা মরিরক কোয়শিন্দুনা-লোনশিন্দুনা ফাজিনগদবনি অমসুং অসুন্না ফাবসি, ৱাহোং-মতুদুগী মখোকৱাইদা অমা, ময়ায়দা অমা অমসুং মতুগী মচাগী মনা পানফম য়ৌরমদায়দা অমা, তাংকক অহুম নাইনা তৌগদবনি। অসুন্না উতোংগী মওংদা লৈরবা ৱাহোং-মতুশিংদু অমুক মখোয় ফাফম অহুম অদুগী মপা ওইরপ্পা লংফায় লংজাদুনা চবুন ওইনা য়েৎশিন্দুনা ফিবম-ফিরেপ্তি কায়হন্দনা অমুকসু হন্না পুনশিনগদবনি (৩) ৱাহোং মতুগী চবুনদুগী মখোকলোম থংবা মতোনগী অরোয়বদুদা য়োৎকী য়োৎচীন, তাজীন মানবদু থিংজিন্দুনা লেঙশিল্লগা পানশিনগদবনি, অদুগা লংফায়-লংশুংনা কন্না য়েৎশিন্দুনা নাম্থোক্তনবা চেৎনা ফাজিনগদবনি, (৪) অদুদগী চগুংননা উতোং শাদুনা ফাজিল্লবা/শেম-শারবা ৱাহোং মতুগী মরীন হোবা শরুক অমগী মকু/কুয়োম ওইবা শরুক্তুনা কোয়শিল্লিবা অদুগা মনুংগী অহোবা শরুক্তুগী মনুংদুদা, য়োৎচিন-তেঞ্জীন পান্দবা ৱাহোং-মতু মচাশিংদুগী মনা ময়াম পাল্লিবা মতোল অদোম থংবদুদা আরাম্বাইগী মচৈ অমসুং খুৎপায়ফম ওইগদৌরিবা ৱা-উতোং খুৎপায়-চাবা সে:মি: ৪০-৫০ রোম শাংবদু থিংজিন্দুনা মথক্লোমদগী/নাকল লোমদগী মশাংদুগী পরিং ইন্না লেঙশিনগদবনি, (৫) মথক্কী অসুন্না লেঙশিন্দুনা মচৈ ওইরবা ৱাগী-উতোং অদুগী মপাল্লোম থংলিবা অরোয়বা মতোন্দু ৱাহোং-মতুগী উতোং [হায়বদি, ৱাহোং মতুগী মচাশিংনা কোয়শিল্লগা ময়ায়দা/ মনুংদা অহোবা লৈহন্দুনা শেন্বা ৱাহোং-মতুশিংদু] দুগী মপান্দা সে:মি: ১৩ রোম হেন্দোকহন্দুনা থমগদবনি অমসুং মদুনা আরাম্বাইদুগী খুৎপায়ফম ওইগদৌরিবনি, অমসুং (৬) হায়রিবা খুৎপায়ফম

অসিদা আরাম্বাইদুগী মচৈ/ময়োৎ অদুগী খুৎপায় নাম্থোকহনখ্রবসু মচৈদু, হায়বদি, ফারিবা-পুল্লিবা/ হাপচিল্লিবা- থিংজিল্লিবা পুন্নমক্তা তাখি-তৎখিদনবা/ নাম্থোকখিদনবা খুৎকী খুজেংদা হুকচিনবা য়াবা কোঙ্গোয় পানবা থৌরী অমা খুৎপায়ফম উতোংদু হুক্কুনা শেন্নগা মরীদু লেঙশিন্দুনা থন্নগা নীঙথিনা পায়বা য়াননবা মওংগী থৌরাংসু তৌগদবনি।

অৱাগী অকিবী আরাম্বাই হুনবা : - আরাম্বাই মখল অসি লানফমদা হুনবগী/শীজিন্নবগী মওং-মতৌ/খুৎহুন-খুৎলং অসি করিগুম্বা পোৎশক অমা চৈনা কোৎলগা পাইহনখিবা/চৎহনখিবগী মওং-মতৌ অদুনি। আরাম্বাই অসি আরাম্বাই- তেন্দোং [Shaft or quiver of dart or Dart Shaft] দগী শৎলগা/লৌথোক্লগা খুৎপায়ফমগী মরীদু খুৎকী খুজেংদা হুকচিল্লগা খুৎ নামদুগী খুজেংদু উরু-উরু লৈদুনা আরাম্বাইদুগী মপুম-মশা পুন্নমক্কুসু উরু-উরু লৈহনগদবনি। অসুম্না লৈরিবা খুৎজেং অমসুং আরাম্বাই অনিদুনা মতীক চানা উঙলক্লবা অমসুং শাফু পুদুনা পাইবা ঙমগদবগী তাঞ্জা লাক্লবদা খুৎকী খুজেংদু খংলৈ অমুক্তং শাফু কন্না লৈরগা কোৎখত্তুনা পায়রিবা মচৈদু খুত্তুনা ফারগা/ফাহৌরগা হুন্দোকখিবা/লংথোকখিবা মওংদা মচৈদুনা আরাম্বাইদু শারিবা শরুক অনি, হায়বদি, মচৈ ওইরিবা ৱা-উতোংগী শরুক অমসুং মপান থংবা য়োৎচীন-তেঞ্জীন পানশিনবা ৱাহোং-মতুশিংগী শরুক অদু খায়দোকহনবা [কোৎশিন্দুনা-লৌশিন্দুনা নত্রগা থিংজিন্দুনা-হুকচিন্দুনা ফাজিন্নহল্লিবা অদু নাম্থোক্লহনবা/কোমথোক্লদুনা থাদোক্লহনখিবা] ঙমগনি। অসুম্না খুজেংনা লৈদুনা শাফু খংপী পীরকপসিদা মনুংগী মচৈ ওইরিবা শরুক্কুনা খুৎনা ফারবনিনা লৈহৌরগা মপানগী মকু য়োৎচিন পানবা ৱাহোং-মতুগী শরুক অদুনা মচৈ ৱা উতোংদু থাদোক্লগা নত্রগা মদুদগী নাম্থোক্লগা য়াঙনা পাইথোকখিগনি। হায়রিবা খুৎলং-খুৎহুন অসি মৈতৈশিংনা মৈতৈ-থাঙগী মহৈ তম্বা মতমদা খুজেংগী মপাঙ্গল অমসুং মতিঙ লৈননবা অখন্নবা শাজেনশিং কয়া য়াওবা অমসুং মখোয়দু তত্তনা তমখি-ঔরায়খিবনা খুজেং মশানা নৌবা, হায়বদি, লৈনীঙবা লৈথোক-লৈশিন্দা মনীঙ তম্না তৌবা/শীজিন্নবা ঙম্বা] না মতম ঙাইহাক্তংগী মনুংদা আরাম্বাইসি ৫/১০ হুনবা/লংবা ঙমই। মরম অসিনা খুৎলাই অসি থুনা-য়াঙনা শীজিন্নবদা খুদোং চাই অমসুং য়েক্লবগী মীশীঙ য়াম্না শোকহনবা ঙমই। অসুম্না নোংমৈ [মতমদুদদি অশুবী শীজিন্নরি] মশীঙদসু

মীশীঙ, লান্মী মশীঙদসু য়াম্না হেনখ্রবা অৰাশিংবু য়াম্না য়াম্না শিহন-শোকহনবা অসিনা মসি ঔৰাগী অকিবা খুৎলাই ওইবসিদগী মমিংসি থোঞ্জবনি।

আরাম্বাইসি হুনবগী অকক্লবা ফিবম অমসুং মওং-মতৌ খরদি :- খুৎলাই অসি লান্দাবা, লান তকশিনবা তানশিনবা অমসুং য়েক্লবগী লান্মী/লাল্লোয়/লাঞ্জিংবনচিংবা ফাননবা তান্নবগী মাঙলোমদা হুনবগী মতমদা/তাঞ্জাদা/মতাংদা শীজিন্নবদদি, তোংলিবা শগোলগী শাবন্দা তোংলগা/ফল্লগা য়েক্লবনা চেনবগী ফিবম, মওং-মতৌ য়েংলগা হুনগদবনি। হায়রিবা মওংগী খুৎহুম য়েক্লবা য়েং-য়েংদুনা হুনবা অসিদি লায়না অমসুং হুল্লিবা মীদুগী মশা কোম্না হুনবা-লংবগী মতৌনি। অদুবু মৈতৈ শগোল-লান্মীনা লাঞ্জেনবা, লান হন্দোকপা, য়েক্লবনা লান তকথোক্লকপা/ তানথোক্লকপা, অকক্লবা লানওংগী নত্রগা অতম্নবা লাঞ্জঙগী লান্দাবা অমসুং লান্দাবগী মতাংদা/লমদাংদা/তাঞ্জাগী নীঙহন্নবা শাদুনা/শাদনা তুংলোমদা নত্রগা নাকন, নাক-ওয়-য়েৎ অমদা হুনবা তারক্লবদি নত্রগা হুল্লবদি অয়াম্বা মতমদা, ফিবম-ফিরেপ্তা অমসুং মফমদা/লানফমদা য়েক্লবগী ফিবম/ফিরেপ খঙবা/উবা ঙম্নদে/নত্রগা চঙশিল্লক্লিবা/লান্দারক্লিবা য়েক্লবশিংদা মখোয়বু থিংননবা লান ঙাকপগী নত্রগা মী কনবগী ওইনদি শগোন্না মাঙলোমদা চেলহল্লগা য়েক্লবশিংদা তুংলোমদা লৈবগী মওং-মতৌদা তুংহন্নবা অদুম্মক হুন্নরম্মী। মখল অসিগী আরাম্বাই অসি হুনবগী খ্বাইদগী হেন্না লুবা তাঞ্জা/ মতমদি মৈতৈ শগোল-তোংবা লান্মীনা শগোলগী মনঙ্গন্দগী শীখদুনা শগোল মথাদা কোল্লগা/নপ্লগা হনবা- লংবগী মওং- মতৌ, তাঞ্জা- মেঞ্জা অমসুং মতম অসিনি। য়েক্লবগী নোংমৈ পায়বা লান্মীশিংনা মাঙ-তুংদা মহৌশাগী ওইবা ফিবমদা নত্তনা নাকল অমরোমদা লৈখিবা নত্রগা নাকল্লোমদগী নত্রগা নাকল অমদগী নোংমৈ কাপ্লক্তুনা লানগী ফিবম হোংলক্লবা নত্রগা মৈতৈগী লানগী ফিবম তাউরক্লবা/লুরক্লবা মতমদা মৈতৈ শগোল-লান্মীশিংনা য়েক্লবনা লৈতবা মায়কৈ অদোমদা মহাক্কী মশাদু/হকচাংদু শগোনগী মরুমদা তাহন্নবা লৈথরগা শগোল খুর্জী [খুৎ-চিং-লী/মরী] দু, শগোলদুগী মথাদা কোন্দুনা পায়রগা শগোলদু থৌই, অসুম্না ফিবম কায়না/তাদনা, ৰানা শগোল থৌরিঙৈগী মতম তাঞ্জাসিদসু শগোলগী মঙক অমসুং মবুক্কী মখাদা আরাম্বাই অসি লিৎহন্দুনা য়েক্লবশিংদা হুন্দোক্লকই, লংশিল্লকই। অসিগুম্না শগোল

থৌবগী ফিবমসিগী [শগোল মথাদা নপ্পুনা থৌবগী] মতমদা য়েক্লবশিংনা অতোংবা-অথৌবা মী উদবদুদা অতোংবা মী য়াওদবা ওইনা লৌদুনা অথৌবা শগোল-তোংবা- মী য়াওদবা য়াঙ্না চেল্লিবা শগোন্দু য়েংলিঙৈ অমসুং ঙক্লিঙৈদুদা নোংমৈ কাপ্পা ফাওবা নংহৌদনা মখোয়বু লাম্থোক্লুনা চেনখিবনা নোংমৈ কাপ্পা ঙমহৌদে। অসুম্না য়েক্লবশিংনা হুইঙক-য়েনঙক চারিঙৈদা মৈতৈ শগোল লান্মীনা আরাম্বাই মশীঙ খঙদনা হুনজিন্দুনা য়েক্লবা মশীঙ থিঙমদনা হাৎলি।

অৱাগী/ঔৱাগী অকিবী আরাম্বাইসি মৈতৈ লৈপাকসিদা কনানা, কৈদৌঙৈ, করম্না অমসুং কদায়দা হৌদোকখিবগী অইবা নত্রগা চীনহাই ৱারোন/ৱাফম অমতা ফংবা ঙমজদ্রি। অদুবু আরাম্বাইসি য়াম্না তোয়না অমসুং মশীঙ য়াম্না মরাং কায়না শীজিন্নখিবসিদি মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজনি হায়না ৱারী-শীংবুন কয়াদগী ফাওবা ফংই। হায়রিবা খুৎলায়সিগী মপান্না/মতেংনা মৈদিংঙু মেখলেশ্বরসিনা ঔৱা/ম্যাম্মা/ব্রাম্মাশিংগী কোনুং ওইরম্বা সগাং/সাগাইং [Sagaing] নৎত্রগা সিট-ক্যাং/কিয়াং [Tsit-kiang] দা মৈতৈগী লানঙম-ফিরাল পুদুনা লান-মায় পাকপগী কাউদ'-থাঙফম [Memorial sword-cut/mark] হক্লুম্বা ঙমখ্রিবনি। অদুবু খুৎলায় অসি থাইলেণ্ড [Thailand], কম্পুদিয়া [Cambodia] নচিংবা লৈপাকশিংদা লৈরম্বগী ঈ-পাউ ফংই। অদুগা আরাম্বাই মখল অসি মনিপুরনা বৃটিশকী মখা পোল্লবা মতম, খৃ: ১৮৯১ গী মতুংগী মতম খরদা শা-লান্দা শীজিন্নরম্বসিদা মৈতৈ মশাগী ওইজবা লান লৈরক্তবা অমসুং নোংমৈগী মশীঙ য়াম্না হেনগৎলকপনা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরম্বগী ৱাফমসি অমসুং মসিগী মশক-মশা য়াওনা মৈতৈশিংনা কাউথোক্লরকখি। অদুবু বৃটিশকী থৌজাল মিৎয়েংগী মখাদা হিংলিবা কনাগুম্বা অরিবা মচৎ-মনাৎ অমসুং মদুগী মপোৎ-মচৈবু য়োকখৎপা পামজবা খরগী থৌরাংনা মসিবু শাননা/লাপ্পা হুনবা/লংবা তান্নবগী মশান্নগী মওংদা পুথোক্লুনা, মসি লৈরম্বগী খুদম- চাংদম উত্তুনা অমসুং মসিনা মৈতৈনা খুৎ-শা হৈরম্বগী অমসুং অহে-অশীং ওইরম্বগী শক্তাকপা ওইনা মনিপুরগী লৈপাক নিংথৌ অমদি মপান্দগী লাকপা নত্রগা মনিপুরদা লৈরবা সাহেব-লৈঙাকপশিংগী মমাঙদা উৎপদা হন্না হন্না মতম খর শীজিন্নখি।

(৩) মৈতৈ-হেন্দবোম-আরাম্বাই

মখল অসিগী আরাম্বাই অসিগী মশক-মতৌ; শেম্বা-শাবগী থৌওং-থৌদৌ, খুৎশা-খুৎশেম, খুৎপান-লাকপানচিংবা পুম্নমক/অয়াম্বা; শাবদা

শীজিন্নরিবা পোৎচঙ্-চৈজঙ পুন্নমক অমদি মদুশিংদুদগী হেনবদা পোকখায়দুনা মৈ হৌহন্নবা নোংমৈ-হীদাক্কুম্বা পোৎচাক-পোৎলম [হায়রিবা অসিদনি হেনগৎলিবসি], মসিবু হুনবা-লংবা/শীজিন্নবগী মওং-মতৌনচিংবা পুন্নমক অমসুং মসিনা পাইখিবা-চৎখিবগী লমচৎ-শাজৎ, মচৎ-মনাৎ পুন্নমক মথক্তা পীজখ্রিবা "ঔৰাগী/ম্রাম্মাগী অকিবী আরাম্বাই" অসি চপ মান্নে। অদুগা খেন্নরিবসি অহানবগীসিনা য়োৎচীন্না থোমদুনা-থাদুনা য়েক্লবগী মশাদা শোকহনবনি অদুগা মৈতৈ হেন্দবোম-আরাম্বাইসিনা - (১) লৈপাক্তা তারগা নত্রগা করিগুম্বা পান্দমফম নত্রগা পানফম অমদা পাল্লগা মখোল হৌনা পোকখায়রগা মৈ হওবা খুৎলায়নি; (২) খুৎলায়সিনা পাল্লগা, থেংজিল্লগা নত্রগা য়ৈশিল্লগা মসিনা পাইরকপগী শাফুদুনা আরাম্বাইসিগী তেঞ্জীন/য়োৎচীন হাপ্লিবদুগী ৱাহোং-মতুগী মখোকশিংগী মনুংদুদা নত্রগা য়োৎচীন্দুগা তায়ননা হাপ্লিবা নত্রগা নোংমৈ-হীদাক কুম্বনা হীদাক চনখিবা পোৎলম-পোৎশক মখল ২/৩/৪ অদু থেংনহল্লগা/শোক্লহল্লগা/পুনশিন্নহল্লগা মৈ হওহন্দুনা মখোল অমসুং মৈরী থোকহল্লকপনি। মথক্কী মরমশিংসিনা খঙহল্লিবদি খুৎলায়সিদা অনৌবা মতমগী লানগী খুৎলায় বোম-মচা হেণ্ডবোম/হেণ্ডগ্রেনেড [Handbomb/Hand grenade] কী মচৎ মনাৎকী খুৎলায়নি, হায়বসিনি। আরাম্বাইসিগী মাঙ থৎদুনা পাইগদৌরিবা মচীন অদুদা হাপ্লিবা বোম অদু তাজীন কোয়রপ কৌবা [তাপাক্কী মচীন্দা মতোন তুমদবগী মওং] অমসুং মচীন্দু পাক্লা শাংলপ তৌরগা তুল্লপ-কোয়রপ লোয়শিনবা; লোঙখুম অমগী মনুং-মপান নাইনা লৈবা অদুগুম লৈরিবা অহোবা মনুংদুদা য়াম্না পোকখায়গনবা, হায়বদি পোৎশক অনি হেক শোক্ল-থেংনবদা রিয়েক্সন [Reaction] থোকপা নোংমৈ-হীদাক [Gunpowder] অদুগা মদু থুনা পোকখায়বগী মৈ হেক্তমক হওগনবা হীদাক-মচল-সল্ফর, ফোস্ফেট [Sulphur, Phosphate] কুম্বদগী হেন্না মপাঙ্গল অমসুংময়াই লৈবা পোৎশকশিং, নাইট্রো-গ্লীসেরিন [Nitro-glycerine) গুম্বগী শরুকশিং মরাং কায়না য়াওবা হীদাক মচলগী পোৎলম-পোৎচাক ২/৩ খক অহানবদা শাফু ফংদ্রিঙৈ/য়ৈশিন্দ্রিঙৈদদি থেংন-শোক্লদনবা তোংঙান-তোংঙান হাপ্লগা য়ৈশিন-থেংজিনবগী শাফু/চৈথেং ফংলবা মতমদা হীদাক মচলশিংদু শোক্লবা-শম্নবা নত্রগা থেংন-তোৎনবা য়াগদবা মওংদা হাপ্লগা মখোয়দুনা

শোক্লা-থেংনরবা মতমদা হীদাক মচল অনিদু মৌন-মুংনদুনা চাকথেক-য়েখায়নদুনা [React তৌনদুনা] মৈহও-লাংপোক [কম্বসন (Combustion)] থোক্তুনা অমসুং মৈরী-মৈশা নাইহল্লকপা[ইগ্নিসন (Ignition)] অমসুং মদুনা মখোল অমদি মৈঙাল পীথোক্লকপগী মচং-শাজংকীনি। অদুবু পোকখায়গনবা পোৎশক অনিসি মৈনা [Fuse] অমনা থেংনহন্নবা/শোক্লহন্নবা শেম-শাদুনা খুৎলায়সিগী মচীন-য়োৎচীন/ তাজীন অদুদা থোমগায়-থেংজীনবা অমসুংয়ৈশিন-ফুজিনবগী শাফু/চৈথেং ফংদ্রিবা ফাওবদি পোৎশক অনিদু থেংনহন্দে। অদুবু হায়রিবা খুৎলায় অসি মৈতৈনা হেণ্ডবোম শীজিন্নখিবা নত্রগা শাখিবগী ৱাফম লৈতবনা মৈতৈনা নোংমৈ হীদাক শুংবা অমসুং নোংমৈ অশুবী [Matchlock] নত্রগা মালেমগী ওইনা তোপ অমসুং বমদিয়ার [Canon and Shell] শাব গী মহে-মশীংগী ৱাখুন-পরিংদুদা শাখিব্রা হায়না খঞ্জে, মৈতৈনা নোংমৈ হীদাক অমসুং অসিগুম্বা খুৎলায়শিসি শেম-শাখিবগী ৱারোল্দি:-

(১) The breach-loader,...., the breach piece is seperatable from the gun, and received the charge, its extremity being then inserted into the bore of the gun, a portion of barrel being cut out to admit this [R.B.,19,]

... and the introduction of firearms, while rendering them and the aramba to a large extent obsolete, also have scope to the ingenuity of Manipuri artisans, who manufacture rough matchlocks and are known to have risen to the height of producing breach loading gun of iron... Tradition asserts that from Chinese merchants who visited the State during the reign of Khagemba since 1630, the Manipuri learnt the art of manufacturing gunpowder and the art which to this day is still practised by the Kukis, who probably, derive their acquaintance with it from the Manipuri's. The Chronicle state that Khagemba, in 1627 A.D. experimented to make big guns and prepared one metal gun of big size! [T.C.H., 1981,)

অসিনি। অদুবু মৈতৈ-হেগুবোম-আরান্বাইসিগী হীদাক য়াইচনগী ৱারোল নত্রগা ৱাফম অমতা ঙসি ফাওবদি ফংদ্রি।

মৈতৈ হেগুবোম আরান্বাইসি করন্না চহিদা পুথোকখিবগে/শাখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউখুম পীজবা ঙমজদে অদুবু পীজবা য়াবা পাউখুম অমদি মসি মৈতৈ অমসুং মৈত্রবাক-মনিপুরগী মনীঙ-মখা তন্বা, মশা মতোমতা লৈঙাকচবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইবগী মপুন্সি লোয়রমদায়দা পুথোকখিবনি, হায়জনীঙই, মরমদি, মসি শীজিন্নখিবা মীশক অমসুং মতমসি ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙোরনা খৃ: ১৮৯১ দা অনিরক হন্না শীজিন্নখিবগী ৱারোল ফংই অদুগা হায়রিবা আরান্বাইসিগী মরমদা অখঙবা মৈতৈগী শীনহৈ-খুৎহৈবা অমতগী মমিং পীদবনা মসি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙোরসিমক্না পুথোকখিবনি হায়জনীঙই।

ৱাংখৈ মৈরাবগী মহৈ-মশীংগী থাকসিগী ৱাখোম :- ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙোরগী মহৈ-মশীংদা শা-লানগীদা থাঙ-তা শীজিন্নবগী অৱাংবা থাক্তা লৈবা/লেপ্পগী ৱাফমসি মথক্তা উৎচখ্রে। অদুবু মহাক্কী মমান্নবা নত্রগা মাগী মতমগী থাঙ-হৈবশিংগীদি - "য়েনখোয়বা মেঙোরগী থাঙগী মহৈ, পাওনা ব্রজবাসিগী থাঙলোন, অসিনচিংবা" - হায়দুনা লৈনরি, অদুবু মহাক্কী থাঙ- তাগী থাঙলোন নত্রগা তারোনগী মরমদা করি অমতা তাবা লৈখিদ্রে। মসিদা করিসু অকায়বা লৈতে, মরমদি, মৈতৈগী অসিগুন্বা মহৈ-মশীংসিদা মাঙজীন থানা, মকোক থংনা হায়নরিবা - "থাঙ হৈবদা নরসিংহ, তা হৈবদা গম্ভীরসিংহ"-হায়রিবা অনিসিগীসু অমতা তাদ্রে, পুম্নমক মতমগী কাংলোন্দগীনি।

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙোরনা মনিপুরগী/মৈত্রবাক্কী শা-লানগী অমসুং মসিগী ইতিহাসতা মৈতৈ-হেগুবোম আরান্বাই হৌদোক্তুনা/পুথোক্তুনা মনিপুর ঈমাগী অমসুং মৈতৈ লৈমা পলেমগী মফমদ্দা কৎচরিবসি অথৌবসিগী ৱাখল-লৌশীংগী শক্তাক্লবা বেরোমিটর [Barometer] নি অমসুং মহাক্কী মখুৎ-মশা হৈবা, নোংমৈ-হীদাক শীজিন্নবদা কাংলোন চুম্না খঙবা অমদি হৈ-শীংবা, অসিনচিংবগী থর্মোমিটর [Thermometer] নি। ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙোরগী মতমসিদা শীজিন্নরিবা নোংমৈশিং অমসুং নোংমৈ-

হীদাকশিংসি বৃটিশনা/ঈংলিসনা ফংহনবা [Supply তৌবা], মখোয়গী কম্পনীশিংনা শাবা ঙাক্তনি, নোংমৈশিং - মস্কেট, মিয়ুটিনী হৈন্রী অমসুং স্নেডর রাইফলশিং (Musket, Mutini-Henry and Snader Rifles] অমসুং নোংমৈ হীদাকশিংসি মৈতৈনা কলকটা চৎলগা লৌরুবা ঙাক্তনি [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ২৩১, , ,] অদুগা মতম অদুৱাইদা মৈতৈনা বোম শাবা [মথক্কীসিদা, ৩৩২] অমসুং লমদমসিগী ওইনা নোংমৈ-হীদাক শেন্বা শুংবগী ৱাফমদা খৃ: ১৮৫৮ গী ওক্তোবরদগী থবকশিংসিসু তৌখি [মথক্কীসিদা, ৩৩৭]। মরম অসিনা তৌরিবা ময়াম অসিদগী উরক-খঙলক্লগা মদুদা ৱাখলগী অচুন্বা পরিংদা থাদদুনা ৱাংখৈ মৈরাবনা মৈতৈ-হেঙুবোম আরাম্বাইসি শারকপদা করিসু ঙক্লীঙঙাই নত্রগা থাজদনীঙঙাই ওইদে, মরমদি, মৈতৈদি মখুত্তা মথীবোঙ পানবনি। অদুগা মতমদুদা বৃটিশশিংগা তীন্নবদগী নোংমৈ হীদাক্তগী হেন্না মগুন লৈবা ডাইনামাইট [Dynamite] হায়বা য়াম্না পোকখায়গল্লিবা পোৎশকশিং [High explosive materials] ফংলবনি-খঙলবনি। মরম অসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী মখুৎ হৈবা, ৱাখল পরিং চুন্বা, নোংমৈ-হীদাক্কী অমসুং পোকখায়গনবা পোৎলমশিংগী মতীক-ময়াই খঙবা অমসুং অসিগুম্বা হিরমশিংদা চুম্না য়েংবদদা খঙবা অমদি লৌশীংদু লৌশিনবা ঙম্বগী মতীক- মগুনসি মতমদুগী মৈতৈ মচা মমান্নবশিং অতৈদগী পুমতোপ তোপ্পি। অসিগুম্বা মহৈ-মশীংসি খঙদ-উদনা থাঙ-চুঙ্গোয় পায়দুনা নোংমৈগী মমাঙদা থাঙগী জগোয় শারুরবদি শিবগী পন্থুং ফংগদবদনি।

ৱাংখৈ মৈরাবগী পরুৱা/সেবক (মহৈরোই)

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরসি শা-লানগী, থাঙ-তাগী, নোংমৈ-হীদাক্কী, অসিনচিংবগী হীরম-লমদাংশিং কয়াদা অমসুং মখোয়শিংদুগী পোরম-পোথাং, থৌরাং-থৌশীলনচিংবদা মীথোই-মীহেনবা মীশক, নত্রগা মৈতৈগী অথৌবা লান্মী; খোঙগী, শগোল-লান্মী অমদি ওইরম্মী হায়বসি মথক্কী ৱারোল-ৱাফমশিং অসিনা খুদম তৌদুনা উৎলে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মাগুম্বা, মঙোন্দগী হেনবা [মহাক্কী ওঝা, লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেঙ্গোরনা খুদম্লি], তাবা [খুম্বোং মেঙ্গোরনা খুদম্লি] মীশকশিং নত্রগা মাগা চহী লোঙ্গা ওইবা নত্রগা থংমুন-নাওমুন হৌমিন্নরকপা মীওইশিং পুম্নমক্তগী অয়াম্বদি শা-লান মহৈ- মশীংসিগী মাগী মাগী সেবক/পরুৱাশিং মখোয়না তম্বীবা মহৈরোইশিং) লৈনখিরম্মী। অদুগুমদুনা মহাক্কী শা-লানগী মহৈ-মশীং

তন্মীন্নরকপা মপাং, থাঙ-তা ঔরায়মিন্নরকপা মরুপ পাওনা ব্রজবাসি, তোপ মেঙ্গোরগীদি মহাক্কী মরু ওইবা সেবকশিং - চীঙলেনস্না, ফুঙ্গানাই শঙলাকপা [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৮৯] নৎত্রগা চুঙ্গোয়স্না (মহাকসি ইবুংঙো সিংহজিৎ সনাগী মচাইবুংঙো পোচাসনা পোকপনি), থম্বাল, অঙাং মচা, অসিনচিংবা অচানবা সেবক/ছাত্রশিং [ন:শ:,১৯৬০ A-১৩] অমসুং অতৈ খর লৈখিরম্মী। অদুবু ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগীদি হিরমসিগী মতাংদদি করিগুম্বা ৱারোল অমতা ফংজবা ঙমদ্রি।

মৈতৈগী থাঙ-তাগী/থাঙগী মহৈ-মশীং তম্বা, হৈবা নত্রগা শীজিন্নবা মীশক-মীওইশিং অসি, মানা মানা পায়বা, মাগী মাগী থাঙ অদুগী মমিং অমমম থোন্নে, থম্নে। হায়রিবা মহৈ-মশীংসিগী ৱায়েল মতুং ইন্না - "মমিং থোন্দবা থাঙদি পায়নদে নত্রগা পায়বা য়াদে [রা:ক:স:, ১৯ ,] অদুনা পাওনা ব্রজবাসি, তোপ মেঙ্গোরগী মশাগী খুৎশূ-থাঙ অদুগী মমিং - "লিশিং শামু" কৌই হায়না পীরি [ন: শ: ১৯৬০, ২বা-১৩]। অদুবু ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগীদি হিরমসিগীসু মমি অমতা তাদ্রে। অসুম্না তৌরে হায়দুনসু মহাক্না মমা- লৈপাক্কীদমক্তা থৱাই, হকচাং, ঈ, তোংশানচিংবা অমতা খাক্তনা কৎখিবা অদুগী লারবা মমিদি তারি। মতম্না মহাক্কী লৈজবা পুম্নমক মুনবীখ্রবসু মহাক্না মমা লৈপাক্কী খোঙখাদা লৈজবদুদগীদি চিংথোকপা ঙমদ্রি।

(২) ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী শাজৎ-লানচৎ অমসুং শাফম-লানফমশিং

ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক অসিগী লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেনবা-থুম্বারোনগী ৱায়েলনা পুল্লবা কাংখুন্দা অমসুং মৈতৈ-চৎনবী-মনাৎকী, চৎন-লোনচৎকী ৱাখুন-কাংলমদা তারিবা তৌদবা য়াদবা, নাম্থোক-থাদোকফদ্রবা অমদি শোয়বা- কায়বা য়াদ্রবা অমা ওইনা শা-লানগী, থাঙ-তাগীনচিংবা তন্নকখিবা মহৈ-মশীংশিংসি শা-লানগী ওইবা লাল্লোই অমা ওইবতা নত্তনা খুন্নাইলোনগী ওইবা লাঞ্জঙ কয়াগী লাম্মী অমা ওইবগীসুনি। অদুবু মতমদুগী মৈতৈ লৈপাক্না শা-লাননা মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমগী ফিবম-ফিরেপ, শেমগৎ-শাগৎপা, খুন্নাইগী খুঞ্জা অমা ওইবগী হক অমসুং মীয়ামগী ফংফম থোকপা পীবা, অসিনচিংবসি ওইহনখিবনা মহৈ-মশীং অসিগী হিরম অসিদা লৈপাক-নিংথৌগী ওইনা পুক্নীঙ থম্মখিবনি।

ৱাংখৈ মৈরাবনা মথং-মথং ওইখিবা ফমশিং

ৱাংখৈ মৈরাবা মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌ পানবা মৈত্রবাক মনিপুরগী যুজ্ঞা অমনি। মরম অসিনা লৈপাকসিগী চৎনরিবা ৱায়েল-ৱাখুনগী পরেং অমসুং মদুনা পীরিবা ৱারম-থৌরম, থৌদাং-থৌদা, থৌগায়-য়াথংনচিংবা পুন্নমকসি ঙাক্তবা য়াবা নত্তে; অদুগী মায়য়োক্তা নত্রগা ৱাংমদা লৈরবদি পোইরে সনা লৈপাকসিদা হিংদুনা লৈবগী হক পুন্নমকসি মৎখিগদৌরিবনি। মরম অসিনা লৈপাক্কীসু কান্নবা অমসুং মহাক-মহাক্কীসু ওইজবা ফংবা থবক-থৌদৌশিং তৌবনা নৎত্রগা পাংথোকপনা মায়কৈ অনিমক্কী অমগা অমগা য়েক্নদবা ফিবম-ফিরেপ ওইগদৌরিবনি। অদুনা লৈপাক থৌদাংনা নামা লন্নাই থৌদাংনা নামা ওইনা লেপ্লিবা মতমদুগী মনিপুর সমাজ নত্রগা মৈতৈ খুন্নাইদা থৌদাং অনিমকসিগী চপ চাবা হক ফংননবগীদমক্তা নিংথৌ/কোনুং খন্দুনা ফম্নাই-ফানাইবা অমা ওইবসিনা হিংনবগী লমদাং চাবা অমসুং মিংচৎ ফংননবগী পাম্বৈ ওইবা লম্বীনি, অদুবু মতমদুগী মৈতৈ/মনিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ৱায়েল-ৱাখুন্না পীরিবা ফম্নাইবা অমসুং কোনুং খনবা/কাবা মীশক অমা ওইনবগী ৱাখুন পোমিত্তি :-

নিংথৌ শেনবদা কাবদি নিংথৌ শেনগদবদি, [লৈমা শেনগদবদি (Those are to serve as the royal security guards)] পিবাগা মথংগা অনিমনা শেনগদবনে। ... চহি কুন্থ্রা শুদবা মীবু ফম হাপহৈদে, নীঙ-মাঙগী ৱাখঙবা ৱাৎলে, মীসু মহাকসু মাঙনৈএ। মাগী মাগী পান্নবা শঙলাক-কৈরুংবনা মী অসিদি মতীক ওইরে হায়না নিংথৌদা কৎলরবদা মী অদুবু নিংথৌনা মফম হাপপীএ। [এন: কে: স:, ১৯৮৯, ৭]

অসিনি। মরম অসিনা মৈতৈ মচা নিংথৌ/কোনুং খনবা লান্মী, শীন্মী, খুৎহৈবা, থৌদা-পাউখোললোইনচিংবা লান্মী [Military] গী অমসুং মীচম-মীয়াম [Civil] গী ওইবা ফম অমা ফংবা/ওইবা তারবদি, অহানবমক্তদা মহাক মশাগী চহি কুন্থ্রা শুরবা মীওই অমা ওইগদবনি অমসুং মথংদা পায়গদৌরিবা শীনফম/থবক্তুগী মহৈ-মশীং, লৌশীং-মচৎনচিংবগী ময়াই চেনগদবনি।

মথক্কী হায়রিবা/পীরিবা ৱায়েল অসিগী মখাদা ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবসিসু মফম নাইরকখিবনি অমসুং ৱাফমসি মী পুন্নমক্কী অমসুং খুদিংমক্কীনি, অদুবু ৱাংখৈ মৈরাবগী মরুপ, মহৈ-মশীং তম্মীনরকপা মপাং পাওনা ব্রজবাসিসিবু খৃ: ১৮৫৬-৫৭ কী মৈতৈনা অকাম-হাও [The Chin

tribes of the Chin Hills in the Chin State Division of Burma/Myanmar] লান্দাবগী খোঙফমদা মৈত্রবাক্কী লান্মী [লাল্লুপ (Irregular force or Voluntary corps) নত্রগা লেভী (Levy: Regular army or Enrolled troops) নত্রগা মৈত্রপাক লান্মী (Manipur State Military Force] অমা ওইনা য়াওরে অমসুং লানফমসিদা মথৌ নীঙথিনা পাংথোক্কুনা মীথোই- মীহেনবা থৌনা উৎপা অমদি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, মৈতৈ-নিংথৌবু লানফমদুগী লান্দা কনখিবগীদমক্তা সুবেদার ফম [Military title and rank of Subedar to be promoted from the post/rank of Jamaddar (জমান্দার) which is above the rank of Havildar/Surgent (কুট/অমান্দার/অওন্দার) to be promoted respectively from the ranks of Naik (কোথোন্দার) and Sepoy (সিফাই/লান্মী)] ফংখি [রা:ক:স:, ১৯৮৮, ২]। অদুবু রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর (অমিনস্না)না পীবা পাওনা ব্রজবাসিগী মশাগী চহি - খৃ:১৮৩৩ [শকাব্দ ১৭৫৫ গী পোইনু ৮ নি শগোলশেন্দা পোকপা] খৃ: ১৮৫৩ দা ব্রজ বৃন্দাবন্দগী মনিপুরদা হল্লকপা অমসুং খৃ: ১৮৫৬ তা কোনুং/নিংথৌ খনবনচিংবসি [মথক্কীসিদা, ১] দগী চহিসিদা সুবেদার ফম মনা-মথুমগা লোয়ননা থিন্দোকপগী ৰারোলসি য়েংলুরগা মৈতৈগী লৈঙাক্লোনগী ৰায়েল-ৰাখুন্দা অহোংবা খর লৈবরা নত্রগা নিংথৌগী লৈঙাকলোনগী মতীক-মঙম [Power] না ফমনাইবগী ৰায়েল-ৰাখুন্দুদগী নাহ্থোকহনখিব [Exempt] রা অমা তৌরে, মরমদি পাওনা ব্রজবাসিনা খৃ: ১৮৫৬ তা সুবেদার ওইবসি মশাগী চহি ২৩ খক্তা ঙাইহরি অমসুং হায়রিবা সুবেদার ফমসি খংচোং-চোংদুনা হেক কাবা/ওইবা/ফংবা য়াবা নত্তে, মসিগী মখাদা ফমথোন ৪ (মরি) লৈহৌরি, অদুবু নিংথৌগী মনীঙনি হায়দুনা মৈতৈ লৈপাক থুংনা হায়নরিবা নুপাগী মরল নুপীগী চহি, হংলুগনু" হায়বদুরা খঙজবা ঙমজদে।

ৰাংখৈ মৈরাবা পাওনা ব্রজবাসিগী লোননি, থুংমুন-নাউমুননি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। মহাক খৃ: ১৮৫৪ দা তখেল-লাল্লুপ লোইশংদা লোইশঙ-মচা অমা ওইনা কারে [থবক তৌরে] হায়বসি মখাগীসিনা উৎলি, মদুদি :-

খোইরিখুন চাওবগী কুম শক ১৭৭৬ ... ঈংঙেন .... নোংমা পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ... ৰাংখৈ মৈরাবদি ময়াংলমদা চেনখিবা নোংতাই হাও মকুরোন্দগী নাইত্রীকা ফারকএ [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৩২৪]।

অসিনি। হায়রিবসিগী মতুংদা মহাক, মহাক্কী লোইশঙ, তখেল লাল্লুপ-লোইশঙসিগী লাল্লুপ-চিংবা [Manager of Allotments of Voluntary Duties, etc. of Tripuri ethnic peoples in Manipur and their Affairs] ওইখি, অদুবু করম্বা চহিদা ফমথোনসি কাখিবগে হায়বদুগী ৱারোন ফংবা ঙমজদে। অদুম ওইনমক মহাক্কা ফম অসি ওইনা মথৌ থৌগায় পাংথোকপগী ৱারোলদি ফংজে, মদুদি :-

সোইবম বলসিংগী কুম শক ১৭৮৯... ওল্লকপা শজিবু ... ১৭ নি শগোলশেল [এপ্রিল ৯, ১৮৬৮ ইং] অতেংবা হাও ১ ময়াংদা চেনববু ৱাংখৈ মৈরাবা তখেল লাল্লুপ চিংবনা ফাদুনা পুরকএ। তন্না ফাদোক্তা পীশিল্লে।

অসিনি। হায়রিবা মতমসিদা মহাক্কী মীচম-মীয়াম [Civil] গী ফমসিগা মান্নবা লান্মী-লাল্লোয় [Military] গী ফম করি ওইরম্বগে - হায়বসিগী ৱারোল অমতা থেংনজদে, মরমদি মতমদুদা মৈতৈ লৈপাক মনিপুরদা অমসুং মৈতৈ খুন্নাই, মনিপুরী সমাজদদি লৈপাকসিগী মী অমনা লান্মী-লাল্লোয়গী, মীচম-মীয়ামগী অমসুং ৱায়েল-চৈরাক [Judiciary] কী ফমথোল অহুম নত্রগা অনি পুনদুনা/পায়দুনা ফমথোন অনি-অহুম লোন্নবগী পরিং-পথাপ [Two/Three tier system] সি চৎনবননি অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবনা মীচম-মীয়ামগী ওইবা থবক্তা তখেল-লাল্লুপ লোইশঙগী লোইশঙলোই অমা ওইরম্বদগী তখেল-লাল্লুপ-লোইশঙসিগী লাল্লুক-চিংবা ফম কারকপসিগুম লান্মী-লাল্লোয়গী ওইবা থবক্তসু সিফাইদগী মথং-মথং ওইনা ফমথোনশিং - কোথোন্দার, কুট, অমাদার, জমান্দার, সুবেদার, সাজোর [Lieutenent], পোইলা [Captain], মেঞ্জোর [Major], কর্নেল [Colonel], ব্রিগেডিয়ার [Brigadier], ব্রিগেডিয়ার-জেনরেল [Brigadier-General], মেঞ্জোর-জেনরেল, লেফটেনেন্ট জেনরেল, জেনরেল, চিফ-ওফ-আর্মী-স্তাফ [Chief of Army Staff] নত্রগা সেনাপতি কাগদবনি। অদুবু নিংথৌ মচাশিংগী লমদাংদদি ৱাফম অসি তোংঙাল্লি, চৎনদে অদুবু ফমগী থাক ৱাংখৎলকপগী, হায়বদি, খংচোং চোংদুনা ফমথোন পীখ্রবগী মতুংদগীদি হায়রুরিবা মথং-মথং কারকপগী থাক-থাক নাইবা ফমথোনগী পরেংসি অদুম চৎনৈ, অদুবু অরামচা মীচমদদি ফম খংচোং চোংবসি য়াদে চৎনদে, অদুমকপু নিংথৌগী মনীঙনি, সনা য়াথংনি, হায়রবদি ফমগী থাক চোংলবসু চৎনৈ, য়ানৈ অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবগী লান্মী লাল্লোয় [Army/Military] গী ফমথোন্দা খ্বাইদগী ঈহান হান্না চৈথরোল খুন্বাবদা পীবীরম্বসি সুবেদার ফমসিনি অদুগা ফমসিসু করম্বা চহিদা হাপখিবগে, হায়বসিগী ৱারোল অমতা ফংজবা ঙমদে।

ৰাংখৈ মৈরাবনা সুবেদার ফম ওইদুনা চহি কয়া/খর লৈপাক্কী থবক পুরবা অমসুং মনিংথৌগী থৌগল তৌজরবা মতুংদা মহাক্লা পরিং চুম্না লানগী লানজিংবা [সুবদার/Warrior or Ranking Officer] অমা ওইনা শাফম-লানফমদা শাচৎ-লানচৎলম্বদগী লাঞ্জিংলেন [Commanding officer of troops] ওইনা লান চৎপগী খ্বাইদগী ঈহান হান্না পীবীরল্লিবা ৰারোলদি :-

... খাংজ্রাকপা চাওবগী কুম শক ১৭৯৯... ৰাকচীঙ ১৩ নি শগোলশেন [জানুৱারী ১৭, ১৮৭৮ দা য়ুম্নান্বা সুবেদার, ৰাংখৈ ময়ুমচা সুবেদার, চীঙশুবা সুবেদার ৩ মনচিংনা অৱাংলম লান চৎলে। ... লমদা থা ২৮ নি লংমাইজীঙ [মার্চ ৩১, ১৮৭৮] দা ৰাংখৈ সুবেদারনচিংনা অৱাংলমদা লান্দানবা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ৪৩৬ ১সুং ৪৩৭]।

অসিনি। অসুন্না তখেল-লাল্লুপ চিংবা ওইনা খৃ: ১৮৬৮ দা লৈরম্বা অমসুং খৃ: ১৮৭৮ সিদনা সুবেদার ওইরিবসিনদি মহাক্না তখেল-লাল্লুপ চিংবা ওইরিঙৈসিদা মহাক কুট/আমান্দার [Havildar] ওইরম্বা য়াই, মদুদগী জমান্দার [Jamandar] কারগা অমুক সুবেদার কাদুনা চহি ১০ সিগী লাম্মী- লাল্লোয়শিংগী পুন্সিসি লেল্লম্বা য়াই, হায়না থাজজৈ।

ৰাংখৈ মৈরাবনা সুবেদার ওইবসিদগী মহাক্কী লাম্মী-লাল্লোইগী ফম অসিগী মথক্তা লৈরিবা শাজোর [Shajora : Lieutenent] ওইরম্বগী মতাং অমসুং মতম অসিগী ৰারোল নত্রগা ৰাফম অমতা ফংবা ঙমজদ্রি। অদুগা শাজোরসিগী মথক্কী ফমথোন ওইবগী ৰারোলসি চহি ৮ (নিপান) গী মতুংদা হায়বদি খৃ: ১৮৮৬ তা পীরি অমসুং পীরল্লিবা খুৎপীসিসু হান্ননা ফমদু ওইদুনা লৈরম্লবগী ৰাফম, মওং-মতৌ অমদি মশক ওইনা পীবীরম্মী। মরম অসিনা মহাক্লা সুবেদার ওইনা লান চৎপগী মতমসিদগী, হায়বদি, খৃ: ১৮৬৮ দগী ঈকুই কুঈনা শাজোর কারগা লৈরকপনা ফৌগাকচাও তাবা ঈরেংবম শাগৈগী মশক নাইবা অমসুং মমিং লৈরবা মীশক ঈরেংবা থুনতাংবনা মনিপুর নিংথৌদা থুমগী লোইপোৎ কাবা, নিংঙেল থুমখোংদা মশাগী হিংনবগী লম্বী ওইনা খুৎশূমল তান্দুনা লৈরম্বদগী থুমখোং-খুনসিদা মচাক মরল লেপ্পল্লকদুনা খুঞ্জাশিংদুদা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা খুনশিং - ঈঙৌরোক, চন্দ্রখোং, শিখোং, নোংপোক সেকমায়, উখোঙশাং, লৌরেম্বম, লাংমৈথেৎ,

য়াইরীপোক, কেক্রু, খোইরোম, লৈরোংথেন, ফাঞ্জংখোং, অন্দ্রো, অসিনচিংবনা শকখণ্ড-মায়খণ্ডলক্লদুনা খুনশিংসিগী খুঞ্জাশিং অমসুং অতৈ মনিপুর-তম্পাক্কী নোংপোক্লমগী খুনশিং অয়াম্বনা মহাকপু শৌগত্তুনা মহাক্লা মনিপুরগী নিংথৌ ওইগনি, হায়দুনা থোকচাও চাওথোইগী কুম শক ১৮০৩ গী ঈংঙাগী লোয়রমদায় [1st fortnight of July, 1881] দা লানহওরকপগী লানহওসি নমথরবা মতুংদা ঈকুই কুইদনা নত্রগা লানহওসি নমথবদা - মহাক্লা লৌখিবা থৌদাংগীদমক শকখঙ্বা অমসুং তৌবীমল উৎপা ওইনা মঙোন্দা মথক্কী ফম পোইলা [Captain] ফমথোনসি থিন্দোক্লম্বা য়াই নত্রগা মসি মতুং খৃ: ১৮৮৬ কী মে ২০ গী মৈদিংঙু নরাসিংহ (খৃ:১৮৪৪-৪০)গী মচা ঈবুঙো সন্নাখ্য বরাচাওবগী লানহওসিদা পোইলা ফমথোন ওইনা-ওইনা লানহওবশিংবু নমথবগী লানফমশিংদা য়াওরে, লান্মী-লাল্লোয়গী ফমশিং পরিং নাইনা থাক-থাক কায়দনা অমদি তত্তনা পোরেপফম খণ্ডলবা নত্রগা তং-তারবা লান্মী-লাল্লোয়শিং [Regular Army] গীদি থাক ৱাংখৎলক্লবদি ফমথোন অমদগী অমদা কাবা অসি মতম/চহি খর চঙনৈ, অথু-অকায়/লৈপাক-ঈরাং হওবগী/লৈবগী খুদক-খুদক্কী লান্মী-লাল্লোই ফম্মাইবা [Emergency Commissioned Army/Military Office] হাপ্পগী ৱাফমদদি মসি লৈতে।

ৱাংখৈ মৈরাবনা পোইলা ওইনা খৃ: ১৮৮৬ কী মমাঙ, চহি ২/৩/৪গী মতমদগী লান্মী-লাল্লোয় ফম্মাইবা অমা ওইনা মপাইবুংঙো খেদজী/ক্ষেত্রি সিংহনসু পোইলা ওইনা লৈপাক-নিংথৌগী থৌগল, থৌগায় অমসুং থৌদাং তৌরম্বগুম লৈপাক-নিংথৌগী থৌদা ইন্দুনা থৌগল তৌরকখি। অসুম্না লাকপসিদগী মহাক্কী মবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা থুপখ্রবদা নিংথৌ ফম্বাল ফংহৌবা অমসুং মহাক্কী মমা তীন্নবা পোকমিন্নবা মচিন-মনাও মরিগী খুৎ অমা অমসুং নিংথৌগী অঙম-অথৌগী ফমথোন ফংহৌবা অমসুং ফংহৌদবা মমা তীন্নদবা, পোকমিন্নদবা মচীন-মনাও মরিগী খুৎ অমা অনিসিগী হিদান্নরকপা অমসুং পুকচেল-খোয়জেন তীন্নদবদগী থোক্লকপা খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২১ গী মহারাজ সুরচন্দ্র সিংহবু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথবগী লানহও অমসুং মসিগী মহৈনা হনচক-ঙাচক শাবা বৃটিশকী লান্মী-লাল্লোয়-ফম্মাইবা ৫ খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ দা হাৎলুবগী মনিপুর অমসুং ভারত সরকার

অনীমক্কা অমনা অমগী মথক্তা খৃ: ১৮৯১ সিগী মার্চ ২৫ অমসুং ৩১ দা মথংশিংনা লান লাউথোক্লদুনা লান্থেংনবা হৌরক্লবদা বৃটিশকী খা-মৈরমগী লাল্লম থিংননবগী লাঞ্জঙ- লানশোক্লনবা এপ্রিল থাসিদা সুরেদার চোংথা মিয়া সিংহ অমসুং সুবেদার পাওনা ব্রজবাসি (পাওনম নাওলসিংহ)বু অথু-অকায়গী ওইবা লান্মী-লাল্লোয়গী ফম খুৎহাপ [Emergency Commissioned Military Officer Recruitment] তা মেঞ্জোর ফম থিন্দোকখি [মথক্কীসিদা, ৪৮৯] । মসিদা নত্রগা মতুং হুমনি কোল্লগা ৱাংখৈ মৈরাববু মহাক্কী থবক্কী পরিংগী ফমথোন কাফম থোকপগী ওইনা, মকাদি ফোংদনা অমসুং মিৎয়েংদদি অথু-অকায়গী নত্রগা লৈপাক-ঈরাং থোকপগী ওইবা লান্মী-লাল্লোয়গী ফম হাপ্পগী খুৎহাপসু মানহন্না মেঞ্জোর ফম পীখি অমসুং ওইখি।

ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলানা মেঞ্জোর ফম ওইরকপা/ওইবগী ৱাফমসি চৈথারোল কুম্বাবদা চনখত্তে/ইদে, মসি অনৌবা কুইনা ফম তারুরগা ফম হঞ্জিল্লকপদগী কাফম থোকপা তারকপা নত্রগা ফমথোন চোংদুনা কাবা/হাপ্পা নত্রগা মপুন্সিগী পুমনৌ নৌবা ওইনা ফম হাপ্পা হায়রিবা মরমশিংসিনা চৈথারোল কুম্বাবদা চনখত্তবগী মরমসু ওইরম্বা য়াই, মরমদি মসি মহাক্কী মপুন্সিদা অমসুং মহাক্কী লমদাংসিদা [In his case] অনৌবা নত্তে হায়বদু মথক্তা পীজখিবা মহাক্কী ফম মথং-মথং ওইরকপা/কারপগী ৱারোলশিংসিনা খুদম ওইরি অমসুং চাংদম তৌরি। অদুগা মাগী মেঞ্জোর পীবা ["হাপ্পা" নত্তবা] সি চনখৎনীঙহুন্দদুনা চনখৎলমদবা ওইরম্বসু য়ারি। সুবেদার ফমদা খংচোং চোংদুনা খৃ: ১৮৫৬ তা ওইরগা খৃ: ১৮৮৬ তা ফমদু তারগা অমুক খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বরদা সুবেদারদা ফম হঞ্জিল্লক্লদুনা খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিলদা মেঞ্জোর হাপ্পা/পীবা নত্রগা থিন্দোকপা নত্তে, ফম হাপ্পনি [মথক্কীসিদা, ৪৮৯]। অসিদি অথু-অকায়গী ওইবা নত্রগা লৈপাক ঈরাং হৌরকপা/লৈবগী ওইনা [Emergency Commissioned Army/Military Officer Recruitment] ফম হাপ্পা [Appoint, not promoted/ designed] হাপফম থোকপদুগী হাপ্পনি, ফমথোন কাফম থোকপগী কাবা নত্তে। ৱাংখৈ মৈরাববু মেঞ্জোর ওইনা হায়বা নত্রগা পনবসি বিজয় পঞ্চালী, মঙাশুবা শরুক্তুদা পল্লি। চৈথারোল কুম্বাবগী অইবসি লৈপাক-নিংথৌগী

মমাঙদা পাথোক্তুনা ৱারী-লাইরিক তাবা অদুগুমদুনা তানদে, নিংথৌ খঙদে হায়জবগী ৱাফমদি নৎচদে অদুবু লৈপাক্কী অঙম-অথৌ, অকন-অরিং নচিংবনদি খঙনদে তৌইগুম্নসুং বিজয় পঞ্চালিসিদি লৈপাক-নিংথৌ তিন্দুনা ফম্লগা ৱারী-লাইরিক তাবদুগুম তানৈ [মথক্কীসিদা, ৬৮২-৮৩], মদুগী মরমদা পীবীরম্লিবদি :-

... অঙোম অঙাংজাওনা চৈথাবা কুমশক ১৮৭৭... থৱান ৭ নি লৈপাকপোকপদা বিজয় পঞ্চালী তাবা হৌএ। লাইশ্রম মঙ্গীনা লাইরিক থীয়ে। স্নসম নেত্রসিংনা লাইরিক হায়এ [মথক্কীসিদা, ৬৮৩-৮৩]।

অসিনি অদুনদি করম্বনা অচুম্বগী মনাক্তা-ময়াদা খর হেন্না নকশিল্লমগদগে-হায়বদু ৱাখন্দা ফাওদুনা লৈজরবনি।

অমরোমদা অমুক, মেঙ্গোর অনি - চোংথা মিয়া অমসুং পাউনা ব্রজবাসি [চৈথারোল কুম্বানা পীবা, খুম্বোং মেঙ্গোর অমসুং চীঙলেনস্না ফুঙ্গানাই শঙলাকপগী মমিং পনবীদবা] না লানজিংখিবা লান্মী মশীঙ, সিফাই ৪০০ খক্তনি, অদুগা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা/মেঙ্গোর মতোমতনা লান্মী, সিফাই ৭০০ পুদুনা চৎখ্রবনি [মথক্কীসিদা, ৪৮৯]। হায়রিবা মৈতৈগী লান্মী ৭০০ পুবসি পোইলা অমগী থাক্লা য়াবা/ঙম্বা নত্তে। মরম অসিনা লৈপুঙ-ৱারীদবুদি পাওয়া য়াবা; নেস্নেল-ইন্টর্নেস্নেল থাক্তা হায়রুবদি অতাবা মীদুনা পাউখুমদি পীদনা মেমোন্দং নোক্লগা মমায় লৈখত্তুনা নোংদোন্দা য়েংখৎখিগদবদু খন্ননীঙঙাইনি।

ৱাংখৈ মৈরাবগী শাচৎ-লানচৎ অমসুং লানফমশিং

খোঙমী-লান্মীশিং নৎত্রগা সিফাইশিং [Soldiers/Sepoys] না লান চৎপা অমসুং লানফমদা লান থেংনবসিদি মমিং পনবীদে/থাবীদে, লাঞ্জিংবশিং [Distinguished Warrior] অমসুং লাঞ্জিংলেন/লাঞ্জিং-পুরেন [Commanding officer or Over-All-Commander] অদুশিংদুদনি মমিং-মথা পীন্নরিবা-পন্নরিবশিং। মরম অসিনা ৱাংখৈ মৈরাবনা মৈতৈ-লান্মীগী সিফাই/কোথোন্দার/কুট/জমান্দার অমা ওইনা লান কয়ারক চৎখিবা অমসুং লানফম কয়াদা লান শোক্লবা/থেংনবা য়াওখিবগে, হায়বসিগী মরমদা মরী-মখোঙ লৈবা ৱাফম অমতা ফংবা

ঙমজদে। অদুগা তখেল-লাল্লুপ-লোইশঙলোই অমসুং লোইশঙদুগী লাল্লুপ-চিংবসিদা শা-লানগী হিরমদি খর য়াওদবা নত্তে। লাল্লুপ [Voluntary Corps or Irregular army or Militia] কী শীনফমসিদা মীফা-মীপুন তৌবনচিংবা দোলায় পাব [Police] গী মথৌং-মওম, থৌদা-থৌগায়নচিংবা য়াওরিব [মথক্তা উৎচখিবা চৈথারোল কুম্বাবদগী লৌথোক্লকপা শরুক অনিদু] শিংসি লান্মীগী অহানবা থাক্কী খোঙথাং ঙাক্তনি। অদুবু মহাক্লা লান্মী লাল্লোয়গী ফম্লাইবা অমা ওইনা খ্বাইদগী ঈহান হান্না লানগী লাঞ্জিংলেন ওইনা লান চৎখিবা লানফমদি খৃ: ১৮৭৮ গী অৰাং-হাও [লুহুপ্পা তাংখুলশিং, অৰাংলোমদা য়ীরীন তুরেনগী মরূ কমশোন খুন্নচিংবা হৌজিক্কী সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্টকা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকা অনিগী তায়নবা লমশিংগী শরুক খরদা লৈরম্বা তাংখুল খুন খর] লান্দানবা চৎপা খোঙচৎ অসিনি। খোঙচৎসি মখোয় সুবেদার অহুম্না লাঞ্জিংদুনা চৎপনি অদুবু লান্দুগী লানফমদা মৈতৈনা কয়া খুদোং চাদরবা মহাক্কা চৎমিন্নখিবা অনিদুদি হল্লকপদা য়াওরক্তব্রা করিনো, মমিং থুপচিনখ্রে। অদুগা হায়রিবা লানফমসিদা মহাক্লা লাঞ্জিংলেন ওইনা চৎলি হায়বসিদি মখোয়না লানফমদগী হল্লকপগী ঈ-পাউ শীরিবদুগী ৰাহৈ-ৰাতা অমসুং পাউ খুৎপী-লাকপীদুনা তাক্লিবদুনি [মসিগী কোটেসন মথক্তা পীজখ্রে অমসুং লানফমসিগী ৰাফমসি মখাদসু অমুক লাকখিগনি]। হায়রিবসিগী মতুংদা মহাক্কী মমিং পনবা/পন্দবা মহাক্লা য়াওখিবা নত্রগা য়াওরমগনি, মমিং পন্দবগী ৰাফমদনি হায়বা লানচৎশিং অমসুং লানফমশিং খর মখাদা তোংঙান তোংঙান উৎচরি।

(১) ঈরেংবা থুনতাঙবগী-লানহও, ১৮৮১ ইং

লানহও অসিগী মরমদা মথক্তা পনবা য়াবা খর পনজখ্রে। অদুগা মসিগী মরমদা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট সার জেমস জোনষ্টোননা মতমদুগী অসামগী চিফ কম্মিস্নারগী সেক্রেটরীদা ইবা চিঠিদা ৰারী মরীক চুম্না লীরি অমসুং মদুদা শৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ, টুলিহন মেঞ্জোর [মতুংদা জেনরেল], চিফ মিনিষ্টর অমসুং কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহ, তুলি নহা মেঞ্জোর [মতুংদা জেনরেল] অনিসিদগী ৰাফম পল্লি। অদুদসু চৈথারোল কুম্বাবদসু ৰাংখৈ মৈরাবদা নত্তনা মতমদুগী অখন্নবা লাল্লোয়-লাঞ্জিংবশিং- মাইস্না

মেঞ্জোর; য়েনখোইবা মেঞ্জোর; চোংথা মুহোদর তোপ মেঞ্জোর, চোংথা নীলমনি, অয়া-পুরেন মেঞ্জোর; চোংথা মিয়া সিংহ্ সুবেদার পাওনা ব্রজবাসিনচিংবা অমতা পন্দে। মখোয়শিংসি তন্দুনা ফমদুনা লৈখ্রবা জাৎলা খণ্ডদে।

(২) সনখ্যা বরাচাওবা, য়াইস্কুল লাকপগী লানহও অমসুং মহাক্না কছারদগী লান্দারকপগী লানশিং

সনখ্যা বরাচাওবা, মৈদিংঙু নরসিংহ্না পোকপীরন্বা ওইনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [খৃ: ১৮৫০-৮৬] গী গম্ভীর সিংহ, নরসিংহ্ অনিনা লেনখিবা মচীন-মনাওগী নুংশিনবগী মরী অদুগুম্না নুংশি-চান্নজবা, মৈদিংঙু সিনা মাগীদমক্তা পান্বোম তীংবীদুনা য়াইস্কুল লাকপা ফম [হৌজিক্কীদা হায়রগা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা] থোন থিন্দোকপীবা অমসুং মহাক্নসু মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগীদমক্তা মহাক্কী লৈজবা পুন্নমক - থৱাই ফাওবা খাক্তনা কখোক্কে খঞ্জবা, অথোইবা মৈতৈ নিংথৌমচা অমনি। মচীন-মনাও অনিসিগী চান্ন-চিন্নজবা, অমনা মপু অমনা মনাই ওইনা অনিসি লুনা-চেৎনা নীঙনবা অমসুং শাগে-মচা অনিসিগী হকচিন্না চেৎনা তীন্ন-তোৎনবসি [বিনোদিনী, ১৫, ১সুং ৭৮] দা কল্লক-খন্বন চাওরবা কাংঙবা থাঙ্গাল, মেঞ্জোরনা "মবুক ফত্ত' বা অমসুং ফত্তবা ৱাখলতনা তাশিল্লগা নুপী শক্তম ওইনা লেপ্লম্বী মাইস্না কুমুদিনী, মামা শাতুং লৌওনবীনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা খৃ: ১৮৮৬ কী সনা হকচাং ঈদুনা অনা ফমশেন্নবগী স্না-ফমজাও মনাক্তা মাগী ঙাক্তা ঙাইবগী ৱাখন্দা তোংদুনা ৱাহং-পাউহংলক্লবদা থাঙ্গাল জেনরেলনা খুমখি - খুকউ শেন্দবা য়াদ্দে ... ঐখোয়না চেকশিনগদবা নুপা অমা হৌজিকসি য়াম্না লিংনা লৈরি [মথক্কীসিদা,] -হায়না, মরমদি সনখ্যা বরাচাওবগী মপাইবুংঙোগী মহাকথক্তসু মী মশক খঙখিদ্রবা, মোংশাংগৈ কৈরেন-মচা থাঙ্গালনা আ মমাঙদা খুমিৎ-খুদাং-মচাগী মরমচত্তুনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদা - "নিংথেম, নিত্যাইবাত চুথেক্কী সনা খোংনাং অসি মরূ ফুক্তোকপা ফগনি। মউ লিংবা উপান্নি [মথক্কীসিদা, ৭৭-৭৮]" হায়নসু হায়খ্রবদি অদুবু মৈদিংঙুনা মৱা লৌবীদদুনা লৈখিবদু মমৈথংসিদসু অমুক পোপথোক্লকখি। থাঙ্গালগী ফত্তবা শরৌগী থৌঈনশিনসিগুম্বনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী মচাইবুংঙো অম [সুরচন্দ্র] না ফাওবদা মৈতৈ-নিংথৌগী ফম্বালসি সনখ্যা বরাচাওবনা

মুনখিগদ্রা পাখৎমনখিদুনা মমাশীজ়দা হঙ্গৎখ্রবনি - "পাবুং সনখ্যানা ঈতোনশী য়াইস্কুল লাকপবু চানবসে কা খর হেনমল্লি, পঙথা থাজবা চুমদে। সনখ্যামাশীনা খর হঙ্গৎপীয়ু, ঐখোয়না হায়জবদি ঈতীক ওইদে [মথক্কীসিদা, ১৫] - হায়না অমসুং মসিগা লোইননা মপুন্সিদা কখোকপগী মশক খঙখিদ্রবা মীখোঙ লেকপা, মপু নীঙবা হুইগুম খোংদুনা নিংথৌ তাংবল মনাক্তা কুন্দুনা লৌনম লাংথাক্তা তৌবদগী মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং অদুনা ফাওবা চিংনবগী মিংয়েং সনখ্যা বরাচাওবগী মফমদা থমদুনা সনখ্যাসিগী মনাই-মশল, খুৎশূ-খুৎলাইগী মশীঙ-মমিং ফাওবা পানা- য়েংনবা অমসুং অরোনবা পাউমী থমদুনা সনখ্যাগী মনাইশিংনা কদায়দা করি তৌরিবগে, চাকচা-হৈজানবা, পুম্নমকসিদা লানচাক খাঙবগী ৱাখন্দা কুপশেন-শেন্নহনখ্রবনি [মথক্কীসিদা, ১৬]। অচুম্বা, অশেংবা পুকচেলগীদা ওইজরবা সনখ্যা বরচাওবনা পুম্নমকসি খঙজ-উজদুনা মবুংঙো মৈতৈ-নিংথৌদগী লাপথোক্লবা হোৎনরকখি, অদুবু অরোনবা থৌদৌসি খঙদ্রিবা মহারাজনদি হেক্তা কোনুং কাদনা লৈরবসু কৌখত্তুনা নকশিন্নবগী য়াথং থারক্লবদা মীগী কাদা লোইরং-শীঙখোঙ ওইনীঙদবা, মখুত্তা তারবা নিংথৌ সিংহাসনবু কখোকপদা হাল্লেঙবা লৈত্রবা মপাইবুংঙোগী মতীক চারবা মচানিপানিনা তৌনরিবা অশেংবা - অচুম্বা পুম্নমক্তু মৈদিংঙুদা চীন্না থোক্লা পাউদমদুনা মবুংঙোদগী কায়ননবা স্না য়াথং পীজগে খন্দুনা, ঙাংনা শানবা য়াবা মখৈ ঙাংনরগা সনা মাঙদা শদ্রাং তাদুনা - "শ্রীযুৎকী মাঙনবা তৌজরোয় - কপ্তুনা ৱাশকখি। অদুবু পাউ অসি তাবদা মতম পুম্নমক্তা মী মাঙনবতা শীল্লিবা মীশত্তুনা তুমিন্না লৈশিনখি, অমসুং শেন্বীরকপা মীবু হাৎকে থৌরাংখিবীদুনা - ঐনা তৌরুরিবসি লাল্লে, উচী কল্লক্তুনা ঈয়ুমসি মৈ থাজগদৌরে - হায়না পুক্নীঙনা শোন্দুনা মঙক হাইথখি। অদুগা সনখ্যা বরাচাওবনসু শারৌ-খুজীলসিগী চপ-চাবা পাউখুম মতম্না পুরক্লবা তাইবং মপুদা হায়জদুনা পুম্নমক্লা খঙনরক্কদবা মতমদু ফাওবদং ঙাইবা তাবনি - হায়না ৱাখন্না পুক্নীঙদা তাক্তুনা মহাকসু মঙক হাইগৎখি [মথক্কীসিদা, ১৬-১৭]।

মথক্তা থমজরিবা তুমিন্না, ঈংনা লৈজরিবা সনখ্যা বরাচাওবদা, মনিংথৌ নুংশিজবা-নীঙজবা শাদুনা ৱাথোক-লান্থোক্লবা কাইহৌরুরিবা অসিগুম মীগী অফবা খক খন্দ্রবা মীশকসিনা সনখ্যা দিনচন্দ্র সিংহ [মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্র (খৃ: ১৭৯৮-১৮০০) গী মচাইবুংঙো কৈফাস্নানা পোকপা ঈবুংশীজ

শাজৌবা সেনাপতিনা ঙাংবমচনু উদ্দেশ্বরীদা পোকপা মচাইবুংনি], ৱাংখৈরাকপাগী লানহৌসি নমথবদা কয়া ৱাখিবা অমসুং সনখ্যা বরাচাওবগী লানহৎওসি নমথনবগী লান্দা মৈতৈ-লান্মীগী লাঞ্জিং-পুরেন/সেনাপতি ওইখিবদুদসু কাইহৌরুদুনা, মীনাই মচাদুগী খুজিন্দগী খুৎফংননা য়ানবা লান থোক্লদুনা খৃ: ১৮৮৭ কী সেপ্তেম্বর ১২ নিংথৌকাবদগী নোংমৈ কাপ্লদুনা মথং নুমিৎ লৈপাকপোকপা ফাওবদা লৈপাক ঈরাং থোকহনখিবা মনীঙ তন্বা পামজবা মৈত্রবাক্কী মমল য়াম্লবা মনি কয়া মাঙহনখিবসু মীরৈহৎ অসিগী খুজীলগী শারৌনি [ন:শ:, ১৯৬০, ২বা- ৩৯-৫৪]। অদুগা মথক্কী সনখ্যা বরাচাওবা, মশাগী ৱাশক অমসুং পুক্লীঙ ৱাখলগী ৱারেপ্তুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা হেক লৈরিবা মখৈদি করিসু তৌররোয় হায়না লৈদুনা করিসু থৌরাং লৌখত্তনা চম্না লৈজরিবদুবু মৈদিংঙুনা স্না ফমজাওদা তাদুনা লৈখ্রবদা চেকশিন-ঙাকশেন থৌরাংগী মিংদা নিত্যাইপাত-চুথেক্তা অরোনবা লান্মী থম্লুবদগী স্না বরাচাওবানা সনা শঙ্গায় থাদোক্তুনা লেঙখি অদুবু ময়াম্নুং মৈদিংঙু স্না হকচাং তুমদ্রিবা মখৈদি মৈতৈ কোনুংগী মায়কৈদা খুৎ থাদনা সনখ্যাসিনা লৈখিবনি। হায়রিবসিমক নৎলমদ্রবদি সনখ্যা বরাচাওবগী লানহৎওগী ইতিহাসসিগী থৌদোক-ৱাথোক/লান্থেং-লান্থোকশিংসি অতোপ্পা মওং-মতৌ অমদা ওইরম্বা য়াই।

সনখ্যা বরাচাওবগী লানহৎওগী থৌরাং অমসুং লানহৎও

সনখ্যা বরাচাওবা মনিপুর তম্পাক্কী মৈতৈ কংলৈ লৈয়াৎকী য়াইস্কুল লৈকোক-লৈকায়গী নিত্যাইপাৎ চুথেক [হৌজিক্কী T.G.H.S. School, মসিগী গার্লস হোষ্টেল অমসুং G.P. Women's College গী Compound শিং লৈরিবা লমদম] কী লমসিদা ময়ুম য়ুম্ফম ওইনা পাল্লম্বনি। মহাক্কী পুকচেলদা য়াওরিবা মীনুংশি চাওবা, মীগী কান্ননবা তৌবা অমসুং অতোপ্পশিংগীদমক্তা ৱাবী হৈবগী থম্মোই পানবসিনা মতমদুগী শা-লানগী মহৈ-মশীংদা হৈ-শীংলবা অমসুং থাঙ-তাগী লানফমদা মপা খর তাঙলগা মীওই অনিখক্কী থম্মোইবু চিংশিনখি অমসুং মখোয় অনিসিদা সনখ্যানা করিগুম্বা অমা হায়রকপদা মদু অদুনি-অদানি থিদনা-খন্দনা সনখ্যাগী মতেং পাংগনি, হায়বগুম্বা ৱাফম অমা লৈনখি। হায়জরিবা মীশক অনিসি চোংথা মিয়া সিংহ (সুবেদার) অমসুং পাওনা নাওলসিং/ব্রজবাসি, সুবেদারনি। মখোয়গী মরক্তা হায়নখিবা ৱাফমসি লৈবনা সনখ্যানা হন্দক্কী মীগী

শাইজীন্দা মহুম শারিবা শেন্দ্রাংগী মহুম থুগায়দুনা মলোম-লাইমনগী লমন কোক্লবগী লানহওসিদা মতেং লৌগে খন্দুনা পাউ থাখি অমসুং অনিমক মতম চানা হায়নখিবা লমদমদা মখোয়গী মীশিংগা লোয়ননা সনখ্যানা লেঙলকপা ঙাইদুনা লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী স্নাহকচাং ফমশেন্নদুনা লৈরম্বদগী তাইবং পুন্সি লোয়দুনা নাওরিয়া পুন্সিগী কুমশক ১৮০৮ কালেন ১৭ নি শগোলশেন [মে ২০, ১৮৮৬ ইং] দা লৈখিদ্রবদা সনখ্যা বরাচাওবা, য়াইস্কুল লাকপনা মহাকপু কাইহৌবীদুনা খোই মহুমদা চৈনা থিনখিবশিংদুনা তৌহন্নীঙখিবা থবক্তু মবুংঙো লৈত্রবনিনা মশানা পাংথোক্লগে খন্দুনা ঙাইরম্বা মতমগী পাউতাক্তু ফংলদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা মহাক্কী মীশিংনা লৈরিবা নম্বোল-ফোয়জীঙ খুন, মতমদুদা 'বুরীবজার' হায়না খঙনরম্বা, খুন্দুদা মবুংঙোনা লৈখিদবা নুমিৎসিমক্তদা লেঙখিরম্মী [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৬৭]। মফমদুদা মহাক্কী খুৎলাই মতীক চানা পায়রবা লাম্মী ২০০ খক অকনবা চোংথা মিয়া, অথৌবা পাওনা ব্রজবাসিনা লুচিংদুনা লৈরম্বশিংদুগা পুনখিরম্মী। মাগী ওইজবা লাঞ্জিংবা অমসুং লাঞ্জিংলেনশিংনা সনা কোনুংগী মায়কৈ তমদুনা মখোয়গী লাম্মীশিংনা "নিংথৌ লৈতবগী লাউনরিঙৈ, থৌরাং খোঙফম শেমদ্রিঙৈদুদা তকশিল্লসি" হায়না ৱাফম থাঙ্গৎচববু ৱাশক চেৎপা নিংথৌ মচাদুনা মৈদিংঙুগী স্নাহকচাং তুম্বা ঙাইখিসি হায়দুনা লাঞ্জঙ-লান্দানবগী য়াথং পীখিদে। অসুম্না সনখ্যা বরাচাওবগী খুৎনা লানহওগদবগী ঈরাং লৈরে হায়বসি নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎপনিনা খঙলবদা লৌথি-লৌহৈবী মাইস্না অমসুং খুনু মখোঙদা শমলৌ' হৈবা কাংঙবা অনিনা নৌনা নিংথৌ হাপ্পা সুরচন্দ্র সিংহ [খৃ: ১৮৮৬-৯০] না য়াথং পীদুনা লৈখিদ্রবা মৈদিংঙুগী স্নাহকচাং তুমদ্রিঙৈদা মাইস্না শামু সিংহ, তুলি য়ায়মা [2nd Battalion] মেঞ্জোরবু মৈতৈ-লাম্মীগী সিফাই ২০০ খক পুহন্দুনা ঈরুংবা পোইলনা লাঞ্জিং মথং চত্তুনা লানহওবশিং নমথনবা থারকখিরম্মী। অদুবু সনখ্যা বরাচাওবা মশানা লাঞ্জিংলেন ওইবা, সনখ্যাগী পোকমিন্নবা মনাও ইবুংঙো সনা মেগজিং সিংহ অমসুং অতোপ্পা মৈতৈ-নিংথৌ/নিংথেম মচা ১৫ না লানজিংবশিং ওইরগা চোংথা মিয়া অমসুং পাওনা ব্রজবাসিনা লাঞ্জিংলেনগী য়েৎথাঙ-ওয়থাঙ ওইনা লীংলিবা তেঙ্গোলসিদা লান্দারক্ত্রিঙৈদা য়াওরৌদা থত্তুনা কাপ্পরবদা [মথক্কীসিদা, ৪৬৭] সনা কোনুংগী লাম্মীনা লাম্বা

পাবা ঙমদদুনা নম্বোল হৈবী মখোঙদা লান হন্দোক্তুনা - "সনা কোনুংদা লানবাউ পীদুনা অনৌবা লান্মী থোমজিনবীরক্লবা স্না য়াথং পীবীনবা হঙ্গৎচরগা অনৌবা লান্মী লাকপা ঙাইদুনা নম্বোল হৈবী মখোঙদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখি [ন:শ:, ১৯৬০, ৫৬]।

মাইস্না মেজর, বুরীবজার লান্দাগী লাঞ্জিংবগী লানবাউগী মতুং ইন্না মৈতৈ সনা কোনুংদগী মথংগী নুমিৎ মে ২১, ঈরাই নুমিত্তা ঈবুংশীজ কত্বান [কোটাৱাল (Kotowal: the chief of the city/town/urban police), টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ নত্রগা কোইরেং [মতুংদা জুন ৩০, ১৮৮৬ তা সেনাপতি অমসুং সেপ্তেম্বর ২৩, ১৮৯০ দা যুবারাজ ফমথোন কাখি]; মচাইবুংঙো ৱাংখৈরাকপা [সনখ্যা দিনচন্দ্র সিংহ]; মচাইবুংঙো চীঙলেনস্না/চুঙ্গোয়স্না, ফুঙ্গানাই শঙলাকপা; কাংঙবা থাঙ্গাল, জেনরেল; চোংথা নীলমনি সিংহ, অয়া-পুরেন মেঞ্জোর [অৱা-পুরেন মেঞ্জোর (Major in-charge of the Awa/Burmese/Myamma and Foreign countries affairs)] না লাঞ্জিংলেন অমসুং লঞ্জিংবশিং ওইদুনা অচৌবা লান্মী মপৈ সিফাই ১০০০ [ন:শ: নদি ১৫০০ হায়] পুদুনা নম্বোল তম্না লানহওবা নমথনবা লাকখি [চৈ:কু: ১৯৮৯, ৪৬৭ মসিদদি লান্মী মশীঙ পীদে]। কোনুংদগী অচৌবা লান্মী মপৈ অমা লাক্লে হায়বসি তাবদা সনখ্যা বরাচাওবগী লান পাংননবা অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং : - উৎলী; লাংপোক; খুমন; নম্বোল কোনখাম, নাওরেম; ওইনাম, কোন্থৌজমনচিংবদগী অফং-অফংবা অমসুং অরৈ-অরৈবা খুৎলাই পাইদুনা খুঞ্জা-নুপা ৬০০/৭০০ লোম থোমজিল্লক্তুনা মতম চানা থুংলখি। কোনুংগী লান্মী মপৈনা নম্বোল য়ৌরকপদা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মীনা হান্নগী লানথেংনফম য়াওরৌদা অমুকসু থত্তুনা লান্দারকপদগী মফমদুদা লানথেংনখি, অদুবু মীশীঙ য়াম্বদসু হেনখিবা অমসুং খুৎলাই ফবদসু হেনখিদুনা সনা কোনুংগী লান্মীনা লাকচরক্তুনা মথংগী নুমিৎ থাঙজ [মে ২২, ১৮৮৬] দা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মীনা নীঙহন্ননা লান হন্দোকখিদুনা নম্বোল- ওয়নামগী খুরাইলাকপা-পন্দা তেঙ্গোল শাদুনা অনৌবা লানওং অমা হোংদোক্তুনা য়েক্লবা লাম্বা পাননবা শেম-শাখি অদুবু খুরাইরাকপা পনগী লানফমসিদসু সনা কোনুংগী লান্মীনা নোংমৈ তোপ, বমদিয়ারনচিংবা য়াওখিবনা খুদোং নোংমৈ [Rifle] না লাম্বা পাদুনা লান

শোক্লবদা লানগী চৈথেং খাঙবা ৱাখি অমসুং লান্মী মশীঙদসু হেনমনখিবনা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মী য়াম্না লান্দুদা শিখি অদুগা লানহওদুগী লান্দু লানফমদুদা মায়থীরদুনা সনখ্যান্না মহাক্কী লাঞ্জিংলেনশিং অমসুং লাঞ্জিংবশিংগা তানদুনা মখোয় মীকোক ২০০ রোম লানফম থাদোক্তুনা মথংগী নুমিৎ নিংথৌকাবা, মে ২৩, ১৮৮৬, নুমিৎকী অহিংদা কছার য়ৌননা লাঞ্জেনখি [মথক্কীসিদা, ৪৬৭] অদুবু চেল্লিবদু থৱাই পুদুনা নত্তে, মঙোন্দা কাইহৌদুনা লানখিবা মীওইশিংদুগী ঈংনা, তপথনা অমসুং পুক্নীঙ লৈতনা লৈবা ঙমদনবগীদমক্তনি।

সনা বরাচাওবগী লানহওসিগী লানফাশিং :- সনখ্যা বরাচাওবনা হৌরিবা লানহওসিগী ৱাখল অমসুং মওং-মতৌগী মরমদা মথক্তা খর পঞ্জখ্রে, হৌজিকসু হেন্থনা পঞ্জরি, মদুদি - সনখ্যানা হওরিবা লানহওসি ঐহাক নিংথৌ ওইগে হায়দুনা হওবা লানহও নত্তে, মদুগীদমক্তা ওইরম্লবদি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা খাঙঙেললিঙৈ, মচাইবুংঙো সুরচন্দ্র সিংহদা কুমুদিনী অমসুং থাঙ্গালগী থৌশীল-থৌরাংনা নিংথৌ-ফম্বাল পীদ্রিঙৈদা থিন্থদনা খুদক্তা লানহও-লান্দাদুনা অমসুং মাগী মীশিংনা মৈদিংঙু পোলোইহিরিঙৈ, স্নাহকচাং তূমদ্রিঙৈদা কোনুং তম্না চঙশিল্লসি হায়বদু সনখ্যানা য়ারমগদবনি। লানহও অসি তশেংনমক "নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম" - হায়বদুনি।

সনখ্যা বরাচাওবগী লানহওসিগী লানশিংসি নম্বোল মনাক্কী য়াওরৌ অমসুং খুরাইরাকপা-পনগী মনাকতা শোক্লখি। হায়রিবা লানফম অনীসিনা মীদি য়াম্না শিখি অদুবু অহিংবা লানফা ওইনা স্না কোনুংগী মীনা ফাহৌরিবসিদি সুপ্নগী মী ১০ (তরা) খক্তনি অমসুং মখোয়দুগী মনুংদা শীঙথা য়াবা মীশকশিংনা - পুখ্রবা তংকো [মহাক খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২১ গী নোংয়ায়দা জেলদগী থাদোক্লগা যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগী ময়ুমদা যুবারাজগী মী ওইনা লৈরগা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ তাং ২৪ গী নোংঙাল্লমদায়দা বৃটিশ লান্মীনা যুবারাজ ফাননবা নোংমৈ কাপশিন্দুনা যুবারাজগী য়ুমদা/শঙ্গায়দা লান্দারকপদা যুবারাজগী শঙ্গায় কোন্থোঙদা চঙলক্লিবা সাহেব অমগী মমাঙদা মহাক্না চোংথোক্তুনা খুৎনা ফংনা য়ানরগা সাহেবতুগা শিমিন্নখি], চোংথা মিয়া সিংহ [মহাকসু পুখ্রনবা তংকোগা মান্ননা থাদোক্লগা যুবারাজগী মী ওইদুনা যুবারাজ

ফানবগী মথক্কী যুবারাজগী শঙ্গায়দা লান্দাবদু থেংনরগা হিংহৌদুনা, এঙ্গলো-মনিপুর ৱার, ১৮৯১ দা, খোংজোমদা লানবন শাদুনা বৃটিশ লান্মী চঙশিল্লকপা থিংনবা লৈরিবা তেঙ্গোলদুগী লাঞ্জিংলেন্নি অমসুং লানফমদুদসু শিখিদে, অদুনা মমৈদা বৃটিশনা ওইদ-পাদবা নমথাক্কী বিচার তৌরগা মনিপুরগী মপান্দা লোই থাবগুম লৈহল্লুরগা ত্রিপুরাদা হল্লক্তুনা শিখি। অমসুং ঈংঙুদুম্বা শ্যমমনিক - অহুমসিনি [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৬৮]। হায়রিবা লানহওসিদা য়াওবা মৈতৈ-নিংথৌ মচা অমসু অফাবশিংদুগী মনুংদা য়াওখি - হায়নসু হায়রি [ডা:চ:স: ১৯৭০, ১৫০]।

সনখ্যা বরাচাওবনা কছারদগী লান্দারকপা

সনখ্যা বরাচাওবা, মনাও ঈবুংঙো মেগজিং সিংহ, অতৈ নিংথেমচা ১৪, পাওনা ব্রজবাসিনচিংবা য়াওনা মী ২০০ রোম খুরাইরাকপা পনগী লানফমদগী নাম্থোক্তুনা মনিপুরদগী কছার তম্না লাঞ্জেনখিবসিদা মতমদুগী মনিপুরদা লৈবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট মেজর ট্রোটর [Major Troter (April, 1886 to July, 1887] না মখোয় বৃটিশকী হেডক্বাটর সিলেটতা অমসুং সিলচরগী সুপ্রিন্টেণ্ডেন্টতা টেলিগ্রাম তৌদুনা পাওঁ পীখ্রগা লানহওবশিংসিবু থিংননবা থৌরাং লৌখৎহনখি। মরম অসিনা কছার অমসুং সিলেটকী লোন্নবা লমখৈ ঙাকপা পুলিস [Frontier Police] কী অফিসার কম্মাণ্ডিং ডবলিয়ু:ডি:ডালি [W.D. Dali] না পোলিস সিফাই ২০০ গা লোয়ননা মনিপুরগী জিরিঘাট ফাওবা লাক্তুনা মনিপুরগী নিংথেমচাশিংসিনা কছারদা লানশিল্লকপা ঙমদনবা অমসুং মখোয়বু থিংননবা লাকখিরম্মী অমসুং লাঞ্জেল্লক্লিবা মৈতৈ নিংথেমচাশিংদুগা মখোয়বু থিংননবা লাক্লিবশিংদুগা কছারগী ফুল্লেরটোর [জিরিঘাটতগী কি:মি: ৮ লাপ্না লৈবা লৈগী লানবন] দা থেংনা-ওক্লদুনা খুৎ থোক্লবদা মনাও ঈবুংঙো মেগজিং সিংহবু লমখৎলম্বা পোলিস-সিফাইশিংনা ফাখি। অদুগা অতৈশিংদি নাম্থোক্তুনা কছাররোমদা চঙশিনখি। সনা মেগজিং সিংহবু মখোয়না পুখিদুনা সিলেট জেলদা মতম খর থম্লগা অমুক ঢাকা জেলদা পুদুনা থমখি [মথক্কীসিদা, ১৫০]। ফ্রোন্টিয়ার পুলিসকী মখুত্তগী অরোনবা লম্বীদা নাম্থোক্লক্লবা সনখ্যা বরাচাওবগী খুৎ অদুনা কছারদা মীরোৎ ওইনা লৈনা লৈনা থা মরি মখায়রোমগী মতমদা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা শেমগত্তুনা মখোয়গী পান্দমদুগীদমক্তা থৌরাং লোয়খি।

সনখ্যা বরাচাওবগী কছারদগী মী খোমদুনা শেমগৎলবা লাম্মী মপৈসিনা মনিপুরদা লান্দানবগীদমক্তা খৃ: ১৮৮৬ কী ওক্তোবর ১, ঈরাই নুমিত্তগী খোঙহওরক্তুনা লাকখি অমসুং মখোয়না মনিপুরদা চঙশিল্লকপগী পাউসি মৈত্রবাক্তা ফংলদুনা কোনুংদগী তোপ মঙারক কাপ্তুনা লৈপাক মীয়ামদা লান্দারকপগী ঈ পাউ পীখি অমসুং কোনুংদগী ঈরুংবা মেঞ্জোর অমসুং শঙখুবা পোইলা অনিসিগী মখাদা লাম্মী মতীক চানা পীদুনা খোঙচৎ-খোঙথাং, লান্দানচিংবা য়েংননবা অমসুং লাল্লুমদুনা মখোয়গী মথক্তা লান্দাদুনা থিংননবা থারকখি। অদুবু সনখ্যা বরাচাওবগী কে-কু ফোং-ফোংগী মওং ওইবা লানওং-লানখুৎ অসিবু থিংবা ঙমখিদে। চঙলক্লিবা সনখ্যাগী লান্দাবগী লানথোঙ-লাঞ্জঙগী লানওংদি - অহানবদা লান লাক্লে - লান্দারক্লে হায়বা তাহল্লগা মনিপুরগী ময়ায় ইম্ফাল কংলৈদগী থাপ্পা লৈবা মফম/লম অমদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরগা মফমদুগী মনাক্তা পোক্লাউবী লানগী লানফম অমা লিংখত্তুনা মী খর শক উৎলল্লগা পোক্লাউবী লান শান্নরিঙৈদা অপুনবা লাম্মীগী মরু ওইবা অমসুং অয়াম্বা শরুক্লা লোন্না নাথৈ-লমথৈদুনা নাকোয়ননা কোনুং তমনা লাক্তুনা অমুক লাম্মীদুনা শমজী খায়রগা স্না কোনুংগী মনাক নকপা অখন্নবা মফম অমদা লানবন শেমদুনা শমজী খায়খিবা লাম্মী লুপ অমনা তেঙ্গোল শারুবা য়াননবা লৈহৌরিবা লাম্মী-লুপ অমদুনা স্না কোনুং নকপা মফম অমদা ঈরাং তৌদুনা অমদুনা তেঙ্গোল শারিঙৈ ফাওবা কোনুংগী লাম্মীশিংবু নাকল অমরোমদা পুথোক্তুনা থল্লগা মতম য়ৌরক্লবা তাঞ্জাদা লাম্মী লুপ অহুম্মক্তু স্না কোনুং নক্লা লানবন শেমদুনা তেঙ্গোল শাবিবা মফমদুদা উনা-তীন্নদুনা পুন্না সনা কোনুংদা ফুজিন্দুনা কোনুং পায়বা - হায়বা লানওংসিনি।

য়ৌয়াঙতেক্কী লানফম শীন্নখিবা লানওংসিগী মতুং ইন্না অফোংবা, শকউৎপগী লানথোঙ অসিদা সনখ্যা বরাচাওবনা লাঞ্জিংদুনা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্ব [রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃ: ১৮২৫-৩৪)] গী সনাহাক্তক্তা নৌনা শেমখিবা সিলচর-ইম্ফাল লম্বী নত্রগা অনৌবা কছার লম্বীগী সিলচর রোমদগী লাকপদা/থোক্লকপদা লম্যাঙ্দোং/বিষ্ণুপুর [Bishenpur] য়ৌদ্রিঙৈদা লৈবা লম য়ৌয়াঙতেক/ য়োংয়াঙতেক হায়বা মফমদুদা লানফম ওইবা য়াননবা মফমদুগী মনীঙলোমদা/নোংচুপ লোমদা কি:মি: ১/২ রোম হন্দোক্লগা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখিরম্মী অমসুং হায়রিবা তেঙ্গোল মফমসিদদি লাল্লম-লাম্হোঙ অহুম্মক পুল্লি অমদি মাগী মাগী লাল্লম-লাম্হোঙ শীন্দোক-খায়দোক্লবগী মতুং ইন্না

য়ৌয়াঙতেক্তা লান থেংনরিঙৈদা লাঞ্জেনখিবা শাদুনা লোন্না নাথৈদুনা মাঙখিগদবা লান্মী- লুপলেনগী লাঞ্জিংলেনশিং অমসুং লাঞ্জিংবশিং পাওনা ব্রজবাসি অমদি নর সিংহ মহারাজগী মচা-মশু মৈতৈ নিংথেমচা খরনা স্না কোনুংগী লান্মীগী ঈরুংবা মেঞ্জোরনা পুবা লান্মীসিগা খৃ: ১৮৮৬ সিগী ওক্তোবর ৪, নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ৌয়াঙতেক্তা খুৎ থোক্লদুনা নোংমৈ কাপ্লরিঙৈ [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৬৯] সিদা মফমদুদগী তৌবুল - খোইজুমাল্লোমদা লোন্না নাথৈ-নাকোয়ননা হাইগৎলকখি। মখোয়না কৈনৌ, ওয়নাম ফাওরগা নম্বোল তারক্লগা কোন্থৌজম-লানশোনবী তারক্খি অমসুং মফমসিদগী পাওনা ব্রজবাসিনা পুবা/লাঞ্জিংবা লান্মী-লুপ্পা চীঙখৈ পাংনা শমজী খায়দুনা হাইগৎখি অমসুং মৈদিংঙু নরসিংগী মচা-মশুশিংনা পুরা লান্মী লুপনা নোংপোক পাংনা কাখত্তুনা চৎখিরম্মী।

য়ৌয়াঙতেক্তা ঈরুংবা মেঞ্জোর অমসুং শঙখুবা পোইলা অনিনা পুবা লান্মীনা সুনখ্যা বরাচাওবগী মায়য়োক য়াবদা ৱানা থোক্লদুনা শগোল-পাউ স্নাকোনুংদা থাখিদুনা লান্মী থোমজিনবীরক্লবা লানবাউ চেল্লকখি। স্না কোনুংনসু থীন্থবা তৌদনা কত্থান ওইরম্বা কোইরেং/টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু সেনাপতি [Chief of Army Staff] ফম থিন্দোক্লগা মনাও ইবুংঙোসিনা লাঞ্জিংলেন ওইদুনা, মনাও ঈবুংঙো কেশোরজিৎ সিংহ, শামুহুঞ্জবা; মচা ঈবুংঙো দিনচন্দ্র, ৱাংখৈরাকপা; চোংথা নীলমনি সিংহ অয়া-পুরেন মেঞ্জোর অমসুং চোংথা হাজারী [Literally commander of 1000 sepoys] না লাঞ্জিংবশিং ওইনা বম-তোপ লোইনবা অচৌবা লান্মী-মপৈ অমা পুদুনা লম্মাংদোং লাল্লমদা লাক্তুনা খৃ: ১৮৮৬ কী ওক্তোবর ৫ দা থোংজাওরোক তুরেন মপান্দা লানহন্দোক্তুনা লৈরিবা ঈরুংবা মেঞ্জোরগী লান্মীগা তীন্নখি। লানহওবা লান্মীগী লাঞ্জিংলেন সনখ্যা বরাচাওবনা কোনুংদগী অচৌবা লান্মী থুংলদুনা খোঙমী-লান্মীগী মশীং য়াম্না হেনগৎলবা নিংথৌ কনবগী লান্মীসিগা মরৌ তৌদুনা লান ঙাইহাক য়ৌয়াঙতেক্কী হান্নগী লানফম মফমদুদা কোনুংগী লান্মীনা থুংলবা নুমিত্তুদা লান্থেংনখি। অদুগা নুমিদাং অমসুং অহিংগী মল্লি-মল্লিবগী মতেং লৌদুনা তেঙ্গোল-লানশঙ থাদোক্তুনা মফম খঙদনা চীকমাঙনখি। য়ৌয়াঙতেক্তা শোক্লখিবা নুমিৎ তারমদায়গী লান্দুদা কোনুংগী লান্মীনা লানহওবশিংগী লান্মী ৩০ খক ফাখি [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৬৯]। অদুগা চীকমাঙনখিবা লানহওবশিং অমসুং মখোয়গী মতুং ইনবশিংদু মথৱাই পুদুনা

লানফম অমসুং লানশঙ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে হায়না খন্দুনা স্না কোনুং লোমদা হল্লকখি। লান চৎখিবা লান্মীনা লানঙম ফিরাল পুদুনা লম্মাঙদোংদগী হাইগৎলক্তুনা কোনুংদা থুংলরবদা লান চৎলুবশিংদু ময়ুম ময়ুমদা চঙদুনা/ হন্দুনা পোত্থানরগা সনা কোনুংদা ওক্তোবর ৭, ১৮৮৬, শগোলশেল নুমিত্তা লান্দুদা ৱাখিবা, লান-য়াওখিবশিংগী মফমদা মনা-মথুম য়েন্থোক্তুনা লানহওসিগী লান লোয়রে হায়না খন্দুনা হরাও-কুম্মৈনচিংবা তৌদুনা হরাও-তয়ান্নখি [মথক্কীসিদা, ৪৬৯]।

ঈরোইশেনবগী ওক্তোবর ১০, ১৮৮৬ কী লান :- ঈরোইশেনবা খুঙ্গং অমসুং ঈরোই-শেনবা চীঙজীনগী খা ঈথং থংনা লৈরিবা অতেনবা চীঙশাং/চীঙগী পরেং, ইম্ফাল কংলৈগী মথম্মোইদগী কি:মি: ৬ লাপ্না লৈবা অমসুং ঈরোইশেনবা চীঙগী মখা ঈথং থংবা চীঙদোন্দু মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী উত্রা শঙলেনগী মাঙ্গোলগী ময়ায়মক্তদগী লাকখোং, হোগায়বী থোঙ, চীরাই থোঙ অমসুং নোংচুপ/স্নথোঙ ফাওনা চৎখ্রগা চুমদ্রিং চুন্বা লৈয়ি অমগী পরেংদা লৈবা, অদুগা মৈতৈ নিংথৌ সুরচন্দ্র সিংহ [খৃ: ১৮৮৬-৯০] গী সনাহাক্তক্তা মনিপুর তম্পাক্কী লমদমসিবু লৱাই [Rural area], ইম্ফাল [Urban/Town area] খায়বা:-

... ৱাইখোং [ৱাইখোম] খোংনাংদা নুঙ য়ুংদুনা মথক্লা ইম্ফাল; মখানা লৱাই; অদুদগী বাশিখোংবা, অদুদগী পোরোক-শৌবী, অদুদগী মীরেপ পুঙ, অদুদগী কোংবা লাইফম, অদুদগী খোম্বিতোক, অদুদগী মন্ত্রীখোংগী ৱাংমা চুন্ব্রেখোং মখৈ, অদুদগী ইরোইশেন্বা চীঙজীন, অদুদগী মোইরাং হনুবা, অদুদগী লাংথাবান খুন্দোন, অদুদগী ৱাইখোম খোংনাং তাই [মথক্কীসিদা, ৪৭৮]।

অসিদা ঈরোই শেনবা ইম্ফালগী নোংচুপকী ঙমখৈ ওইরিবা মফম-লমদম অমনি। হায়রিবা ঈরোইশেনবা/ইরোইশেন্বগী চীঙদোন অসিদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র/চীঙথংখোম্বা [(খৃ: ১৭৫৯-৬২ ১সুং (১৭৬৩-৯৮)] না অহানবা পানবা মতম অসিদা অৱানা লান্দারকপদা উকল অমসুং নাখল ওইননবা মৈতৈ লান্মীশিংনা লৈপাক লৈরং তাখত্তুনা লানবন খর মৈতৈ লৈবাক্কী মফম খরদা শাখিবা [খুদম ওইনা শঙাইথেন (চক্রবেহ্) লানবন, অসিনি] শিংগী মনুংদা শঙাইথেল-লানবনসি শাদ্রিঙৈগী মমাঙদা শাখিবা লৈরং লানবন [Mud

Fort] অমা লৈরম্মী। হায়রিবা লানবনসি চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা শারম্বা লানবননিসু হায়নৈ। হায়রিবা ঈরোইশেনবগী লানবন অসি খৃ: ১৮৩০ গী মতুংগী মিৎয়েংদদি মদুগী লানবন ওইনবা খাজিল্লি-খাগৎলিবা পল-পল্লী, চঙফম-থোকফম ওইনা চৎননবগী লমজঙ- লমথোকফম শেম্বা-শাবা, লোৎফম-থৈফম অমসুং শাথুপফম-লুমফম্নচিংবগী মফম-লম মওং চাদবা, লানঙাক-লানকনগী ফিবম তাউবা, খুৎলাই কাপথোক্লকফম-হুনথোক্লকফম মখুন-থোঙশিংগী ফিবম- ফিরেপ, হুৎফম- পানফম চাদবা/চুমদবা, অসিনচিংবসিনা লানবন অসিনা লানবন অমা ওইবগী মশাগী মহৌশাগী লৈজফম থোকপা-মতীক- ময়াই, মঙম-মপাঙ্গল, মশক- মতৌনচিংবদুগী থাক য়াম্না হন্থহল্লি অমসুং হায়রিবা লানবন কৌরিবা অদু অথাবা/থাতক তৌবা লৈপাক লৈরংগী লৈপন অমখক্তংনা খাদুনা-খন্দুনা থল্লিবা লানঙাক লানকনগী পল অমখক ওইহনবগী ৱাফমদনি। অদুগা লানবনসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীঙগী লমদমদুনা পীরিবা লম অমগী মচত্তুনা লানবন ওইনা তৌহন্দবা, অরেম্বদা উমং-ৱামংশিংনা কোয়শিন্দুনা ঈহো হোরবা-ঈচা চারবা উমংগী মফম অমা ওইহল্লি [N.I.S. 1976, 139] । অদুবু খৃ: ১৮৩৩ গী বৃটিশ অমসুং মনিপুরীশিংগী লল্লোন-ঈতীক্কী য়ান-চে অদুগী য়ানখিবা ৱারোলগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু নরসিংহনা যুবারাজ ওইনা লৈঙাক-লৈকনবা [Regent] ওইরিঙৈগী মতম [খৃ: ১৮৩৪-৪৪] দা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনা মখোয় অৱাং-নোংপোক্কী লমখৈ ৱাংমদা নক্লা লৈরিবা লৈপাকশিং [Frontier States] অমসুং মদুগা শম্নবা লমদমশিংগা লল্লোন-ঈতীক তৌনবগী মখোয়গী লল্লোনপোৎকী পোৎপৈ-পোথমফম [Commercial Depot] অমা ওইনা থম্বগী ৱাফম পুখৎলকপদা মনিপুর গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীদুনা ঈরোইশেনবগী লানবনসি মখোয়গী মখাদা লৈখি। বৃটিশশিংনা মফমদু নীঙথিনা শেমজিন-শাজিল্লগা মখোয়গী লাম্মী তেঙ্গোল [Platoon] অমনা নীঙথিনা ঙাক-শেন্দুনা থম্লকখি। অসুম্না লৈরম্বসিদগী খৃ: ১৮৭২-৭৩ দা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী অওনবা মওংগী থৌশীল লৌখৎলক্তুনা মখোয় লল্লোন-পোৎ পোৎপৈ-পোথমফমসি অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকপগী থৌরাং লাক্লবদা মতমদুগী লল্লোন-ঈতীক্কী থৌদাং পুবা ডিপার্টমেন্টকী অফিসার অহুমখক [অমদি Mr. Iliet ওইগনি] লাক্লগা মহারাজ

চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদা মখোয়গী মখা পোনবা নিংথৌগী ৱাখল্লোন্দা নমহায়-লাকহায় তৌদুনা মনিপুরগী লম থিবোমৈ/ কোহিমা [Present capital town of Nagaland] দা মখোয়গী "কম্মর্সিয়েল ডিপোট" অমা হাঙননবা লম পীগদবনি - হায়না হায়বগুম তৌরবদা মহারাজনা লমচৎ-শাজত্তুদা পাউখুম পীরমদনা তুমিন্না হৌগত্তুনা কোনুং মনুংদা চঙ্খিবদগী সাহেব-মচাশিংদু চোপ্পা নঙদুনা নুমিত্তুমগীদি কোনুং থাদোক্তুনা চৎখ্রে। অদুবু চোপ্পদুনা ঈকাইবা খঙবা বৃটিশ মচা নত্তবনিনা মখোয়না ৱাফমসি মতমদুগী ভারতবর্ষগী গভর্নর- জেনরেল, য়ুনাইটেড কিংদমগী মহারানীগী ভাইসরোই লোর্ড নোর্থব্রুক [Lord Northbrook (1872-76 A.D.)] তা ৱাকত্তুনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌরগা পোত্থম-পোৎপৈফম ফংননবা তক্ল-তান্নরকপদগী গভর্নর জেনরেল চানবীরদুনা মহাক্লা অসাম-বেঙ্গোলদা লাকপগী খোঙচত্তা মৈদিংঙু চন্দ্রকীত্ত্রি সিংহবু অসামগী কছার ডিষ্ট্রিক্ট/জিলাগী কোনুং সিলচরদা খৃ: ১৮৭৪ গী আগষ্টকী অহানবা থাখায়দা উন্নসি, লেঙবীরকউ, হায়না বার্ত্তন তৌরক্তুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা জিলা দরবার লেঙখি। সিলচরদা গভর্নর জেনরেলগী মৈ-হি [Yatch] মনুংদা মনীঙ মখা তম্নবা লৈপাক অনিগী লৈঙাক-মকোকশিংগী থাক্তা অমগা অমগা খুদোল পীনরগা ৱাখল লৌশীং তানা ৱারী-ৱাতায় শান্নরগা কোহিমাদা বৃটিশকী কম্মর্সিয়েল ডিপোট অমা অমসুং মদুগী ঙাক শেন্নবা লান্মী পল্টন অমগগী লৈবা চনবা লম পীবীনবা ভারতকী গভর্নর-জেনরেলনা মনিপুরগী নিংথৌদা নীজরবদা মৈদিংঙুনা লম অদুগী মমল নত্রগা আশানমন লৌবীদনা লেম্না পীবীরবদা মফমদুদা মখোয়গী পোত্থম- পোৎপৈফম শাগৎখি। হায়রিবা কোহিমাগী কম্মর্সিয়েল ডিপোট অদুনা শাবা লোয়বদা মনিপুরগী ঈরোইশেনবদা লৈরিবা বৃটিশকী কম্মর্সিয়েল ডিপোট অসিদা লৈরম্বা লল্লোনপোৎ অমসুং সিফাই পুন্নমক কোহিমাদা খৃ: ১৮৭৪ দগী হোংখি। হায়জরিবা মতম খৃ: ১৮৭৪ সিদগী ঈরোইশেনবগী লানবনসি মপু পান্দনা লৈরকখি।

মথক্তা পীজখিবা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মী-মপৈ অচৌবদগী খায়দুনা অৱাংলোমদা তৌবুল-খোইজুমান লান্দুনা চৎখ্রগা অমুক কোম্নৌজম-লানশোনবীদা তেঙ্গোল অমুক শমজী খায়নখিবা পাওনা ব্রজবাসিনা লাঞ্জিংলেন ওইবা লান্মী-লুপ অমসুং মৈতৈ-নিংথেম মচাশিংনা লাঞ্জিংবা লান্মী লুপ, অনি

অসি মখোয়না হায়নখিবা য়ৌগদবা পন্থুংফমদু তাননা লাক্লখি। মৈতৈ-নিংথেমচাশিংনা লাঞ্জিংলিবা লান্মী তেঙ্গোল অসিসু সনখ্যা বরাচাওবনা য়ৌয়াঙতেক্তা মৈতৈ স্নাকোনুংগী লান্মীশিংবু লমফৈদা পুদুনা থম্লনবা অমসুং মখোয়গী লানবন-তেঙ্গোলনচিংবা শাবদা য়েত্তনা-থত্তনা থুনা-য়াঙনা শাহন্নবা অমদি মদু শাবা লোয়দ্রিবা ফাওবদি স্নাকোনুংগী লান্মীশিংবু ফাদুনা মতম মাঙহন্নবা তৌবা অদুগুম তৌননবনি। মখোয় সনখ্যা বরাচাওবগী সনখ্যা মশামক্লা লাঞ্জিংলেন ওইবা লান্মী তেঙ্গোল অমসুং মৈতৈ-নিংথেমমচাশিংনা লাঞ্জিংবা লান্মী তেঙ্গোল, লান্মী-লুপ অনিমকসি পাওনা ব্রজবাসিনা লাঞ্জিংলেন ওইরিবা লান্মী-লুপ অদুনা মথৌ-মঙম পাংথোক্লে হায়বা পাউ হেক লাকপগা পুল্লপ অহুম্মক পুল্লগদৌরিবনি। মরম অসিনা পাওনা ব্রজবাসিনা পুরিবা তেঙ্গোল অদুনা ঈরোইশেনবা খুন অমসুং মসিগী চীঙসি তম্না লাকখি অমসুং মৈতৈ নিংথেমমচাশিংনা লুচিংবা তেঙ্গোলদুনা লাংজিং ফাওরগা মোইরাং হনুবা খুন তান্না লাক্লগা মফমদুদা তেঙ্গোল শাদুনা [ডা:চ:স:, ১৯৭০, ১৫০] লৈরগা মনা-মনীল নাইহন্দনা শমজী খায়খ্রিবা পাওনা ব্রজবাসিগী তেঙ্গোলগী ঈ-পাউ লাকপা ঙাইখিরম্মী।

পাওনা ব্রজবাসিনা লাঞ্জিংবা লান্মী-তেঙ্গোল অসিনা লানশোনবীদগী ফৈনা লমশাং তমনা কারক্লগা লমদেং খুল্লক ফাওরগা লুৱাংলী/লুৱাংয়ী [লৈমখোং] তুরেন মচা লানথোক্লগা ঈরোইশেনবা চীঙ [লাঙ্গোল চীঙগী চীঙশাংগী শরুক অমা] গী মনীঙ/নোংচুপলোম থংবা চীঙখোঙদগী কাখৎলক্তুনা মথক্তা পঞ্জখিবা মমাঙদা বৃটিশকী কম্মর্সিয়েল ডিপোট ঙাক-শেন্নবা লৈরম্বা বৃটিশ লান্মীনা নীঙথিনা মওং-তানা শেম-শাদুনা থম্লবদগী চহি ১২ রোম মপুং পান্দনা লৈরবা লানবন মফম অদুদা কাখৎলকখি। মখোয় মফমদুদা ওক্তোবর ৬, ১৮৮৬ কী অয়ুক্তা থুংলখি, মরমদি মখোয় তাং ৫ গী নোংথিলদগী খোঙহওরক্লগা অহিং পোত্থাদনা লেপ্তুনা লাকখিবনি। মখোয়না মফমদুদা হেক থুংবগা লান্মী খরনা চান-থক্লবগী থৌরাং লাংখ্রগা অতৈদি মফম অদু লানবন অমা ওইহন্নবা শেম-শানবা য়েংশিনবা হৌখ্রে। মফমদুগী ফিবম পুম্নমক্তু য়েংলগা শেম-শাবা য়াগদবা, মেনবা-ফোৎপা য়াগদবা, লৈতৌ-লৈরং তাগদবা, লৈপাক লৈপন থোনগদবনচিংবা পুম্নমক্তু খন্ন- নৈনখ্রে। অসুম্না চাক-ঈশিং চার-থক্লবা মতুংদা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অসুম্না লোন্না শুরকপা মৈতৈ কোনুংলোমদনা মনা-মথুম য়েন্দুনা হরাও-তয়াম্লিঙৈ অমসুং মৈতৈ-

লান্মী-লাল্লোয়, লাঞ্জিংবা অমদি লান্থোয়াঙ অকন-অথৌশিংনা অৱাবা পোপথোক্লদুনা পোথানরিঙৈগী মতম অদুদা ব্রজবাসি পাওনা মৈথৌ হাপ্তুনা মহাক্কী লান্মীশিংনা অহিং-নোংথিল লেপ্তুনা নুমিৎ নিনি-হুমনি লৈপাক্কী থবক শূদুনা লৈপাক-লৈরং লানবন শারকপদু ঈরাই নুমিৎ, ওক্তোবর ৮ দা লোয়দুনা মখোয়গী চায়থোক্তুনা লান্থেরিবা লান্মী তেঙ্গোল অনিদা পাউ থাখ্রে। অমসুং হায়রিবা পাউশিংদু নুমিত্তুমক্তদা য়ৌখ্রে।

সনখ্যা বরাচাওবা মশানা লাঞ্জিংবা লান্মী তেঙ্গোল য়ৌয়াঙতেক্তা মাঙখ্রগা তৌবুল-খোইজুমান হাইগৎলক্লগা অনকপা চীঙলক্তা লান্থুপ্লুবা লান্মীদু লোইয়া-তময়দা মদুনা লাক্লগা লমশাং-লমদেং তারক্তুনা ঈরোইশেনবা চীঙদা কারক্লে। মতমদুদা মোইরাং হনুবদা লাল্লুমদুনা লান্থেরিবা মৈদিংঙু নৱসিংহ মচা-মশু মৈতৈ-নিংথৌমচা, নিংথেমচাশিং ৭/৮ না লাঞ্জিংবা লান্মী-তেঙ্গোলদি নম্বুল তুরেন লাল্লগা ঈরোইশেনবদা লৈরবগুম্বনিনা হান্ননা থুংদুনা লৈরম্লে। অসুম্না মখোয়গী তেঙ্গোল অহুমগী অপুনবা লান্মী মশীঙ ১০০০ রোমসি তাং ৯, থাঙজা নুমিৎকী অহিংদুদদি পুন্না উন্নদুনা চঙগদবা লাঞ্জঙগী, পুগদবা লান্থোঙগী, লানয়েং চাগদবা লাল্লমগী, অসিনচিংবা খন্ন-লেপ্পদুনা লৈখি। লাঞ্জেনখ্রে হায়না হৱাউ-কুম্মৈ ফাওবা তৌখ্রবা অমসুং মনা-মথুমশিং লানফমদা ৱাখিবশিংগী মফমদা য়েন্থোকপগী থৌরম ফাওবসু পাংথোকখ্রগা লান্দারকপা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মীনা কোনুং ঈনক নক্লা ঈরোইশেনবদা-তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে হায়বা পাউসি স্নাকোনুংদা ওক্তোবর ১০, নোংমাইচীঙ নুমিৎকী অয়ুক্তা য়ৌরক্লবদা লান্দারকপগী তোপ কাপ্তুনা লৈপাক প্রজাদা অমসুং ময়ুমদা পোথাদুনা লৈরিবা লান্মী-লাল্লোয়গী মীওইশিংদা মশানা খঙনা কোনুংগী তোপ-গারোডতা মশা য়ৌরক্লবা, লান লৈরে হায়বা খঙহল্লনবা নোংমৈ মখোলগী লানবাউ পীখি। হায়রিবা লানবাউসি ফংনবগা লান্মী পুন্নমক অমসুং লান্মী-অফিসার পুন্নমক চেনখৎনরক্তুনা তোপ গারোডতা তীল্লরে।

সনখ্যা বরাচাওবগী পাওনা ব্রজবাসিনা শারিবা চক্রবিহ্ লানবনগুল্লবা লানবন্দা লৈবা তেঙ্গোলগী লানসি অচম্বা লানফমগী লান ওইরোয় নীঙনদুনা য়ৌয়াঙতেক লানফমদা লান য়াওরুবগী মনা-মথুম ফংখিবা অঙম-অথৌ, অকন-অরিং অয়াম্বা, মমিং পঞ্জরবদা কোইরেং/টেকেন্দ্রজিৎ, সেনাপতি; ৱাংখৈরাকপা দিনচন্দ্র; কাংঙবা থাঙ্গাল, জেনরেল; মাইস্না শামু সিংহ,

মেঞ্জোর/কর্নেল [Colonel]; চোংথা নীলমনি সিংহ, অয়া পুরেন মেঞ্জোর; ঈরুংবা মেঞ্জোর; ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা; কোঞ্জেংবা, শাজোর; থিঙ্গুজাম্বা সুবেদার, মাইস্না, সুবেদার; অসিনচিংবগী মনুংদা কোইরেং, সেনাপতি/লাঞ্জিং-পুরেন্না লানচৎসিগী লাঞ্জিংলেন ওইরগা, কাংঙবা থাঙ্গাল, জেনরেলনা লাঞ্জিংলেন মথং ওইদুনা মৈতৈ-লান্মীগী সিফাই ১৫০০ রোম পুদুনা লাঞ্জঙলকখি। অসুন্না হায়রিবা লান্মী অনিসিনা খুৎ থোক্লবসি ওক্তোবর থাসিগী তাং ১০, নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখি অদুবু মায়কৈ অনিক্লা পাক হেক হাইজিন্নবা য়াদদুনা মুক্লদুনা লৈনখি। অদুবু মরৈবাক-ময়ুম/মথোঙ হায়বসিনা লাকচরকখি। অসুন্না নুমিৎ হুম্নি শোক্লরক্লবদা অকনবা থাঙ্গালদু পাওনাগী লাম্থোঙদদি চঙবা ঙমখিদে অদুবু মীশীঙদা হেনখিবা নোংমৈ তোপ ৪-৫ য়াওখিবা অসিনা মরম ওইদুনা সনখ্যা বরাচাওবগী লান্মী মশীঙ অসুম অসুম হন্থরকখি অমসুং অসিগুম্বা ফিবম অসিদা লান মায় পাক্নি হায়বা ৱাখলগী মঙাল উদ্রবা পাওনা ব্রজবাসিনা সনখ্যা বরাচাওববু তুংগী লান্দাদা লানহওনবগী অমুক য়েংদুনা লানবন অমসুং তেঙ্গোল থাদোক্লুনা নোংচুপগী চীঙশাং পরেংশিং লান্দুনা চেনখিনবা হায়জখি। অদুবু সনখ্যা বরাচাওবনা ৱাফমদু য়াবা তৌদনা লান অদু লোয়শিন্নবগীদমক্তা হোৎনবদা মহাক মশাবু য়েক্লবনা ফাহনখি। অসুন্না লানগী লাঞ্জিংলেন ফাখিদুনসু ঈরোইশেনবগী লানফমসিগী লান ঙাইহাক চথনখি। অদুম্মক ওইদুনসু মৈতৈ স্নাকোনুংগী লান্মীশিংনা য়েক্লবা লান্মীবু হাৎপা-ফাবা কয়া তৌদুনা লানফমদুগী লানগী ঈরাংদু ওক্তোবর ১৪ দদি মপুঙ ফানা নমথখি। ঈরোইশেনবগী লানফমদা স্না কোনুংগী লান্মীনা লাকশিনবা, নমথবা অমসুং মায়পাকপা ঙমখিবসি খুৎলাই ফবা হেনখিবা ঙাক্তগী অমসুং লান্মী মশীঙ হেনমনখিবা ঙাক্তগী নত্তে পুক্লীঙ-থম্মোইগী লীচিংদা হেনখিবদগীসুনি। ঈরোইশেনবগী লানফমসিদা লান ঙমদুনা ফাখি-পুনখিবা অমসুং লোকখি-ফংখিবগী ৱারোলদি :-

... নাওরিয়া পুক্সিগী কুম শক ১৮০৮ ... মেরা... ১৩ নি লংমাইজীঙদা [ওক্তোবর ১০, ১৮৮৬] ইরোইশেন্নবদা কাপ্নবদা ঙমদুনা ফানবা লান্দি - সনা বরাচাওববু খুৎহৈবা কৈরুংব [খুৎলেম শাজৌ কৈরুংবা] না ফাএ। শুপ্না নিংথেমচা ৯, বামোন ৫, মৈতৈ ১১৩, নোংমৈ ৩৩ লোকএ [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৭০]।

অসিনি। অদুগা লানফা ওইদুনা মৈতৈ কুচু-চৈরাপ্পা ৱায়েল্লগা চৈরাক পীখিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা মমিং লৈবা খরদি :- (১) সনখ্যা বরাচাওবা, (২), (৩), (৪), (৫) সনখ্যা বরাচাওবগা লোয়ননা হাজারিবাগ জেলদা থম্লবা সাহেবতা শীন্নখিবা নিংথেমচা মরি, (৬) নিংথেমচা স্নাতোম্বী, (৭) ঈবুংশীজ কবুই ঙম্বগী মচা [নিংথেমচা], (৮) ঈবুংশীজ মন্ত্রী হনুবগী মচা [নিংথেমচা], (৯) ৱাংখৈরাকপা [নিংথেমচা ময়ুমনি] পোইলা, (১০), (১১), (১২), (১৩), (১৪) বামোন মঙা [মথক্কীসিদা, ৪৭০], মৈতৈমচা ১১৩ অমসুং (১২৮) পাওনা ব্রজবাসি [মহাক্কী সুবেদার ফম লৌথোকখি অমসুং জেলদা থমখি] অসিশিংসিনি।

সনখ্যা বরাচাওবনা খৃ: ১৮৮৬ কী ওক্তোবর থাদা কছারদগী লান্দারক্তুনা মৈতৈ লান্মীগা চহিসিগী থাসিগী ৪ দগী শোক্লখিবা য়ৌয়াঙতেক্কী লানফম মায় পাকপগীদমক্তা থাসিগী তাং ৭ তা মনা-মথুম পীখিবা-ফংখিবা মীওইশিংদি :-

মশীঙ	মমিং	ফমথোন	পীখিবা ফংখিবা মনা-মথুম
১)	মনাও ইবুংঙো (কুলচন্দ্র)	যুবারাজ	লাইখুন (খুন অমগী মমিংনি) পীখি।
২)	মনাও ইবুংঙো (কোইরেং)	সেনাপতি	ঙারিখুন (খুন অমগী মমিংনি) পীখি।
৩)	মনাও ইবুংঙো (কেশোরজিৎ)	শামুহঞ্জবা	ফুন্দ্রেখুন (খুন অমগী মমিংনি) পীখি।
৪)	মচা ইবুংঙো (দিনচন্দ্র)	ৱাংখৈরাকপা	লৌ পরি মরি পীখি।
৫)	কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহ	জেনরেল	লৌ পরি মরি পীখি।
৬)	মাইস্না শামু সিংহ	কর্নেল (মেঞ্জোর)	লৌ পরি অহুমগা ফিরাল ৯ পীখি।
৭)	চোংথা নীলমনি সিংহ	(অয়াপুরেন) মেঞ্জোর	নিংথৌফি শাইজোনগা ফিরাল ৭ পীখি।
৮)	ঈরুংবা (পাবুং (P. 429)]	মেঞ্জোর	নিংথৌফি শাইজোনগা ফিরাল ৭ পীখি।
৯)	ৱাংখৈ মৈরাবা	পোইলা	নিংথৌফি শাইজোনগা ফিরাল ৫ পীখি।
১০)	কোঞ্জেংবা	শাজোর	নিংথৌফি তাজীন
১১)	থিঙ্গুজাম্বা	সুবেদার	” ”
১২)	মাইস্না	”	” ”গা ফিরাল (নামা) পীখি।
১৩)	অশাংবা	”	” ”
১৪)	অকোইজাম্বা	”	খুমেনচপ্পা পুরিৎ, ফিরাল (নামা)
১৫)	লাইফ্রাকপা	”	নিংথৌফি তাজিন

১৬) হাওবম (অঙাংহন)	সুবেদাব	নিংথৌখি তাজীন ফিরান (নামা)
১৭) হৈক্রুজাম্বা	”	” ” ” ”
১৮) হাওবম	”	” ” ” ”
১৯) লাইতোন	”	” ” ” ”
২০) মাইস্নাম	জমান্দার	” ” ” ”
২১) ৱারেপপা	কুট/জমান্দার	” ” ” ”

অতৈদি মতীক য়েংনা ফিরাল পীবা, স্না লখাম পীবা তৌখি, লুপা লৈখাম পীএ। [মথক্কীসিদা, ৪৬৯]

অসিনি। মথক্কী মনা-মথুম ফংলিবা মীশকশিংসি মৈতৈ-লান্মীগী তুলি [Battalion] ৮ [নিপান] লৈরিবদুগী পোইলা ময়াম অমসুং মনুং পোইলা [Kings own officers] ২০ (কুন) লৈরিবশিংদুগী মনুংদা শা-লান্দা নত্রগা সনখ্যা বরাচাওবগী লানহও অমসুং কছারদগী লান্দারকপা, ১৮৮৬ অসিদা মনা-মথুম ফংখ্রিবা পোইলা [Captain] সি ৱাংখৈ মৈরাবা মথন্তনি। মরম অসিনা মথক্কী লানহও অমসুং লান্দা, ১৮৮৬ অসিগী লানশিং অমসুং লানফমশিং- য়াওরৌ, খুরাইরাকপা - পন, য়ৌয়াঙতেক, মোইরাং হনুবা অমসুং ঈরোইশেনবা -হায়রিবশিংসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা ওইনা লান য়াওখি। মথক্কী মরমশিং অসিনা মহারাজ সুরচন্দ্র সিংহগী স্নাহাক্তক্কী লান অমসুং লানফম অয়াম্বদসু মহাক চিথবা লৈতনা য়াওরমগনি অমসুং য়াওখি হায়না লৌগনি।

মনিপুরগী খৃ: ১৮৯১ গী নীঙতম-লান্দা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোর

খৃ: ১৮৯১ হায়বা চহিসি মনিপুর ইতিহাসকী লামায়দা অমম্বগী চহি ওইবগী অমুবা কালি/মুকনা ইদুনা লৈরবা অমসুং মৈতৈ জাতিগী মরাইবক থীবগী দাকফম-শৈনাইফম/জখম-শোকফমগী মমি মুত্র-কোক্কবা চহিনি, মরমদি চহিসিদা ইতহাসকী আ-মমাঙগী মতমদগীনা ইতিহাসকী যুগতা তারক্লবদা, ইতিহাসকী মতমদুদা চহি ১৮৯০ রোম মনীঙ-মখা তন্না লৈজরক্লবা মৈতৈ কাংলুপ অমসুং মখোয়গী মরৈপাক মনিপুরবু নীঙতম্বগী ফম্বাক্তগী ঈরম ৭কী সমুদ্র ঈৱাংমগী মীরৈচা, মরুপ নত্তনা মরুপ শাবশিংনা চিংথখিবগী মিৎ উইশিনবগুম শুক্লা মন্নবা চহিনি। মসি থোক্লক্লিবগী মরমদি - মতীক চাদ্রবা

নিংথৌ, অয়ম্বা, মীরৈহৎ অমসুং মীচঙ্- মীখায় নাইনা ৱায়েনবা; মনাৎ নত্তনা শঙ্গোম চানীঙবা, মমান্নবা মায়রোঙ য়াদনা অকনবা শকপা, মীঙোন্দা ৱাকৎপদা ৱাচৎ-ৱানোমদুনা অচুম্বা শাবা, ৱাপাং থিদনা ৱায়েল-ৱারেপ তাবা, মীপান তাংদুনা অচৌবা শাবা, মশাগী অশোনবা খঙদনা অতোপ্পগী মরাল থিবা, মপাঙ্গল তিংদনা নুংঙাইবতা পাম্বা, অসিনচিংবা হিরম-লমদাং খরগী মমি তাবা তেল্লবা চহি ৪ [খৃ: ১৮৮৬-৯০] খক্তগী মতমসিদা শুংজিন্দুনা লৈবনা মরম ওইদুনা মৈত্রবাক-মণিপুরগী চহি ৫৬ [খৃ: ১৮৯১-১৯৪৭] চুপ্পা মীখা পোন্দুনা লৈখিবা মনিপুর ইতিহাসকী তাংকক অমা ওইহনখ্রিবনি। অয়ম্বা মীনা পুকচেল চাওবা হৌনদবনা, মীতম্বাল ওইবনা, মচীন-মনাওশিংগী মরক্তা মীচঙ-মীখায় নাইবনা অমসুং মীকিথিনা চীরোল তাগনবনা ৱাথোক-লাম্থোক পুম্নমকসি পুরকখিবনি। হায়জরিবশিংসি ৱারী-ৱাখোঙ ওইনা পুথোকচবা তারবদি মখাগীশিংসিদা মিৎয়েং তাবিয়ু :-

খৃ: ১৮৯০ গী নিংথৌ মচা মশেলগী লান্থোক

মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহনা অশোনবা নিংথৌ অমা ওইবনা মীৱা হেঞ্জিন্না চানগনবগা নাপল চাওরবা, কল্লক-য়েংথীবনা মখোঙ পান্দুনা চৎলবা অমসুং চীরোন তৌবনা মশাগী হৈনবী ওইরবা, মৈদিংঙু সুরচন্দ্রসিগী মমা তীন্ননা পোকমিন্নবা মনাওনুপা পাকাস্না/ভৈরবজিৎ সিংহ, [শগোনহঞ্জবা, মহারাজ সুরচন্দ্রনদি "লেফটেনেন্ট জেনরেল (Liuetenent General) গকা হায়জৈ] নগা নমথাক-চীরোন খর হৈজবনা - "অঙৌসনা, দোলাইরোই হঞ্জবা [The Chief of the Affairs of Palanguin and Litter] অমসুং জিলাঙম্বা/জিলাস্না - কৌবা মমা তীন্নদবা মনাওইবুংঙো নিংথৌ মচা অনিসিনা ময়াম্বুং সুরচন্দ্র মহারাজগী মথক্তা লানহওনবা লান্মী খোম্লে, মীচঙ থিরে, লোননা লানচাক খাঙলে অমসুং পুম্নমকসি হেন্দুনা লানহওনবা থৌরাং তৌরে - হায়না হায়জিনবদগী সুরচন্দ্র মহারাজনা মনাওইবুংঙো অনিসিবু সেপ্তেম্বর ২২, ১৮৯০ দা ফাদুনা চৈরাপ্তা পুথোক্লক্লবা মহারাজগী মনুং লান্মীশিংদা স্নায়াথং তৌখিরস্মী। হায়রিবা নিংথৌমচা অনিসিনা অরোনবা পাউসি খঙলবদা ময়াম্বুং সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগী শঙ্গায়দা নুমিদাংৱাইরম য়াচঙদা লাক্তুনা পাউ অসি তম্নগা লান হওজগে মতেং পাংবীয়ু - হায়না হঙ্গৎলখি। বৃটিশনা তাঞ্জা লুমদুনা খুদোংচাবা লৌগদবগী লাঙজানা শা-শল অশিবা য়েংবগুম য়েংদুনা লৈরিবা মচৎ অমসুং মতৌদু খঙবা সেনাপতিনা মনাও

অনিবু থেমজিন্দুনা লান হওদনবা তাকপীখি। সেনাপতি-কোইরেংনা মখোয় অনিগী মফমদা, মতমদুগী যুক্তুগী লাই ওইরিবা বৃটিশশিংনা ভারতবর্ষগী লমদম পুম্নমক মখোয়গী খোঙউপ বুটকী মখাদা থমখ্রবা অমসুং যুমথংনবা অৱা/বর্মাবুসু মখোয়না লমতুপ-লৈয়াৎ খুদিংমক খুদুম চন্দুনা লৈহনখ্রবা মতমসিদা হায়রিবা লৈপাক অনিসিগী তায়নফম মরক্কী লমতুপ পরেংসিদা মনীঙ তম্বা, নিংথৌ পানবা অমসুং মতোমতা লৈঙাকচবা লৈপাক অমা ওইনা লৈরিবা মনিপুরবু লাকথুনবা অমসুং মখোয়গী মখা করম্না পোনহনসিগে হায়দুনা হিরম খুদিংমক্তা, মায়কৈ খুদিংমক্তগী অমসুং লমদাং পুম্নমক্তা লুমদুনা লৈরিবসিদা মখোয় মচীন-মনাওশিংগী মরক্তা য়েংথীনবদুনা মরৈপাক্কী কায়ননবা পুরক্লবদি মনিপুরগী মনীঙতম্বগী মতম লোয়রে” হায়বসি ফোংদোক্তুনা তাক্লবসু থোক্লবা লাকপদু থেংনগনি হায়না খল্লিবা নহা অনিদুনা ময়াম্বুং কোইরেংগী শঙ্গায়দগী থোক্লকপগা অদুম মপুক্লীঙদা থমজিনখিদে, মদুগী মহুত্তা মখোয় অনিনা অমুক ময়াম্বুং কুলচন্দ্রধবজ/ঙাক্রা- চাবা, যুবারাজগী শঙ্গায়দসু চত্তুনা সেপ্তেম্বর ২১ গী অহিংদুদা লানহওজগে, মতেং পীবীয়ু হায়না তেংবাং নীজরম্মী। অদুবু লান চৎপগী মনা-মথুমদদি চিলহাও থীদবা, লান্দি চৎকন্দা-য়াওগন্দবা ময়াম্বুং কুলচন্দ্র, যুবরাজদি পুম্নমক অমতা য়াওজরোয়, অমদসু অমদসু মীচঙ চঙজরোয় হায়না খঙহল্লম্লগা শোয়গন্দবা মনাও অনিগী খন্দুনা লানহওবগী ঈরাং য়ৌরোয়দবা মফম, ৱারু-নুংজু থোক্লরক্লবসু শনম-মীনম তারোয়দবা লমদা চৎখ্রগে নীঙদুনা নুমিত্তুগী নুমিদাং পুং ৮/৯ [I.S.T.] তাবদা ময়ুম থাদোক্তুনা মাগী মীচঙ কনবা নম্বোল ফোইজীঙ [বুরীবজার] দা মতোমতা নাথৈখি [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৮০]।

সেপ্তেম্বর ২১, ১৮৯১, নোংমাইজীঙ নুমিৎকী নুমিদাংগী পুং ১২ তারমদায়দা অঙৌম্না অমসুং জিলাঙম্বনা মখোয় নিংথৌ-মচা ওইবশিংদা মাগী মাগী মফম-ফমথোনগী মতুং ইন্না পীবা চেকশিন-থৌরাংগী লান্মী [Security Guard]দা ঈবুংশীজশিং মাগী মাগী লৈজবা সিফাই মথংশিংনা ৮০ অমসুং ৬০, অদুগী খুৎশূ-খুৎলাই কোনুংগী লান্মীনা লৌখত্রিঙৈসিদা মখোয়সিগা অমসুং মখোয়গী মমাগী মপামগী মীশিংনচিংবা খুৎশিং খোমদুনা পুরক্লগা মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী লমখৈ মনুংদা চঙলক্তুনা অহিং নোংয়ায় চবুকমক্তদা নোংমৈ-কাপ্তুনা নোংমৈগী মখোলনা লানহওবগী থৌদৌদু ফোংনা তাক্লকখি।

নোংমৈ মথং-মথং কাপ্লকপগী মখোলসিনা তুম্লবদগী মীকপ থোক্লক্লবা মহারাজ সুরচন্দ্রনা লানগী থৌরাং খুদক্তা তৌদুনা লানহওরক্লিবা য়েক্লবশিংগা মায়য়োক্লদুনা লান্বা পানগে, লান্থেংনগেদি হায়দদুনা মচীন-মনাওশিংগী মরক্তা মশানা মীচঙ-মীখায় নাইবগী মরাল লৈরবদুনা মখোয় পুম্নমক্না কি-হঙ্গোয়নরবা সেনাপতি কোইরেংনা লান হওরক্লে, মহাকপু হাৎপীখ্রগনি হায়না কিরদুনা কোনুংদগী মতু-মচা পুম্নমক লাল্লক্তুদা হুন্দোক্লম্লগা চেন্নবা নিংথেমকোন লানবন [Citadel] গী খা-থোঙ অমদা থোক্লক্তুনা কংলা কোনুংলেনগী মনুং-চেকপল অমসুং মপান-চেকপল লান্থোক্তুনা চেন্থোক্লকপদা পাকাস্নাসু অহিংদুদা কাপ্লরিবা নোংমৈ মখোলশিংদুনা লানবাউ পীরক্লদুনা মাগী খুৎ পুদুনা কোনুং কনবা লাকপদা হাওবম লৈকায়গী খুঞ্জীন্দা থেংনখি। মদুদা পাকাস্নানা লানহওবশিংগা লান্বা তৌখিসি হায়জববু অয়ম্বা লীংজেন্দুনা পুকচেল অফবা শাদুনা পাকাস্নাবু অমম্বা মরকসিদা কনানা য়েক্লবনো, কনানা মীচঙনো খঙনররোয়- হায়না থেমজিল্লগা বৃটিশ-লান্মীনা চেকশিন্না ঙাক্লিবা পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সী ফাওবা মাবু অশোক-অপন নংহন্দনবা ঙাক-শেন্দুনা তেক্তা-কায়দনা পুহল- থিলহল্লগা পোলিটিকেল এজেন্ট মি:সেন্ট ক্লেয়র ফ্রেঙ্ক গ্রিম উড [Mr. Saint Clair Frank Grim Wood] কী মফমদগী চঙজফম অমসুং ঙাকশেন লৌননবা রেসিডেন্সীদা চঙ্শিনখি। হান্ননা নোংমৈ মখোলশিংদুনা হৌদোক্তুনা হৌগৎহল্লম্লবা মি: গ্রিমউডনা মহারাজ সুরচন্দ্র অমসুং মহাক্কা লোইনরকপশিংবু চঙজফম পীরগা কনানা লানহওরিবনো হায়না হংবা মতমদা সেনাপতি কোইরেং/টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা লানহওরক্লি হায়না পাউদমখি। অদুবু মি: গ্রিমউদনদি টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহনদি অদুক পঙবা থবক্তু তৌরম্লোয় হায়না হায়রবদা মহাক্লনি শোয়দ্রে হায়দুনা কংয়েৎ য়েত্তুনা লৈখি।

মায়কৈ অমরোমদা অথেংবা অহিংদুগী নোংমৈ মখোলদুনা সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎপুসু য়াকায়হল্লদুনা অমসুং লানহওরকপশিংনা কোনুংগী চেকপন মনুং য়ৌশিনখ্রে হায়বসি খঙলদুনা সেনাপতি অমা ওইনা কোনুং কন্ননবগীদমক্তা মহাক্কী মনাক্তা লৈরিবা লান্মীশিং পুদুনা কোনুং তম্না ফুজিল্লকখি অমসুং কংলা ফন্বাল তোংফম শঙ ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা লানহওবদু ঙাক্লবা য়েক্লবশিংবু মাঙহন্দুনা কোনুং কন্ননবা লাল্লুম-লানথোঙ শীল্লিঁৈদা মনাওঈবুংঙো অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বনা লানহওরিবশিংগী মশক তাক্তুনা পামদবা নিংথৌ

তান্থোকখ্রবনিনা মশা-মশানা য়ানা চৈরাক লৌজনবা চঙজরক্লবদুদা অমসুং মখোয় অনিনা লানহওবদুদা মহাক্কী খুৎ য়াওরল্লোয় হায়বসি লৈপাক-মীয়াম্না য়াররোয়দবা, শোয়দনা য়াওই হায়না লৌখ্রগদবা ওইবনা, য়াওরবসু য়াওদ্রবসু য়াওই হায়বগী মীপাউথোক অমসুং মিংদা থিবদুদি শোয়দনা ফংগদবা, চেনবা য়াররোয়দবা ওইবনা য়াওদনা মিংদা থীগদবগী শরুক য়াওরগা মীয়ামগী মীচৈ চাবা-ফংবনা ফৈ হায়না লেপ্লদুনা মনাও অনিগী লানহওদুদা তোংশিনখি অমসুং সনা কোনুং, নিংথৌ ফম্বাল, মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল তোংফম্নচিংবা ঙাক-শেন্দুনা লৈখিরম্মী। অচুম্বা ৱায়েন তৌবা ঙমদ্রবা চীরোন, নমথাক অমসুং মীনম্বগী খুদমদা মৱা লৌবা বিচারপতি/ৱায়েনবদু তান্থোক্তুনা কোনুং মপুঙ ফানা লৌরবদা মনাও ঈবুংঙো অনিনা টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু নিংথৌ ফম্বালদা লেঙখত্তুনা নিংথৌ ওইবীনবা হায়জরক্লবদা মপা নীঙবা, অহল-লম্মনবু ঈকাই খুম্নবা সেনাপতিদুনা মপাবুং মহারাজগী সনা য়াথং- "ঈচাশা নখোয় নহা-অহল কায়দনা নিংথৌ ওইনরকউকো"- হায়না তাকপীরম্বদু নীঙশীংলগা মখোয় মচীন-মনাওশিংগী মথং-মনাওগী পরেংদা মহাক্কী মথক্তা ময়াম্বুংনা কুলচন্দ্র লৈরি, ময়াম্বুংনা নিংথৌ ওইফম থোকই - হায়দুনা অৱা-অনাশিংসি য়াওজররোয়, মায়কৈ অমনা খঙদে, অমনা খঙদে তং তাবা অমা লেপ্লক্লবা মতমদুদা থবক্তা ৱারবসু ৱাদ্রবসু, য়াওরসু য়াওদ্রবসু নিংথৌ মচা অমা ওইনা মচীন-মনাও ওইবগী ফংফম থোকপা হক পুম্নমক্তদি অমদগীবু ওইরবসু অমদগীবু ওইরবসু লৌগনি হায়দুনা অচুম্বা, অশেংবা, অচন্বা অমসুং য়াওজদবা শানবা, ৱাদনা থাজ পম্নবা নাথৈদুনা লৈখ্রবা, নম্বোল-ফোয়জীঙদা ঙরাং চেন্দুনা য়ারেকখিবা ময়াম্বুং কুলচন্দ্রবু সেপ্তেম্বর ২২ গী অয়ুক্তা থিরুরগা পুরক্তুনা, লৈপাক- মীয়াম্না চমম্নুনা লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংনা নাকল অনিমক্কী মৱা-মপাউ হংনরগা মহারাজ সুরচন্দ্রনা মহাক্তি নিংথৌ ওইজররোয় বৃন্দাবন্দা লৈজখ্রগে হায়না কৈসু কি, মথীসু কিদি তৌরগা ফিনুংদা খুত্তুম শীঙদুনা মশাগী অয়াবা পীরক্লবদা সেপ্তেম্বর ২৩, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা ময়াম্বুং কুলচন্দ্রধবজ সিংহবু মৈত্রবাক্কী লৈপাক মীয়াম, অঙম-অথৌনচিংবা পুম্নমক্না য়ানা মনাওইবুংঙো অহুমসিনা যুম্বী শেকউ-লোইখোঙ ওইদুনা নিংথৌ হাপখি।

নিংথৌ মচা মশেনগী লানসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা :- খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বরগী মৈতৈ-নিংথৌ মচা মশেনগী কোনুং মনুং অমসুং শাগৈ মশেলগী য়েংথীনবা অমদি লমন খুম্নবগী ৱাথোক-লান্থোকসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা য়াওখিব্রা

হায়বসিগী মমি অমতা তাদে; মসিদা থোইদোক্লা পুক্নীঙ থীংজিল্লুবগী কান্নবা লৈতে, মরমদি, ৱাংখৈময়ুম মচাদি মৈতৈ লৈপাক্তা নিংথৌ পান্দবা মতমদদা চোংথোক্লক্কুনা নিংথৌগী হক অমসুং মফম লীংখৎলগা নিংথৌ ওইফম থোকপা মীশক, নিংথৌমচাদুদা ফম্বাল শীন্নবনি; চুমদবা ৱায়েল অমদি মীচঙ মীখায় নাইদুনা মচীন-মনাও খুৎ থোক্লবদা ৱায়েল তৌগদবা নত্তে।

সেপ্তেম্বর ২১ গী লানহওসিদগী লানহওবশিংসিনা কোনুং লৌরবা মতুংদা কংলা কোনুংলেনসিগী মনুংদা লৈবা, মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী মতম, খৃ: ১৮৬৪ গী মে ১১, য়ুমশকৈশদা শাখিবা মণিপুর জেল, 'চেক্কী ফাদোক' [মথক্কীসিদা, ৩৫৬] কৌবদা থম্বা ফাদোক [Captive/Prisoner] ৪০০ (চা মরি) খক থাদোকখি [N.K.S., 1983, IX] অমসুং থাদোক্লিবা বণ্ডি/কৈশুম-শুন্নুরবশিংদুগী মনুংদা পুখ্রনবা তংকো, চোংথা মিয়া অমসুং পাওনা ব্রজবাসিসু য়াওখি।

খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২১ গী লানহওসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা/কেপ্তেন [Captain] না লান্মীগী পোইলা অমা ওইনা শক উত্তুনা/উত্তনা নত্রগা শক লোত্তুনা মীচঙ চঙবা মীশক অমা ওইনা লানহওসি য়াওরমদ্রবসু মহাক্কী পুক্নীঙ-ৱাখন্না শৌগৎপা অমদি মথৱাইনা অচুম্বনি খঞ্জবা অমদি শৌগৎপা খুৎ অদুদি অদুম্মক লৈফম থোকপনা লৈরমগনি, অদুগা অদুগুম্বা খুৎশৌগৎ অদুদি অচুম্বগী মায়কৈদা লেপ্লিবা খুৎ অদুগী মফমদা ওইরমগনি। অদুবু মখা চথরকপা নিংথৌমচাগী নিংথৌগী তাংবল মুন্নবগী লানহওদা পুথোক্তুনা মহাকপু নিংথৌ ফম্বান্দগী তানথোকপীরে, নিংথৌগী তাংবল অমুক হন্না ফংহনবীয়ু হায়না মৈতৈ নিংথৌ-তাংবলগী হাত্তা-কার্ত্তা [Supreme command] ওইরবা মপাইবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিগুম ভারতকী গভর্নর- জেনরেল-ইন-সুপ্রিম কাউন্সিল, সার চার্লস কৈথ, মার্কুইস ওফ লেন্সডাউন নত্রগা লোর্ড লেন্সডাউন [Sir Charles Keith, Marquish of Landsdowne or Lord Landsdowne [1888-94] গী মফমদা ৱাকৎপগী ৱাচৎ-ৱানোম্বা ওইনা নিংথৌ ফম তারবা সুরচন্দ্র সিংহনা কলকটাদা লৈবা মহাক্কী মহারাণী প্রেমময়ী [ঙাংবী/লৈহাও]'গী ভিল্লা, কাঙ্কুরামাচী, মনিকটলা রোডতগী নবেম্বর ২৮, ১৮৯০ দা অসামগী চিফ কম্মিস্নার জে: ডবলিয়ু: কুইন্টল, সি:এস: আই: দা

ৰাকত্তুগী তেলঙ্গাগী লং থদংখ্রগা, মদুগী মমিংদুদা অকনবনা অচুম্বা শক্তুনা মীনম্বা ৰায়েল তৌরগা অচুম্ববু অরানবা তৌহনবগী থবক পায়খৎপীরক্লবা চিঠি ইদুনা ৰানোমখি। অদুবু মীনম্বা- লৌনম্বনা মীনম্বা- লৌনম্বা অমবু লমজিং - লমতাক্লবদি কনানা লমজুমবীদুনা অচুম্বগী মনাক্তা নকশিনগনি।

ঈঙ্গ্রেজগী নমফু - হাফুগী শারৌ অমসুং খুজীল- থৌরাং

ঈঙ্গ্রেজ, মালেমসিগী চাওখৎলবা লৈপাকশিং মনুংদা মাগুজীন থারিবা, ১৯ শুবা খৃষ্ট, কুমশীঙ চাদা মখোয়গী লৈপাক্তা নুমিৎ তাবা লৈতে, সাউথর্ন অমসুং নোথর্ন হেমিস্ফিয়ার [Southern & Northern Hemisphere] অনিমক্তা মখোয়গী লৈপাক শন্দোক্তুনা লৈ - হায়রিবা কাংলুপ অমনি। মখোয়গী মী খরনা ভারতবর্ষদা লল্লোন-ঈতীক্কী সের-ফলা/খল [পাবোৎ-চাং (Measuring Balance)] পুদুনা লাক্লগা ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী খৃ: ১৫৯৯ দা লীংখৎলগা মদুগী লল্লোনপোৎ ঙাক-শেন্নবা সিফাইগী লান্মী শেম-শারকপদগী মদুনা মপাঙ্গল কনখৎলত্তুনা ১৮ শুবা খৃষ্ট শতাব্দীগী তংখায়দদি ভারতকী বেঙ্গোল অমসুং মদ্রাজগী মপু ওইরম্বদগী অতৈ লৈপাকশিংসু মচীৎ-মচীৎ লৌশিল্লত্তুনা ১৯ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অহানবা মশুঙদা বৃটিশকী ওইনা পুনশিল্লক্লবা ভারতবর্ষ অপুনবগী লৈঙাক্লোনগী সের-ফালা পায়রত্তুনা খৃ: ১৯৪৭ ফাওবদা ভারত্তা নত্তনা এসিয়া মহাদেশকী লৈপাক কয়াদসু মখোয়গী লৈপাক শন্দোক্লম্বা অমসুং লীংলম্বা লমহুই লৌশীং লময়ৌবা জাতিনি। মখোয়গা মনিপুরগা ১৯ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ-চাগী অহানবা মশুঙদগী মরুপ ওইনা লোয়নরকখিবসিদা মখোয়না মরুপ ওইনা তৌবীরকপা থবকশিংগা য়েক্লবা অমা ওইনা তৌথোক্লকখিবা থবকশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংলকপদা মখোয় অসিদি তশেংনমক খোংদনা কুনশিন্নরগা খৌনাউদা লাকপা হুই [Throat-cut dog] হায়বদু ওইরম্মী। মতম-মতমগী মতুং ইন্না মখোয়না মণিপুরদদা নত্তনা এসিয়াগী মফম অতৈদসু তৌরম্বা ৰাকায়- লাংথাক ময়ামদুগী মহৈশিং ঙসি মফম কয়াদা উনরক্লি।

এঙ্গলো-মনিপুরী রিলেসন্দা বৃটিশকী রোল [The Role of the British in Anglo Manipuree Relation]:- মমাঙদা মৈতৈ-লৈপাক্কী নিংথৌশিংনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগা মরী থম্নবা

হোৎনরম্লবসু তশেংনমক মরী লৈনখিবদি খৃ: ১৮১৫ নৎত্রগা খৃ: ১৮২৪ দগীনি। মতীকতি চাদনা নিংথৌ-ফম্বালদা মপাম্বা মারজিৎ [খৃ: ১৮১৩-১৯] কী থৌওং-থৌদানা মৈতৈ লৈপাক্তা চহি তরেৎ খুন্তাকপা [Seven Years Devastation of Manipur (1819-25A.D)] পুরক্লবদা মৈতৈ-নিংথৌমচা খরনা মমা লৈপাক মনিপুরবু য়েক্লবা অৱা/বর্মীজশিংগী মখুত্তগী হন্দোকপদা লানবাংবীনবা তেংবাং মরুপ, মতমদুদা মায়কৈ অসোমদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী অমসুং মসিনা শেমগৎ-শাগৎখিবা লান্মীনা শক্তি পায়রিবা অমদি য়ুনাইটেড কিংদমগী মহারাণীগী ৱায়েল, মিৎয়েংগী উকন অমসুং হক্কনগী মখাদা লৈরিবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট নত্তনা লৈত্রবদা মরৈপাক্কী অৱাবা কন্নীওবা নিংথৌ মচাশিংদুনা বৃটিশ তেংবাং ফংনবা হোৎন-তান্নরকপদা শামুফাবা গম্ভীরসিংহ অমসুং মহাক্কা লোয়নরিবা মহাক্কী শাগৈ মনাওইবুংঙো নরসিংহ অনিনা ফিরাল পায়খিদুনা বৃটিশ ইন্দিয়াগী ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী মতেংদগী খৃ: ১৮২৪ গী এপ্রিল থাদা 'গম্ভীর সিংহ লেভী', মতুংদা "মনিপুর লেভী" [Gambhir Singh Levy, later, Manipur Levy] [বি:কে:, ১৯৯৬, A-II] লীংখত্তুনা অৱাশিংগা লন্বা তৌনদুনা য়েক্লবশিংগী মখুত্তগী মনিপুরগী মনীঙ-মখা তম্বা হন্দোকখ্রবসু ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী নত্রগা য়ুনাইটেড কিংদমগী নত্রগা ভারতবর্ষগী বৃটিশ সরকারগা মৈতৈ/মনিপুরীগা নত্রগা খৃ: ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারীদা বর্মাগী য়ান্দাবুদা বৃটিশ অমসুং বর্মাগী মরক্তা থম্নখিবা য়ান্দাবু ট্রীটী [Yandaboo Treaty] গী অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা শরুক্তা পীরিবা মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং নিংথৌ পানবা লৈপাক মনিপুরগা মরুপ-মপাং ওইনবগী, শা-লান অমসুং শাফম-লানফমগী, লল্লোন-ঈতীক্কী অমসুং চাওখৎ'- থৌরাংগী ওইনা অমগা অমগা তেংবাংননবগী ৱাফম অমসুং মদুশিংদুগী ফিবমশিংগী য়ান'ৱা নত্তনা লৈঙাক্লোন্দা, খুন্নাইলোন্দা, ৱায়েল-থৌদাদা নত্রগা মথক্কী য়ান'- ৱাফমশিং নত্তবা অতৈ হিরমশিং, লমদাংশিং অমসুং ৱাফমশিংদা খুৎ থিংজিন্ননবগী য়ানখিবা ৱাফমশিং অইবা নত্রগা চীনহায় ওইনা লৈখিদে অমসুং মনিপুরনা ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী নত্রগা ঈঙ্গ্রেজ গভর্নমেন্টশিং অমত্তগী য়ুনাইটেড কিংদমগী নত্রগা বৃটিশ ভারতকী মখা থাবা নত্রগা পোনবগী ৱাফম, য়ানচে/চীনহায়গী ওইনা সহি তৌনখিবা নত্রগা ফমিন্নদুনা ৱারী-ৱাতায় শানখিবা খক লৈনখিদে অমসুং লৈখিদে। অদুবু

মপুক চাক থাক্কীদমক্তা এসিয়া মহাদেশ লমদমসিদা খুৎশূমল তানবা লাকপা বৃটিশ মচা খর অমসুং মশানা বৃটিশ মচানি হায়জবা বৃটিশ অশাবা খরগনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী কম্পনীগী মীওইশিংনা অমসুং বৃটান্নিক গভর্নমেন্টনা মনিপুরবু মনীঙ-তমহনখিবনি, মখোয়গী মখাদা লৈবনি অমসুং মখা পোনবনি খল্লিবদু মি: হেরী ভেরেলষ্ট [Mr. Henry Verelast] না খৃ: ১৭৬৩ গী মহাক্না মনিপুরদা তেংবাংবা চৎপগী খোঙচৎকী ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদা লানখৎখিবা রিপোর্ট, ব্রিগেডিয়ার জেনরেল শুলডাম [Brigadier General Suldam] না খৃ: ১৮২৫ কী ফেব্রুয়ারী-মার্চ থা অনিসিদা বৃটিশনা মনিপুরদা লৈরিবা অৱাগী মথক্তা লান্দারুনবা সিলেটতগী কছার ফাওরগা মনিপুর চঙননবগী থৌরাংদা কছারগী বাসকান্দিদা ফেব্রুৱারী থাদা থুংলগা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমদদুনা "ওইথোক্তবা থবক্লি" হায়দুনা ভারত সরকারদা মহাক্না পীখৎখিবা রিপোর্ট [ডা: চ:স:, ১৯৭০, ২২-২৩] অমসুং ব্রিগেডিয়ার জেনরেল শুলডাম্না ওইথোক্লুরোয় হায়বা থবক্তু গম্ভীরসিংহ, নরসিংহ অমসুং মখোয়গী মনিপুর লেভীগী সিফাই ৫০০ অমসুং শগোল-লান্মী ৪০ খক্তনা ওইথোক্কনি হায়দুনা চঙখিবা লাঞ্জঙদা রোবার্ট বোইলিয়ু পেম্বর্টন [Robert Boileu (R.B.) Pemberton] গী খৃ: ১৮২৫ গী মে ২৭ তগী জুন ১২ ফাওবগী খোঙচৎকী রিপোর্ট সিলেট হেডক্বার্টরগী খুথাংদা ভারত সরকারদা পীখৎখিবদু পাবা হৈরল্লবদি অমসুং লৈপাক-মচা তাবা লণ্ডন-মচা ওইরল্লবদি অসুম্না খক খল্লমফম থোক্তে।

বৃটিশ-মচা, মপুক চাকথাক থিবা লাকপা অফিসারশিংসিনা ফত্ত-লৌশিংগী শারৌ-লাংথাক অমসুং নমফু-হাফুগী খুজীল-থৌরাং কয়া তৌরিবসি মীওইবগী তৌবীমল খঙবা হায়বদু মশাদা য়াওজদ্রবনি; হৌজিক ঙাইহাক পুক থলহৌরগা লোয়রে খনবনা মাগী কাংলুপ চেন্থহঞ্জবনি, মরমদি, মখোয়না মৈতৈদা মরুপ ওইনা তেংবাংখিবদু খৃ: ১৮২৪ গী জানুৱারী থাদা বর্মীজশিংনা মখোয়গী অৱাং-নোংপোক্কী লমখৈদা লৈরিবা লৈপাক-মচাশিং, লান্দারক্তুনা পায়শিনখ্রবদা মদুবু থিংননবা মখোয়না কছারগী লমদম কয়াদা বর্মীজশিংগা লান শোক্লখিবা মফম-অয়াম্বদা, মরু ওইনা টিলাইয়িন চীঙগী লানফমদা মখোয়গী লুচিংবা অফিসার কয়াগী মথৱাই মাঙনবা অমসুং মাঙগদৌরবদা, মখোয়না লানবাংবীয়ু হায়জরক্তুনা লানবাংবদা, কনবীখিবা অদুদগী মখোয়দা কান্নগনি

খঙদুনা মনিপুর লেভী লীংখৎপদা মতেং পীখ্রিবনি অমসুং মখোয়দা কান্নবা ওইজবা লৈত্রবদি মখুৎ খক তিংথোক্তবা বৃটিশশিংসিনা মনিপুর লেভী লীংখৎপদা মতেং পাংখিবা অদুগীদমক্তা খৃ: ১৮২৯ দা খাসি/খাহি [The present Khasi tribe of Meghalaya State] শিংগী লম ফাওদুনা মখোয় বৃটিশশিংনা অহোম-লৈপাক্লচিংবা তাবা লম্বী শেন্নুবদা খাসিশিংনা মখোয়গী অফিসার (শিং) য়াওনা মী কয়া হাত্তোকপীখ্রবদা মখোয়না মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ [খৃ: ১৮২৫-৩৪] দা তেংবাং নীজরকপদগী মৈদিংঙুনা মনিপুর লেভীগী লান্মী পুদুনা খাসি লৈপাক্তা চৎলগা লান্দাদুনা খাসিগী খুননিংথৌশিং অমসুং লুচিংবা নিংথৌ ফাদুনা পীরগা মখোয়গী অৱাৰদগী কনবীখিবদুবু খঙনা খঙনা খঙজিন্নদনা খঙদবা মওংদা মৈতৈ কাংলুপ্পু অমসুং মখোয়গী মরৈপাক মনিপুরবু মখোয়গী খোঙয়াদা কুনবা অমসুং খোঙখাদা লৈবা ভারতবাসিশিংগুম অমসুং অৱা/বর্মীজ মচাশিংগুম খন্দুনা মৈতৈ লৈপাক্কী অমসুং কাংলুপকী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেনবা-থুম্বারোনগী লমদাংশিংদা খুৎ থিংজিন্নবা লেঙ লৌশিল্লকপা হৌরকখিবস্নি খৃ: ১৮৩০ দগী হৌরকখিবনি মরমদি চহিসিদা কছার নিংথৌ গেবিন্দচন্দ্রবু মশামক্কী ময়ুমগী মনুংদা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিবসি মখোয়না ঙাক শেল্লবা লৈপাক [Protected State] অমগী নিংথৌ হাৎখ্রে হায়দুনা ওনখত্তুনা হায়বদি ঙমদ্রনা লৈরবসু মৈতৈ নিংথৌগী খুজীন্নি হায়বসি খঙখিরম্মী। মরম অসিনা বৃটিশশিংনা মনিপুরগী থবক- থৌরমশিংদা তাঞ্জা চাবা-চাবশিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা হিরমগী মতাং য়েং- য়েংদুনা য়েংশিন-খোৎচিনবগী মিৎয়েং থল্লকখিবনি।

মৈতৈ নিংথৌশিং - রাজা গম্ভীরসিংহনা মাগী অমতা পোকচবা মচাইবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিনা মহাক্কী মতুংদা মনিপুরগী নিংথৌ-ফম্বাল ফংহৌনবা খুজীন্দা বৃটিশকী মতেং নীখিবা অমসুং রাজা/সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ কে:সি:এস:আই :না মচাইবুংঙো ময়াম [সুরচন্দ্র, থম্বৌস্না/কেশোরজিৎ, পাকাস্না/ভৈরবজিৎ, গোপালস্না/ পদ্মলোচন, ফৈজাওস্না/বালকীর্ত্তি সিংহ, সনা য়াইমা, টৈকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ/ কোইরেং, কুলচন্দ্রধবজ সিংহ/ঙাক্রা চাবা, গন্ধার সিংহ, অঙৌস্না/ ভুবনসিংহ অমসুং জিলাঙম্বা/লক্ষ্মীনারায়ন] পোকচরবসু মচানুপা অহল সুরচন্দ্রদবু লাইনীঙ ওইদুনা মহাক্লা নিংথৌ সিংহাসন ফংহনবীনবগীদমক্তা বৃটিশ অফিসারশিংদা ৰাচৎ-ৰানোমদুনা নপচবা, অসিশিং সিনা বৃটিশনা নোংমা-নোংমগী খজীক-খজীক ফম্বা চল্লগা হীপ্পা-চল্লকখিবনি।

খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ থাগী বৃটিশকী খোঙথাং :- মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা মনিপুর নিংথৌ ওইজররোয় হায়দুনা নিংথৌগী পোৎলোই-শমপোৎ [Regal privy properties] পুন্নমক বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট মি: গ্রিমউডকী মমাঙমক্তদা শীনরন্নগা লাইফম চৎলগে হায়দুনা মনিপুর থাদোকখ্রগা সিলচরদা ৱাশি সুপরিন্টেডেন্ট লৈরমদবদগী শিলোংদা লৈরিবা অসামগী চিফ কম্মিস্নারদা মশানা মি: গ্রিমউডকী মমাঙদা তৌরম্বা মওং-মতৌ অমসুং থবকশিংদু মশা মথন্তা মীনমজদুনা মি: গ্রিমউড অমসুং টেকেন্দ্রজিৎনচিংববু মরাল শীদুনা টেলিগ্রাম তৌদুনা মহাকপু নিংথৌ ফম্বালদগী পুন্নমক্না লৌতুনদুনা মীনম্বা য়াওনা তাম্থোকপীরে - হায়না ৱাকৎ পাউদম থারন্নগা কলকটাদা চৎখিরম্মী। মহাক মফমদুদা মহাক্কী তাল্লোয় প্রেমময়ীগী মমিংদা লৈবা ভিল্লা [Villa] দা লৈরগা ভারতকী গোভনর-জেনরেলদা মপাইবুংঙোনা মতোমতা পোকপনিনা মহাকখক্তগী অহল লম্মননা থম্বীরম্বা লন-থুমনি/সিংহাসননি; মুনবীখ্রে, মঙোন্দা ফংহনবীয়ু; হায়দুনা মনিপুরগী সিংহাসন-দাতা [Throne giver of Manipur] ওইনা লৌদুনা নীজখি, অদুবু মৱাসু লৌবীখিদে। মহাক্না থাজরুবা ৱাকৎ-চেদুগী মহাক অমসুং মহাক্না লোয়ননা মণিপুরদগী চৎমিন্নখিবা পোকমিন্নবা মনাও অহুমসু মনিপুরদা চঙ্বা য়াহন্দনা মনিপুরগী মপান্দা হিংবা য়ানবা শেনফম খর-খর পীরগা থমখি। অদুগা গভর্নর-জেনরেলনা হৌদোং অনিগী তল য়েনবদুনা, মরৈপাক বৃটেন্দা আইয়ার-লেণ্ডদা লৈজবা ফংদবা মখৈ মপুক থন্ননবা লৈত-লায়রা থিবা ভারত্তা লাকপা বৃটিশ মচাশিং, মখোয়না লাক্লিবসি খুৎশূমল, পাঙ্গলগী অনোম্মল, হুম্মাংমল তানবা লাকপনি হায়বসি কাউথোকপা খর থারক্তুনা নমফুগী ৱায়েল-ৱাতায়গদৌরি।

ঈকুই কুইদ্রিবা খৃ: ১৮৭৯ গী ওক্তোবর ১৪ দা নাগা হিলসকী পোলিটিকেল এজেন্ট জি:ঐচ: ডামন্ট [G.H. Damant] পু কোহিমাদা খোনোমাগী মেরেমা আঙ্গামীশিংনা হাৎখিবগী কোহিমা লানহও, মখোয়-বৃটিশকী নুপী-অঙাং য়াওনা আঙ্গামীশিংনা কোয়শিন্দুনা থমখ্রবদগী মখোয়গী এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্টনচিংবা পুন্নমক্কী মথৱাই কনবীখিবদু খঙশিন্নদনা মনিপুরগী নিংথৌগী মরুপ য়ুনাইটেড কিংদমগী মহারাণী ভিক্তোরিয়াগী মীনাই “হেনরী চার্লস কৈথ [1888-94] কৌবা মীনাই ইন্দিয়াগী গভনর- জেনরেলদুনা খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২১-২২ দা মখোয়গী

মবেন্মা ভিক্তোরিয়াগী মরুপ মনিপুরগী নিংথৌ শীন্দোক-শীঞ্জিনগী ৱাফমদা মখোয়না মনিপুরগী নিংথৌ হাপ্পা - লৌথোকপদা ময়াথং-চে থোক্তুনা য়ুমদাংবনা কৈনারবগুম মপুক ফত্তবগী মখোঙ শোমদুনা অমদি মৈথৌ হাপ্তুনা মখোয়না হায়বা ইনগদবগুম, ইন্দ্রগা মীচম হাৎননবা ইনশিন্দুনা অসামগী চিফ কম্মিস্নার মিঃ জে: ডবলিয়ু: কুইন্টল, সি:এস:আই: বু গুর্খা সিফাই ৪০০ বু থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবা [Escort] সিফাইনি হায়জিল্লগা মৈত্রবাক মনিপুরদা অমসুং মৈতৈদা খোই মহুমদা চৈনা থিন্দুনা কায়হৌরনবা কলকটাদগী ফত্তবা শরৌগী পাউতাক মখৈ পীদুনা থারকখিবদুনা খৃ: ১৮৯১ গী ফেব্রুৱারী ২১ দগী কলকটা থাদোক্তুনা লাকপনা মার্চ ৬ তা গোলাঘাটতা থুংখি। মফমদুগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার, পি: আর: গোর্ডোন, বি:এস:সি:, লেফটেনেন্টপু মাঙওইননা থারক্তুনা মহাক্না মার্চ ১৫ দা ইম্ফালদা থুংলরগা মি: এস:টি:সি: এফ: গ্রিমউড, পোলিটিকেল এজেন্ট, মনিপুরগা উন্নদুনা ঈ-পাউ পুন্নমক লৌখি। অদুগা মি: কুইন্টলনা গোলাঘাটতগী মার্চ ৭ তগী খোঙশাল্লক্লগা কারোং [অৱাং কারোং, সেনাপতি হেডক্কাটরগী অৱাংদা ইম্ফালদগী কি: মি: ৬৬ লাপ্না লৈবা] মার্চ ১৮ দা, অৱাং সেকমায়দা তাং ২১, কোইরেঙ্গৈদা তাং ২২ দা অমসুং ইম্ফালদা তাং ২৩ গী অয়ুক পূং ১০ দা থুংলখিবগী মমাঙদা মহাক্না লেফটেনেন্ট গোর্ডোনগা সেকমায়দা উনদুনা লেফ: মি: গোর্ডোননা মহাক্না অফংবা ঈ-পাউশিংদুগী রিপোর্ট তৌখি। মি: জে: ডবলিয়ু: কুইন্টলনা গোলাঘাটতগী লোয়নরক্লিবা এস্কোর্ট পার্টীগী লান্মী অমসুং মনিপুরদা হান্না লৈরম্লবা বৃটিশ-লান্মীগগী অপুনব সিফাইশিংগী মরমদা পীরিবা মরোলদি :-

The escort consisted of 200 men of the 44th Gurkhas under Captain Boileau, Lieutenent Brackenlury, 200 men of the 42nd Gurkhas under Colonel Skene, Leiutenent Luggard, Leiutenent Charterton and Surgent Calvert. Lieutenent Simpson and 100 men of 43 Gurkha Light Infantry were already at Imphal. The escort was commanded by Colonel Charled Mcdowal Skene, D.S.O., I.S.C., 42nd Gurkha Regiment. The sepoys of the escort

had 40 (forty) rounds of ammunation each in their pouches and had no reserve ammunitions [N.I.S., 1983, II].

অসিনি। মখোয়বু মনিপুরগী নিংথৌ, যুবারাজ, সেনাপতি, মন্ত্রীনচিংবা অঙম-অথৌশিংনা তরাম্না ওক্লবদা মি: কুইন্টলনা থুংলবা মতুং পুং অনিগী মতুংদা দরবার তৌগদবনি, মদুদা ভারত সরকারনা পীরকপা য়াথং-চে পাথোক্কনি অমসুং মদুদা পীরিবা য়াথংশিংদু থবক ওইনা পাংথোক্কনি; নিংথৌ, যুবারাজ, সেনাপতিনচিংবা ৱাত্তনা য়াওবীগদবনি হায়দুনা খঙহল্লম্মী। মখোয়না পাথোক্কুনা লাউথোক্কদৌরিবা য়াথংশিং অমসুং পাংথোক্কনি হায়দুনা পান্দমলিবা থবকশিং অদুদি :

১) বৃটিশ-ভারত সরকারনা যুবারাজ কুলচন্দ্রধবজ সিংহনা মনিপুরগী লৈঙাকপা [Regent] নিংথৌ ওইবদা অয়াবা পীবীরে।

২) বৃটিশ-ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা যুবারাজ/সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ সিংহবু লৈপাক লাংহনবগী মরান্দা, মখা তানা ঈরাং থোকহন্দনবগী থৌরাংদা/মিংদা মনিপুরগী মপান্দা লৈপাক অমদা পুথোকখিদুনা হাউস এরেষ্ট নত্রবসু মনিপুরগী মপান্দা লোই থাবগুম থমখিনবা য়াথং পীরি।

৩) অকোনবগী থবকসিগীদমক্তা রিজেন্ট কুলচন্দ্র সিংহবু সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ সিংহবু পুথোক্লবা নত্রগা ফাননবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি।

৪) মথক্কী ২ শুবা য়াথংসি পাংথোক্লবা থৌরাংদা রিজেন্টপু খুদক্তা সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ সিংহবু বৃটিশ অফিসারশিংদা শীন্নহনগদবনি, হায়বদি, পাংথোক্লিবা দরবার মীফম অদুদা টেকেন্দ্রজিৎপু লান্থোক্কুনা মি: কুইন্টল, অসামগী চিফ কম্মিস্নারদা পীগদবনি অমসুং -

৫) মথক্কী য়াথং মশীঙ (৩) অমসুং (৪) গী ৱাফমশিংসি ঙাক্ত্রবদি দরবারদুমক্তদা বৃটিশ লান্মীশিংনা শক্তি শীজিন্নদুনা সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎপু ফাগদবনি।

হায়বশিংসিনি। অদুবু মখোয়না পুরক্লিবা অইবা য়াথং-চেদু ঈঙ্গ্রেজীগী মরোন্দা ইবনা অমসুং লৈঙাকপা - নিংথৌ [Regent King] ওইগদৌরিবা যুবারাজ কুলচন্দ্রসিনা মমারোন মৈতৈরোনসিদগী হেন্না অতৈ জাতিগী মরোল

খঙদবনা অইবা য়াথং-চেদু মৈতৈলোন্দা হন্দোক্কুনা ইথোক্লবা পোলিটিকেল এজেন্সীদুগী হেডক্লার্ক রাশিকলপাল কুণ্ডু [Rassiklal Kundu] দা শীন্নরম্মী। মহাক্না মসি হন্দোকপসিদা মতম খর চঙহনখি, অদুনা পুন্নমকসি লাক্লিবা ময়ামদুগী থৌবুরেন মি: কুইন্টলনা মনিপুরগী যুবারাজ/সেনাপতিবু খুদক্তা দরবারদুদা পাঙ্গলনা ফাবা পাম্বনা চেনখি-চোংখিদনবা নত্রগা নাম্থোকখিবা ঙমদনবা লোয়নরিবা লাম্নীগী লাঞ্জিংবা অমসুং মহাক্কী সিভিল অফিসারশিংগা ৱাতানরগা দরবার তৌগদৌরিবা রেসিডেন্সীগী দরবার-শঙদুগী মনুং-মপান, শীরী থাক কাখৎফম-কুমথফম পরেংনচিংবা পুন্নমকসু শঙদুগী মনীঙ মমাঙ, নাক ওয়-য়েৎনচিংবা মফম পুন্নমক্তা খুরক হাঙদবা মখৈ গুর্খা সিফাইশিংনা পরেং লেঙহন্দুনা লেপ্লগা শন্ত্রি তৌহন্নবা শীন্নরম্মী অমসুং তৌহল্লম্মী। হায়রিবা মতমদুদা অয়ুক্কী চাকলেন [Lunch] গী মতম য়ৌরক্লবদা লমশাং চত্তুনা লাপ্না লাকপগী লান্নরক্লদুনা লন্স লৌনবা মী ঙাইরি-ঙাইদে খন্দনা হোৎনরম্লগনি, মরমদি রশিকলাল কুণ্ডুনা লৌরিবা মতমসি কুইমনখ্রে: ওডর মতেক অমখক লোন হন্দোকপবু পুং ১০.৩০/১১ দগী পুং ১-৩০ ফাওবা চঙব [মথক্কীসিদা ২২] সিদি হাকমল্লি।

মখোয় বৃটিশকী হন্দক্কী শীন-লাংলিবা মওং-মতৌসিদা অমসুং মতম কুইমন্না ঙাইনরকপসিদা মীতীক-মীরৌ খঙবশিংনা লানয়েং-মী [Spy] থাবা অমদি খোয়শাওনরবশিংনা মমাঙগী চিফ কম্মিস্নারশিংনচিংবা সাহেব অরাকপশিংনা চৎনরকপা দরবার তৌবগী চৎনবী-নিয়মগা মান্নদে, ময়ুমদা মী লাক্লগা কনানো, করিনো খঙদনা ফিদাসু থাদবা, কোম্থোঙদসু ঙাইহনবা হায়দুনা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্সীগী থোঙ্গালদা শজিবু-কালেনগী নোংশা মরক্তা লেপ্লিবা মনিপুরগী নিংথৌ, যুবারাজ, সেনাপতি, মন্ত্রীনচিংবা অঙম-অথৌ পুন্নমক শাওনরক্লে। মখোয়গী থৌরাংগী ঈঙ্গিৎকী পাউ ফংলবশিংনা ঈফ-ফজনা হকচাং ঙল্লক্রেনচিংবা হায়দুনা হন্নখিবসু য়াওনরে। অদুবু মশাগী পাউ অততাই ওইনা তানীঙখিবা নিংথৌদুনা অঙম-অথৌশিংগা ঙাইবা য়াবা ঙাইদুনা খঙবা য়াবা পাউ খঙখিগে হোৎনববু চিফ কম্মিস্নারদু যুবারাজ হনখ্রে হায়রুবদগী দরবার শঙদুদা মশক ফাওবা উহনখিদে। তশেংনা হায়জদুনা মনিপুরগী নিংথৌনা মহাক্না উন্ননবা অয়াবা লৌহল্লুববু যুবারাজ য়াওদ্রবদি উন্নরোয়, দরবারসু তৌররোয় হায়রকপদগী মৈতৈ অমসুং

অঙম-অথৌ পুন্নমক থম্মোইদা নুঙ ফুমদুনা কোনুংদা হন্নরকখি। অদুনা মথংগী দরবার পূংফম পীরকপসু যুবারাজ নারে হায়দুনা কনানসু চৎপীদ্রবদা মশাগী লৌনমদু মীনা খঙখ্রে খঙলদুনা অতোপ্পা লৌ হৌননবা যুবারাজ তশেংনা নাব্রা য়েংননবা মী থারকখি, মি: গ্রিমউড অমসুং লেফ: সিম্পসন লাকখি। মসিগী মমাঙদা রশিকলাল কুণ্ডুদা চিঠি ইদুনা পীহল্লুবদসু কান্নদ্রবদা সাহেব অনিসি নুমিদাংৱাইরম থারক্কুনা ভারত সরকারগী য়াথং পাউসি খঙহন্দবা য়াদে মতাগুম খঙহল্লখি অমসুং যুবারাজগী হকচাংগী ফিবম য়েংনবা যুবরাজ উন্নগে হায়দুনা উন্নরখি। লৌ পুন্নমকসি হোদ্রোঙ হোনা উরবা যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎনা মরুপ মি: গ্রিমউডকী মমায়সু ঙাকপা, মহারাজ অমসুং অঙম-অথৌশিংগী য়াথংগী ৱাফমসু চুমহন্দুনা পাউখুম পীবদগী মখোয় অনিসু হনখি।

মকোক থোংবা অফিসার অমগী লমচৎ-শাজৎসু খঙজদবা অমসুং মদুগী মহৈ-মশীংবু হৈজদবদগী মহাক্কী অরোনবা খুজীন-থৌরাং অমসুং শারৌ পুন্নমক মায়থীরবদুমক্তদসু অমুক হন্না নমথাক তৌদুনা যুবারাজ ফাগে খনবদগী অতোপ্পা চৎনবা য়াররোয়দবা উচীনা হৌদোং ফাননবগী হৌদোংগী মঙকশমদা শারী থাংলুনবগী লৌ-অমমুক হৌদোক্কুনা মার্চ ২৩ গী নুমিদাংৱাইরমসিদা "ঐখোয় হয়েংমক কোহিমাদা হনখ্রগে, তুম্মুরোমদা চৎলরোয় অদুনা পোথাং-পোৎপু মী পীয়ু, অদুগা নখোয়গী রাস য়েংদুনা অহিংসিমদি নুংঙাইখিগে, রেসিডেন্সীদা জগোয় শান্নহল্লু - হায়না রশিকলাল কুণ্ডু অমুক থারক্কুনা হায়হল্লখি। মহারাজ কুলচন্দ্রদি লোন্না ফোংলবা শারৌসি খল্লুদবনা খঙলবসু ময়ুমদা লাকপা মীথুং- মীরাকশিংদা তৌফম থোকপা মথৌগীদমক্তা খন্দুনা পুন্নমক্তু শোয়দনবা তৌ হায়দুনা তোপ-গারোড লোইশঙনচিংবদা য়াথং তৌখ্রে। অদুনা নোংথোনবা ফুলোদা লুপা ৪০ পীদুনা জগোয়গী/রাসকী থৌরাং তৌহনখি অমসুং গারোডকী লাল্লুপচিংবশিংনা পোৎথাং-পোৎপুগী মী ৪০০ খোমদুনা থৌরাং তৌখি।

যুবারাজ ফাননবা লান্দারকপা :- খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৩, নিংথৌকাবা নুমিৎসিগী সন্ধ্যা/য়াচঙবা মমাঙদগী মৈতৈ জগোয়/রাসকী মাঙথা-থৌরম [পুবর্বরঙ্গ (Prelude)] নুপা-পালা-ঈশৈ [নটসঙ্কীর্ত্তন] হৌদুনা চত্থরকপনা নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপা সঙ্কীর্ত্তন ঈশৈ লোয়রকপা, জগোয় হৌননবগী লাংনরিঙৈ তাল্লকসিদা অহিংগী চরা চাবা থকপা লোয়নরবা

বৃটিশকী অফিসারশিংগী অরোনবা মীটিং অমা রেসিডেন্সী অরোনবা কা অমদা পাংথোকখিরম্মী। কনাসু খঙহন্দনবগীদমক্তা আর্মীগী কেমেরা মীটিংনি হায়দুনা মিসেস সেন্ট ক্লেয়ার ঈথেল গ্রিমউড [Mrs. Saint Clair Ethel Grim Wood] ফাওবা চঙহনখিদে। তৌনরিবা ঈরাং মতা অসি উবদা মশাগী পুক্নীঙ- ৱাখল ঈথিলগী মঙম শানবী মিসেস গ্রিমউডনা খনখিরমগদবসি করি ৱাফম ওইরমগনি? ঐগী ঈপুরোইবগী মরুপ্তুগী মরমদা শোয়দনমক্কীদি খন্নরমগনি অদুবু মখোয়শিংসিনা করম্বা ৱারেপ্তা তারমগনি - হায়বসিনি। হায়রিবা মীটিং অসিদা শরুক য়াখিবা অফিসারশিংদি :-

সিভিল অফিসারশিংদা :-

১) মি: জে: ডবলিয়ু কুইন্টল, চিফ কম্মিস্নার, অসাম,
২) মি: সেন্ট ক্লেয়ার গ্রিমউড, পোলিটিকেল এজেন্ট মনিপুর,
৩) মি: কোশিন্স, এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট, নাগা হিল,
৪) মি: পি: আর: গোর্ডোন, লেফটেনেন্ট, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার, গোলাঘাট।

আর্মী অফিসারশিংদা :-

১) মি: চালর্স মেকডোব্রেল , কোলোনেল; কম্মাণ্ডেন্ট, ৪২ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট,
২) মি: জি: ঐচ; বুটচর, কেপ্তেন ৪২ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট
৩) মি: টি: বোইলু, মেজর, এসিষ্টেন্ট কম্মাণ্ডেন্ট " " " "
৪) মি : উডস, কেপ্তেন " " " "
৫) মি: জে: চেট্টর্টোন লেফটেনেন্ট
৬) মি: লুর্গাত " ৪৩ শুবা গুর্খা লাইট ইনফেন্ট্রী
৭) মি: সিম্পসন " ৪৩ শুবা গুর্খা লাইট ইনফেন্ট্রী
৮) মি: ব্রেকেনবিয়ুরী " ৪৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট

অসিশিংসিনি। মীটিংসিদা লেফটেনেন্ট সিম্পসন্না মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী অয়েকপা মেপ অমা পুথোক্লদুনা মখোয় তীল্লিবা আর্মী অফিসার অতৈশিংদুদা অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা পাল্লিবা থবক্তুগীদমক্তা যুবারাজকোন/ তম্পাকযুম [Jubaraja's Residential complex] অমসুং

নিংথেমকোল-লানবন [Citadel] গী নিংথৌকোল [Royal Official Complex] অমদি লৈম-নিংথৌকোন [Royal Palace Complex] নচিংবদা লান্দা-লাঞ্জঙবা মতমদা থেংনগদৌরিবা- লৈরমগদৌরিবা থোঙশিং, থোঙশঙ-মৈরিংবশিংগী শঙফম-ঙাকফম, মখোয়গী পোত্থা-পোথোকশঙশিং, মরক্কী সিফাই লেপফম-লৈফম, লানবনগী সিফাই লেপফম, লুমফম, শঙফম, থোঙ পানফমশিং; চেকপলশিং অমসুং লৈরং-লৈপনশিংগী অৰাংৱা, চাও-শাংবনচিংবা অমসুং মরক্তা লৈরিবা থাঙ্গপাৎশিং, অমদি মরু ওইবা শঙলেন-লোইশঙশিং, লাইশঙশিং, অসিনচিংবা পুন্নমক চাওরাক্লা লাপ্লবা, পাক-চাওবা, চাও-শাংবনচিংবা পুন্নমক মেপ্তা থিন-থিন্দুনা তাক্লুন্মী। মসিগী মতুংদা চঙগদবা লাঞ্জঙগী লাম্হোঙ-লাল্লমশিং চঙশিনগদবা, হন্দোক্কদবা লম্বী লমদাংশিং, হৌরিবা উপাল-ৱাপালশিং, মখোয়গী লম্বীদা থিংদুনা লৈরিবা থাঙ্গপাৎ, চেকপল, লৈপন, চঙথোক-চঙশিন- থোঙনচিংবা পুন্নমক উত্তুনা তাক্লবা মতুংদা কোলোনেল স্কেননা অমুক লান্দা-লাঞ্জঙগদবগী লানওং, লান্দা-লানকন, তেংবাং-লানবাংগদবা মওং-মতৌনচিংবা পুন্নমক শন্দোক্লা তাকখি। অদুগা লানফমদুদা থৌদা-থৌগায় লৌগদৌরিবা, লাঞ্জঙগদৌরিবা, মাঙ থাগদবা, তুং থংগদবা অফিসার পুন্নমক মমিং-মথাগা কোন্ননা মানা মানা পুগদবা লান্মী মশীঙ, মশক-মশা তাক্কুনা মশা-মশাদা মথৌ-মঙম, থৌদাংনবা পীদুনা, তাক্কুনা খঙহনখি। হায়রিবা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবা ফাওবদা চথখিবা লান্মীশিংগী মীটিং অদুদা শীন্নখিবা লাম্হোঙ অমসুং লানওংদি :-

On that very day (the 23rd March, 1891) two British Columns under Lieutenent Brackenbury of the 44th Gurkha Rifles were ordered to enter the palace and arrest the Jubaraj in the following morning. Lieutenent Brackenbury with 30 Rifles of the 44th Gurkhas started first before day break and made his way along ordinary road to the north entrance of the Manipur Fort or as to intercept the Jubaraj if he tried

to escape along the Kohima road. There was no gate on that face as the outer wall of the fort was in ruins and the moat dry then. Following Lieutenent Brackenbury at the short interval, Captain Butchar with 70 rifles of the 42nd Gurkhas moved from the British camp and acrossed the moat on the west face when the war ceased and rushed to the Jubaraj's house. Lieutenent Luggard with 20 men of 42nd Gurkhas and 20 other man of 44th Gurkhas was to assist captain Butchar and Lieutenent Brackenbury and Lieutenent Charterton with 50 rifles was detained to capture and hold the west gate of the outer enclosure of the palace.

[N.K.S., 1983, 28-29]

অসিশিংসিনি। মসিগী ৱাহন্দোক ওইনা রা: কুমার সনাহল সিংহ, বি: কম: না মহাক্কী খৃ: ১৯৭৩ দা ফোংবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ কৌবা লাইরিক্তা উৎলিবদি :-

... লেফটেনেন্ট ব্রেকেনয়ুরীবু ৪৪ শুবা গুর্খাগী সিফাই ৩০ পুদুনা নোংঙাল্লমদায়দা অৱাংলোমদগী ঈহান হান্না চঙউ হায়রম্মী। মসি অৱাংলোমদা টেকেন্দ্রজিৎ চেন্থোকখিদনবগী থৌরাংনি। লেফটেনেন্ট ব্রেকেনবিয়ুরীনা চৎখিবা খর লৈরগা কেপ্তেন বুটচরনা ৪২ শুবা গুর্খা সিফাই ৭০ পুদুনা নোংচুপ থংবা থাঙ্গপাৎ লানগদবনি হায়রম্মী। লেফটেনেন্ট লুগার্ডপু ৪২ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ২০ অমসুং ৪৪ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ২০ পুন্না ৪০ পুদুনা কেপ্তেন বুটচরগী মতেং পাংগদবনি হায়রম্মী। লেফটেনেন্ট চার্টটোনবু সিফাই ৫০ পুদুনা নোংচুপথোঙ পায়ননবা য়াথং পীরম্মী। হন্দক যুবারাজ ফাবদা শিজিন্নগদৌরিবা সিফাইশিং অসি স্নেডর রাইফল পায়বা ৪২ শুবা অমসুং ৪৪ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ঙাক্তনি।

চিফ কম্মিস্নারগী হুকুম পাংথোক্লবা কর্নেল স্কেনগী মখাদা লৈবা লান্মী মশীঙ মখাদা উৎলিসিনি মদুদি :-

মশীঙ	বৃটিশ অফিসার	ভারত-মচা অফিসার	অতৈ রেঙ্ককী লান্মী
১)	৪২ শুবা গুর্খা ৫ রেজি:	৫	২০৩
২)	৪৩ শুবা গুর্খা ১	২	১০৪
৩)	৪৪ শুবা গুর্খা ২	৪	২০১
	অপুনবা ৮	**১১**	**৫০৮**

মথক্তা উৎলিবা লান্মী মশীঙ অসিগী মনুংদা ৪৩ শুবা গুর্খা রাইফলসকী ভারত মচা অফিসার ১ অমসুং সিফাই ৩০ দি লাংথবান্দা লৈরখিরন্মী। ৪২ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ১০ অমসুং ৪৪ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ১০ দি মাল-চাংগা লোইননা সেকমায়দা লৈহৌরে অদুগা ৪৩ শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ১১ দি কছার লম্বীদা বন্দী ১ থিনবা থাখরে। ... অদুনা টেকেন্দ্রজিৎ ফাবগী মতাং অসিদদি কর্নেল স্কেনগী মখাদা লৈবা সিফাইশিং ৪৪০ দা মঙাইরে [রা:কু:স:,বি:, ১৯৭৩, ২৬-২৭]।

বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সীদা জগোয়/রাস উৎলিঙৈদা মীটিং পাংথোক্তুনা ৱারেপ তানরগা থৌরাং-ঈরাং পুন্নমক লোয়শিন্দুনা নুমিদাংগী পূং ৯.৩০/১০ তাবা মতমদদি বৃটিশ অফিসারশিং খর, মমিংদা ওইনা জগোয় য়েংলন্মী। অদুগা পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মৈতৈ-কোনুংগী তশবের নম্বা [Royal Photographer] দসু সরদারনা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা চঙলক্তুনা পোথাং-পোৎপু মী ৪০০ রেসিডেন্সীগী মপান্দা খারোম থংবা মায়কৈদা থৌরাং তৌদুনা লৈরে, হায়না রিপোর্ট তৌরন্মী। মহাক্না পুং ১১ রোম তাবদা চৎখ্রবা মতুং ফনা শাংনা রাস লীলাদু মখা চথরন্মী। অসুম্না রাস লীলাদু অহিংগী নোংয়ায় মতুং পুং ২ (I.S.T.) রোম তারমদায়দা লোয়শিনখি, অদুগা রাসকী অয়াওবা মীশিং অদুনা কোনুংদা মৈতৈ পুংদা [পুং ৬৪ না নোংমা শাবদা] নোংঙানগদবা পুং ৮ লোম [পুং ৪.৪৫ দা নোংঙানবনিনা তাং ২৩ গী অহিংগী পুং ২ রোম] তারমদায়দা মৈতৈ কোনুংদা থুংনরখি [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৮৪]।

অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: কুইন্টলগী মমায়-থক্লবা থৌরাং, মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক অমগী মনীঙ তৌবা যুবারাজবু মরৈপাকমক্তুদা পাঙ্গলনা নমজা-নমথেক্লদুনা ফাগনি হায়বা থৌশীলদুগীদমক্তা মনিপুরগী/ ভারতকীনা নিংথৌকাবা নুমিৎ মার্চ ২৪, ১৮৯১ গী নোংঙাল্লমদায়, গ্রীনৱিচ

মীন টাইম [Greenwich Mean Time (G.M.T)] গীনা লৈপাকপোকপা নুমিৎ, মার্চ ২৪ গী নোংঙাল্লমদায়, মৈতৈ-পুংদা নোংঙানগদবা পুং ১ [মিনীট ২৪/২৫] ৱাৎলিবা মনীঙ-মখা তন্বা লৈপাক অনিগী মরক্তা চৎনবা, মতম পুন্নমক্কী ওইরবা, মালেমগী মী-কাংলুপ পুন্নমক্কী চৎনবা ৱায়েল [Concurring International Code] গী মনীঙ তন্বা লৈপাক অমবু অতোপ্পা মনীঙ-মখা তন্বা লৈপাক অমনা লৌশিন্নবা/লাকশিন্নবা/ নমথনবগী লমদাংদা লান তৌনবগী, লান্দা-লান্থেংননবগী ৱায়েল [Law of invasion and wagging war against each other between two countries and their allies] গী ৱাখুন- "লৈপাক অমনা অমগী মথক্তা নত্রগা অমতনা অমগী মথক্তা লান লাউথোক্লবা [Declaration of War against each other or by one against the another/other/between/ among the independent countries/nations]... গী ৱায়েল-পথাপকী মতুং ইন্না লান লাউথোকপসু তৌদনা, মীগী মরৈপাক্তা মীথুং- মীরাক [অতিথি (Guest)] নত্রগা মরুপ-মপাংগী পাউখোল্লোই [Messengers/Errand of Friend/Friendship] ওইনা লাক্লগা/লৈরবগা হুরান-লান্নাদা য়ুমবু [Host] গী মঙক লেনগে, ময়ুম মৈ থাগে, মচা ফাগে, অসিনচিংবা তৌগে - হায়না থৌরাংবগুম পাংদবা মি: কুইন্টলনা মনিপুরগী কোনুং কংলা-লানবন্দা মী হৌগৎনদ্রিঙৈদা লান্দাদুনা ফাগে হোৎনরিবা অমসুং থৌরাংদু পায়খৎনবা পাউতাক অমসুং য়াথং পীরক্লিবা কুইন-ঈম্প্রস ভিক্টোরিয়া [Queen Empress Victoria] গী মীনাই হেনরী চার্লস কৈথ, "লেন্সডাউনগী মার্কুইস" হায়নগকা মিংথোঞ্জদুনা লোর্ড লেন্সডাউনসু কৌনবা, বৃটিশ-মচাশিংগী মিংদা থীননবা পোল্লকপদুনা পীবা য়াথং-থৌদা অমসুং থৌগায়গী মতুং ইন্না মখা থাবা, হুই ওইরবা মি: কুইন্টলগী লান্মীগী অফিসারশিংদুনা শীন্ন-খিবা অমসুং শিন-নখিবা মথৌ-মথৌশিং পায়খত্তুনা মৈতৈ-কোনুংলেন কংলাদা লান্দারকখি। হায়রিবা লান্দা-লান্থেং অসিগী বৃটিশকী লানওং-লাঞ্জঙ, লাল্লম-লানথুপ, লান্দান-লাঞ্জেন্নচিংবগী মরমদা পীরম্বা খর থমজরি :-

(১) চৈথারোল কুম্বাবগী লামায়দগী :-

... মাইবম সুবোলগী কুম শক ১৮১২ ... লমতা থা ... ১৩ নি নিংথৌকাবা [The night of 23rd and morning of t he 24th March, 1891 A.D. in Greenwich Time])... নোংঙানগদবা পুং ১ [মৈতৈ পুং] অমা লৈরিঙৈদা সাহেপনা সিফাই লোইনদুনা নোংমৈ কাপ্লরে। নোংমৈ মখোল তাবদা নুপী নহা য়াম্না কায়দুনা চেন্নরে। অমসুং পুখ্রনবা তংকোনা চোংথোক্তুনা চঙলক্লিবা সাহেপকা খুৎনা ফংনা য়ান্নদুনা ২মক শিমিন্নৈ। তাংখুল হাও ২সু শিএ, বামোন ১সু শিএ। অদুদগী নোংথিল অদু য়াম্না কাপ্লরে। সাহেবকী সিফাই ৭ তি মিনুথোং ৱাংমা লান্না পাংঙল (দসু) সরদারগী ময়ুমদা চঙদুনা নুপী ৩ হাৎলম-এ, পাংঙল সরদারসু হাৎলমএ। খুল্লক চঙদুনা উশম লৈকাই, য়াম্বেম লৈকাই, শাইখোম লৈকাই ৩মা মৈ থারমএ। য়াম্বেম তোল্লেনখোম্বনা য়ুম মৈ চাকলে হায়দুনা কন্বদা নোংমৈনা কাপ্তুনা শিএ। শ্রীযুৎনা চিংনাং খোংনাং অসোমদা য়াম্না কায়নরে, য়ুমসু থারমাল্লে, মৈখু কারে। নুপী নহা য়াম্না কায়নরে - হায়দুনা খুম্বোং সুবেদার ১, লৈশাং জমান্দার ১, অথোকপম দেৱান ১, চোংথা মিয়া ১, মখোয় অসিনচিংনা কাপ্লরুই। খুম্বোং সুবেদার, লৈশাং জমান্দার, অথোকপম দেৱান ৩ মা নোংমৈনা পান্দুনা শিএ। নোংচুপ থোঙদা মচাইবুংঙো ৱাংখৈরাকপা [মাইপাকসম্না/লোকেন্দ্রবীরজিৎ সিংহ] না সিফাই ৫০ গা লোইনদুনা কাপ্লে। অদুদগী নিত্যাইনন্দগী মপাদা লান্দুনা লাম্মী থোঙগী অৱাং পাংবা, শল্লুংশঙগী মমাঙদা লৈববু কাপ্লদুনা থুগায়রে। অদুগা নুমিদাংৱাইরম্দা সাহেপসু বাঙ্গালাদা চেনশিনখিয়ে। অদুদগী থাঙ্গবাৎ পললীদা কাপ্লেএ। সাহেপকী বাঙ্গালাদগীসু য়াম্না কাপথোকলকএ। থেংলক্লবদা কমেশোন সাহেপনা পেংগুন্না তোকখিসি হায়রকএ। লেপ্পকী হায়রকএ। কমেশোন সাহেপনা দরবার তৌসি হায়রবদি লুক্রাম্বা লাল্লুপচিংবা নহাক্লা কমেশোন সাহেপপু ওকলু হায়না বাঙ্গালাদা চঙহনখি ...[মথক্কীসিদা, ৪৮৪-৮৫]।

অসিনি। অদুবু মতমদুগী মহারাজ কুলচন্দ্রধবজ সিংহ [The last autonomous independant monarch of Manipur] না থোকখ্রিবা থৌদোক-ৱাথোক পুন্নমকসি অমসুং মদুগী শাথোক-লাম্থোক্তুনা

পুরকখিবা অমাঙ-অতা পুম্নমক পন্দুনা মার্চ ২৫, ১৮৯১, শগোলশেন নুমিত্তা ৱারোল পুম্নমক শুগায়না ইরগা মশা কঞ্জনবগীদমক্তা বৃটিশকী মথক্তা মৈতৈনা লান লাউথোকখ্রবা মতুংদা মতমদুগী ভারতকী গভর্নর-জেনরেল হেনরী চার্লস কৈথতা মমিং পান্দুনা ইবা চিঠিগী মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লবা ৱারোলশিং অদুদি :-

(২) মহারাজ কুলচন্দ্রনা হেনরী চার্লস কৈথতা ইখিবা চিঠি :-

ডেটেড মনিপুর কেপিটেল, ডি ২৫থ, মার্চ, ১৮৯১

ফ্রোম : কুলচন্দ্রধবজ সিংহ্, মহারাজ, মনিপুর

টু : হিজ, এক্সিলেন্সী ডি মোষ্ট ওনরেবল হেনরী চার্লস কৈথ, মার্কুইস ওফ লেন্সডাউন, ভাইসরোই এণ্ড গোভর্নর- জেনরেল ওফ ইন্দিয়া।

ঐগী ঈকাইখুম্নফম ওইনা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিজরবা মরুপ

ঈকাই খুম্নজবগা লোইননা খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না ঈকাই খুম্নজফম থোক্লবা গোভর্নর- জেনরেলনা উবী-খঙবীনবগী থাক্তা ঐ পুখৎচরক্লিবা ৱাফমশিংদি অসিনি, মদুদি, মফমসিগী পোলিটিকেল এজেন্টনা ঐঙোন্দা অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা চহিসিগী ফেব্রুৱারী লোয়রগা মনিপুরদা লাক্কনি, অমসুং মদুগীদমক পোত্থাং-পোৎপু মীশিং অমসুং ঐখোয়গী লমঙাক-লমচা শঙশিং/থানাশিং [Outposts] দা য়াইরেক-পোত্থাশঙশিং [Rest-houses] শাগত্তুনা থম্বগী চঙগদবা থৌরাং-ঈরাংশিং শেম-শাবীনবা ঐঙোন্দা হায়জরক্লম্মী। মানা হায়জরকপসিদগী ঐনা পোত্থাং-পোৎপু-মী [Porter/Cody] ৪০০ খক পীবীরম্মী, অমসুং মহাক [চিফ কম্মিস্নার] না লৈরনবা শঙ কয়ামরুম খেন্ন-খেন্নরবা মফমশিংদা শাবীরম্মী। মাঙগী চৎনবীগী মতুং ইন্না চিফ কম্মিস্নারনা মনিপুরদা থোক্লকপা খুদিংমক্তা মখোয়বু ঙাক-শেন্দুনা থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌনবা মৈতৈ লান্মীশিং থানরকখি। হায়রিবা চৎনবীসি ঙাক্লনবা ঐনা মাগী তেংবাংনবা ঐগী লান্মীশিং থাবা পামজরম্মনি অদুবু ৱাফমদু মহাক্না য়াবীখিদে। জেনরেল থাঙ্গালসিংহবু ইম্ফালদগী নুমিৎ ৮ নিগী খোঙচৎ চৎলগা লৈবা মাওগী লমকন-লমচা শঙফম ফাওবা থাদুনা

ঐনা চিফ কম্মিস্নারবু ওকচখি অমসুং মহাক্কী তুংয়িনবা ওইনা লোইনরকপা সিফাই ৪৫০ বু লম্বীদা মখোয়গী পোত্থা-পোত্থোক্লবা থৌরাংশিং পুন্নমক তৌরবনা মনিপুরদা য়ৌরক্লক্তুনা থুংলরম্মী। লাম্মীগী লাঞ্জিং-পুরেন ওইবা ঐগী ঈনাও ইবুংঙোনা কোনুংসিদগী মাইল ১২ লাপ্পা সেকমাইগী লমকন-লমচা-শঙফম য়ৌনা চত্তুনা চিফ কম্মিস্নারবু ওকচরকখি। ঐগী ঈনাউ ইবুংঙো যুবাবরাজনা মাইল ৪ লাপ্পা কোইরেঙ্গৈদা ওকচখি। চিফ কম্মিস্নারনা মার্চ ২২, নোংমাইজীঙ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১০ তাবদা মনিপুরদা থুংলরবদা, ঐ ইশামক্লা কোনুংগী থোঙ্গালদা থোক্তুনা মহাকপু ওকখি। মমাঙদগী চৎনরকপগী মতুং ইন্না মহাকপু ঈকাই খুম্নবা উৎননবা ঈকাই খুম্ননা খুরুম-খাজঙজব [Salute of honour] গী নোংমৈ খুৎকাপ্পু লানবন মনুংদগী কাপ্লকলম্মী। হায়রিবা মতমসি মা-ঐ খুৎ শোক্লরবা মতুংদুদা নুমিত্তুমক্কী নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ দা রেসিডেন্সীদা দরবার [Meeting] অমা পাংথোক্লবা মহাক্লা কৌরি অদুগা হায়রিবা দরবার/ মীফমদুদা হায়নগদবা গভর্নর জেনরেলনা খঙহল্লকপা করিগুম্বা অমা থারক্লি মরম অদুনা ঐনা ঐগী ঈনাও ঈবুংঙোশিংগা লোয়ননা পুং ১২ তাবদা দরবারদু য়াওরগদবনি - হায়না পাউ পীরকখি। হায়রিবসিগী মতুং ইন্না ঐনে, ঈনাও ঈবুংঙো যুবারাজনে, ঈনাও ঈবুংঙো ঈতোন তোনবা শামুহঞ্জব [জিলাঙম্বা] নে, অঙম-অথৌ মন্ত্রীশিংগা লোয়ননা লেপ্পখিবা মতমদুদা রেসিডেন্সীদা য়ৌরম্মী অদুবু চিফ কম্মিস্নারনা কায়থোকপা য়াবা মতম ফংদদুনা ঐখোয়বু লম্বীদুদা পুং অমা ঙাইহন্দুনা থম্লম্মী। ঈনাও ঈবুংঙো যুবারাজনা ঐঙোন্দগী মাঙ থারম্বনি, অদুবু মশা নুংঙাইরক্ত্রদুনা অমসুং মতম অদুক শাংনা ঙাইরকপদুদা ঙাইবা ব্বারক্লদুনা ময়ুমদা হনখিরম্মী। হায়রিবা মতমদুদা রেসিডেন্সীগী মনুংদা চঙবা য়াবগী মরোল খঙহল্লক্লদুনা ঐহাক মনুংদুদা চঙলম্মী। অদুবু চিফ কম্মিস্নারনা যুবারাজ লাক্ত্রবদি ঐগা উন্নরোয় হায়না খঙহল্লকপদগী ঐহাক রেসিডেন্সীগী বাঙ্গালা মনুংদুদা পুং ১ গা ঙাইথখিবা তারম্মী। ঐহাক দরবার শঙ মনুংদা ফম্বা পামখি অদুবু চিফ কম্মিস্নারগী অয়াবা য়াওদবনা ঐবু ফমহনখিদে। অসুম্না কুইরবা মতমসিগী মতুংদা ঐবু দরবার শঙদু চঙননবা হায়রক্লম্মী অমসুং মনুংদুদা চঙলম্মী অদুগা মদুদা ফমথরম্মী। মাঙগী চৎনবীগী মতুং ইন্নদি চিফ কম্মিস্নারনা রেসিডেন্সীগী বাঙ্গলাদা চঙলক্লগা মহারাজবু খুৎ শোক্লগা দরবারদুদা লেঙ্‌শিল্লকপদু/

লেঙ্‌লকপদু ওক্কদবনি। অদুবু হৌজিক্কী হায়রিবা থৌরম/থৌদোকসিদদি ঐনা দরবার শঙ মনুংদা চঙলবা মতুং ফাওবদসু চিফ কম্মিস্নারবু উবা/উন্নবা ফংখিদে। মদুগী মহুত্তা দরবার-শঙদুগী মমাঙদা মনীঙদা অমসুং মখাদা [দরকারগী ফম্ফমদুনা ৱাংখৎনা থোনগৎপা নত্রগা ফোপ হাবদগীনি], মদুগী থাক কাফমশিংদা অমদি দরবার-শঙদুগী মনুংদু ফাওবদা সিফাইগী সিফাই ঙাক্তা খুৎলাইশিং পায়দুনা ফিবম থৌরাং-শেমদুনা লৈবদু উরম্মী। অসিগুম্না মহৌশাগীগুম নত্তবা থৌরাংশিংসি উবদা ঐগী ৱাখন্দা চিংনবা পোক্লম্মী। অদুম অদুম ওইনমক ঐনা গভর্নর-জেনরেলনা থারকই হায়রিবা খঙহল্লকপদুগী তানীঙবগী ঈখৌ লাংবনা পীরিবা ঈকাইবা পীবগী লমচৎ-শাজৎশিং অমসুং ঈকাই খুম্নবীদবগী মচৎ-মতৌশিং পুম্নমক্কু খাঙদুনা দরবার-শঙ মনুংদুদা অদুম ঙাইদুনা লৈরম্মী। দরবার-শঙদুদা চিফ কম্মিস্নারদু অদু ফাওবদা থোক্লক্ত্রবদুদা ঐনা পোলিটিকেল এজেন্টতা ঈনাও ঈবুংঙো যুবারাজদি মশা ঙমদবদুনা মরম ওইদুনা দরবারদু য়াওবা ঙম্লরোয়, অদুগা ঐসিনা চিফ কম্মিস্নারনা দরবারদা হায়দোক্কনি হায়রিবা গভর্নর-জেনরেলগী খঙহল্লকপা পাউদু খঙনীঙবগী ঈখৌ লাংলে অদুনা মরমসিদগী চিফ কম্মিস্নারবু উনবা ফংহনবীনবা হায়রম্মী। পোলিটিকেল এজেন্টনা চিফ কম্মিস্নারদা হংলুরবা মতুংদা ঐঙোন্দা পাওদম্লিবদি যুবারাজ লাক্ত্রবদি/য়াওদ্রবদি মহাক্না ঐগা উনরোয় হায়রে হায়বসিনি। অদু ফাওবদা ঐনা চিফ কম্মিস্নারবু অমুক্তং উন্নবা পান্নমখি। অদুবু মতৌ অসুম্না হায়জবসিমসু য়াবীখিদ্রে। অসুম্না ঈকাইবা ফংবসিনা ইতোমতা পুক্নীঙ নুংশিনা অমসুং ঈকাই নুংশি য়ান্ননা অরেম্বা কান্নদবদা নুমিৎ য়ুংবগী পুং ১২ দগী ৩ ফাওবা ঙাইদৌবা মখৈ ঙাইরুরগা কোনুংদা হল্লকখিরম্মী।

মথংগী নুমিৎ, মার্চ ২৩ [নিংথৌকাবা] দা চিফ কম্মিস্নারনা ঐঙোন্দা ইরকপা চিঠি অমা পোলিটিকেল এজেন্টতা পুহল্লকপদুদা গোভর্নর-জেনরেলনা ঐগী ঈনাও ইবুংঙো যুবারাজবু মপাল্লমদা পুথোকখিব [Deportation] গী ৱাফমবু অয়াবা পীরে অদুনা চিঠিদু পাবিবদুগী মতম কায়থোকপীবদুনা ঐনা মাবু পোলিটিকেল এজেন্টতা খুদক্কুদা লাম্থোক্লদবনি, নত্রবদি মহাক পাঙ্গালনা নমথেক্কুনা ফারগা মপান্দা থোকখিগনি - হায়না ইরি। ঐহাক্না মঙোন্দা ৱাফমশিংদুগী পাউখুম মন্ত্রীশিং অমসুং অঙম- অথৌশিংগা খন্ন-নৈনরগা হল্লক্কনি হায়না খঙহনখ্রবদা ঐনা মন্ত্রীশিং, অঙম-অথৌশিং অমসুং লৈপাক্কী

য়াইতোং- খমতোংবশিং পুম্নমক্কী ওইবা দরবার অমা পাংথোক্লবা কৌখি। দরবারদুদা ঐনা ব্রাফম থাঙ্গৎলুবদা কনা অমতনসু ঈরাল লৈজদ্রবা, পঙজরবা যুবারাজনা মশা নাবা ফরবা মতমদা পাউখুম পীরক্লগে হায়দুনা চিঠি ইখি। চিফ কম্মিস্নারনা হায়রিবা চিঠিসিগী পাউখুম অমতা থারক্ত্রগা, পুম্নমক্লা তুম্নরিঙৈ অহিংদা খুৎলায় পায়বা মশীঙ য়াম্লবা লান্মীশিং থারক্তুনা খঙহৌদনা কোনুং মনুংদা চঙলকখি অমসুং যুবারাজগী ময়ুম-শঙ্গায়দা লান্দারকখি। যুবারাজগী থোঙ্গাল-থোঙশঙবা ১১ হাত্তোকখ্রগা যুবারাজগী ময়ুম শঙ্গাইদুদা চঙখিরম্মী। নুপা অনিগী মঙক ককথৎপীখি অমসুং অতোপ্পা নুপা মচা অহুমবুনা নোংমৈন্না কাপ্তুনা হাত্তোকপীখি। লৈরিবা লাইশঙ মনুংদা চঙদুনা লাইগী, মুর্ত্তিদুগী মফি-মরোননচিংবা লৌথোক্তুনা অফংবা পোৎ- চৈ পুম্নমক্তা লোয়ননা চায়খায়খি। কোনুংগা নক্ল-থংননা লৈবা খুঙ্গং অমা মৈ থাদোকপীখি, বামোন অমগী ময়ুম-লাইশঙনচিংবা মৈ থাবদা নত্তনা লাইগী মুর্ত্তি, শা-শন অমসুং লৈরম্বা খুদিংমক খাক্তনা মৈ থাখিরম্মী। নুপীমচা অনিখক্কী মশম-মশম পুন্না পুনশিল্লগা মৈনুংদা লংশিনবীখি অমসুং অনিদু মৈনা চাক্তুনা শিখি। অকিবনা নীক্তুনা চেম্থোকচরকপী নুপা অমা ফাদুনা মখুৎ ককথৎখিবা অমসুং মনা লেনবীখিবা মহাক্তুদি হৌজিক ফাওবা হিংলি। নুপা অমবুনা মখোঙ- মখুত্তু অহানবদা পুল্লপ ককথৎপীরগা মতুংদা মীহাৎ থীনা তমথীনা হাত্তোকপীখি। অসুপ য়াম্না তমথীরবা মঙংসিদা চত্থরক্লবা ফাওবদা ঐখোয়না মায়রোঙ্ য়াদনা লৈরম্বনি অদুবু অরোয়বদা মখোয়না ঐগী কোনুংদা লান্দা-লাঞ্জঙলক্লম্মী অমসুং মদু মৈ থারক্লম্মী অমসুং মতুংদুদা ঐখোয়গী খাঙবা ঙম্বগী চাংদু অমুক হন্না লৈরক্ত্রবদা অমসুং ঐগী প্রজাশিংদুনা ঙাওরক্লবা অমদি ঐনা লাকশিন-ফাজিনবদু মাঙখ্রবদা মখোয়না মখোয়গী নুপী অঙাংশিং অমসুং মধর্ম্ম ঙাক্ল-কন্ননবগীদমক্তা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি। লান অদু মায়কৈ কয়ামরুম মশীঙ থিঙমদনা শিখি। বৃটিশ সিফাই খর অমসুং সাহেপ ৭ খকসু শিখি। মখোয়সিগী মনুংদা চিফ কম্মিস্নার অমসুং পোলিটিকেল এজেন্টসু য়াওখি। সিফাই কয়া হাৎখ্রবগে হায়বগী মশীঙদু হৌজিক ফাওবদি লেপ্পা ঙম্নদ্রি। পোলিটিকেল এজেন্টকী নুপীদু সিফাই খরগা লোইননা কছাররোমদা চেনখি।

হৌজিক থোকখ্রিবা অব্রাবা থৌদোক-ব্রাথোকসিগী মরমগীদমক্তা ঐনা শাথীনা অব্রাবা অমসুং নুংঙাইতবা থম্মোইদা ফাওরি। ভারতবর্ষগী মহারাণীগী প্রজা ওইনা হৌজিক হৌজিক মনিপুরদা লৈরিবা অফিসারশিং, সিফাইশিং

(ই) দসু সরদারগী নুপী, মখোঙদা নোংমৈনা পানবা- কাপ্তুনা শোকহনখিবা
(ঈ) দসু সরদারগী মচানুপা - কাপ্তুনা হাৎখিবা
(উ) ” ” মচানুপী - কাপ্তুনা হাৎখিবা
(ঊ) য়াম্বেম তোল্লেনখোম্বা, ময়ুম মৈচাকপা কল্লুবদা - কাপ্তুনা হাৎখিবা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা
(ঋ) দসু সরদারগী মচানুপী লৈশাবী - মৈ থাদুনা হাৎখিবা
(ঌ) ” ” ” মচানুপী লৈশা ফারক্লিবী - মৈ থাদুনা হাৎখিবা
(এ) ” ” ” - মৈ থাদুনা হাৎখিবা
মশীঙ(ঌ) ১সুং (এ) অনিসি মশম-মশম পুনশিন্নরগা - মৈ থাদুনা হাৎখিবা মৈনুংদা হুঞ্জিনখি

৩) মৈ চাকখিবা লৈকায়শিং

i) উশম লৈকায়
ii) য়াম্বেম লৈকায়
iii) শাইখোম লৈকায়
iv) রেসিডেন্সীগী মনীঙগী কবুই খুন
v) নোংমাইথেম লৈকায়
vi) অঙোম লৈকায়
vii) হাওবম লৈকায়

৪) মৈ থাখিবা য়ুম,-লাইশঙশিং

i) য়াম্বেম্বা তোল্লেনখোম্বগী ময়ুম
ii) মোইরাংথেমগী
iii) য়েনশেম্বমগী ”
iv) লংমাইথেমগী ”
v) য়াম্বেম্বা অবুংগী ”
vi) শাইখোম্বগী ”
vii) কোংব্রাইলাৎপমগী ”
viii) কোংব্রাইলাৎপমগী লাইগী মুর্ত্তিগা কোন্নবা লাইশঙ
ix) শাইখোমগী অতোপ্পা য়ুম ১
x) ” ” ২ শুবা য়ুম ১
xi) কোনুং মনুংগী লোইশঙ ১
xii) বৃটিশ রেসিডেন্সী বাঙ্গালা

[মথক্কীসিদা, XXVIII-XXX অমসুং (রা:ক:স:বি:, ১৯৭৩, ৩৪-৬)]

লান থোক্লদুনা থেংনখ্রিবদু অসিগুম্বা তমথীরবা অমসুং মপুক ফত্তবগী থৌদৌশিংসিগী মরম্মনি। লান্দুদা মী কয়া য়াম্না শিখ্রবা হায়বদু হৌজিক ফাওবদা চপচপ চানা মশীঙ লেপ্পা ঙমদ্রি।

সহি
(শ্রীযুৎ কুলচন্দ্র সিংহ)

মার্চ ২৫, ১৮৯১, ইং মহারাজ, মনিপুর

অসিশিংসিনি। লান অসিদা গুর্খা সিফাইশিংনা মীনুংশি খঙদ্রিবা অমসুং তমথীরিবা অসিগুম শাথীবা মৈতৈসু ঙমই, অদুবু চাওখৎপা অমসুং লৈপাক মচা তাবগী থাককী ৱাফমদা অসিগুম্বসিনা মখোয়গী মশক তাকচরিবদুনি। অদুনা মখোয়দদি শাওরুবা, চৈরুবা য়াদে; চৈগদবদি মখোয়বু লোইরিবা মীরৈহৎ মপুদুনি; শাহুইদি শাহুইগী মথৌ তৌজবনি, পুন্নমক্না লোইবা য়াবনি।

মৈতৈগা বৃটিশকা লান লাউথোক্লখিবা

মথক্তা লীজখ্রিবা লান অমসুং লানফম অনিসিদগী শুমথরকপা মহীদুগী মচুম-ময়াক্না বৃটিশ অমসুং মৈতৈগী লান লাউথোক্লরক্কদৌরিবনি। হায়রিবা লানসিগী লাল্লমগী লানফম অমদনি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মহাক্কী হকথং-লাল্লোয় ১৯ (তরামাপন) গী য়াইবী থৱাই কৎলগদৌরিবসি। মখোয়সিনা লান্থেংনখিবা লাঞ্জাওদুগী হওরকফম মরূ ওইবনিনা মশক্তুদং তাকচরম্বনি। অদুগা হায়জ-লীজখ্রিবদুগী মখা তারকপা ৱারী-ৱাখোঙগী পরীংদি-

খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৩-২৪ গী মৈতৈ-বৃটিশ অনিমক্কী লান্দা-লানকন অমসুং শারৌ-লাংলৌগী চক্রি তান্নবা অমসুং মুকুবসিদা অমগা অমগা অঙম তান্নদুনা মমু য়ৈথেক্লনবা হোৎনরকপসিদা লান থোক্লরক্তুনা খুৎলাই থানরক্লবা মতমসিদা মশাগী মরাল থিজ-খঙজদনা লাল্লুরিবা মি: কুইন্টলনা শোয়দনা মায়থীরগনি খঙলক্লবা মতমদা নুমিদাং পূং ৮ তাবা মতমদা মহাক্না লান লেপ্পসি হায়দুনা মৈতৈ কোনুংদা খঙহল্লকপদগী লান ঙাইহাক লেপলিঙৈগী শরকসিদা মহাক্না চিঠি অমা ইদুনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পব [Cease Fire] গী ৱাফম থল্লদুনা হায়রকখিবদুগী অশম্বা ৱারোলদি - করম তৌরগা মহারাজনা ঐখোয় ঈথক্তা নোংমৈ কাপ্পা লেপকদবগে অমসুং টেলিগ্রাম মরী শমজিল্লগা ভাইসরোয়গা ৱা তানবা/ঙাংনবা ফংগদবগে, অমদি ৱা ঙাংননবগী মতম পীগদবগে [M.E.G., 2000, 135] - হায়বসিনি মহাক্কী চিঠিসিগী

অমসুং প্রজাশিং পুন্নমকপু ঐগী ঙাকশেন মখাদা লৈরি। অদুগা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকসি ঐগী মায়কৈরোমদগী মায়পুননা হৌদোক্লকপা, ৱাহওদগী নত্তে হায়বসি ভারতবর্ষগী মহারাণীগী অফিসারশিং, সিফাইশিং অমসুং প্রজাশিং পুন্নমক্লা খঙনরি। মসি মহারাণীগী মকোক থোংবা অফিসার [The Chief Officer] অদুগী মমায় থকপা অমসুং মঙক কনবগী মরমচৎতুনা মপুঙ ওইনা থোকহনখিবনি।

হৌজিক ফাওবসিদা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা মনিপুর হায়বা পীক্লবা লৈপাকসিবু মরুপ-মপাং ওইবগী মচৎ-মতৌদা ঙাক-শেন্দুনা লাক্লি। মসিদা ঙসি-ঙরাংগী অকক্লবা থৌদোক্লুম্বা ৱাথোকসিগী ময়েক-মচু থোক্লা হন্না হন্না য়েৎন-নৈনদুনা চুমথোক-শেংদোক্কদবগী মহুত্তা চিফ কম্মিস্নারসিনা মরুপ-মপাং ওইবগী মরীসিবু ককথৎনবা/থদৎনবা অমসুং অসুপ য়াম্না চুমদবা অমদি তমথীরবা থৌওং- থৌদৌদা করিগী থবক পায়খৎখ্রিবনো হায়বসি ঐহাক খঙবা/খন্থবা ঙমদে। অদুগা ঐ মহাক্লা অসুপ চুমদবা মওংদা, ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইরবা গোভর্নর- জেনরেলগী লমজিং মখাদা, থবক তৌরক্কনি হায়বসি থাজবা ঙমদে।

মনিপুর অমসুং বৃটিশ গোভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরুপ-মপাং ওইনবগী মরীসি, ঐহাক্কী লৈখিদ্রবা ঈবুধৌ-ঈবুংঙো মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মতমদগী লৈনরক্লবনি। ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙমজবা শক্তিগী অরোয়বা থাক্তা বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী মতেং পাংজরি। অদুবু অসিগুম্বা খঙহৌদনা থোক্লকপা মরুপ-মপাং কায়নবগী চেখায়নবসি করিগীদমক্তা মরুপ-মপাং অনিসিগী মরক্তা থোক্লকখ্রিবনো? [N.K.S., 1982, A-XXIV-XXVIII)

মথক্কীসিদগী থোক্লকখিবা অমাঙ-অতাশিং :-

৩) যুবারাজগী শঙ্গায়দা

(ক) নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবশিং :-

i) লাইশ্রবা তোনু, কুট [Havildar]
ii) ৱাহেংবা, " "
iii) ঙাইরাংবা " "
iv) লাইশ্রবা লুপাংকোক
v) পুখ্রনবা তংকো
xi) হৈখা চাওবা
xii) লম্মাবম মোচা
xiii) অঙোম মোচা
xiv) নুপামচা - ১,
xv) লাই সেবা তৌবা বামন

vi) নহারাকপা
vii) তেরা মোইখোংবা
viii) তেরা মোইখোংবা (নহা)
ix) থিনবম সনাহল
x) কাংঙবা চাওবা
xvi) লাই সেবা তৌবা বামন (নহা)
xvii) ব্রাহ্মন অহল
xviii) নিংঙোম্বা নৌতুন

(খ) মঙক কক্তুনা হাৎখিবা

i) নুপীমচা পুংকক চাওরবী ১
ii) নুপীমচা পুংকক চাওরবী ১

(গ) মাঙহনখিবা য়ুম-কৈ অমসুং পোৎ-চৈ

i) বৃন্দাবনচন্দ্র/বৃনামচন্দ্রগী লাইশঙদা চঙলগা লাইগী মুর্ত্তি মাংথোকপা
ii) ব্যনামচন্দ্রগী ফিজেৎ-লৈতেং লৌথোক্লগা মাঙহনখি
iii) লাই সেবাগী - শরীক, পঞ্চরাতি, মোইবুং, কু শি-তামি, অসিনচিংবসু মাঙহনখি।
iv) লাইগী মমল য়াম্বা লীক-কোন লুট তৌখি।
v) অতৈ লৈরম্বা - লৈ পোল্লাং, তুলশী পোল্লাংনচিংবা অফংবা পোৎ-চৈশিং মাঙহনখি।

(ঘ) অশোক- অপনশিংঃ-

i) হিজবা মতৈ খুৎলাইনা শোকপা
ii) ৱাহেংবা চাওবা ” ”   ”
iii) যুবারাজগী থোঙঙাকপা - কাপ্তুনা শোকখিবা
iv) ” ” ” ” অতোপ্পা ” ” ”

২) অতোপ্পা মফমশিংদা হাৎখিবশিং অমসুং শোক-পনখিবশিং

i) শামুহঞ্জবগী য়ুমদা মী ১ কাপ্তুনা শোকখি।
ii) মেনুথোং ৱাংমদা

(অ) দসু সরদার, মৈতৈ কোনুংগী ফোটোগ্রাফর অহানবদা মখোঙ অমসুং মখুৎ ৪ মক ককখি } - কক্তুনা হাৎখিবা
অদুগা মমৈদা মঙক কক্তুনা হাৎখি।

(আ) লম্বীদা নুপী অমা কিদুনা চেম্হোক্লকপদা ফারগা মখুৎশিং ককখিবা অমসুং মনাশিং লেনখিবা } - কক্তুনা শোকহনখিবা, হিংলি

ৱাহংগী পাউখুমদা মহারাজনা পীখিবদি - "ঐহাক্তি নঙগা খৎনগে হায়বগী ৱাখল খক তৌখিদে, অদুবু নঙগী সিফাইনা ঐগী কোনুংদা লান্দারক্লবা অদুদা ঐগী মীশিংনসু মশা কঞ্জনবা নোংমৈ পায়খিবনি। ঈংলিশ পাবা ঙস্বা অমদি খঙবা মীওই অমতা ঐগী কোনুংদা লৈতে। অদুমওইনমক, নঙগী চিঠি অসিনা লান হেক লেপ্পগা থারকপনিনা নহাক লান তোকপা পামলে হায়না ঐনা লৌরে। নঙগী সিফাইশিংনা খুৎলাই থাদোক্লবদি ঐহাক থুনমক নঙগা ঈঙনা-তপ্পা তায়শিন্নগনি [ডা:চ:স:, ১৯৭০, ১৬৬]", অসিনি। মসিদা, "নঙগী সিফাইশিংনা খুৎলাই থাদোক্লদি" হায়বসিদা, বৃটিশ লান্মীশিংগী খুৎশূ-খুৎলাইশিংদু মতমদুগী মনিপুর গোভর্নমেন্টতা শীন্নথোকপগী ৱাফম্নি [M.E.G., 2000, 136]। অদুবু ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্দোক লৌনবদা মখোয় ঈঙ্গ্রেজ মচা অফিসারশিংদুগী মরক্তা ৱাখল্লোন খেন্নদুনা ৱাহন্দোক মান্নদনা লৌনবগী চমন্নবা অমা থোক্লদুনা মখোয় মশেল ৱাখল-লৌশিং তীন্নদ্রিবসিগী ময়েক শেংননবা অমসুং খুৎ থোক্লরুবদগী মায়কৈ অনিমক্তুদা য়ানবা পুরক্লদুনা তায়শিন্ননবগীদমক মহারাজ, যুবারাজ, সেনাপতি, মন্ত্রীনচিংবা অঙম- অথৌশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নবা, তাথোক-তাশিন তৌনবা, চান্ননবগী ৱাফম খন্নবা পান্নদুনা মি: জে: ডবলিয়ু: কুইন্টলনা বেঙ্গুল মরোন্না অমুক হন্না খোংহন্দুনা মখোয়গী মীহুৎ ওইবা মথক থোংবা মীওই খর মৈতৈ-কোনুংগী লানবন্ মনুংদা চঙলকপা য়ানবগী ৱাফম খঙহন্দুনা অয়াবা নীজরকখি। মনিপুরগী মায়কৈদগীসু অয়াবা পীবগী ৱারোল খঙহন্দুনা বেঙ্গুল মরোন্না পাউ হন্দোক্লকখিরম্মী অমসুং মৈতৈগী অঙম-অথৌশিংবু কোনুংদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতায় শান্নগদৌরিবা অদু য়াওরনবগীদমক্তা মহারাজনা খুদক্তা পাউ থাদুনা খঙহনখিরম্মী।

মি: কুইন্টল, অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা ৱারী শান্নদুনা তায়শিন্নবগী অয়াবা হেক ফংবগা করিসু খন্থদনা ৱাথোক-লাম্থোক্তুগী মরূনি হায়রিবা মহাক মশামক্তা মনিপুরদা হান্নদগী লৈরম্লবা মি: ফ্রেঙ্ক গ্রিমউড, পোলিটিকেল এজেন্ট, মনিপুর; লেফটেনেন্ট সিম্পসন, রেসিডেন্সী গার্ডকী কম্মাণ্ডর; অপুনবা লান্মীগী মকোক চার্লস মেকডোৱেল স্কীন অমসুং মি: কোশিন্স, নাগা হিলসকী এ: পি: এ: অমদি বেঙ্গুন খোংবা গুর্খা সিফাই অমগা লোয়ননা লান

হেক লেপখিবগী ঈ ফোং-ফোং শান্নরিবা মতমদুদা কোনুং লানবন মনুংদুদা লান্দা মপা-মচা, মচীন-মনাওনচিংবা হাৎখিবগী ঈ শাগৎখিবদু ঈংথদ্রিবা, লানগী নুংশিৎ কোক্ত্রিবা মৈতৈ-লান্মী ৪০০/৫০০ রোম পুন্দুনা লৈরি খঙনা খঙনা দরবার [Meeting] তৌনবনি হায়দুনা লাকখিরম্মী। হান্নবা পাউ ফংদুনা লৈরম্লবা মৈতৈগী অঙম-অথৌশিংনা মহারাজগী য়াথংদগী দরবার শঙ হাঙদোক্তনা শঙ্দুগী মমাঙগী লম্বেলদুদা অফংবা ফিদা চৌকিনচিংবা থাদুনা শীন-লাংলগা থোঙ্গাল নত্রগা লম্বীগী দরবার ওইনা পাংথোক্লবা "চেঙ পুরগা চেঙ শীং" দা তৌননবা শেম-শাখি। দরবার অসিদা মহারাজ কুলচন্দ্রদি মশক উৎখিদে, মখোয়না মার্চ ২২ দা তৌজখিবদুগী মতীক চাবা পাউখুম পীখিবদু মি: কুইন্টলনা খঙজরমগনি - কলিদা খুদৈ কংবা নংদবনিনা অমসুং দরবারদুদা মৈতৈগী মায়কৈদা য়াওখিবা অঙম-অথৌশিং খরদি - যুবারাজ কোইরেং/ টেকেন্দ্রজিৎ; জেনরেল কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহ, সেনাপতি অঙৌসনা, শামুহঞ্জবা জিলাঙম্বা, অঙোম নিংথৌ নোংমাইথেম্বা গীরীধারী সিংহ, লুৱাং নিংথৌ মাইস্না শামু সিংহ, কর্নেল/কোলোনেল, নহারুপ লাকপা নিংথৌজাম্বা, অসিনচিংবনা দরবারগী ফম্বে ফমদুনা শরুক য়ারগা দরবার তৌফমদুগী অকোয়বদা/মনাক্তা মার্চ ২৪ দুগী অযুক্তগী/নোংথিলদগী নুমিদাং পুং ৮ তাবা ফাওবদা লান শোক্লরুবগী কোনুং মনুংদুদা তীল্লিবা মৈতৈ-লান্মীগী লাল্লুপ-লান্মী [মসিগী অপুনবা মশীঙ ১২,০০০ খক্তনি] অমসুং ষ্টেট লান্মী [মসিগী অপুনবা মশীঙ ৫০০০ খক্তনি]গী শরুক্কী মীওই খরগী মনুংদগী মীশক ১০/২০ খকনা পাউ তাবা অমসুং য়াথং ঙাইবা ওইনা লেপ্তুনা শরুক য়াখিরম্মী। অসুম্না দরবারদু পুংখায় অমরোম চপ্থরক্লবা মতুংদা যুবারাজনা হায়খিবা ৱাফমদি :-

.... সাহেব, নখোয়না হায়ববু ঐখোয়না য়াবা লৈতে। নহানসু [ঙরাং (মার্চ ২৩)] বেগারী পিও চৎলগে হায়শিন্নরগা অহিংদা নোংমৈ কাপ্তুনা নুপী নহা য়াম্না শিরে। ঐবু হাৎকে তৌবনে, নখোয় সরকার অসিদি বিচার চুমদে, মীনমএ। ধরম/ধর্ম্ম য়াম্না লৈতে। ঙসি নখোয়না তৌবদি নিংথৌনচিংবা লৈপাক পুন্নমক হাৎকে তৌবনে, ঙমদবগী তোকপনে; নোংপোক থংবা চিংনাং খোংনাং অসি মৈ থারে, মৈতৈ ঐখোয়না করি লানবা লৈবগে? নখোয় লান তৌগে হায়রিবনি। থাজবা লৈতে [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৮৫]।

অসিনি। অসুম্না মখোয়না তৌখিবা মরাল পুথোক্তুনা মখোয়গী থাজনীঙঙাই ওইদ্রবা নমথাক্কী মরমচত্তু হায়বীদুনা মরাল শীরকপসিদা পাউখুম খুস্ফম লৈত্রবা অসামগী চিফ কম্মিস্নারদুনা মতুং তারকপদা করি হায়খিবা অমসুং মৈতৈনা লান/নোংমৈ কাপ্লবা লেপ্লবগী ৱাফমদুদা থমখিবা ৱারম (শিং) অমসুং ফিরেপ অমদি মদুদা বৃটিশশিংনা পীখিবা পাউখুমদুগী মনিপুরগী ক্রোনিকল অমসুং এন্নালস [Chronicle & Annals] না পীরিবা অৱায়-অখুমদুদি :-

- সাহেপনা হায়। "লানফমদি তৌররোই, ঐখোয় ফনরসে"।

- যুবারাজ অমসুং কাংঙবা থাঙ্গালনা হায়। "লান তোল্লুগে হায়রবদি সাহেপ-লুক্কী নোংমৈনচিংবা থাঙ-তা পুম্নমক ঐখোয় সিফাই চত্তুনা ঙম্না লৌহল্লুগে, কোনুংদা থমসে। ১তা মাঙহল্লোয়, বিচারলোয়গা ঙমনা লৌজখো। সাহেপকা লোয়নরকপা বেঙ্গুলসু হলহনখো। সাহেপতি কোনুংদা লৈখো। নখোয় ৫মা ঐখোয়গা ফমিন্নসে। ঐখোয়গী মীদি ১০০ রোম শিরে"।

- "ঐখোয়গী খুৎলাই পীথোক্তুনা কোনুংদা থম্বদি হৌনদে। নখোয়না থোকপা তৌ-ও।" [মথক্কীসিদা, ৪৮৫]

অসিশিংসিনি। মসিদা অঙম তান্নরিবসিদা ঙকচাও থেকপসিগী মহুত্তা মখা তানা করি খন্নবা য়ারিবগে, হায়বা ৱাফমসি বৃটিশ-মচা, অশাবা বৃটেনগী হাইলেণ্ডর অফিসারশিংদুনা পুখত্তুনা খন্নরম্লবদি অতোপ্পা মনিপুর ইতিহাসকী খোংলম-খোঙফম অমা ওইরমগদবনি অমসুং মি: কুইন্টলদু সমুদ্র ঈরম ৭ কী ৱাংমদা লৈখ্রবদা ময়ুমদুদা মতু-মচা, মরী-মতানচিংবা উন্নদুনা হরাও-নুংঙাইনা নোকমিন্ননবগী তাঞ্জা অমা ফংলম্বসু য়াবনি। অদুবু মঙক কনবদুগী লীচত্তু মখোঙদা চহী শেনফু/চফু লীশীঙ অমা হৈদুনসু নোংমাংখানা খক থুম্লত্তবনা মহাক্তা নত্তনা মহাক্কা চেন্নবীদুনা মরাল লৈজদ্রবশিং - মি:এস:টি:সি:এফ গ্রিমউড, মি:এম:ডি:স্কেন, মি: কোশিন্স অমসুং মি: সিম্পসন, লেফটেনেন্টতগী হেন্দুনা গুর্খা বেঙ্গুল সিফাই অদু ফাওবদা মরৈপাক্তা য়ৌবদি লাইরদুনা মখুৎ নামা তিংথোকপদা য়ৌরবা মনিপুরগী বৃটিশ রেসিডেন্সীগী থোঙ্গাল য়ৌবা ঙমখিদবদুগী মি: গ্রিমউড, পোলিটিকেল

এজেন্টকী তাল্লোয়না মপুরোইবগীদমক অমসুং মপুরোইবগী মরুপ মি: সিম্পসনগীদমক নীঙদনা তেংথাহৌরিবা ... " Mr. Simpson had gone of his own account as he wished to accompany my husband, and I had begged to be allowed to go with him too; but he said I was safer where I was, and bade me goodbye, telling me to keep a brave heart, that the firing was at an end, and peace about to be restored; and he told me to try and get some rest, as I looked so tired. I never say him again [M.E.M., 2000, 136] - অসিগী থৌদাংদু যিসুগী সেকেণ্ড কম্মিং [The Second Coming of Jesus] দা মহাক্লা কনাগীনো, কুইন-ঈম্প্রেসকীরা, ভাইসরোইগীরা নত্রগা মশাগীরা হায়বদু শেংদোক্কদবনি। মরমদি তেংথাখোন অসি মিসেস সেন্ট ক্লেয়ার ঈথেল গ্রিমউডনা লৈবা লণ্ডনগী ময়ুমগী বুইল্ডিং অমদগী থোক্লক্তুনা মালেমসিগী নোংমদোন্দা নীলহনখিবনি।

মৈতৈগী যুবারাজনচিংবা অঙম-অথৌশিংগা বৃটিশকী মকোক থোংবা অফিসারশিংগনা ৱা তায়শিন্নবা ঙমদ্রদুনা অমসুং য়াদ্রদুনা দরবারদগী হৌগৎনদুনা থোক্লখ্রবদা বৃটিশ অফিসারশিংদুবু যুবারাজগী য়াথংনা ঙাক-শেন্দুনা থিন্দোকপীখিনবা/থিনবীরুনবা নোংমাইথেম্বা গীরীধারী সিংহ, অঙোম-নিংথৌদা শীন্নরম্বগী মতুং ইন্না মখোয়বু অঙোম-নিংথৌনা থিন্দোক্লকপদা হান্নদগী খোয়শাওনরবা, মপুক্লীঙদা লমন খুম্নীঙবগী নুঙদুম ফুম্লিবা মৈতৈ লান্মীশিংদুনা ময়াম হওদুনা হয়িংখোইনা খোইরাদা য়োমশিনবগুম য়োমশিল্লক্লম্মী। মীয়ামদুনা মখুৎ-মশা য়াওরকপা য়াই হায়দুনা মীয়ামগী ঈরাং-ঈহও [Public mob] দুগী মরক্তা অঙোম নিংথৌনা মখুৎ তিংথোক্তুনা ফনা কন্থোকচদুনসু মীয়ামদুনা "হাৎলো, হাৎলো।" হায়বা খোল্লাউনা লাংনরকপদুদা সাহেপশিংদুনা তুংইন্নদুনা মথৱাই হিংননবা চেন্নরম্মী। মখোয়বু মীয়াম্না তান্নরদুনা দরবাররোমদা চেনশিল্লকপগী মতমদুদা মি: গ্রিমউডনা মাঙ ঈথং থংনা দরবার শঙদুগী কাখৎফম খোঙগাল [Steps of Stair] কাখৎলক্তুনা খোঙ্গাল থাক মশীঙ ৪ শুবা য়ৌরবদা যুবারাজগী মনাই পুখ্রনবা ফিঙাং/কাজাওনা মখুত্তা পায়বা তা হুল্লক্তুনা মি: গ্রিমউডকী

থজীন্দা পান্দুনা হকচাং মনুংগী কায়াৎ অনি থম্মোই অমসুং থবোম্মী [Heart and Lungs] শোক্লা লেঙখিবা মাল্লি, মহাক খুদক্তুদা মফমদুদা তুরগা মথৱাই থাখি। অদুগা অতৈ সাহেপ ৪ দুগী মতুং ঈথং-থংবা মি: সিম্পসন্দা তান্নরক্লিবশিংদুগী মরক্তগী অমনা থাঙনা য়াম্বরকপদগী মি: সিম্পসন মকোক্তা খর শোকখি অদুবু থাঙনা য়াল্লক্লিবা মীশক্তুদি মশক খঙ্খিদে, মীয়ামদুগী মরক্তা মাঙখিরম্মী।

মীয়াম-ঈহওগী লান্দাদুদা মখোয়বু ঙাক শেন্দুনা চেনমিন্নরক্লিবা অঙোম নিংথৌ গীরীধারীনা ৱানা হোৎনদুনা দরবার-শঙগী থোঙজাওদু কাওখায়দুনা থোঙ হাঙদোক্লগা সাহেব মরিদু দরবার-শঙ মনুংদা চিংশিন্দুনা চঙহল্লগা মখোয়বু মীয়ামগী শাফুগী চৈথেংদুদগী কনবীখি অদুগা থোঙ লোনশিন্দুনা মখোয়বু শঙ মনুংদা লৈহনখি। মতুংদুদা অঙোম নিংথৌনা উরু সিংহ নত্রগা উশুর্বা/উশবা পোত্থাং-পোৎপু লাল্লুপচিংবা Lisham Uru Singh allias Ushurba/Ushaba, the manager of the porters of the Nagas and the Kukis] [N.K.S., 1991, 89] বু মখোয়গী ঙাক-শেন শন্ত্রী থম্মনবা থৌশীল- থৌরাং তৌননবা হায়খিরম্মী। অদুগা অঙোম নিংথৌদু মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিরম্মী। মীয়াম্না লাংন-লাউনবগী মখোল- খোন্থাংদুনা যুবারাজ কোইরেংবু দরবার-শঙ মনাক্তুদা মিৎকুপ খর পুরকখি অমসুং মহাকপু উবদা লাংনরম্বা মীয়াম ঙাইহাক্কী ওইনা ঈংথ-চীকথনখি। মতমদুদা যুবারাজনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুগী ওইরল্লিবা মতৌদু অফবা নত্তে হায়না খনখি অমসুং মিৎকুপ অমতং লৈখিদ্রবা মরুপকী আত্মা শান্তিগীদমক তুমিন্না লৈদুনা ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌজরগা অৱাবা ফোংদোক্লমখি। অদুগা মহাক্কী মরৈপাক্তা মীথুং-মীরাক ওইনা লাক্লগা লানহওবগী শক্তম লৌরকখিবা বৃটিশকী সাহেপ লানহওবা মকোকশিংদু লানফাগুম, কৈশুমদা লৈবগুম ঙাকশেন লাম্মী শঙদুনা লৈরিবদু খুদোং থীবা থোক্তবা য়ারে খঙলবদুদা কনাদা করিসু, মখোয়দুগীদমক হায়রম-ঙাংলমদনা লাউ-খোংদুনা নীল্লম্বা লাম্মীশিংদুনা তুংয়িন্দুনা কংলা-কোনুংলেনগী খা-নোংচুপ থংবা থাঙ্গপাৎকী মনুংদা খারিবা চেকপলগা তায়ন-নপ্পনা লৈরিবা লৈপন-পল্লী মথক্তুদগী বৃটিশ রেসিডেন্সীদা লৈরিবা বৃটিশ লাম্মীশিংবু তাম্থোক্লবা নোংমৈ তোপ্পচিংবা কাপশিল্লিবদু য়েংলুনবগীদমক্তা সনা খোঙলেঙখ্রে। বৃটিশ লাম্মীশিংসু নোংমৈগী পাউখুম নোংমৈনা পীরম্বদগী নোংমৈ মরু লোয়খিদুনা

খুবাক মখোল থোক্তুবদা রেসিডেন্সীগী অৱাং থংবা নাকন্দা লৈরিবা লমহাঙ অদুদা উপ্রাক্লনা হীপ্তুনা নত্রগা পাকথদুনা লানগী ফিবম শেন্নগা চিফ কম্মিস্নারনচিংবা সাহেবশিংগী পাউ ঙাইদুনা লৈখিরম্মী।

যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎবীর সিংহনা দরবার-শঙগী মনাক থাদোক্তুনা চৎখিবগী মতুং ঈকুই কুইদনা মফমদুদা কাংঙবা থাঙ্গাল, জেনরেল থুংলরম্মী। বৃটিশশিংনা পাংথোক্লক্লিবা শরৌ-লাংথাক্কী খুজীন-থৌরাংশিং, মৈতৈগী পাউখুম মপী-মরাক, তীংখংবু তীংখংনা হনবা, অশাববু অশাবনা লোকপগী থৌদৌ- থৌওং অমসুং অনিমক্লা খুন্নরিবা নোংমৈগী পাউখুম অসিনদি মৈতৈ বৃটিশকী মরীসিদা অমুক হন্না তায়শিন্নবা য়ারখিগনি হায়বগী লংলা-লংজীন উদ্রবা কাংঙবা থাঙ্গাল জেনরেলনা মৈতৈদা য়েক্লবা [অৱা, ঈংগ্রেজনচিংবা অমা হেক্তা] গা লাম্থেংনগদৌরিবসি থাঙ্গাল মশামক, নত্রগা যুবারাজ কোইরেং নত্রগা সেনাপতি অঙৌসনা, অসিনচিংবা অমত্তা নত্তে, লাম্মী ওইরিবা মৈতৈ প্রজা মীয়ামসিগনি, মখোয়-মখোয়শিংসিদি ময়ামগী মমাঙ থাবা লুচিংবা ওইরুবগী মশক মখৈ উৎপদনি; লান্দি মীয়াম মখোয়গী লান্মীনা মীয়াম মখোয়গীদমক মখোয় মীয়াম্না থেংন-শোক্লগদবনি, মরম অসিনা মখোয়গী অপাম্বা মতু-মচা হাৎখিবগীদমক, মচীন-মনাও নোংমৈ কাপখিবগীদমক, মচন-মচে মৈনুংদা হিংনা লংশিন্দুনা হাৎখিবগীদমক, মখোয়গী লাইনীঙগী লাইবু যিশু নত্তবনা খোঙগাওবী শান্ননীঙখিবগীদমক অমসুং মখোয়গী শাইজিন্দা মৈ চুখিবগীদমক লমন খুম্নীঙলিবা অনীঙবা-অপাম্বদু থুংহনবনা মখোয়না মীয়ামগী লুচিংবা ওইরুবদুগী মখুত্তা তারবা মথৌনি, অদুনা মহাকসু মথৌ তৌবা তাই হায়না লেপখ্রবা মৈতৈ-জেনরেল থাঙ্গালনা উশবা কৌদুনা কংলা নোংশা মমাঙদা অঙৌবা মকোক লোংনা তাহন্নবা "সাহেবশিংদু মচীন থুপচিল্লো"- হায়না য়াথং পীখি। অদুবু উশবনা যুবারাজগী য়াথংলা, হংলবদা মচিন্না হায়বগুম্বা পাউখুম ফংলবদগী যুবারাজগী মনাক্তা চত্তুনা ৱাফংনরুবদা অনিমক্কী পাউ ফাওনদবা, অমগা অমগা ৱাখল তীন্নদবা খর লৈবদগী হান্ননা শিখ্রবা মি: গ্রিমউডকী হকচাংদুগা হিংহৌরিবা মখোয় মরিগা বেঙ্গুল গুর্খা সিফাইদুগা লোয়ননা তেন্দোংথাঙগী ময়াদা চৎহনখি, মখোয়গী ঈনা কংলাশাগী মচীন্দা/ ময়াদা তৈশিনখি, মখোয়গী মকোক্লা নুঙগোইবীদা লাল্লু চনখি অমসুং মশানা খ্বাইরম্বন্দ খৈদেন/বজারগী নাগাতুরেনগী মপান্দা ফুমখি। হায়রিবা ৱাফমসিগী চৈথরোল কুম্বাবদা পীবীরম্লিবদি :-

... মাইব্যা সুবল কুম শক ১৮১২ ... লমদা থা ... ১৩ নি নিংথৌকাবদা ... সাহেব ৫, পেংগুম ১গদি ৬মা উত্রা মমাঙদা হাৎলে। অদুদা মাইবা ৰাংখৈ পণ্ডিত ১, য়েনকোকপা অশৈবা হনবা অসিনচিংবা হঞ্জবা হিদং কৌদুনা পণ্ডিত মখোয়না হৌনবা তৌও, হায়এ। লাল্লুদি নুঙগোয়বীদা চল্লে। মশাদি খ্বাইরম্বন্দা ফুমএ। [চৈ: কু: ১৯৮৯, ৪৮৫-৮৬]

অসিনি, অদুবু কংলা-শাগী ময়াদা/মচীন্দা ঈ তৈশিনখিবগী ৰাফমসি মতাং অসিদা পল্লমদে, অদুম্মক ওইদুনসু হায়রিবা শা অনিসি খৃ: ১৮৯১ গী জুলাই ২০ দা নোংমৈ হীদাক [Explosive dynamite] চন্দুনা কাপখায়খিবসি [মথক্কীসিদা, ৪৯৯-৫০০] মরম অসি লৈবননি, কাওবীগনু।

মৈতৈনা লান লাউথোকখিবা :- মালেমসিগী লৈঙাক্লোনগী ৰায়েন, মীওইবগী হক তানবগী/কনবগী পী-পথাপকী ৰাখুন পরেং অমসুং মখোয়গী গ্রেট বৃটেনগী লৈঙাক-ৰায়েনগী কাংলম-কাংখুন খঙজদ্রবা অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: জে: ডবলিয়ু: কুইন্টলনা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৩ গী অথেংবা অহিংদা মনীঙ-মখা তন্বা, নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী মনীঙ তন্বা নিংথৌ মচা, লৈপাক্কী হিরম অয়াম্বগী লুচিং-পুরেন অমসুং মরৈপাত্তুগী লাম্মীগী লাঞ্জিং-পুরেন, মহাক্কী য়াথংদবু ঙাইনরিবা-চৎনরিবা অমবু মরৈবাক্তুমক্তদা অফোংবা দরবার পাংথোক্লগা দরবারদুমক্তদা ফাগনি হায়না তৌখিবা অপঙ-থৌনাগী থৌশীল- শারৌদু মায় পাক্ত্রবদা লাল্লে হায়না চঙজগে হায়দনা অশীঙননা অকনবা ঐখোয়নি, চাওখৎলবা জাতিনি অমসুং অশীংবা ঐখোয়নি হায়না হাইগৎলকখিবা মঙকশমদুদা মৈতৈগী মীহাৎ-মীককথাঙ তেন্দোংথাঙনা ৰায়েলখ্রবা মতুংদুদা মার্চ ২৪ গী নুমিদাং পূং ৯ লোম তাবদগী বৃটিশ রেসিডেন্সীদা লৈরিবা বৃটিশ লাম্মীশিংগী মথক্তা তোপ বমদিয়ার য়াওনা লান্দাদুনা মখোয়বু খুদুম চন্নবা নত্রগা তানথোকখিনবা লান্দারকখি। মখোয় বৃটিশ মচাশিংনা মৈতৈদা লান কাই হৌরুবদগী তশেংনা খুৎ থোক্লরক্লবদা, তশেংনা মায়থীগনি খঙলবা মখোয়গী লুচিংবা অফিসার খরনা ৰাতায়নগনি, লান/নোংমৈ কাপ্লবা লেপ্লনবা অয়াবা পুরক্কনি-হায়না চৎখিবদু ঙাইদুনা লৈবদগী ঙাইহাক অমুক নোংমৈ কাপ্লরুববু নোংমৈ মরু লোয়থোকখ্রবদা মাগী মাগী হিংননবা লম্বী য়েংনরকখি। বৃটিশ লাম্মীশিংনা মখোয়গী রেসিডেন্সীগী তেঙ্গোল অমসুং লানশঙ কায়রবদা অৰাংলোমদা কোহিমা লম্বীদা সিফাই খর,

খারোমদা ৪৩ শুবা গুর্খা রাইফলসকী জমাদার বীরবল নগরকাতিনা লুচিংবা সিফাই ৪০ না বর্মা লন্বীদা অমসুং মপুঙ ওইবা লান্মী, মিসেস গ্রিমউড, কেপ্তেন বোইলিয়ু, লেফটেনেন্ট পি আর গোর্ডান অমসুং শিরুম-নারুম তৌরবা লেফটেনেন্ট ব্রেকেনবিয়ুরী নচিংবা মী ১৬০ গা লোইননা কছার লন্বীদা লাঞ্জেন্নখি। হায়রিবা মৈতৈনা খুৎ হন্দুনা বৃটিশ লাকশিল্লকপা অমসুং তান্থোকখিবগী লানথেং-লানশোক্লবসিদা মাঙ-তাকখিবা অমসুং লানফা ওইখিবশিংদি :-

১) রেসিডেন্সীগী যুম মৈ থাবদা

i) ইনা কুপ্পা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী লোইশঙগী শঙ

ii) ট্রেজরীগী শেনফম লুপা ১,৮৫,৭২৯/-

(ক) শেল ময়েক ওইনা লুপা ১,৭০,৪৪০/-

(খ) ” নোট ” ” ৯৫৬০/-

(গ) স্তাম্পকী মমল ওইনা ” ৫,৭২৯/-

অপুনবা লুপা ১,৮৫,৭২৯/-

২) লানফা/বন্দি ওইবশিং :-

A) লান্মীশিং

i) ৪২ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী

মশীঙ	মমিং	ফম	কম্পনী	সিফাইগী মশীঙ
(১)	লালু থাপা	জমাদার	এ	২৮১৫
(২)	শান্তবীর গুরুং	সিফাই	বি	২৯৪৪
(৩)	অমর সিংহ থাপা	”	বি	২৮৯৬
(৪)	ডালিয়া ঘাটি	”	বি	৩১৮৭
(৫)	হরক বহাদুর	”	বি	২৯৪৯
(৬)	পদ্মসিংহ রানা	”	সি	৩১৫৪
(৭)	সিংহবীর গুরুং	সিফাই	সি	২৯১০
(৮)	পুনা ”	সিফাই	ডি	৩১৫৫
(৯)	মহেশ্বর ”	সিফাই	ডি	৩৩৮৯

(১০)	গাবা গুরুং	সিফাই	ডি	৩৩০৬
(১১)	ভিউসিংহ্ থাপা	”	ডি	৩২১৭
(১২)	সুরুপজিৎ থাপা	”	ঈ	৩৪৬০
(১৩)	অম্বর সিংহ ”	সিফাই	ঈ	৭৫৯০

B) তুংয়িল্লকপা মীওইশিং -

(১) পুনা ভাদরা থাপা, ভিস্তি; (২) মোঙ্গার, শম-ককপা; (৩) সুয্যধন গুরুং, তুংয়িনবা; (৪) নির্ঘিন, শগোলশেনব; (৫) পবনরাম, শগোলশেনবা; (৬) মনিরাম, শগোলশেনবা; (৭) গোকুল, শগোলশেনবা; (৮) দুখে, শজীকফানবা; (৯) মুনার, থৌগনবা [ডুলি ব্যারর]; (১০) পালিকাম, থৌগনবা; (১১) ফুরসতি, থৌগনবা, (১২) গোপাল, খিদমৎগর; (১৩) জোখু, শগোলশেনবা; (১৪) খুন বাহাদুর,

ii) ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট

A) লান্মীশিং -

মশীঙ	মমিং	ফমথোল	কম্পনী	সি:মশীঙ
(১)	বনবীর থাপা	হবিলদার	বি	২৪৬০
(২)	মাইবার ”	নাইক	”	২৪৭০
(৩)	গোজেন্দ্রো থাবাস	বেঙ্গুল খোংবা	”	২৪৭৪
(৪)	মহেশ থাপা	সিফাই	”	১৯৪০
(৫)	নিহুল রানা	সিফাই	”	২২৬৭
(৬)	পুরান থাপা	”	”	২২৭৭
(৭)	পুয়া টু ”	”	ঐচ	১৫১১
(৮)	ইন্দ্রবীর ”	”	বি	২৫৩৮
(৯)	রোকী	”	”	২৬০৮
(১০)	সুরবীর	”	”	২৬৬২
(১১)	কায়ের সিংহ	”	”	২৬৭৭
(১২)	গোপী	”	ঐচ	২৬৩৫
(১৩)	জিৎরাম গুরুং	”	”	২৬৮৪
(১৪)	বিউ সিংহ থাপা	”	বি	২৬৯২
(১৫)	খরসিয়া থাপা	”	”	২৫৯৩

B) তুংয়িনবা

(১) অব্দুল করিম [সিম্পসনগী খানসামা]
(২) মনিরাম [" শগোনশেনবা]

iii) ৪৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট

A) লান্মীশিং -

(১)	নরসিংহ গুরুং	হবিলদার	ডি	৭১
(২)	জলসিং থাপা	হবিলদার	সি	২৬৬
(৩)	মনবাহাদুর গুরুং	লান্স নাইক	বি	১২৫২
(৪)	দিলু সিংহ বাহাদুর	সিফাই	এ	৬২৭
(৫)	দলসিংহ থাপা	সিফাই	"	১৪৮২
(৬)	গারা থাপা	সিফাই	এ	১৫৮২
(৭)	মনিরাম থাপা	সিফাই	"	১৬৪৪
(৮)	উজির সিংহ পূন	"	বি	১৫৬৬
(৯)	মেতবীর থাপা	"	ডি	৯৭৫
(১০)	ধরবীর থাপা	"	"	১২০৯
(১১)	জপার থাপা	"	"	১২৫৯
(১২)	মান সিংহ "	"	ঈ	১৪৩৪
(১৩)	কনবীর "	"	"	১৫৩০
(১৪)	চন্দ্রসিংহ	"	"	১৬০৩
(১৫)	সিতা পুন	"	"	১৮৪১
(১৬)	আনন্দ গুরুং	"	"	১৮৬১
(১৭)	লক্ষ্মন পুন	"	"	১৮২১
(১৮)	জব্রানসিংহ গুরুং	"	"	১৭৫০
(১৯)	গজবীর থাপা	"	"	১৫০৬
(২০)	জিৎ বাহাদুর "	"	"	১৬৯৫
(২১)	গজবীর "	"	"	১০৪৬

(২২) ভক্তবীর থাপা, ডিস্তি

B) মতুং য়িনবশিং -

(১) বসন, কুলিং, (২) বিরাই, খানসামা, (৩) অর্জ্জুন, শগোলশেনবা অমসুং (৪) বিহারী।

C) শগোলশেনবশিং :-

(১) যুবনসিং লামা, (২) লক্ষ্মনসিং লামা, (৩) রঘুবীর মিস্ত্রী, (৪) তুলসিরাম নাৱার, (৫) ইন্দ্রবীর থাপা, (৬) চুরামন মুণ্ডা, (৭) মহেশ ঘটৱাল, (৮) তৈয়ারাম ঘটৱাল, (৯) ভিকারী

IV) পোলিটিকেল এজেন্সী -

(১) উমেশচন্দ্র ঘোষ, (২) লসমন প্রসাদ, (৩) রামলাল পাল, (৪) রামাধুর হজাম, (৫) শ্রীমন্ত, (৬) মৃলুকচাঁদ, (৭) আয়া, (৮) শ্যামচান্দ বাসক, (৯) প্রবসি, (১০), কাজিম ভুইয়া, (১১) উমাচরন কর্ম্মকার, (১২) বিহারী কহর।

V) চিফ কম্মিস্নারগা লাকমিন্নবা -

(১) হরিদাস বেনর্জী, কেরানী, (২) মি: ৱিলিয়ম, (৩) অরবদি, (৪) মিংলে, (৫) দুর্জ্যোধন, (৬) রামকৃষ্ণ, (৭) হসমুক খান, (৮) অমির খান, (৯) ফজল, (১০) ভিকারী, (১১) ঝারু, (১২) রাম হরক, (১৩) সজিৱান, (১৪) ভাগু, (১৫) বানা, (১৬) রাম কৃষ্ণ, (১৭) খাসিয়ানী, (১৮) লেফটেনেন্ট গোর্ডোনগী শগোলশেনবা।

VI) ডাকঘর অমসুং টেলিগ্রামগী মীওইশিং -

(১) অশুতোষ মুখর্জ্জী, পোষ্ট-মাষ্টর, (২) বৈকুন্ঠনাথ দত্ত, সিগ্নেলর, (৩) মোসাই, (৪) সানবারু, (৫) ভাতু, (৬) লোকনাথ, (৭) অশ্বিনী, (৮) রাধাচরন, (৯) ঝুতি, (১০) দোভাগু, (১১) পেগা, (১২) মদন সিংহ , (১৩) ধনিরাম, (১৪) জাতিকল, (১৫) সায়ারাম্, (১৬) রামগুন, (১৭) ফাগুনা, (১৮) সম্বারু, (১৯) রতিয়া, (২০) কান্নু, (২১) মঙ্গলু (২২) নারা, (২৩) রাঙ্গাই, (২৪) তামাল, (২৫) খমাদু, (২৬) নিচলু (২৭) রজিত, (২৮) বিস্তু, (২৯) লুকারো, (৩০) দহিরাম, (৩১) নাহানি, অমসুং (৩২) মোসামী। [রা: কু: স: বি:, ১৯৭৩,৪৭-৫১]

অসিশিংসিনি। অদুবু মৈতৈনা তৌরিবা, বৃটিশকী লান্মী হাৎপা অমসুং মখোয়বু মনিপুরগী ঙমখৈ মনুংদগী তান্থোকপা অসিশিংদি মৈতৈনা অচুম্বা ৱায়েল-ৱাখুন্দা পাংথোকখিবনি, হায়বদি, মনিপুর সরকারনা বৃটিশ-ভারত সরকার অমসুং মসিবু মায়পুননা থৌবুমক ওইনা শৌগৎ-য়োকখৎলিবা অমসুং মখোঙ শোল্লিবা য়ুনাইটেড কিংদম [United Kingdom (U.K)] গী মথক্তা মনিপুরনা লান তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা তৌখিবা-পায়খৎখিবা থবকশিং ঙাক্তনি।

"মনিপুরনা বৃটিশ গভর্নমেন্ট, বৃটিশ ইন্দিয়াগী অমসুং য়ুনাইটেড কিংদমগী মথক্তা লান তৌরে" হায়না লাউথোকখিবসি খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৪, লৈপাকপোকপা নুমিৎসিদা মি: কুইন্টলগী থৌশীলনা নুমিৎসিগী নোংঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা বৃটিশ লান্মীশিংনা হান্ননা লৌতুনরগা মনিপুরগী কোনুংদা লান্দারক্তুনা য়ুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎকী মী কয়া হাৎখ্রবা মতুং, য়ুম-লৈকায়শিং খর মৈ থাখ্রবা মতুংদা মৈতৈসু মখোয়দা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পা য়ানবা, লান্থেংনবা অমসুং মশা কঞ্জনবগীদমক লান্থেংনবা য়াননবা লান লাউথোকখিবনি। মহারাজনা লান লাউথোকপদুগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

As the British troops under the order of the Chief Commissioner without declaring war attacked the Palace in the morning of 24 March, 1891, Maharaja Kulachandra Dhaja declared war against the British. Orders were issued to all outposts informing that war was declared between the British Government and Manipuris and that the outposts were to be on the watch and cut the Telegraph line. One copy each of the order was sent to outposts on Mao, and Jiri (Cachar) roads and two copies to the two roads leading south to Burma [N.K.K., 1983, 30-31 quoted from M.E.G., 2000]

অসিনি। মরম অসিনা মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান লাউথোকখিবসি খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৪, লৈপাকপোকপা নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ৬/৭ অদুৱ াইদনি। অদুগা মহারাজনা মহাক্কী মখুৎকী খুদম নম্বা নত্রগা মহাক্কী ময়েক/

খুদম্না খণ্ডনবা শক্তাক'/শকখণ্ডনবা খুদম য়াওরবা য়াথং চেশিং মনিপুর গভর্নমেন্টকী লমকন-লমচাশঙফমশিং/লমঙাক-লমশেনশঙশিং [Outposts] দা "মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান তৌবগী য়াথং মনিপুরগী মহারাজনা লাউথোকখ্রে" হায়না পাউ পীরদুনা অমসুং হায়রিবা লমকন-লমচাশঙশিং লানসিদমক্তা মিৎশীং-নাশীংনা মাগী মাগী লমশিংগী লমখৈ মনুংদা য়েক্লবদা নত্রগা য়েক্লবগী শকলোৎপা লাঞ্জাবা নত্রগা মখোয়গী তেংবাংবা অরোনবা লমমিৎ-তুমিৎকী নচিংবগী ঈ-পাউ লৌবশিং চঙহন্দনবা শেন্নদুনা-শঙদুনা লৈগদবনি অমসুং বৃটিশকী তিংলিবা টেলিগ্রাম মরীশিং লম অমগা অমগা ঈ-পাউ ফাওনদনবা ককথৎকদবনি- হায়বা য়াথংশিংসু য়াওবা চেশিংসু থাখ্রে। হায়রিবা য়াথং চে থাখিবা মনিপুরগী থানা/আউটপোষ্টশিংদু মথক্কী ঈঙ্গ্রেজীগী ৱারোলসিদা য়াওরে।

বৃটিশনা লান্দারকপগী খুৎ হন্দুনা লান্হৈংনবা : - মার্চ ২৪ গী অয়ুক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদদি নুমিত্তুগী অঙনবা শরুক্তা খাঙবা য়াবা খাঙদুনা লৈরম্বদু খুৎ হন্দুনা লান শোক্লবা য়ারবসিদগীদি মৈতৈগী লাম্হোঙ শীন্নদুনা লান চঙবা অমসুং লান কাপ্লবা/য়ানবা হৌরকখি। বৃটিশনা খুমাঙ চাওশিন্দুনা পায়শিনখ্রবা কোনুংগী মফমশিং - যুবারাজ কোন, নোংচুপ-থোঙনচিংবা অমসুং অতৈ মফমশিং মিনুথোং-ৱাংমা মনা ঈংখোল, শাইখোম লৈকায়নচিংবা হন্দোক্লবা অমসুং মখা তানা লম হেঞ্জিল্লকপা য়াদনবা লাম্হোঙ শীন্নখ্রে। অসুম্না যুবারাজগী শঙ্গায়গী অকোয়বদা অমসুং তুরেল ৱাংমগী চিংনাংখোংনাং [চীনগাংবম খোংনাং, চীনগাং খোংনাং, চীংনাং খোংনাং] গী মনাক্কী লানফম অনিসিদা - ১) খুম্বোং সুবেদার, ২) লৈশাং জমান্দার, ৩) অথোকপা দেৱান, ৪) চোংথা মিয়া, ৫) নিরঞ্জন সুবেদার, অসিনচিংবা লাঞ্জিং লুচিংবনা মৈতৈ লাম্মীগা লোয়ননা লান থিংননবা মায়য়োক্লদুনা কাপ্লবদা অহানবগী অহুম-সুবেদার, জমান্দার অমসুং দেৱান-নোংমৈনা পান্দুনা বীরগতি.... [Brave men's way to eternity] ফংখি।

লানগী ৱা খঙহৌদনা অমসুং খঙদ্রিঙৈদা লান্দারক্তুনা বৃটিশশিংনা পায়শিনখ্রবা নোংচুপ/স্ন-থোঙ হন্দোক্লনবগী লান্দা মায়কৈদুদা মনাওঈবুংঙো

অঙৌম্না, সেনাপতি অমসুং মচাঙ্গীবুংঙো মায়পাকস্না [লোকেন্দ্রবীরজিৎ সিংহ], ৱাংখৈরাকপা অনিনা লাঞ্জিংদুনা বৃটিশকা মায়য়োক্লনা লান শোক্লখি। অদুগা খা-থোঙ [চীঙচাগু-থোঙ] দনা লুৱাং নিংথৌ মাইস্না শামু সিংহ, কর্নেলনা মৈতৈ লান্মীশিংগা লোয়ননা থোঙ অদু চেৎনা ঙাক্তুনা য়েক্লবা চঙহন্দনবা লৈখিরম্মী। খা-থোঙসিদদি লানগী মৈশা ঈয়ৌ য়ৌদনা লৈরম্মী, মরমদি বৃটিশশিংনা পাল্লিবা যুবারাজগী শঙ্গায়দুদি অৱাং-থোঙলোমদা লৈবননি। অদুগা মৈতৈ কংলা-কোনুংসিগী নোংপোক-থোঙ অমসুং নোংপোক-থোংগী থোংজীন্দদি য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ মেঞ্জোরনা মৈতৈ সিফাইশিংগা বৃটিশ সিফাই হাইজিল্লকপা য়াদনবা লান ঙাক্তুনা লৈ অদুবু লান থোঙসিদসু লানগী চৈথেংগী শাফু কয়া কন্না য়ৌদে, মরমদি, নোংপোক্কী বৃটিশনা লান্দারিবসি ইম্ফাল/ মনিপুর তুরেলগী ৱাংমা অমসুং অৱাং-নোংপোক্কী কংলাগী লমখৈ মনুংগী উমংশিং লৈরিবা অদুদনি।

মথক্তা পীজরিবা অসুম্না মৈতৈ-কোনুংগী নিংথেমকোন-লানবন [সিটাডেল (Citadel)] অমসুং খা-থোঙ ঙাক-শেনখ্রবা মতুংদা মৈতৈনা য়েক্লবগী লাল্লুমফম অমসুং লানথুপফমশিংদা হন্দুনা লান্দাননবা অমসুং য়েক্লবশিংবু কোনুংগী ঙমখৈ লাননা তান্থোকখিননবা অমদি মখোয়বু লাকশিন্ননবা লানওং অমসুং লাঞ্জঙ লৌখৎলকখি। মহারাজগী স্না য়াথংনা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা নাকোয়ননা চৎখ্রগা মখোয়গী লুতুং/নীঙলোমদগী/ মতুংলোমদগী/ নোংচুপ্লোমদগী লান্দাদুনা মখোয়গী মপাঙ্গল হন্থহল্লগা অমসুং খুদোং চাহন্দ্রগা মখোয়বু মায়কৈ খুদিংমক্তা লাকশিনবা, খুদুম চনবা ঙম্ননবগীদমক্তা মচাঙ্গীবুংঙো সনখ্যা হাইজৌস্না, য়াইস্কুল লাকপা অমসুং মচাঙ্গীবুংঙো মায়পাকস্না, ৱাংখৈরাকপা অনিনা মখুৎ চাবা মৈতৈ-সিফাই খর পুদুনা নিংথেমকোন-লানবনগী খাগী থোঙ অমদা থোক্লক্লগা লুৱাং নিংথৌ মাইস্না শামু সিংহ, কর্নেলনা ঙাক্লিবা খাথোঙ অচৌবদা থোকখিদুনা হাওবম লৈকায়রোমদা চঙশিনখ্রগা কোয়না তেল্লোঙ- লৈকায়গী নৱাং-লৈশাংগী য়ুমফমলোমদা ফাওখিদুনা নিত্যাইপাৎ মপা লান্না চৎখ্রগা নম্বুল-তুরেনগী তোবর্বান তাখ্রগা অৱাংলোমদা তোবর্বান পরীংদা কাখৎ-হাইগৎলক্তুনা কোন্থৌজম য়ুম্ফমগী বৃটিশ রেসিডেন্সীগী মতুংলোমদগী/ নোংচুপলোমদগী

নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান তকশিল্লকখিরম্মী। অসুম্না মৈতৈ লান্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা কোয়থৎ-থৎচিল্লক্তুনা নুংথিলগী মতমদুদা বৃটিশ লান্মীশিংবু লাকশিল্লকপসিদগীদি বৃটিশকী লানওংগী ফিবম তাউরক্তুনা নুমিদাংৱাইরম য়ৌশিল্লকপা মতমদদি য়েক্লবগী সিফাইশিংদু মখোয়গী রেসিডেন্সীদা চঙশিন-চেনশিন্নখিদুনা রেসিডেন্সীদা লৈরিবা মরু ওইবা থৱাইশিং অমসুং লন-থুম্নচিংবা ঙাকপা অমসুং মখোয়গী মথৱাই কঞ্জনবা চঙজফম থিবা/লৌবা ওইনা লৈখি। হায়রিবা মথক্কী মার্চ ২৪, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎচুপসিমা লাম্থেংনখিবসিদা বৃটিশশিংগী মায়কৈদা নংখিবা অশি-অনা অমসুং অশোক-অপনশিংদি -

(ক) **অশিবশিংদি :-**

(১) লেফটেনেন্ট ব্রেকেনবিয়ুরী — ৪৪ গুর্খা রাইফলস
(২) সুবেদার হেমচাঁদ — ৪৪ শুবা গুর্খা রাইফলস
(৩) হবিলদার (মমিং পীরমদবা) — ” ” ”
(৪) সিফাই খর [মশীঙ পীরমদে — ”

(খ) **অশোকপশিং**

(১) লেফটেনেন্ট লুগার্ড — ৪২ শুবা গুর্খা রাইফলস
(২) বিলাই (Rank) কারবা মীশক অমা — ” ” ”
(৩) (১৪) ” ” ” তরানিথোই — ” ” ” [Ibid,]

অসিশিংসিনি। মসিদা কম্মিসন অফিসার অমা, ননকম্মিসন অফিসার অনি অমসুং মশীঙ মনিং তাকথোক্তবা বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিং শিখি/হাৎখি, অদুগা কম্মিসন অফিসার অমা য়াওনা ননকম্মিসন অফিসারশিংগা অফিসার তরামরিনা শোকখিরম্মী। অদুদসু নত্তবা বৃটিশকী মি: জে: ডবলিয়ু: কুইন্টলনা লুচিংবা লান্মীনা মনিপুর সরকারগী মথক্তা লানলাউ থোক্তবনিনা লানহওবনি হায়গদবা লান্দারকপসিগী ৱা তায়শিন্নবা-তেশিন্নবা ঙমদদুনা মার্চ ২৪ গী অহিংদুদা বৃটিশ অফিসার মঙা অমসুং বেঙ্গুল খোংবা গুর্খা সিফাই অমা কক্তুনা হাৎখিবা অমসুং বৃটিশ লান্মীশিংবু মনিপুরগী লমখৈদগী তান্থোকখিবা অমদি মখোয়সু মথৱাই পুদুনা চেনখিবা [মথক্তা ৱাফমশিংসিগী ৱারোল পীজখ্রে] অসিদগী মৈতৈ/মনিপুর সরকারগী ওইনদি লান লাউথোকখ্রবনিনা

লাউথোকখিবা নুমিৎ মার্চ ২৪, লৈপাকপোকপা নুমিৎসিদগী লান লেপ্তুনা বৃটিশকী মথক্তা চথরকখিবনি। অদুগা মরক্তা লান তোক্লনবগী য়ানবা পুরকপা য়াবরা হায়না ৱারী-ৱাতায় শান্ননবা মি: কুইন্টলনা মনিপুরগী মহারাজদা - "On what condition will you cease firing on us, and give us time to communicate with the Viceroy, and repair the telegraph [M.EG., 2000, 135] হায়না হায়জরকপসিগী পুং ২রোমগী মতমদং নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পখিদবনি। অদুগা বৃটিশ মচা অপঙবা সিফাই হুইংগুমশিং অমসুং লৌশিং লৈবী মিসেস ঈথেল সেন্ট ক্লেয়ার গ্রিমউডনদি খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৩-২৪ গী মনিপুরগী মথক্তা লানহওবা [Revolt/Mutiny] হায়না হায়, ঈকাইবা খঙদবগী হীদাক লৈতে, অদুক চাওখৎপা নেসন শাজবা সেল্ফ ষ্টাইলনি।

চথরিবা লানগী ৱায়েল মতুং ইন্না মনিপুরগী নিংথৌনা মার্চ ২৪ গী নুমিদাংদুগী লাঞ্জেন্নখিবা বৃটিশ লান্মীশিংবু ফাননবা, মনিপুরগী লমখৈদগী তাম্হোকখিননবা অমসুং লৈপাক্কী ঙমখৈদা লৈরিবা অমসুং তৌরিবা ফিবমশিং অমদি বৃটিশকী লানগী ফিরেপ খঙননবগীদমক্তা মৈতৈ লান্মী মনিপুরগী মরু ওইবা লম্বী [National Highway] অহুম্না চৎলিবা মায়কৈ অহুম-কোহিমা লম্বী/রোডনা অৱাংলোমদা, কছার লম্বী/রোডনা নোংচুপলোমদা অমসুং বর্মা লম্বী/রোডনা খা/খা-মৈরমলোমদা মার্চ ২৫, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মৈতৈ-লান্মী থাদুনা লানওং-লাল্লম শীন্নখি অমসুং মসিগী মরমদা চৈথারোল-কুম্বাবনা পীবীরম্লিবদি :-

- মাইব্যা সুবলগী কুম শক ১৮১২... লমদা থা ... (১৪ নি লৈপাকপোকপা,... সাহেপনচিংবা সিফাই পুন্নমক মেমসু কায়দুনা চেনখিএ। মোনবী সাহেপকা সিফাই খরগা লোইনদুনা চেনখি। সাহেপ ১নচিংবা সিফাই ৫০ মরুমগা কবোরোম চেনখিএ। খরনা অৱাংলম চেনখিএ। (১৫ নি য়ুমশকৈদা) নোংচুপলমদা লৈতান মেঞ্জোরনচিংবা সিফাই ১০০ লোইনদুনা লানদানবা চৎলে। কবোরোমদা য়েনখোইবা মেঞ্জোরনচিংবা সিফাই ১০০ লান্দানবা চৎলে। অৱাংলমদা লাইশ্রবা (জম্ভুবান) মেঞ্জোরনচিংবা সিফাই ১০০ লোইনদুনা লান তানবা চৎলে। খুল্লক্তগী সিফাই ৫০ মরুম ফাদুনা ফাদোক্তা

পীশিল্লে। ১৬ নি শগোলশেন্দা মনাও ঈবুংঙো অঙৌ সেনাপতি, কাংঙবা মেঙ্গোরনচিংবা সিফাই ১০০ লান্দানবা চৎলে। বিষ্ণুপুরদা থুংলৈ। ১৮ নি থাওজদা য়ৌয়াঙতেক য়ৌনা চৎলে। অদুদগী লম্মাংদোংদা হল্লক্এ। ১৯ নি লংমাইজীংদা ... মনাও ঈবুংঙো যুবারাজনচিংবা লৈপাক পুম্নমা দরবার তৌএ। যুবারাজনা হায়এ। লান্না মাঙথ্রবদি থুনা হল্লক-ও। লাননা চীঙনুংদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরবদি চীনথংবা তেঙ্গোন্না ময়াং লৈপাক য়ৌনা তান্থোক-ও। মী য়ামদে হায়রবসু হায়রকএ। মী য়াম্না পীরক্কনি। ....। নোংপোকলম সাহেবনচিংবা থৌবাললম চেনখিবদু লান্দাল্লু হায়দুনা য়েনখোয়বনা তেংনৌপল য়ৌএ। অশাংনা সুবেদার, মাইব্যা জামান্দার, অসিনচিংবা নুপা ৫ ফাদুনা পুখরে। লাংঙথেন্দা নুপা ৫০ ফাদুনা পুখরে, বেকারী ওইখি। ২০ নিংথৌকাবদা... মখোয়দি ময়াং তমপাক তারে হায়রে। লান লৈতে হায়দুনা মনাও ঈবুংঙো সেনাপতিনচিংবা হল্লকএ। ২১ নি লৈপাকপোকপদা [মার্চ ৩১দা] নোংপোকলমগী লান্না তকশিল্লকপদা অথোকপম লৌৱাইদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে হায়না পাউ থুংলৈ। শ্রীযুৎ স্না য়াথংনা শ্রীমনাও ঈবুংঙো সেনাপতি; শ্রীস্না মাইপাক, ৱাংখৈরাকপা; ঈবুংশিজ, দোলাইরোই হঞ্জবা; ঈবুংশি হাইজৌ, য়াইস্কুল লাকপা, চোংথামচা [নিলমনি সিংহ], অয়া পুরেন মেঙ্গোরনচিংবা সিফাই ৩০০ লোইনদুনা থৌবান য়ৌনা চৎখি। অদু নুমিত্তা নরসিংহ মহারাজগী মচা হাইজৌ, খুরাইলাকপা, মাইস্না শামু মেঙ্গোর, অসিনচিংবা সিফাই ২০০ লোইনদুনা অৱাংলম লান চৎলে। ২৫ নি থাওজ [এপ্রিল ১] দা অৱাংলমদি লান লৈতে হায়দুনা ... শ্রী মতোন ঈবুংঙো খুরাইরাকপা, লুৱাং নিংথৌ ২মা হল্লকএ। ... [চৈ:কু:, ১৯৮৩, ৪৮৬-৭৮]।

অসিশিংসিনি। অসুম্না লান লাউথোকখিবা নুমিৎসিদগী নোংমতা কাঙদনা লানগী লান্থোঙ শীন্দুনা, পোত্থাদনা লানগী থবকশিং চত্থরকখি।

বৃটিশনা মনিপুরগী মথক্তা লান লাউথোকখিবা :- মীগী ময়ুমদা লানহওরুরগা লান্দু মায়থীবা তারবা অমসুং মায়থীবা য়ানা লৈরক্লদুনা অশীংবা শাবা মি: কুইন্টলনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পদুনা লান লেপ্পনবগী বেঙ্গুল মরোল খোংহন্দুনা লান ঙাইহাক লেপহনখি অমসুং মতমদুদা ৱারী-ৱাতায় শাননবগী ফিবম, খুদোংচাবা অমসুং মতম পীননবা অমসুং মপুঙ ওইবদা লান

তোক্লনব' গী ৱাফম পুখৎলকখি। মদুদা মৈতৈনা ঈচম চম্না য়ারগা দরবার তৌদুনা ৱা খন্নদ্রিঙৈদা মখোয়না মখোয়গী খুৎশূ-খুৎলাইশিং মৈতৈদা শীন্ননবগী কোচি থাংবা ফিবম অমসুং ফিরেপ পীরক্তুনা লান লেপ্পবগী ৱাফম থল্লকপদা মি: কুইন্টলনা ৱারোল অসিগী ৱাফমসিগী লৌনরিবা ৱাহন্দোক (meaning) অমসুং লোনহন্দোক [Interpretation] কী অশেংবা/অরেপ্পা খঙননবা, য়ারগনা অসিগুম্বা নত্রগা অতৈ ফিবম অমতা থমদনা লান লেপ্পা/তোক্লদুনা মশা নান্থোকখিনবা, য়ানবা ৱাফম অমা পুথোক্লবা ৱারম অমসুং ৱাফম ঙাংননবা মৈতৈগী কোনুং মনুংদা লৈপাক্কী পুঙজৈ ময়োৎ/মচৈ [Axis] ওইরিবা যুবারাজ অমসুং মহারাজগা ৱারী শান্ননবা বৃটিশ অফিসার ৫ গা বেঙ্গুল খোংবা গুর্খা সিফাই অমগা নোংমৈ কাপ্পবা ঙাইহাক্তং লেপ্লঙৈদুদা, মচীন-মনাও, মচল-মচে, নুপী-অঙাংনচিংবা হাৎখি, শোকহনখিবনচিংবগী ঈ শারিঙৈদুদা মৈতৈ লান্মীনা লৈরিবা মফমদুদা চঙলক্তুনা ৱাতায়-ৱাতেম্মনবা নত্রগা ৱারী শান্ননবা লাকখিরম্বগী ৱাফম মথক্তা পঞ্জখ্রে। মখা তানা চথরকপদা - ৱাতায়ননবগী দরবারদুদা মৈতৈগী যুবারাজ অমসুং কাংঙবা থাঙ্গাল জেনরেলদা - মখোয় বৃটিশ সিফাইনচিংবগী খুৎশূ- খুৎলাইশিং মৈতৈ কোনুংদা থমদ্রবদি মখোয়বু থাজবা ঙমদে, খুৎলাইশিংদু ৱাথিনদুনা ৱায়েল তৌবা লোয়রগা হন্দোক্কে, হায়বা ৱা ময়েক্লা তাবশিং নত্রবদি ৱারী শান্নবগী কান্নদে - হায়বগুম্বগী ৱাফম থল্লক্লবদা শাথীনা ঈকাইনীঙঙাই ওইবা ফিবম্মি অমসুং মখোয়গী লান্মীশিংগী খুৎশূ-খুৎলাইশিংসিদি ভারত সরকারগী নত্তে ঈংলেণ্ডগী রাণী-মহারাণীগী মরন্নি"হায়বগুম্বগী ৱাখল ফোংদোক্লীঙদুনা অমদি "লণ্ডনগী রাণী- মহারাণী/মহেশ্বরীগী মরন্দি, মখোয়না অতোপ্পদা শীন্নথোকপা ঙমদে, হায়বগুম্বা পাউদরম খর শাফনবা পীরুবু মৈতৈনা মখোয়না পীবিবা ফিবম- ফিরেপ হোংদ্রবদা ৱাতায় মীফমদুগী ৱারেপ তাবা ঙম্নদনা মৈতৈগী অরোয়বা অমসুং অরেপ্পা ৱাফম পীবা ঙম্বা মীওইশিংদুনা কান্নররোয় খন্দুনা/খঙদুনা দরবারদু থাদোক্তুনা হৌগৎলগা চৎখ্রবদা মখোয় বৃটিশ অফিসারশিংসু ঙাক- শেনবীবা অঙোম নিংথৌ গীরীধারীগা লোয়ননা থোক্লকপদা মনাক অদুৱাইদা পুল্লন্লিবশিংদুনা লৈপাক-হওনা ঈরাং থোক্লকপদগী মখোয়বু উকন তৌদুনা ঙাইহাক কল্লম্লগা কংলা-লাকখোংগী শামাঙদা অঙৌবা মকোক লোংনা তাহনখ্রবগী ৱাফমসু মথক্তা থমজখ্রে।

মখোয় সাহেব মঙা- মি: জে: ডবলিয়ু: কুইন্টল, মি: সেন্ট ক্লেয়ার ফ্রেঙ্ক গ্রিমউড, মি: চার্লস মেকডোৱেল স্কেন, মি: কোশিন্স অমসুং মি: সিম্পসন অমদি বেঙ্গুল গুর্খা সিফাইবু নুমিদাংগী নোংয়ায় অদুৱাইদা কক্তুনা হাত্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং মখোয়না দরবার তৌসি হায়দুনা লাক্লগা দরবার চথরিঙৈ, নুমিদাং পুং ৯/৯ .৩০ [I.S.T.] রোম তাবগী মতমদগী বৃটিশ রেসিডেন্সীদা মৈতৈনা নোংমৈ কাপ্তুনা লান্দারকপনা অহিংদুগী পুং ২ রোম তাবা মতমদগী বৃটিশ লান্মীশিংনা খা-ৱাই/লাই (অৱাং) খঙদনা লানজেন্নরকপসিদা মথক্তা পনখ্রবা ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী জমাদার বীরবল নগরকাতিনা লুচিংবা রেজিমেন্ট/রাইফলসদুগী সিফাই ৪০/৫০ না খারোমদা লাংথাবান/কাঞ্চিপুরদগী লিল্লোং, ৱাইথৌ, থৌবাল, ৱাংজীঙ ফাওরগা খোংজোমদগী মী ৫ ফাদুনা পুরগা অমুক লাংঙাথেন্দা চঙলগা মী ৫০ ফাদুনা পোত্থাং- পোৎপু মী ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লগা পল্লেন ফাওরগা তেংনৌপল তাদুনা মফমদুদা অহিং অমা পনবদা মৈতৈ লান্মী, য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ, মেঙ্গোরনা লাঞ্জিংবা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলা য়াওবা সিফাইশিংনা তকখায়দুনা তুন্মু য়ৌননবা লেপ্তুনা চেল্লকখি। মখোয়না তুন্মু য়ৌরগা মফমদুগী লান্মী লুপ ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ত্রী নত্রগা বর্মাগী অনিশুবা তুলি/বেটালিয়ানগী লানজিংলেন [কন্মাণ্ডিং অফিসার (Commanding Officer i.e. C.O], লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টতা মখোয় লাকপগী রিপোর্ট তৌখি অমসুং মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লানহওরে [তৌফম থোকপা লান লাউথোক্তুনা বৃটিশ লান্মী লানহওবশিংবু তান্থোকপসিবু লানহওবা ওইনা পাউদমখি] হায়না পাউ পীরগা, মরান্না মপোৎ ফাদুনা মৈতৈগী মখুৎ চনখ্রবা মি: কুইন্টল অমসুংমহাক্কী মতুং ইনখিবা বৃটিশ অফিসার ৪, সিভিল অমসুং মিলিটরী অফিসারশিং ২/২ অমসুং বেঙ্গুল খোংবা গুর্খা সিফাই অমবু লানফা ওইনা ফাজিনখ্রে - হায়না মখোয়না তুন্মুদা থুংলুবা নুমিৎ, মার্চ ২৭, ঈরাই নুমিৎসিদা পাউদমদুনা রিপোর্ট পীখি [N.K.S. 1853, A-11)। পাউ অসি হেক ফংবগা লেফ: গ্রান্টসিনা থিন্থদনা পাউ অসি বৃটিশকী সিমলা হেডক্বার্টর [অহানবদা কলকটাদা ওইরম্বনি, চহিসিদা (1891সিদা) সিমলাদা হোংখিবনি]দা টেলিগ্রাম তৌদুনা মহাক্না ফংলিবা ঈ পাউ পুন্নমক্তু খঙহনখিবগা লোইননা মহাক্না বৃটিশকী লান্মীশিং মহাক্না লোইননা পুদুনা মি: কুইন্টলনচিংবা মনিপুরদা লানগী বন্দি ওইনা লৈহৌরবশিংবু, কল্লুনবা

লাঞ্জওবগী অয়াবা পীবীনবা য়াথং নীজখি। অসুন্না মহাক্না অয়াবা লৌবসিগী মওং-মতৌদুদি -

Liuetenent Grant, 12th (Burma) Madras Infantry who was commanding at Tamu, communicated the information by telegram and requested permission to take 50 rifles of his own regiment and the detachment of the 43rd Gurkha Rifles (35 rifles), and proceed at once towards Manipur to endeavour to render assistance to the prisoners. His proposal having been sanctioned, he left Tamu on the 28th March [Ibid, A-LI].

অসিনি। হায়রিবা পাউ অসি গোভর্নর - জেনরেলনা হেক ফংবগা থিন্থদনা ভারতকী সুপ্রীম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল [Supreme Administrative Council of India] নত্রগা ইন্দিয়াবু লৈঙাকপগী সুপ্রীম কাউন্সিল [Supreme Council of Indian Administration] দা পুথোক্লুনা মার্চ ৩০ দা খন্নখি। মখোয়গী ৱাখন্দদি মতম অদু ফাওবদা মি: কুইন্টল, অসামগী চিফ কম্মিস্নারনচিংদু হিংলি হায়না খল্লি, মদুদি :-

Lord Landsdowne, the Viceroy and Governor General was at Nainital on the night of Sunday, the 29th March 1891, when His Excellency heard for the first time that Tekendrajit Singh, the Jubaraj of Manipur could not be arrested and that the British officers including Mr. J.W. Quinton, the Chief Commissioner of Assam were on the hands of the Manipuris as war prisoners. His excellency abandoned his projected tour into the Kumaon Hills and came to Simla hastily where his Council was quickly assembled. Thinking that the British officers might be war captives only, the Government of India

with the hope of saving the lives of the Chief Commissioner and his companions ordered the British Troops to advance in Manipur from three directions - North, West and East (ie Kohima, Silchar and Tamu). [Ibid, 13]

অসিনি। গোভর্নর- জেনরেলগী সুপ্রীম কাউন্সিলনা ৱারেপ তাবা অমসুং অয়াবা পীবগী মতুং ইন্না - "ফিল্ড ওপরেসন্স, মনিপুর [Field Operation -Manipur] হায়বা থৌরাং অমদা মনিপুরদা মায়কৈ অহুমদগী মতম মান্ননা লান্দাননবগীদমক্তা "মনিপুর ফিল্ড ফোর্স [Manipur Field Force] -কৌবা লান্মী মপৈ অহুম্না শাবা অচৌবা লান্মী মপৈ-লুপ অমা শেমগৎ-শাগৎনবা গভর্নর- জেনরেলনা মেজর-জেনরেল ডবলিয়ু: গলবাইথ সি:বি:, ভারতকী এডজুটেন্ট জেনরেল [Major General W. Galbaith C.B., the Adjutant General of India] দা মহাক্না থৌদা য়াথং পীখিনবগীদমক্তা মহাক্কী অমসুং ভারত সরকারগী মিলিটরী ডিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরী মেজর- জেনরেল ঈ:ঐচ:ঐচ: কোল্লিন, সি:আই:ঈ: [Major General E.H.H. Collin C.I.E, Secretary to the Government of India Military Department] দা হকথেংননা য়াথং পীখি।

মথক্কী হায়রিবা য়াথংশিংসি থবক ওইনা ওন্থোক্নরকপদা মেজর জেনরেল ডবলিয়ু: গলবাইথ সি:বি:না চহিসিগী মার্চ থাসিগী ২৯ অমসুং ৩০ দা অইবা য়াথংশিংগী চে থোক্তুনা লান্মী মপৈ অহুম - কোহিমা, তুম্মু অমসুং সিলচরদা অমমম শেমদুনা লৈরগা মখোয় অহুম্মক মতম মান্ননা চপ মান্ননা মনিপুরদা [মনিপুরগী কেপিটেল/কোনুংদা] থুংমিন্ননবগীদমক চঙশিনমিন্নদুনা লান্দামিন্ননবা য়াথং চেশিং পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা, A-XXXXVIII] হায়রিবা লান্দা-লাঞ্জঙগদৌরিবসিদা মশক নাইনা লুচিংদুনা থৌদা-থৌদাং লৌগদৌরিবা মায়কৈ অহুম্মক লাঞ্জিং-পুরেন অমসুং লাঞ্জিংলেনশিংদি :-

ওভর-অল্ল-কম্মাণ্ডর, মনিপুর ফিল্ড ফোর্স,মেজর- জেনরেল হেনরী কোল্লেট সি:বি:

১) কম্মাণ্ডর, কোহিমা কোলম্, " " " "

২) " তুম্মু " " " " " টি গ্রাহাম

৩) " সিলচর " " লেফটেনেন্ট-কোলোনেল আর:ঐচ:এফ:রেন্নিক

অসিশিংসিনি। অদুগা পীরিবা য়াথংদুগী মতুং ইন্না লাঞ্জওগী মতমশিংদি - কোহিমা কোলম্না চহিসিগী এপ্রিল ২০ দা, তুমু কোলম্না এপ্রিল ২৩ দা অমসুং সিলচর কোলম্না এপ্রিল ৫ দগী খোঙহওদুনা [Start তৌদুনা] খোঙশান্নরগা মনিপুরগী কোনুং ইম্ফালদা এপ্রিল ২৭, নিংথৌকাবা নুমিত্তা থুংলুনবা খোঙচৎনরগা মফমদুদা লান্মী মপৈ অহুমসি উন-থেংনরগা মখোয় পুনশিন-তানশিন্নগদবনি। অহানবা লান্মীগী মপৈ/কোলুমশিং শেমগৎ- শাগৎনবগী য়াথং চেদদি অকোনবগী খোঙহওনবা অমসুং উন-তীন্নবগী ৰাফমসি য়াওদে, পনফমসু থোক্তে।

মনিপুরদা লান্দানবগী থৌরাং "ফিল্ড ওপরেসন - মনিপুর" গী "মনিপুর ফিল্ড ফোর্স" কী লান্মী-মপৈ/কোলুম অহুম শেমগৎ-শাগৎনবা বৃটিশ-ভারতকী গভর্নর- জেনরেল হেনরী চার্লস কৈথ, মার্কুইস ওফ লেন্সডাউননা গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিলিটরী ডিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরীদা শীন্নদুনা য়াথং পীখিবা গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এডজুটেন্ট জেনরেলদগী মহাক্না পাংথোক্লিবা থবক-থৌগায়শিং অমসুং চঙশিল্লিবা খোঙথাংগী ওইরক্কদবা ফিবমশিংগী ঈ-পাউশিং খোমজিন্দুনা ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কাউন্সিলদা ফংনরবা অমসুং মদু প্রোসেস তৌদুনা খন্নরবদা অমসুং লৌখৎকদৌরিবা থৌরাংদুগী থৌশীল-খোঙফমগী থৌরাং-ঈরাং পুম্নমক হায়রিবা চহিসিগী মার্চ ৩০ দা লোয়শিল্লে হায়না খঙলবা অমসুং য়ারে হায়দুনা লেপ্পরবদা ভারতকী গভনর- জেনরেল হেনরী চার্লস কৈথ, মার্কুই ওফ লেন্সডাউন্না সুপ্রীম কাউন্সিলনা মঙোন্দা পীবা মপাঙ্গল শীজিন্নদুনা ভাইসরোয় অমসুং গভনর-জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী মিংদা - "বৃটিশ গভর্নমেন্ট [ওফ ইন্দিয়া এণ্ড য়ুনাইটেড কিংদম] না মনিপুর [গভনমেন্ট] গী মথক্তা লান তৌরে" হায়না খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ৩১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখি [ডা:,চ:স:, ১৯৭০, ১৭১]। অসুম্না বৃটিশ-ভারত-গোভর্নমেন্টনা মমাঙগী হৌখিবা ৰাথোক-লান্থোক, চহিসিগী থাসিগী ২৩-২৪ দদি মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক/গোভর্নমেন্ট অমনা অতোপ্পা মনীঙ তম্বা লৈপাক/গোভর্নমেন্ট অমদা চৎকদবা লমচৎ অদু ঙাক্তগা চহিগী মার্চ ৩১ গী লান অসিগী অসিদদি ঙাক্লক্লি। মতমসিদদি মি: লেন্সডাউনসি সুপ্রীম কাউন্সিলগী মেম্বরশিংদগী পাউতাক খর ফংলমাল্লে, ৰাখল-লৌশীং তাবগুম উই, অদুবু খঙদে, হুই অঙাওবনা মপু নত্রগা মীতোপ চীক্কনি নত্রগা চীক্লোয় হায়বগী অরেপ্পা লৈরবা মতমদুদা মসিগী পাউখুম পীজগে।

খৃঃ ১৮৯১ গী লাঞ্জাওদা খা-মৈরমগী লান অমসুং লানফমশিং

খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ-বৃটিশকী লাঞ্জাও নত্রগা এঙ্গলো-মনিপুরী ৱার, ১৮৯১ অমসুং লাঞ্জাওসিগী খা-মৈরমগী লান অমসুং লানফমশিং অসিদি মখোয়-বৃটিশশিংনা থেংনা/থীন্থনা লান লাউথোকচরক্লবসু মনিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা মার্চ ২৪ দা লান লাউখিবদগী অদুম লান্থেংনদুনা লাক্লবনি - হায়বসি মথক্তা চৈথারোল কুম্বাবদগী লৌথোক্তুনা উৎখিবা হেক মমাঙগী কোটেসন অদুদগী খঙলবনি। মৈতৈ-লান্মীগী সিফাইশিং ১০০ পুদুনা খা-মৈরমগী অৱা/বর্মা লম্বীদা লাঞ্জেনখিবা বৃটিশ সিফাইশিংবু লান্দাননবা য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ, মেঞ্জোরনা চৎপা খোঙচৎসিদা ৱাংখৈ মৈরাবনা পোইলা ওইরিঙৈগী মতমসিদা য়েনখোয়বা মেঞ্জোরগী লান্মী-তেঙ্গোল অসিদা য়াওখি হায়বসি মথক্তা মমি-শামি ওইনা পঞ্জখ্রে। হায়রিবা মৈতৈ-লান্মীগী তেঙ্গোলসিনা বৃটিশনা খোংজোমদগী মী ৫ অমসুং লাংঙথেন্দগী মী ৫০ ফাদুনা পুখিবদু কন্ননবা অমসুং বৃটিশকী মখুত্তগী হন্দোক্লবা মখোয়গী খোঙ্গুল লীদুনা চঙশিল্লকপদা পল্লেন্দগী বৃটিশ-সিফাইশিং অমসুং মৈতৈ-লান্মীগী সিফাই ৫ অমসুং মীচম ৫০ দুদগী পাউ লৌবদা তেংনৌপললোমদা চৎখিবগী ৱাফম ফংলদুনা খোঙলৈ থুনা তান্নরকপদা মখোয়না মৈতৈ কোনুংদগী খোঙশাল্লকপা নোংমগা মখায় [পুং ৩৬গী] মতম তান্নরক্লবদা মখোয়দগী পুং ৬/৭ মাঙ থানা লাঞ্জেনখিবা বৃটিশ লান্মী জমাদার ১, সিফাই ৩৪/৩৫ দুগা মৈতৈ শিংদুগা তেংনৌপলদা থেংনখি। মতাংসিগী ৱাফমশিংসি চৈথারোল কুম্বাবদা থেংনা নীঙশীং-নীঙশীংদুনা চনখৎ-ইখৎপনা করিসু পনবীরমদ্রে, " তেংনৌপল য়ৌই " দমক হায়রগা তোকখ্রে। মখোয় বৃটিশ লান্মীশিং অদুগী মখুত্তগী মৈতৈ ৫৫ কনগদবনা নোংমৈ কাপ্পদুনা লান্থেংনবা তারবদি মৈতৈশিংদু শিবা, শৈনাইবা নত্রগা খুদোংথীবা থোকপা য়াবনা পান্থে অমা তৌদুনা মখোয়গী তেঙ্গোলদু থুগায়বা তাখি। মরম অসিনা মতাং অসিদা তেংনৌপনগী লান্দানবগী লানফম অসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলানা মহাক্কী অথোইবা খুৎলাই "মৈতৈ হেগুবোম আরাম্বাই" শীজিন্নদুনা পোকখায়হনবা অমসুং মৈ-হওনবগী লানওংসি শীজিন্নদুনা বৃটিশকী সিফাইশিংদু খংহন-কিহন্দুনা চেলহনখিদুনা মখোয়গী তেঙ্গোলদুনা শদৌ থোংনা লাঞ্জেল্লকপগী ঙাইহাক হুমাং হন্দোক্লিঙৈদা তেঙ্গোল থুগায়খি অমসুং মৈতৈ নুপা ৫৫ দুদগী খরদি নত্রগা অয়াম্বা/লোয়নমক কল্লম্বা য়াই, অদুবু ৱাফমসিগী মমি অমতা তাবা উজদে।

লানফমসিদা য়েনখোইবা পন তেংনৌপন্দা থোল্লম্বগী ৱাফম পন্দে

বৃটিশ রেসিডেন্সীগী মার্চ ২৪ গী অহিং অথেংবদা লংথবান্দগী চেনখিবা অমসুং তেংনৌপন্দগী মৈতৈ-লান্মীনা লান্দানবদগী মার্চ ২৬ কী নুমিদাং পুং ১০ রোম অদুৱাইদগী মিপাই-থাপাইনা লাঞ্জেনখিবা ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাইশিংদুনা পাউ তাক্লুবদগী ১২ শুবা মদ্রাজ [২শুবা বর্মা বটালিয়ান] ইনফেন্ট্রীগী তুম্মুগী কম্মাণ্ডিং অফিসার লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টনা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টতা ৱাথোক-লাম্থোকসিগী পাউ থাখিবগা লোইননা মনিপুরদা লানফা ওইহৌরবা বৃটিশ অফিসারশিং অমসুং প্রজাশিংবু কন্নবা অমসুং অঙম্বা তেংবাংনবা মশাগী ইনফেন্ট্রীগী সিফাই ৫০ অমসুং ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাই ৩৫ পীবীনবা নীবদা পীবীরক্লদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী সিফাই ৮৫ গী লান্মী তেঙ্গোলদু পুদুনা মনিপুর তম্পাক তম্না চহিসিগী মার্চ ২৮ সিদা তুম্মুদগী খোঙহওরক্তুনা বর্মা-মনিপুর লম্বীদা লাকখি। মখোয়না পোত্থাবা তৌদনা লাকপসিদা মনিপুর তম্পাক তারগা লম্বীদুদা চুমদ্রিং হাইগৎলক্তুনা থৌবান্দা মার্চ ৩০ দা থুংলখি অমসুং নুমিৎসিদগী থৌবাল অথোকপা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখি।

(১) থৌবালগী লানফম অমসুং লান

নোংপোকলমদা/খা-মৈরমরোমদা লান তকশিল্লকপা বৃটিশ লান্মীনা থৌবাল অথোকপমদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখ্রে হায়বা পাউসি মৈতৈ সনা কোনুংদা নিংথৌকাবা [মার্চ ৩০, ১৮৯১ ইং] নুমিৎসিমক্তদা ফংলদুনা মথংগী নুমিৎ মার্চ ৩১ লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মহারাজগী স্নায়াথং মতুং ইন্না মহারাজগী মনাও ঈবুংঙো অঙৌস্না, সেনাপতিনা লাঞ্জিংলেন-পুরেন ঙমতং ওইরগা মচাইবুংঙো মাইপাকস্না, ৱাংখৈরাকপনা লাঞ্জিং-পুরেন ওইরগা ঈবুংশী দোল্লাইরোইহঞ্জবা, সনখ্যা হাইজৌস্না, য়াইস্কুললাকপা অমসুং চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া-পুরেন মেঙ্গোরনা লাঞ্জিংবশিং ওইদুনা মৈতৈ সিফাই ৩০০ পুদুনা থৌবাল য়ৌনা লান্দারক্লিবা বৃটিশ-লান্মীবু থিংননবা লাঞ্জঙখি। হায়রিবা মৈতৈগী লান্মী তেঙ্গোলগী লাল্লম অসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা, পোইলাসু য়াওখি - হায়বসি থৌবালগী লানফমসিগী মখা শমথরকপা থৌবাল অথোকপমগী

লানফম অমসুং লান্দা মমিং মথা পল্লকখিগনি, অদুবু হায়রিবা লানফম অনি [থৌবাল অমসুং থৌবাল অথোকপম] অসিদা ৱাংখৈ মৈরাবগী মতীঙ অমসুং মতীক ফুদোকখিদে। অদুগা যুবরাজগীদা লৈবা নেপালী নিরঞ্জন, সুবেদারদি যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগী শাগ্নল য়েৎ-ওয় ওইবনিনা লানফম অনিসিদা য়াওখিদে, মরমদি, যুবারাজনা মৈতৈ কোনুং ঙাকপগী থৌদাং লৌবা অমসুং লৈবনিনা অথৌবা অসিগী কোনুং ঙাকপগী থৌদাংসি য়াম্না চাওই-হায়না লৌজে।

বৃটিশ অমসুং মৈতৈগী থৌবালগী অকোয়বদা অমনা থৌবাল অথোকপমদা অমনা থৌবাল ৱাংমা তাবদা তেঙ্গোল - লানশঙ খনগত্তুনা লৈনরিবা লান্মী অনিসি থৌবালনা লান্থেংনফম লানফম ওইদুনা এপ্রিল ১, য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী লান শোক্লবা হৌখিরম্মী। অদুগা থৌবান্দা লৈরিবা তেঙ্গোলগী পন্নীঙ অমসুং পনমাঙ তেঙ্গোল খায়দোক্লদুনা লান ঙাক্লবগী থৌরাংদা থৌবাল য়ৌদুনা তেঙ্গোল থৌবাল কৈথেন [মমাঙদা থৌবাল ৱাংবা তাবদা লৈরম্মী] দা চৎখি অদুগা সনখ্যা য়াইস্কুল লাকপনা লাঞ্জিংলেন ওইবা লান্মীনা থৌবাল কৈথেলগী নোংচুপ্তা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখি। মথংগী নুমিৎ নিনি, এপ্রিল ২ অমসুং অহুমদা মৈতৈনা খর তকশিনবা ঙল্লদুনা থৌবাল তুরেল লান্দুনা কৈথেন্দা শারম্বা তেঙ্গোলদু তোমচীঙ চীঙগী মখা থংবদা লৈরিবা ৱাইখোমগী ঈংখোন্দা তেঙ্গোল শাদুনা লান থেংনখি। মসিদদি চোংথা মিয়াসু লান য়াওরখি, কোনুংদগী তোপ মহাক্লা পুরক্তুনা থৌবালগী লান্দা য়াওহনখি। মসিদা মাইস্নাম কৈরুংবা অমসুং নারেংবা লাল্লুপ-চিংবা অনিনা তোমচীঙ-চীঙদোন্দা তোপ পুখত্তুনা, বমদিয়ার [Shell] পুখত্তুনা বৃটিশ লান্মীশিংগা লান কাপ্লববু বৃটিশ লান্মীশিংগী মার্টিনি রাইফলগী মরুনা য়ৌরক্তুনা নারেংবগী মখোঙদা পান্দুনা শোকখি। অদুগা কৈথেল মনীঙগী তেঙ্গোলদুদি হোংদনা অদুম লৈরম্মী। অসুম্না থৌবাল লানফমগী লানসি হাইজিন্নবা য়াদ্রবদুদা মার্চ ৩ সিদা মনাও ঈবুংঙো সেনাপতিনচিংবা লাঞ্জিংলেন-পুরেল, লাঞ্জিং-পুরেনশিং অমসুং লাঞ্জিংলেনশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা লান মখা করম্না চথসিগে খন্নরগা বৃটিশ লান্মীগী লুচিংবদা বেঙ্গুল মরোন্না "সরকার নখোয়বু চৎলো" হায়রুববু মখোয়নসু হল্লোয় হায়না বেঙ্গুল মরোন্না পাউখুল্লকপদগী মখাগী লানওং হোংননবা সনা কোনুংদা অনৌবা লান্মী থোমজিনবীরক্লবা লানবাউ থাখি।

খা-মৈরমগী লাল্লম [South-eastern Column] গী থৌবাল লানফমগী লানবাউসি এপ্রিল ৪, থাঙজা নুমিত্তা ফংদুনা নুমিৎসিদা মৈতৈ সনাকোনুংদা মহারাজ, যুবারাজ অমসুং অঙম-অথৌশিং খন্নরগা য়েনখোয়বা মেঞ্জোর অমসুং ব্রাংখৈ মৈরাবা পোইলাবু অচৌবা লান্মী তেঙ্গোল অমা [সিফাই মশীঙসি ৮০০ ওইরমগনি] অদুগা লান চঙবগী লাঞ্জিং- পুরেন, লাঞ্জিংলেনশিংনচিংবা (মশীঙ থাবদা হান্ননা থৌবান্দা লৈখ্রবা - সনখ্যা ব্রাংখৈরাকপা মাইপাকস্না, সনখ্যা হাইজৌস্না য়াইস্কুল লাকপা, সনখ্যা দোলাইরোই হঞ্জবা অমসুং চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া পুরেন মেঞ্জোরবু অমুক হঞ্জিন্না মমিং থাজিল্লি) পুদুনা এপ্রিল ৩ নোংমাইজিংগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৫ [মৈতৈ পুং, I.S.T. দা পুং ১, মি: ৫২ সেকেণ্ড ৩০] দা থৌবাল লানফমদা খোঙশানহনখি। মৈতৈগী অচৌবা লান্মী তেঙ্গোল অমা থোমজিল্লকপসিদা লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টকী পীল্লবা সিফাই ৮৫ খক্তনা শাবা লান্মীশিংদু মখোয়গী অনৌবা লানওং লৌখৎনবগীদমক্তা লানগী পন্নীঙ হন্দুনা থৌবাল অথোকপমদা মখোয় তেঙ্গোল হোংখি।

(২) থৌবাল অথোকপমগী লানফম অমসুং লান

বৃটিশশিংনা থৌবাল অথোকপমলোমদা লাননীঙ্ হল্লকপা মার্চ ৩ গী অহিংসিদা অথোকপম খুনগী খুঞ্জাশিংগী য়ুম পুন্নমক তুম্না মৈ থাদুনা মীচম প্রজাশিংবু লানফম- লানশঙ শাগদৌরিবা নত্রগা লানফম ওইরগদৌরিবা মফমসিদগী তাস্থোকখি। হায়রিবা মতমসিদা মৈতৈ-লান্মীশিংদি লমশাং নোংথিল চুপ্পা চৎলকপগী চোকথবনা লেঙঙম-শাঙমদ্রবা মতমনি। অদুগা বৃটিশকী লান্মীশিংনা মখোয়গী অনৌবা লানওংগী থৌরাং মতুং ইন্না অথোকপমগী শগোলশেমগী ঈংখোন্দা তেঙ্গোল শারগা লানখোং/লানকোম [Trench] তৌদুনা অহিংদুদা অনৌবা লানওংগী থৌরাং শেম-শারি। হায়রিবা অনৌবা মৈতৈ লান্মী থোমজিল্লক্লবসিদা পন্নীঙগী তেঙ্গোল শান্ননবা এপ্রিল ৪, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা থৌবান্দগী লিল্লোংদা লাঞ্জিংলেন- পুরেন অঙৌস্না, সেনাপতি অমসুং লাঞ্জিংলেন সনখ্যা হাইজৌস্না চৎখি অমসুং লিল্লোংদা সিফাই ২০০ রোম লানবন/তেঙ্গোল শঙ্নবা থনম্লগা অমুক থৌবালগী তেঙ্গোন্দা হল্লকখি। হায়রিবা নুমিৎসিগী মথংগী নুমিৎ লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মৈতৈগী পনমাঙ তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন, চোংথা

নিলমনি অয়া পুরেন মেঙ্গোরনা লাঞ্জিংখিবা মৈতৈ লান্মীনা অথোকপমগী বৃটিশ তেঙ্গোলদুগী য়েৎলোম থংবা মায়কৈদগী লান্দাগে হায়দুনা থৌবাল তোমচীঙগী মখা থংবগী তেঙ্গোন্দগী অৱাং ওইরপ কোয়খত্তুনা চৎখ্রগা নেপ্রা কম্পনীনা লৈরম্বা মফমদুদা কুমথরক্তুনা বৃটিশ তেঙ্গোল শাফম্মদা লান্দাগে হায়না থৌরাংলুববু বৃটিশ লান্মীশিংনা থিংদুনা অরোং তুরেন [বৃটিশ তেঙ্গোলগী য়েৎলোম/নোংপোকলোমগী ঙমখৈদা চেল্লিবা তুরেন] গী মথক্তা শারিবা থোংদু মৈতৈ লান্মীনা লানগে তৌবদা বৃটিশ লান্মীগা খুৎ থোক্লদুনা কাপ্লখি। হায়রিবা লানসিদা মৈতৈ সিফাই ২০ লোম শিখি অমসুং বৃটিশ সিফাইশিংগী লান্থেংনবগী শাফুগী চৈথেং খাঙবা ঙমদদুনা মৈতৈ লান্মীশিং তকথোক্লকখি।

অথোকপমগী লানফমগী ফিবমসিদা মৈতৈনা চঙশিল্লুবসু ঙমদা বৃশিনা থোক্লকপা- হেন্দোক্লকপসু ঙমদা মায়কৈ অনিমক অমনা অমবু তকথোক-তকথোক্লবা নত্রগা লাকশিন-হেঞ্জিনবা ঙম্মদনা অমগা অমগা মুক্লদুনা অমসুং লৌ য়েংনদুনা লৈরম্মী। অঙম্বা অমনা অমগী অশোনবা, অহোবা অমসুং অশোয়বা য়েংন-খঙননবা লাঞ্জাবা কাংবু শীজিন্নদুনা লৈনরম্মী। অসিগুম্বা লাঞ্জা-লাল্লুম্নবা, য়েক্লবগী ফিবম তাউবা, ফিরেপ চেঙবা য়েংবা, লোইননা অসিগুম্বা লান্মী খুৎশিং/কাংবুশিং মশেন্দি মরক্তা চোয়না চোয়না কাপ্লবগী মওং খর থেংনখি। অদুদগী অমুক চোংথা অয়া পুরেন মেঙ্গোরনা তৌখিবগুম শিবা কিদবা ঈনখৎলক্লিবা সিফাই ৫০ না বৃটিশ তেঙ্গোলগী নোংপোক লোমদগী চঙননবনি হায়না মখোয়গী মথক্তা হান্না লান্দারুবগুম লান্দারুববু হান্নগুম করিসু কান্নবা ফংখিদে। অমুক লান হন্দোক্লদুনা মায়কৈ অনিমক্কী লান্মীগী সিফাইশিংনা লাপ্লা উনবা মফমদগী ফি হাইনদুনা খুদম কয়া তৌনৈ, অমনা অমবু ফি হাইদুনা হনখ্রো, চৎখ্রো, ঐখোয়সু হল্লগেনচিংবা মওংগী ঈঙ্গিৎ কয়া উৎনৈ। অসুন্না তৌনরম্বসিদগী মতম অমদা বৃটিশকী টেলিগ্রাম ওফিসতা থবক তৌরম্বা মখোয় বৃটিশকা মরোল-মরি খঙনবা, খ্বাইনা টেলিগ্রাম বাবু কৌনবা নুপা অমা নেক্তুনা সেনাপতি অঙৌস্নানা বৃটিশ তেঙ্গোলদা চঙহন্দুনা মহাক্কী পাউ হায়হল্লুই - "মনাও ঈবুংঙো সেনাপতিনচিংবা লৈপাক্লা হায়রকএ - সাহেবসু হনখরো, ঐখোয়সু হনখ্রগে - হায়রকএ। নখোয়গা ঐখোয়গা কাপ্লবসি কান্নদে, নখোয়গী লৈপাক্তা হল্লো হায়রবদা মখোয়না খুমএ - নখোয়গী নথৌ করি লৈতে, ঐখোয়দি হনবা হৌনদে" - [চৈ:কু:, ১৯৮৯,

৫৮৮] হায়না মখোয় বৃটিশকী লান্মীশিংদুনা হল্লোয়দবগী ৱাফমসি তারবদা লাঞ্জিংলেন- পুরেন, অঙৌস্না সেনাপতিনা লৈরিবা মহাক্কী লান্মীগী মকোক থোংবশিং অমসুং সিফাই পুন্নমক্কা লানওং মখা করম্না চথগদবগে হায়বদু খন্নখি অমসুং ময়াম পুন্নমক্তু ৱাখল অমতা ওইনা “মখোয়না চৎলো ময়াদ্রবনিনা ঐখোয় ময়াম পুল্লপ্লা ঙস্বা - ঙমদবগী ফিবম য়েংলসি হায়না ৱারেপ্লখি।

মৈতৈ লান্মীগী পন্নীঙ-পনমাঙগী তেঙ্গোল অনিমক পুন্না পুনশিন্নদুনা বৃটিশকী অথোকপমদা শারিবা তেঙ্গোলদু থুগায়নবা লাঞ্জঙলকপদা বৃটিশ সিফাইশিংদুদি মখোয়না হান্ননা তৌথোক্তুনা থল্লবা লানখোং/লানকোম অদুদা চঙখ্রগা মশা মখৈ থুপ্তুনা লৈরগা নোংমৈ চীন্দোন থিন্দোক্তুনা মৈতৈ সিফাইশিংনা চঙশিল্লকপা ঙাইদুনা লৈখিরম্মী অমসুং মৈতৈ লান্মীনা খজীক্তং চঙশিল্লুবদা নোংমৈ য়াম্না কাপথোল্লককখি। অদুগা মৈতৈ সিফাইশিংনসু নোংমৈ য়াম্না কাপশিন্দুনা মখোয়গী তেঙ্গোলদু পুমকোয় কোয়শিন্দুনা থমখ্রে। মখোয়সু থোল্লককপা- হেন্দোল্লককপা ঙমদ্রে অমসুং মৈতৈসু মিৎ-না ঙপ্‌পা য়াদ্রে। অসুন্না এপ্রিল ৪ সিদা মখোয় বৃটিশ সিফাইশিংনা কোমনুংদা শাথুপ্লগা মৈতৈ লান্মীনা লমহাঙদা লৈরগা নোংমৈ কাপ্লবসিনদি মখোয়বু মায়থীবা পীবা নত্রগা তাস্থোখিবা ঙল্লরোয়, মরম অসিনা তৌনরিবা লানওংসি হোংদোক্তুনা লোন্না চঙশিল্লগা থাঙ পায়দুনা হকথেংননা খুৎনা ফংনা য়ান্নবগী লাঞ্জঙ-লানওং তৌরসি হায়না সনখ্যা হাইজৌস্না য়াইস্কুল লাকপনা হৌদোক্তুনা লানওংদুদা চথনবা শেম-শানখি। হায়রিবা লানওংসিদা সনখ্যা য়াইস্কুল লাকপগী তুংয়িনগদবা থৌনা ফরবা মৈতৈ সিফাইশিগী লুপ অমগী মরক্তা সনখ্যাসিগী মচাইবুংঙো স্নাহল শেঙ্গোয়স্না/শঙ্গোয়স্নাসু য়াওখিরম্মী। অসুন্না লাঞ্জঙলকপা লানওংসিদা সনখ্যা য়াইস্কুল লাকপা মপা মচাগা বৃটিশ লান্মীগী লুচিংবা সাহেবশিংগা খুৎনা ফংনা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ৩ [পুং ১ মি: ৭ সেকেণ্ড ৩০ (I.S.T.)] দা মপা মচানা সাহেব ৩ হাৎলন্নগা লানফমদা থৱাই থাখি [মথক্কীসিদা, ৪৮৮]। অসুন্না খুৎনা ফংনা য়ান্নবা লানওংসিদা নুমিৎ তারদুনা তেঙ্গোল অনিমক লান হন্দোক্লদুনা পোখানখি। অদুবু মথং নুমিৎ এপ্রিল ৫, লৈপাকপোকপা নুমিৎসিগী অয়ুক্তা বৃটিশ লান্মীশিংদু অথোকপমদা শারস্বা মখোয়গী তেঙ্গোলদু থাদোক্তুনা নুমিৎসিগী নোংঙান্দ্রিঙৈ, মমাঙগী নুমিৎকী অহিং অথেংবদা চেনখিরম্মী।

বৃটিশ লান্মীশিংনা কোম্নুংদা শাথুপ্লগা নোংমৈ কাপথোক্তুনা মৈতৈ লান্মী লান্থেংনবগী লানওং অমসুং লান খুত্তৌ-লাকতৌসিদা মৈতৈনা কোম মপান্দা-মনাক্তা চঙলগা হকথেংননা য়ান্নবগী লানশোক্নবগী খুৎশোক্লা অসিনা থিংখ্রবদা অমসুং মখোয়গী মরু ওইবা লাঞ্জিংলেন খর হাৎখ্রবা অমসুং খর শোকখ্রবসিদা লানওংসি খাঙবা য়ারক্তুদুনা লানগী লাঞ্জিং পুরেন ওইরিবা সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টনা অহিংদা লানকোম মনুংদগী লান্মী পুম্নমক থোক্তুনা ৱাংজীঙ লোমদা লান্নীঙ হন্দুনা লাঞ্জেল্লকখি অমসুং তুন্মুদগী লাকপা মখোয়গী লান্মীশিং লাকপা ঙাইননবা থৌরাং শীন্দুনা লান্থেদুনা লৈখিরম্মী। অদুবু মৈতৈ-লান্মীশিং অমসুং লাঞ্জিংলেন- পুরেন্নচিংবনদি মখোয়গী লানকোমশিং অমসুং তেঙ্গোল থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে অমসুং লৈত্রবসিদদি মনাও ঈবুংঙো অঙৌস্না সেনাপতিনা লানফমদুগী অমসুং মতমদুগী ওইনা লান শোক্ন -থেংনগদৌবা লৈত্রে হায়দুনা হায়রিবা নুমিৎ এপ্রিল ৫ অসিদা লানফমদগী হল্লকখি। অদুগা চেনখ্রিবা বৃটিশ লান্মীশিংদুগী খোঙথাং-খোঙফম য়েংদুনা লাঞ্জাদুনা থিননবা মৈতৈ লান্মী ৩০০ গা লোইননা সনখ্যা মাইপাকস্না ৱাংখৈরাকপনা লাঞ্জিংলেন ওইবা শানৌজাম্বা পোইলা অমসুং য়োইরেনবা পোইলানা লাঞ্জিংবশিং ওইবা লান্মী তেঙ্গোলনা পল্লেন ফাওবা চত্তুনা লান্দাল্লুবা লান্মী তেঙ্গোল অদুসু এপ্রিল ৯, থাঙজা নুমিত্তা হল্লক্তুনা মৈতৈ কোনুংদা থুংলখি।

৩) পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোল

লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্ট, ১২ শুবা মদ্রাজ [২শুবা বর্মা বেটালিয়ান] ইনফেন্ট্রীগী তুন্মুগী কম্মাণ্ডিং অফিসারনা মশাগী ইনফেন্ট্রী লান্মী ৫০ অমসুং ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাই ৩৫ পুদুনা তুন্মু থাদোক্তুনা মার্চ ২৮ দগী মনিপুরদা লানথেংনরুনবা চঙখিবা নুমিৎসিদগী গ্রান্ট মশামক শাথীনা শোক্তুনা মাগী লান্মীশিংনা পুদুনা এপ্রিল ৫ দগী অথোকপমগী তেঙ্গোন্দগী লান্থেদুনা লান্নীঙ হল্লকপা মতমসিদা ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রীসিগী স্নেডর [Snader] রাইফল পায়বা সিফাই ১০০ গা লোয়ননা কেপ্তেন প্রেসগ্রেভ [Captain Presgrave] না তুন্মুদা লাক্লম্মী। মহাক্লা হেক থুংলবগা মহাক অমসুং মহাক্কী সিফাই ১০০ সিবু লেফটেনেন্ট

গ্রান্টনা মহাক্কী অপীকপা সিফাই ৮৫ দনা শাবা লান্মী লুপ অমা পুরগা মনিপুরদা বৃটিশ অফিসার ৫ কন্ননবগী লাঞ্জঙখ্রিবা খোঙজঙ অদুদা লান হন্দোক্লকউ হায়না তুন্মুদগী এপ্রিল ৮ দা পাউ পীখিদুনা মথংগী নুমিৎ, এপ্রিল ৯ দা লান হন্দোক্লকপদু ওকপীরুনবা, তেংবাংবীরুনবা অমসুং অশোক-অপন থোক্লিবশিংদুগী খুৎলৌ-খোঙলৌবা থোক্তনবগীদমক ঙাক-শেনবীরুনবা উকন-লান্মী [Rescue party or Relief troop] ওইনা থারকখি। মহাক্কী লান্মীসিনা লেফটেনেন্ট গ্রান্টকী লান্মীসিবু নীঙথিনা ওকপীদুনা মখোয়গী লান্মী অনিদু পুনশিন্দুনা তুন্মুরোমদা হল্লকপগী লম্বীদা মৈতৈ লান্মী ৩০০ লোম পল্লেন মনাক্তা লৈরম্বদু উখিরম্মী। হায়রিবা মৈতৈ লান্মীশিংদুনা পল্লেন থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা কেপ্তেন প্রেসগ্রেভ অসুং লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টকী অপুনবা লান্মীনা পল্লেন লৌশিল্লগা মফমদুদা তেঙ্গোল শাদুনা এপ্রিল ১৩ দগী লৈখিরম্মী।

কেপ্তেন প্রেসগ্রেভ অমসুং লেফটেনেন্ট গ্রান্টপু মখোয়গী লান্মীশিংনা পল্লেন্দা তেঙ্গোল-লানশঙ শাদুনা লৈখ্রিবসি ব্রিগেডিয়ার/মেজর-জেনরেল টি: গ্রাহাম সি: বি:, কম্মাণ্ডিং অফিসার, তুন্মু কোলম, মনিপুর ফিল্ড ফোর্স [Brig./Major General T. Graham C.B., Commanding Officer, Tamu Column, Manipur Field Force] না মহাকপু তুন্মু কোলম অসি শেম-শানবগীদমক্তা চহিসিগী মার্চ ৩০ দা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী এদজুটেন্ট জেনরেলদগী য়াথং ফংলদুনা চহিসিগী এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা মহাক্কী কোলম অসি শেমগৎপগী শরুক অমা ওইনা হায়রিবা তুন্মু কোলমসিগী মাঙজীন থারকপা লান্মী লুপ [Advanced/Pioneer troop/party/position] ওইনা হায়রিবা তুন্মু কোলম অসিনা মনিপুরদা/মফমসিদা [পল্লেন্দা] য়ৌরক্ত্রিবা/থুংলদ্রিবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈননবা অমসুং লাল্লম/কোলম অসিনা লাঞ্জঙলকক্দবসিগী মায়কৈ-লমদম অদুগী লৈরিবা ফিবমগী লাঞ্জাদুনা খঙননবা অমসুং শেন্ননবগীদমক্তা কেপ্তেন প্রেসগ্রেভতা থৌদা পীরকপদগীনি। কেপ্তেন প্রেসগ্রেভ, লেফটেনেন্ট অমসুং মখোয়গী লান্মী-লুপসিনা য়াথংসি ঙাক-ইন্দুনা পল্লেন্দা তেঙ্গোল শাদুনা এপ্রিল ১৭ ফাওবা লৈরবদা মখোয়না তুন্মু কোলমগী অশেংবা মাঙজীন-থাবা

লান্মী-লুপ, মেজর সার চার্লস লেস্লী [Major Sir Charles Leslie] না লাঞ্জিং পুরেন [Commanding Officer] ওইবদু মথংগী নুমিৎ এপ্রিল ১৮ দা থুংলখি।

মেজর সার চার্লস লেস্লী, কম্মাণ্ডিং অফিসার, অনিশুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী মরিশুবা রাইফলস [4th Rifle of the 2nd Gurkha Regiment (2-4 Gurkhas)] না অপুনবা গুর্খা অমসুং শিখকী স্নেডর রাইফল পায়বা সিফাই ৪০০ রোম পুরক্তুনা মহাক্কা লোয়ননা কেপ্তেন রণ্ডল [Captain Rundall], কেপ্তেন এফ এম ড্রুরী [Captain F.M. Drury], কেপ্তেন পি: এম: কার্নেজী [Captain P.M. Carnegy], লেফটেনেন্ট ডুকেট [Lieutenant Ducat], লেফটেনেন্ট পেটরসন [Lieutenant Peterson] অমসুং ডা: ক্লার্কসন [Dr. Clarkson] না খোঙমী লান্মী [Foot Soldier/Troop] ওইনা অমদি লেফটেনেন্ট এফ:ডবলিয়ু:ঐচ কোক্স [Lieutenant F.W.H. Cox] না শগোল-তোংবা-লান্মী [Mounted Infantry] ওইনা অমসুং লেফটেনেন্ট পর্শে [Lieutenant Persse] না বোম-তোপ-লান্মী [Mountain Battery] গী ওইনা থুংলদুনা হান্ননা পল্লেন্দা লৈরম্বা লান্মী তেঙ্গোলগা পুনশিনখি। অসুম্না পল্লেন্দা তেঙ্গোল শারিবা বৃটিশকী মাঙজীন থারকপা লান্মী লুপ, তুম্মু লাল্লম-লান্মীসিবু শারিবা অপুনবা লান্মী মশীঙদি :-

১) মেজর লেস্লীগী মখাদা ২-৪ গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ৩৪০ খক
২) কেপ্তেন প্রেসগ্রেভকী মখাদা ১২ শুবা মদ্রাজ রেজিমেন্টকী সিফাই ১০০
৩) লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু : গ্রান্টকী মখাদা লাকপা
  i) ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রীগী সিফাই ৫০ ৮৫ খক
  ii) ৪৩ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাই ৩৫
৪) লেফটেনেন্ট কোক্সকী মখাদা শগোল-লান্মীগী [১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রী] সিফাই ৪০
৫) লেফটেনেন্ট পার্শেগী মখাদা ২ শুবা মাউন্টেন বেট্টরীগী মাউন্টেন গন ২গী মাউন্টেন গন কাপ্পা [তোপ কাপ্পা] সিফাই ২০

লাঞ্জিংলিবা অফিসারশিং থাদনা অপুনবা সিফাই মশীঙ ৫৭০ খক, পুন্না ৫৭১ রোম্নি, মসিদা লাঞ্জিংলিবা অফিসারশিং মথক্তা মমিং পঞ্জখিবশিংবু মশীঙ থাদ্রিবনি। হায়রিবা মাঙজীন থাবা লান্মী-লুপসিনা তুন্মু কোলমগী মপুঙ ওইবা লান্মী-মপৈ অমদি মেজর-জেনরেল টি: গ্রাহাম সি:বি: না লাক্ত্রিবা অমসুং পল্লেন্দা থুংলদ্রিবা ফাওবদা লান অমতা শোক্লদনা, চুম্নদমক য়েক্লবগী ফিবম, খোঙথাং, খোঙচৎ- খোঙফম্নচিংবা য়েংশিন-শেন্নদুনা লৈগদবনি। মসিগী লমদাংসিগী ওইনা পীবীরম্লিবদি মখাগীসিনি :-

The force [the Advance trooper Pioneer Company of Major Leslie] were not to take field against the enemy, but they were to keep a watch on their [Enemy's] movements. For this purpose the mounted Infantry under Lieutenant Cox went out daily. On one occasion this officer patrolled close upto Thoubal, and found the enemy occupying the position recently held by Lieutenant Grant. He calculated the number of the enemy at five hundred, They fired a volley at the patrol, but no harm was done [N.K.S., 1983, A-XXXXII].

মেজর লেস্লীগী মাঙজীন থাবা লান্মী লুপসিনা মখোয়দা পীরকপা মথৌ, হায়বদি, মখোয়গী য়েক্লবা ওইরিবা মৈতৈ লান্মীগী তেঙ্গোলশিংগী মওং-মতৌ, শারিবা সিফাই মশীঙ, মফম কদায়-কদায়দা, করম্বা মওংদা লৈরিবা, অসিনচিংবা য়েক্লবগী ফিবম অমসুং খোঙফম [Condition and position] শিং, য়েংশিন্দুনা লৈরম্মী। হায়রিবা থবকশিংসি লেফটেনেন্ট কোক্সকী মখাদা লৈরিবা ১২ শুবা মদ্রাস ইনফেন্ত্রী [অনিশুবা বর্মা বেটালিয়ান] গী শগোল - তোংবা লান্মী ৪০ অদুগী সিফাইশিংদুনা শীন্ন-শীন্ননা মখোয়গী পল্লেন তেঙ্গোল - লানশঙসিদগী নুমিৎ খুদিং শগোল থৌদোক্তুনা তম্পাক্কী লমদমশিংদা মনিপুর বর্মা লম্বীদা/রোডতা হঙ্গৎ-হন্দা চত্তুনা য়েংই - হায়বসি মথক্কী ঈঙ্গ্রেজীগী কোটেসনসিদা য়াওজরে। শগোল - তোংবা - সিফাইশিংদুনা পল্লেন্দগী লমফৈদা ককচীঙ অমসুং মনিপুর বর্মা লম্বীদা লাংঙাথেল,

খোংজোম, শাৎপম, ৱাংজীঙ অমসুং থৌবাল ফাওবা কাখত্তুনা য়েক্লবনা করি করি তৌরিবগে, হায়বদু য়েংশিল-খঙজিল্লি - হায়বদু মখোয়না লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টনা কোম তৌদুনা তেঙ্গোল শারম্বা থৌবাল অথোকপমগী মফমগী মরমদা পল্লিবসিদগী খঙবা ঙমই অমসুং লেফটেনেন্ট কোক্সকী শগোল-লান্মীশিংসিনা নোংমগী লাঞ্জাবা চখোক্লুরগা থেংনরকপা, উরকপা অমসুং খঙলকপা পুন্নমক্তু পল্লেন বেটল-কেম্পগী কম্মাণ্ডিং অফিসারদা নুংতিগী রিপোর্ট লানখৎলি।

বৃটিশকী পল্লেন লানশঙ-তেঙ্গোলগী লাঞ্জাবা শগোল-তোংবা লান্মীশিংসিনা মখোয়গী তেঙ্গোলগী অকোয়বদা লৈরিবা লমশিংগী মওং, ফিবম্ন চিংবা য়েংলকপদা মৈতৈগী চাওরবা খুল অমা পল্লেনগী কৌব্রু লাইচী (অৱাং-নোংচুপ) রোমদা লৈরিবসি মখোয়না পল্লেন্দা থুংলবা নুমিৎ এপ্রিল ১৮ সিদগী খঙন-থেংনরদুনা নুমিৎসিগী নুমিদাংদা অনৌবা কেম্প-কম্মাণ্ডর [Camp Commander] মেজর/কেপ্তেন লেস্লীদা রিপোর্ট তৌখ্রবনি। মরম অসিনা খুন অসিগী ফিবম, লম্মিৎ-তুমিৎ, মীশীঙ-য়ুমশীঙ, য়ুমলৈ-কৈরৈনচিংবা খঙদোক্তুনা খুঞ্জাশিংবু মখোয়গী মীচঙদা লৈননবা অমসুং মখোয়বু শৌগৎনবা থৌরাং পায়খত্তুনা মখোয় বৃটিশ কেম্পকী ফিবম চেৎহন্নবগী থৌশীলদা চঙশিল্লকখি। হায়রিবা খুঙ্গং অসিগী মমিং "ককচীঙ" কৌই অমসুং খুঞ্জা-মীয়ামগী মমিংসু মমিংসিমক্কা অদুম খঙনৈ। হায়বসি মমাঙগী এপ্রিল ১৩ দগী লৈরম্লবা কেপ্তেন প্রেসগ্রেভনা খঙলবা মতুংদা মখোয়না ককচীঙগী মীশিংদা মখোয়গী চান্নবা পুরক্লুবগীদমক্তা মখোয় - বৃটিশ - লান্মীনা থিজিন-হুমজিনবা এপ্রিল ১৪ দা চৎপা নুমিত্তুদা মখোয়গী চাননবা চীঞ্জাক [রসন (Ration)] মরাং কায়দ্রে, চেঙ পীয়ু, য়েনশাং-নাপী পীয়ু, অসিনচিংবা - হায়দুনা মখোয়গী মীচঙ্ ওইহন্নবগী লমদাংদা পায়খৎখিবা থৌরাংশিংগী ঈ-পাউ কেপ্তেন প্রেসগ্রেভতগী তারবা মতুংদা অমসুং ককচীঙ-খুঞ্জাশিংসিনা মনিপুরগী/মৈতৈগী মীচঙদা লৈ, মখোয়দা কিবদগী তৌদবা য়াদবা ওইনা নোল্লুকপা, খাজঙজবা অমসুং ঈকাই খুম্নবগী মওং-মতৌ অমসুং লমচৎ-শাজৎ উৎপদনি হায়বসিসু মখা তানা হান্নগী কেম্প-কম্মাণ্ডর অমসুং মরু ওইবা সিফাই খরদগী খঙলবা মতুংদা অনৌবা কেম্প কম্মাণ্ডর মেজর লেস্লীনা ককচীঙগী খুঞ্জাশিংবু মখোয়গী মখাদা লাকশিন্দুনা

থম্মনবগীদমক এপ্রিল ১৯ দগী থবক পায়খৎলকখি। চান্নবা উৎপা অমসুং নুংশিনবগী লমচৎ-শাজৎ উৎপনদি হায়রিবা খুঞ্জাশিংসিনা মমাঙদগী কুইনা তীন্নরক্লবা মরুপ-মপাংশিংগী লম্বীদু ককথৎপা ঙমলোয় অমসুং মৈতৈবু থাপতোক্লহনবা য়ারোয় হায়বসি খন্দুনা মেজর লেস্লীনা কিহন্দুনা, অহানবদা তাৎকী খোঙথীন অমসুং ধমকা তৌদুনা য়েংলগা চত্রবদি নোংমৈ কাপ্পা, শোকহন-পলহনবা, ফু-চৈবা, লাউ-খোংদুনা, নোংমৈনা নম্বনচিংবা চথবা অমসুং য়াদ-য়ারক্তুগা হাৎপা-তুপ্পা ফাওবা চথদুনা ককচীঙগী খুঞ্জাশিংবু খুদুম চন্দবা য়াদে, মখোয়গী ৱাখল-তেংবাং ফংদ্রবদি পল্লেনগী তেঙ্গোলসিগী খোঙফম তাউগনি, চেৎলোয় হায়বসি উর-খল্লদুনা মেজর লেস্লীনা খন্দুনা বৃটিশকী গুর্খা অমসুং শিখ সিফাইশিং থাজিন্দুনা চাংয়েং তৌরকখি, অদুবু, অকোনবগী পাম্বৈসি শীজিন্নবগী মথৌ চঙলক্লদুনা পাম্বৈসি পায়খত্তুনা ককচীঙ খুঙ্গং অমসুং খুঞ্জাশিংবু মখোয়গী খুবাম মনুংদা এপ্রিল ২০ দগীদি থমখ্রে। মসিনা নুমিৎসিগী মমাঙগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙগী মতমদা ককচীঙ খুঞ্জাশিংগা মৈতৈ-স্না কোনুং নত্রগা লান্মী- তেঙ্গোলশিং খরগা মোইরাং-পল্লী লম্বী, ঈরেংবন পাৎপান-তেকচম- তেন্থা লম্বী, লাংঙাথেন-হৈরোক-ৱাংজীঙ লম্বীনচিংবদা ঈ-পাউ খর-খর ফাওনরম্বা-চৎনরম্বদু ককথৎখ্রে। অদুগা বৃটিশ লান্মীনা তোয়না অমসুং লায়না চঙ্থোক-চঙশিন তৌবা মনিপুর তম্পাক্কী খুন অমা ওইখ্রে।

৪) মনাওচীঙ-চীঙশা অমসুং ককচীঙ-খুল্লক্কী লান অমসুং লানফমশিং, ১৮৯১

মনাওচীঙ-চীঙশা অমসুং ককচীঙ-খুল্লক্কী লান অমসুং লানফমশিং, খৃ: ১৮৯১ - হায়বসি খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ-বৃটিশকী লাঞ্জাও অদুদা শোক্লখিবা মৈতৈ/মনিপুর' নীঙতম লান অদুদা অচৌবা লাঞ্জাওদুগী মরু ওইবা শরুক অমদি ওইরগা চীরোনগী উৎ চায়শিন্দুনা খোর্জৈ মঙম থৈখিদুনা নীঙথিনা শীঙথাবীরমদনা অমসুং অয়ম্বগী লান্নাবু উতোন্দা থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা লোইবী চীঙখাঙথক্কী পামেন উতোন থক্কী উথম্বালবু শীঙঙেন নাওইতোং তাহনবীরবা লানশিং অমসুং লানফমশিংনি। হায়রিবা লানশিং অমসুং লানফমশিংসি লান

অমতগী মরী-মরী শম্নরবা অমসুং মনাওচীঙ চীঙগী চীঙশা, চীঙদোঙ অমসুং চীঙয়াগী লমশিং অসিগা ঈশম-ঈশম শম্নরবা অমসুং ঈরাপ-ঈরাপ লাপ্নদবা মফমশিং - ককচীঙ-খুল্লক [ককচীঙ খুল্লেন অমসুং ৱাইরীগী লমখৈনুংগী লমদম] অমসুং মনাওচীঙগী য়েৎথংবা/অৱাংথংবা চীঙখোঙ - চীঙয়াগা কোন্নরিসিবু লানফম অমসুং লানবুঙ ওইহন্দুনা মৈতৈ/মনিপুরী অমসুং বৃটিশ/ঈংগ্রেজগী লান্মী অনিমক্না লান্থেংনখিবসি খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২২ গী নুমিদাং পুং ৮/৯ লোম তাবদগী মথংগী নুমিৎ এপ্রিল ২৩গী অয়ুক পুং তরা মখায়রোম তাবা অদু ফাওবগী মতমখক্তনি। হায়রিবা মতমসিগী মনুংদসু এপ্রিল ২২ দা পুং ২ রোমদং অমসুং এপ্রিল ২৩ দনা পুং ১ মখায়রোমগী পুংজা ৩ মখায়রোম খক্তনি অদুবু তেল্লবা মতমসিদা মরৈপাক - মজাতিগীদমক্তা থৱাই হকচাং কথোকপা, অশেংবা মৈতৈ অথৌবা লাঞ্জিংলেন অমা, মিংলেন্না ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোর অমসুং থাজনীঙঙাই ওইরবা থাদোকপগী মঙাল ফংখ্রবা মেঞ্জোর [মীওই খরনদি লান্মী [Army/Military] গী চৎন-লোনচৎ অমসুং চৎনরিবা ৱায়েল-ৱাখুন থিদনা চেমন খরদা ইরল্লবনি হায়দুনা ইরল্লিবদু করম্না, করিগী, কৈদৌঙৈ অমসুং কদায়দগী ইরল্লিবনো - হায়বদুদি থিজিন-হুমজিনবীদনা পোইলা [Captain] হায়দুনা কংয়েত্তা, মখোয়গী মমিৎকী মিৎমাঙদা তৌবিবা/উরিব কম্মিসন অফিসারশিংগী রিগুলার লাইন ওফ প্রমোসন অমসুং ঈমর্জেন্সী কম্মিসনগী অফিসার খনবা-লৌবগী পরিং, পথাপনচিংবদি খন্থবীদনা হেক্তমক হায়নৈ/কৌনৈ।] সিগী ঙাক-শেন খোঙলোই ১৯(তরামপন), মিংথোন- মিংশক তাকপীরমদ্রবা- খঙজহৌদ্রবা মৈতৈ-সিফাই মিং খঙদ্র'-মিংপন্দ্রবশিংনা পুন্না মথৱাই থাদোকমিন্নখিবগী মথৱাই খুত্থাদোক-খুৎকত্তু মফমসিদা হায়রিবা এপ্রিল ২৩ সিদা থোকখি।

মনাওচীঙনা লেপ্লিবা লমদমসিবু ঙসিগী মতমসিদা মমিং অমনা খঙনরবসু মনিপুর ইতিহাসকী ঙরাং-নহানগী মতমদা নত্রগা মদুগী মমাঙদা য়ৱাবুঙ/অৱাবুঙ কৌনরন্মী হায়বসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিংনা প্রমানগা লোয়ননা উত্তুনা খুদম-চাংদম পীদুনা ৱাফম পীরি অমসুং লমদমসিগী অকোয়বদা খুন্দা-লৈতারিবা খুঞ্জাশিংনসু পাৱারী-পুৱারীগী ৱাখুন-লীখুন, কাংখুন-ফৈদোম্ন চিংবা পুথোক্তুনা শৌগৎলি। অদুগা হায়রিবা মফমসি মনিপুরগী খোয়দৌ

ওইরিবা কংলা [জিরো-মাইল-ষ্টোন (Zero Mile-stone) সি মনাক্তা লৈরে] দগী খা-নোংপোক ওইরপ্পা কি:মি: ৪৫ রোম অদুগা ককচীঙ কৈথেল/বজারদগীনা নোংচুপলোমদা কি:মি: ১.৫০/২ রোম লাপ্পা লৈ। য়াম্না লায়না মফমসিবু তাকপা তারবদি ইম্ফালদগী খা-নোংপোক্লোমদা সেকমায় তুরেনগী খোংলমদা শারিবা পন, সেকমায় বেরেজগী মৈরম ওইরপ্পা লৈরিবা চীঙদোঙ মচা অহুম নাইবা চীঙ মচা অদুনি অমদি মসিগী চীঙথক্তুদা অমসুং নোংচুপকী চীঙখোঙ-চীঙয়াদা সেকমায় বেরেজদুগী ঈশিং খুঞ্জাশিংদা য়েন্ননবা তেঙ্কী/রিজার্ভর [Tank/Reservior] লৈরিবদুনি।

অতোপ্পা লানফম অমা ওইখিবা "ককচীঙ" হায়রিবা লমদমসিসু মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিং [খুদম ওইনা; নিংথৌরোল লম্বুবা, চাদা লাইহুই, লমমিৎলোনশিং, ফৌওইবী ৱারোল, অসিনচিংবা] দা তত্তনা মমিং পন্নরিবা খুঙ্গং/লম অমনি। অদুগা লমসিগী লমমিংসি লৌদুনা লমদমসিদা খুন্দা-লৈতাদুনা চহি-চা খর লৈরক্লবা মী কাংলুপ/ফুরুপ অসিগী কাংলুপকী/ফুরুপকী মমিং ওইনসু খঙনৈ/থোন্নৈ। ককচীঙ-খুঞ্জাশিংসি মনিপুরনা মনীঙ-তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরিঙৈদদি মমিং চৎপা শীন্মী-লুপ অমা ওইনা য়োৎশুং-য়োৎশা [Iron smelting and forging] তৌবা লুপ অমদি য়োৎনা লোইপোৎ কাবা মীশিংনি হায়না ইতিহাসকী লামায় হাইগত্তুনা খুদম-চাংদমগা লোইননা পুথোক্তুনা খৃ: ১৯৭৮ দগী মনিপুর সেদ্যুল কাষ্ট [Schedule Caste] কী কাংলুপকী লিষ্টতা য়াওখ্রে। মসি, তশেংনমক হায়বা তারবদি, ককচীঙগী মীয়ামগীদমক্তদি অচুম্বা অমসুং অশেংবা খোঙথাংনি। ককচীঙ কৈথেলগী মফম অসিনা ককচীঙ লমদমসিগীদি ময়ায়, লৈময়োন অমসুং লৈকোক [Centre, Heart and Headquarters] নি। মসি ইম্ফাল সহরগী ময়ায়দগী কি:মি: ৪৪ রোম লাপ্পা খা-মৈরমলোমদা লৈ। ককচীঙগী লমদমসি লৈয়াৎ অচৌবদা খুঙ্গং/খুনগী থাক্তা ককচীঙ খুল্লেন অমসুং ৱাইরী হায়দুনা মখোয়না খুন্দারিবা লমগী শরুক্কী ময়ায়দা ইম্ফাল-বর্মা-সুগ্নু রোডনা খায়দোক্তুনা লৈয়াৎ-অচৌবা অনিসিগী লমখৈ-ঙমখৈ তাকপা পরিং ওইনৈ। অদুগা লৈয়াৎ মচাশিং, খুদম ওইনা; খুল্লেন্দা, নিংথৌ লৈকায়, শুমাঙ/য়োৎশুং লৈকায়, অসিনচিংবসু লৈ।

খৃ: ১৮৯১ গী বৃটিশ-মৈতৈ লাঞ্জাওগী মনাওচীঙ-চীঙখোঙ-চীঙয়া অমসুং ককচীঙ খুল্লক্কী লান অমসুং লানফমশিং অসিদা লান থোক্লখিবসি মথক্তা পীজখিবা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোলনা ককচীঙগী প্রজা-মীচমশিংবু কিহন্দুনা মখোয়গী মখাদা থমখ্রবা চহিসিগী এপ্রিল ২০ গী মতুংদনি। মতম অদুৱাইদা পল্লেনগা নক্লবদা লৈরিবা মনিপুর বর্মা লম্বীগা নক্লবা চীঙলক্কী অমসুং তম্পাক্কী লমদমশিং অমসুং খুন্দারিবা মৈতৈ খুঙ্গংশিং অমসুং খুনশিংদুনা চাবা/পায়বা চীঙ-চীঙদুম- উয়ানফম-শীঙয়ানফমশিং অমসুং লৌবুক-লমহাঙ-লৌউফম, য়েনলাং-য়েনা থাফমনচিংবদা মেজর লেস্লীগা লোইনরকপা লেফটেনেন্ট কোক্সনা লুচিংবা শগোল-লান্মী ৪০ য়াওররিবদুনা নুমিৎ খুদিংগী শগোল থৌদুনা অয়ুক নুংথিন্দা নত্রগা মতম অমদা হেক্তা পল্লেন তেঙ্গোল লানশঙদগী থোক্লগা অয়াম্বা লমদমশিং থুংনা চত্তুনা কনানা করি তৌরিবগে লেপ্তুনা য়েংলিবা অমসুং য়েক্লবা মৈতৈশিংনা চথোক-চৎশিন তৌবা, তেঙ্গোল শাবা অমসুং শাফমশিং, চাফম-থকফম্নচিংবদা থিদুনা চঙদুনা লাঞ্জাদুনা লৈরি। অদুগা ককচীঙ খুঙ্গংশিংনা মতমদুদা কি:মি: ৮ খত্তমক লাপ্নবনা লেফটেনেন্ট কোক্সকী শগোল-তোংবা লান্মীশিংদুনা ঙাইহাক লৈতনা চঙথোক চঙশিন তৌবা মফম্নি। ককচীঙগী অহল-লম্মন অমসুং অখঙ-অহৈশিংনা পল্লেন্দা তেঙ্গোল শারিবা বৃটিশ লান্মীশিদুনা মেজর লেস্লী য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ককচীঙগী খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা চীঞ্জাক নীরকপগী মহুত্তা নমফু-হাফুদা খুৎলাই উত্তুনা কিহল্লগা লৌবনচিংবগী ৱাফমসু লৈখি হায়না তাকপী। অদুগা মতমদুগী খুনগী খুঞ্জা অহল-লম্মন, ফম্নাই-ফানাইবা, বুদ্ধিরাজ- মন্ত্রীনচিংবনা খন্নরগা খুনগী ফম্নাই-লুচিংবা ৱাইরী সেনাপতিবু মৈতৈ কোনুংদা থাদুনা মহারাজ কুলচন্দ্রদা বৃটিশ সিফাইশিংনা “চেঙ-চাক পীয়ু হায়দুনা তাল্লরে, পীগদ্রা-পীরোয়দ্রা” হায়না হঙ্গৎলুরবদা মহারাজনা “পীগনু” হায়দুনা স্নায়াথং পীরকপদগী পীখিদে, হায়বনচিংবা থাজনীঙ্ঙাই ৱাফম কয়ামরুম লৈরি।

মথক্তা হায়জরিবা ককচীঙগী অহল-লম্মনশিংনা পীরিবা ইতিহাসকী ঈ-পাউশিংসিদা চুম্নীঙঙাই-থাজনীঙঙাই অমসুং লৌনীঙঙাই ওইবা অচুম্না খর লৈরি, মদুগী মরু ওইবা ৱাফম অমদি : - খা-মৈরমগী লাল্লম [South-eastern Column] গী লানফমশিং লুশিল্লক্দৌরে হায়দুনা মৈতৈ স্না কোনুংদগী এপ্রিল ১৭, ঈরাই নুমিত্তা পাওনমচা ব্রজবাসি অমসুং চোংথামচা

মিয়া অনিবু মেঞ্জোর ফম হাপ্লগা নুমিৎসিদা হাওবমচা অঙাংহনবু মেঞ্জোর অমসুং লোংজাম্বা সুবেদারবু পোইলা হাপ্লগা সনখ্যা মাইপাকস্না [লোকেন্দ্রবীরজিৎ সিংহ], ৱাংখৈরাকপবু খা-মৈরম লাল্লমগী লাঞ্জিং-পুরেন অমসুং য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ, মেঞ্জোরবু লাঞ্জিংলেন-পুরেন মথং-হিদং হাপ্তুনা লান্মী ৭০০ নে, অনৌবা ফম হাপ্পা অকোনবগী অনি [হাওবমচা অঙাংহন, মেঞ্জোর অমসুং লোংজাম্বা পোইলা] সিগা লোয়ননা থৌবান্দা লান ঙাকপা চৎখি। অদুগা লানগী ফিবম হেন্না ফরক্লোয়দবা উবদগী চোংথা মিয়াবু লাঞ্জিংলেন [Commanding Officer] অমসুং পাওনা ব্রজবাসিবু লাঞ্জিংলেন-মথং হাপ্তুনা এপ্রিল ২০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবদা লান্মী ৪০০ পুহন্দুনা অফোংবা লম্বী মনিপুর-বর্মা লম্বীদা চৎলগা পল্লেন্দা শারিবা [মেজর লেস্লীনা ঙাক্লিবা] বৃটিশ তেঙ্গোল-লানশঙদা মাঙলোমদগী মায়য়োক্লনা লান্দাদুনা থুগায়রু হায়দুনা শ্রীযুৎনা য়াথং পীদুনা থারকপনা থৌবান্দা শারিবা মৈতৈ তেঙ্গোল [মমাঙগী থৌবাল-লানফমগী তেঙ্গোল শাফম - তোমচীঙ চীঙগী মখা থংবা ৱাইখোম ঈংখোল ওইরম্বা মফম]দা নুমিৎসিগী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা থুংখি।

থৌবাল তেঙ্গোলদা লাঞ্জঙ-লাম্থোঙ শীন্নবা অমসুং লান্মী মাঙলোমদা চঙশিন্দুনা তেঙ্গোল হোংজিনবা নত্রগা অনৌবা শাবগী লমদাংদা অহিংদুদা খন্নখি। খন্নবা অদুদা য়াওখিবা মরু ওইবা লান্মী লুচিংবা ফম্নাইবশিংদি :-

১)	সনখ্যা মাইপাকস্না, ৱাংখৈরাকপা,	খা মৈরমলাল্লমগী	লাঞ্জিংলেন পুরেন
২)	য়েনখোয়বা রুদ্রসিং, মেঞ্জোর,	” ” ”	লাঞ্জিং-পুরেন
৩)	চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া পুরেন মেঞ্জোর	” ”	লাঞ্জিংলেন
৪)	হাওবমচা অঙাংহল, মেঞ্জোর	”	লাঞ্জিংলেন-মথং
৫)	চোংথা মিয়া সিং মেঞ্জোর		লাঞ্জিংবা
৬)	পাওনা ব্রজবাসি, তোপ মেঞ্জোর	” ”	লাঞ্জিংবা-মথং
৭)	খুম্বোংচা মেঞ্জোর	” ”	লাল্লোই [Warrior]
৮)	মচাঙ্গবুংঙো চীঙলেনস্না, ফুঙ্গানাই শঙলাকপা		” ”

মখোয়শিংসিনি। মখোয়না খন্ন-নৈনখিরমগদবা [তৌথোক্লকপা লানওং অমসুং থৌওং-থৌদৌগী মশক য়েংলগা] অদুগী মহুত্তা চৈথারোল কুম্বাবদা ইখৎলল্লিবা- চনখৎলল্লিবা খুৎই-লাকই/ময়ি-মরাক অসি মতাংসিদা

চনখৎলল্লিবা মীশকসি পণ্ডিত ওইরবসু লৌৱাই মচা পণ্ডিতনি, হায়জনীঙণ্ডি। লান্মী ফমথোন অমসুং থকশী-খাশী [Rank and Discipline] গী মতাংসি থমজরগা মৈতৈ অঙম্বা/ফম্মাইবা অমা ওইবগী লমচত্তু ব্রজ বৃন্দাবন্দা চাওরক্লিবা ব্রজবাসি পাওনাদা অমতা য়াওহন্দনা ইবীরম্লে। খন্নরিবা ৱাফসিদা পাওনা ব্রজবাসিগী মথক্তা হান্নগী ফমথোন্দা অমসুং হৌজিক অনৌবা খংলাক-খংচিং/অথু-অকায় [Emergency] গী ফমথোন্দা, অচৌ-অশাং/অরাম- নিংথেমচাগী, অসিনচিংবগী থকশী-খাশী মচেৎ অমতা খণ্ডদ্রবগুম লানফম-লাল্লমগী ওভর-অল কম্মাণ্ডর [Over-all Commander] দসু মহাক্না থৌদাদুনা - "মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপনচিংনা লৈপাক অয়াম্বদি থৌবান্দা তেঙ্গোন শাদুনা লৈবিও! ঈশেন চোংথা (মিয়া) মেঙ্গোরগা ইবিংঙা মৈতৈ মচা [লা: ৪৯০] নাগে নাগে হায়বা, মৈতৈ মচা জমান্দার সুবেদার ওইরকপগা লোইনদুনা নিপা ৪০০ দি পল্লেন্দা চঙগে, তোপ ১দি পীয়ো" হায়এ। [মসিদগী সেন্টেন্স অনিসি য়াওরোয়দবনি]। তোপ মেঙ্গোরনা তোপ অসিদি ঐখোয় পুখিগে হায়রবদা মচা ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা, চোংথা [নিলমনী সিংহ অয়া পুরেন] মেঙ্গোর ২মনা তোপপু চীনথংবনা পুবা হৌনদে হায়না পীদে [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৮৯-৪৯০] হায়রিবা ৱাফমসিবু য়াফম থোক্লিব্রা? অদুগা অমুক ৱাংখৈ মৈরাববু পাওনা ব্রজবাসিনা লান চৎননবা য়াথং পীবগুম হাপচিল্লিবসিনা করিনো? চৈথারোল কুম্বাবগী অইবসু ইডিট তৌবীরিবসু অনিমকসিনা চপ মান্নখিবসি লাইবক থীবনি।

থৌবাল তেঙ্গোলদা অহিংসি খন্নরগা পনমাঙ তেঙ্গোল অমা ৱাংজীঙদা শাননবা অমসুং চোংথা মিয়া অমসুং পাওনা ব্রজবাসি অনিনা পল্লেন্দা লাঞ্জঙখিননবা মখোয়গী লান্মী ৪০০ অদুগা ৱাংজীঙদা তেঙ্গোল শাননবা য়েনখোয়বা মেঙ্গোর অমসুং চোংথা অয়া-পুরেন মেঙ্গোর অনিনা লান্মী ৩০০ পুদুনা নোংঙাল্লগা এপ্রিল ২১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা থৌবালদগী পল্লেন অমসুং ৱাংজীঙ চৎননবা খোঙশাম্লেক্লকখি। ৱাংজীঙদা য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ, মেঙ্গোরগা চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া পুরেন মেঙ্গোরগনা তেঙ্গোল শানবা লৈহৌরগা চোংথা মিয়া মেঙ্গোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি মেঙ্গোরনা মাঙলোমদা পল্লেন্দা লান্দারুনবা ৱাংজীঙদগী চথখি। য়েনখোয়বা মেঙ্গোর অমসুং চোংথা অয়া-পুরেন মেঙ্গোর অনিনা ৱাংজীঙদা ৱাংজীঙ-তুরেনগী মখা

থংবা তুরেন্দুগী ঈশিং চাবা লমখৈগী মনুং, হৈরোক্কী খা-নোংচুপ থংবা খুন্দোন্দগী কি:মি: ১ রোম লাপ্পা মনিপুর-বর্মা রোডকী অৰাংদা মি:২০০ রোম লাপ্পা তেঙ্গোল মফম খল্লগা শেম-শাদুন লৈখিরম্মী। পল্লেন তম্মা মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লিবা চোংথা মিয়াসিং মেঞ্জোর অমসুং পাওনা নাওলসিং ব্রজবাসি, তোপ মেঞ্জোর অনিনা অযুক্কী নুমিৎ য়ুংবগী অদুৰাইদা খোংজোম য়ৌদুনা খুন্দুগী মীশিং অমসুং মনাক্তা লৈরম্বা শাৎপম খুনগী খুঞ্জাশিংদগী বৃটিশ লান্মীগী ঈ-পাউ লৌবা মতমদা ককচীঙ খুন বৃটিশনা লৌখ্রে, মফমদুদা মখোয়গী সিফাইশিং চঙথোক-চঙশিন তৌদুনা লৈখ্রে হায়বা লানবাউসি তাখি। অদুদসু নত্তনা বৃটিশকী শগোল তোংবা লান্মীনা মফম কোয়থুং থুংনা চত্তুনা লৈরে, হায়বা পাউসিসু ফংখি। অসুম্না ৰাফমশিং অসিনা লাঞ্জঙ-খোঙফমদা খুদোং থীন্নীঙঙাই ওইরে হায়বসি লান্দা-লাঞ্জঙসিগী লাঞ্জিংলেন ওইরক্লিবা চোংথা মিয়া, মেঞ্জোরনা খঙখি/খনখি। মরম অসিনা মাঙলোমদা চঙশিনবগী খোঙচৎসি লেপ্তুনা খোংজোমদা তেঙ্গোল শাদুনা লান ঙাক্তুনা লৈবনা ফরগনি হায়দুনা লাঞ্জিংলেন-মথং ওইরিবা তোপ মেঞ্জোর পাওনা ব্রজবাসিদা হৌদোক্লকখি। অদুবু থাঙ্গৎলক্লিবা ৰাফমসিদা তেঙ্গোল শাফমগী মতাংদা খর য়েৎনবা লৈখি। [মতাং অসি খোংজোম পবর্ব শকপশিংদগী তাবীরবদি লান্মী অসিদা য়াওজদবা য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ মেঞ্জোরবুসু পুশিল্লকখিগনি, অদুগা মখোয়না মমিৎমক্লা উহৌবগুম্মা ব্রজবাসি পাওনা তোপ মেঞ্জোরবু থাঙ শত্তুনা য়েনখোয়বদা চোংশিলহল্লকখিগনি। মখোয়না মমিৎনা উহৌবনি, ঐনা রেকোর্ডতগী লৌখৎলগা ইজবনিনা ৰাফম খর শোয়নরে, অচুম্বদু তাইবং-মপুনা লেপ্লীসনু।] অদুবু ৰাফমদু লানখোং তৌদুনা লানবন মচা অমা য়াম্না থুনমক শানবগী ৰা য়াওবনিনা তায়শিন্নদুনা থিন্থবা তৌদনা তেঙ্গোল-লানবন শাননবা থৌরাং তৌখ্রে অমসুং খোংজোমগী মনীঙদা লৈহৌরিবা ৰাংজীঙ তেঙ্গোলগী লান্মী ৩০০ অদুসু লানবন-লানখোং লানকোম তৌবদা মতেং পাংননবা পাউ থাদুনা খঙহনখ্রে অদুগা লাল্লমসিগী পন্নীঙ তেঙ্গোলদা লৈরিবা লাল্লমগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন সনখ্যা মাইপাকস্লাদসু পাউ খঙহনখিদুনা অয়াবা য়াথং লৌখ্রে। খুদোংথীববু কিরিবা চোংথা মিয়াসি "মরীন লীন্দাদি কয়া পান্দে" হায়না শীঙজমৈ থোংঙাম লৈকায়দগী থোংঙাম চাওবা কৌবা পণ্ডিতসু ওইবা অহল অমনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, কে:সি:এস:আই:দা খৃ: ১৮৬৩ দা হঙ্গৎখিবদু নীঙশীংনীঙঙাই ওই [রা:কু:স: ১৯৮৮,৩]। অদুবু মহাক্কী ৰাখল অমা লৈরমখিগনি।

মথক্কী ৱাফমশিং খন্ন-নৈনরুরগা চোংথা মিয়া মেঞ্জোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঞ্জোর অনিনা লুচিংবা লান্‌ ৪০০, হৈরাংখোংজা মেঞ্জোর, সনখ্যা চীঙলেনম্না ফুঙ্গালাই শঙলাকপা, খুম্বোং মেঞ্জোরনচিংবা অকন-অথৌ ময়াম, পাওনা ব্রজবাসিগী থাঙ-তাগী সেবক থাবল, অঙাংমচানচিংবসু য়াওরিবদু পল্লেন্দা লান্দা-লাঞ্জঙগীনি হায়দুনা লাক্লিবদু ককচীঙদা বৃটিশ লান্মী চঙখ্রে, লৈখ্রে অসিনচিংবা হায়বা পাউদুনা ককচীঙগী মনাক নক্কনি খনবদা হৈনদদুনা লৌশি-পাৎ ফাওবা য়ৌদনা খোংজোমদা তেঙ্গোল শাখিবসিনদি ককচীঙগী অহল-লম্মনশিংনা হায়নরম্বদু/হায়নখিবদু অচুম্বা ওইবা তাই। অদুগা চোংথা মিয়া মেঞ্জোরনা লাঞ্জিংলেন ওইবা তেঙ্গোলদুগা ৱাংজীঙ তেঙ্গোলগী সিফাইশিংগনা অহিং ৩ (অহুম) গা নোংথিল ২ (অনি) গদা [এপ্রিল ২১ গী নুমিদাংদগী ২৩ গী নুমিদাং ফাওবদা] শাখিবা লানবন্দুগী মরমদা পীরিবদি :-

(1) ... at about six miles from Palel, and some distance from the village of Langatel,... enemy had thrown up some earthworks in an open plain, about 200 yards to the left of the road [Indo-Burma/Manipur-Burma road], while 500 yards to the right of the road extended a long low range of hills from which low knolls ran out towards the road at intervals of a mile or so. The morcha or mud-work was reported to be chockful of armed men, about 300 in number probably. They had two jingals, and a strong picket was also posted on a knoll opposite to the morcha ...

"The Manipur, compiled from the columns of Pioneer, Allahabad, 1891."

[N.K.S., 1983, XXXXI]

(2) ... Suddenly a deep nullah containing water which was found to surround the east, south and west sides of the morcha, obstructed the advance. This nullah was entirely concealed by tall grass, and it could not be seen till one almost tumbled into it. The fort, I may mention, was almost circular in shape. The earth work all around being about four feet high. Behind this wall was a deep trench, occupied by the defenders. The whole of the centre was filled up with temporary shelters of bamboo and grass. All round the fort, outside were scattered a few trenches, in which were sharp pangis covered with grass for our men to tumble into, no doubt. The fort was about 40 to 60 feet in diameter [Ibid, XXXXXI]

(3) ... The Manipuri fort which was almost oval in shape about 50 yards long and about 40 yards broad was built in an open plain about 200 yards to the west of the main road [Indo-Burma Road] by way of a morcha or mud work at Khongjom, 32 K.M. from Imphal. The mud work was almost four feet high in all directions with a view to obstructing the immediate advance of the enemy, a deep nullah about 12 ft deep and 12 to 15 feet wide containing three or four ft. of water in it surrounded the east, south and west sides of the morcha. This nullah was entirely concerned by tall grass, and it could not be

seen till one almost tumbled into it. Moreover, all round the fort and outside it were scattered a few trenches, in which were sharp pangis covered with grass for the enemy to tumble into.

Inside this wall was a deep trench in which the Manipuri soldiers took position. The whole of the centre of the fort was filled up with temporary shelters of bamboo and grass. About 500 yards to the east of the main-road, a long low range of hills extended from south to north, from which low knolls ran out towards the road at intervals. A strong picket of Manipuri troops was also posted on a hill, to the east of the main road opposite the morcha or mudfort [Ibid, 48-49]

অসিনি। অসিগুম্বা লানবন অসি মনাওচীঙগী-চীঙখোঙ-চীঙয়াগী অমসুং ককচীঙ-খুল্লক লানফম অমসুং লান্দদি য়াওখিবা নত্তে। অসুম্না পনমাঙ, হায়বদি পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোলসিগী পনমাঙ/মমাঙলোমদা লান্দাদুনা মায়য়োক্লনা লান্থেংনগদৌবশিংদুনা পল্লেন য়ৌগদবা কি:মি: ৯.৩০ [মাইল ৬] ব্রাৎলিঙৈদা লৈথোকখ্রবনিনা পন্নীঙ/মনীঙলোমদগী লান্দাবা/লান্দাগদবা তেঙ্গোলনা য়েক্লবগী মখুত্তা মায়থীবা হায়বসি মশানা তাদুনা লৈরবনি। অপীবা মথৌ পাংথোক্লবা পীখিবদু/শিন্নখিবদু পাংথোকপা ঙমদবা, খুদোংথীবা কিদুনা খুদোংচাবা লৌবা অথৌবশিংসিদি মথৌ থৌগায় অমসুং থৌদাং পাংথোক্লবা মাঙলোমদা চঙশিনবা কিরবদি অশিবগা থেংনগন্দে অদুবু মীনা লান্দারকপা ঙাইবদা য়েক্লবনা মপাঙ্গল হেল্লন্নবদি খুদোংথীবা কিদুনা খুদোংচাবা লৌরিবা অশিবদগী লিংফম লৈতে।

মনাওচীঙ-চীঙশাগী, চীঙখোঙ-চীঙয়াগী অমসুং ককচীঙ খুল্লক্কী লানফমশিং অমসুং লান্দা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোর ঃ- ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা ফম্নাইবা নত্রগা লোইশঙ কাবা হৌখিবসি তখেল-লাল্লুপ লোইশঙগী লোইশঙলোই [Employee] অসিদগীনি। মহাক্না তখেল-লাল্লুপ লোইশঙলোই খৃ: ১৮৬৪ গী অদুৱাইদা ওইরম্বগী ফম হাইগৎলক্তুনা/ কারক্তুনা খৃ: ১৮৬৮ গী মার্চ থাগী মমাঙদা লোইশঙসিমক্কী লাল্লুপ-চিংবা [Manager] ওইখি। মদুদগী অমুক ফমসি লাম্মীগী ফমথোনলোমদা লাক্তুনা খৃ: ১৮৭৮ গী মার্চ থাগী মমাঙদা সুবেদার [Highest non-commissioned army/military officer (J.C.O.)], মথংদা খৃ: ১৮৮৬ কী ওক্তোবর থাগী মমাঙদা নত্রগা থাসিদা পোইলা [Captain] ওইখি। হায়রিবা ফমসিদগী মহাক খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল থাগী ১৭/২০ দা মেঙ্গোর ফমথোন ফংখি অদুবু মথক্তা পনখ্রিবা ফমশিংসি ওইবদদি লোয়নমক চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎলগা অকোনবগী মেঙ্গোর ওইবসিমদি চনখৎপীরমদে। মহাক থাক থাক নাইনা মথং-মথং ফমথোন কারকপগী চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎলম্লিবা মওং-মতৌসিদগী হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি মহাক ফম মথং-মনাওশিং - সিফাই, কোম্থোন্দার (Naik), কুট/ [Havildar], জমান্দার, সুবেদার, সাজোর [Lieutenent], পোইলা [Captain], মেঙ্গোর [Major], কর্নেল [Colonel], অসিনচিংবা - হায়না মৈতৈগী লৈরিবসি কান্দুনা নত্রগা খংচোং চোংদুনা কারক্তে। ফম অসুম্না খংচোং চোংবনচিংবা তৌবগী খুদমদি, খৃ: ১৮৫৬, মশাগী চহি ২৩ শুবদা পাওনা ব্রজবাসিনা সুবেদার খংওই ওইখি [রা:কু:স:, ১৯৮৮, ২] অমসুং ফমসিদগী হেন্দনা খৃ: ১৮৮৬ কী মে ২০ ফাওবা ওইরগা সনখ্যা বরাচাওবগী লানহওবা য়াওবদগী ফম তারগা খৃ: ১৮৮৬ কী ওক্তোবরদগী খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা ফাওবা জেলদা লৈরগা মথং নুমিৎ মে ২২ দা থাদোক্লগা থাসিদা ফমসিদা অমুক হঞ্জিনখি। অদুগা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ১৭ তা মেঙ্গোর ফম অথু-অকায়গী খুৎখন্দা [Emergency Commission দা] হাপ্তুনা ওইখি। ৱাংখৈ মৈরাবনা মেঙ্গোর ফম ওইবসি [ম: ম:, ১৯৬৯, ১২৪ অমসুং রা:কু:স:, ১৯৮৮, ৩২/৭৬] পোইলা ফমদগীনি অমসুং পাওনা নাওলসিংহ নত্রগা পাওনা ব্রজবাসিবু মহারাজ

কুলচন্দ্র অমসুং যুবারাজ কোইরেং/টেকেন্দ্রজিৎনা পীরিবনি। রা: কু: সনাহল গূণেশ্বর (অমিনস্না) না হায়জিন্দুনা মেজোর- জেনরেল (Major-General) ফম্না মহাক্না পীরগা মীঙোন্দা তায়শিল্লি [মথক্কীসিদা, ৩৩/৩৪/৩৫/৪৪] ফমথোন কাবসি মৈতৈ নিংথৌনা পীরবদি ওইনীঙবা ওইহনবা য়াই, হায়দুনা পঙহায় হায়জিনবসি ফত্তে।

ৱাংখে মৈরাবা মেঙ্গোরসি মৈতৈ-বৃটিশ লাঞ্জাও, ১৮৯১ গী মৈতৈগী খা-মৈরমগী লাল্লমসিগী লানশিং অমসুং লানফমশিংসি অয়াম্বদা পোইলা ফম ওইরিবৈ ঙদসু চিংখদনা য়াওরকখি। অদুবু হায়রিবা লানফমশিং অমসুং লানশিং অদুদদি মহাক্না মরীন ফুদোক্কুনা মতীং থোক্না লান শোক্লবা য়াওখিদে অমদি অয়াম্বা মতমদা লাঞ্জিংবা অমসুং তেংবাংবা লাল্লোই [Assistant Warrior] ওইনা য়াওখিবা ঙাক্তনি। অদুবু ককচীঙ খুল্লক্কী লানফমগী য়েক্লবনা লাল্লুল্লমদুনা খঙহওদনা লান্দারকপগী লান অমসুং লান্মী মশীঙ হেনখিদুনা য়েক্লবনা তকশিল্লকপা ঙাক্লনবা মহাক্কী মী ৩০ রোমদগা বৃটিশ গুর্খা সিফাই ১৫০ গা মায়োক্লদুনা শোক্লরকপগী মনাওচীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়া য়ৌনা লান্নীঙ হল্লকপদগী চীঙশা-নাপোম অমদা য়েক্লবা ঙাক্লবা হোৎনখিবা লানফম অদুনা অরোয়বা লানফম ওইখিবনি। হায়রিবা অরোয়বা লানফম অমসুং লান অসিগী পল্লুংফম য়ৌননবা থোরকহনখিবদুগী ৱারী ৱাখোঙশিংদি:-

(১) বৃটিশনা খা-মৈরমদা লাঞ্জঙলকপা

খৃ: ১৮৯০ গী মৈতৈ নিংথৌ মচা মশেনগী লান্দগী খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ দা মরাল লৈরবা বৃটিশ অফিসার ৫ অমসুং বেঙ্গল খোংবা গুর্খা সিফাই অমা হাৎখিবগী লমন খুন্নবা মনিপুরগী মায়কৈ অহুমদগী লান্দানবা মার্চ ২৯-৩০ দা Field Operation - Manipur গী থৌরাংদা মনিপুর ফিল্ড ফোর্স কৌবা অচৌবা লান্মী মপৈ শেম্নবা শীন্নখিবা খুজীল মায় পাক্নদবা উরদুনা বৃটিশ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মনিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না মার্চ ৩১, ১৮৯১ দা লাউথোকখ্রবদা মায়কৈ অহুমগী বেজ এরিয়া ওইনা টাউন মচা অহুমগী মমিংদা বৃটিশ লান্মী লাল্লম অহুম- কোহিমাদা বেজ তৌবনা কোহিমা কোলম [Kohima Column], সিলচরদা বেজ তৌবনা সিলচর কোলম [Silchar Column] অমসুং তুম্মুদা বেজ তৌববুনা তুম্মু কোলম [Tamu Column] হায়না মনিপুরদা লাঞ্জঙ-লান্দানবা থৌরাং তৌখি।

কোলম অহুমদুদি :-

কোহিমা কোলুম

A) কম্যাণ্ডিং অফিসার : - বৃগেদিয়ার/মেজর- জেনরেল হেনরী কোলেট সি: বি:

B) শারিবা লান্মী-তেঙ্গোলশিং :- 1) 8th Bengal Mountain Battery
2) 13th Bengal Infantry Regiment
3)36th Bengal Infantry Shikh Regiment.

C) য়াওরিবা অফিসারশিং :-

1) Orderly Officer :- Captain A.E. Johns, 23rd Bengal Infantry (Pioneer),

2) Deputy Assistant Adjutent General :- Major F.S. Gwatkin 3rd Bengal Lunchers

3) Brigedier Major :- Captain G.C. Kitson, King's Royal Rifles Corps

4) Field Engineer :- Captain R.F. Allen, Royal Engineer

5) Army Signal Superintendent :- Captain W.D. Thompson, 1st Bengal Cavarly

6) Chief Commissariate officer :- Captain C.M. Fetzarld, Staff core, Assistant Commissioner General

7) Assist. Commissariate officer :- Captain D.M. Thompson, Staff Core Deputy Assistant Commissioner General

8) Chief Transport Officer :- Captain J. Welcox D.S.O. Laistar Regiment Station staff officer, Delhi.

9) Principal Medical Officer :- Deputy surgeon General C.P. Costello, Indian Medical Service, Administrative Medical officer, Assam

10) Veterinary Surgeon : S.M. Smith, Army Veterinary Department

সিলচর কোলুম

A) Commanding Officer :- Lieutenent Colonel R.H.F. Rehnick, 18th Bengal Infantry.

B) Composition of Column :- i) 8th Bengal Mountain Battery

ii) Calcutta Volunteer Rifles Corps [Pioneer Column]

iii) 3rd Regiment of Bengal Infantry

iv) 18th Regiment of Bengal Infantry [Compnies]

v) 1st Battalion of 2nd Gurkha Regiment

C) Constituting Officers :-

1) Orderly Officer :- Captain G.F. Wells, 15th Bengal Land force, Adjutent Surma Valley Light Force

2) Depy Assistant Quarter Master General :- Captain E.W. Dun, D.S.O., 38th Bengal Infantry (Deputy Asstt. Quarter Master General Army Headquarters)

3) Assistant Field Engineer :- Lieutenent P.H., D.P. Castgrain, Royal Engineers

4) Commissariate Officer :- Captain C.V.W. Williamson, Staff

Core Assistant Commissioner-General, etc. etc.

তুমু কোলুম

1) Commanding Officer :-	Brig./Major General T. Graham C.B.
2) Composition of Army :-	i) 2nd Mountain Battery, Royal Artillary ii) 200 men of 2nd Battalion of Oxfordshare Light Infantry iii) Half Battalion of the 4th Battalion of King's Royal Rifle Corps iv) 2nd Battalion of the 4th Gurkha Regiment v) 12th Regiment (2nd Burma Battalion) of Madras Light Infantry vi) 32nd Regiment (34th Burma Battalion)of Madras Infantry
3) Constituting Officers :-	
i) Orderly Officer :-	2nd Lieutenent C.J. Sackville West, King's Royal Rifle Corps
ii) Asstt. Adjutenet General :-	Lieutenent Colonel A.G.B. T.... 44th Bengal Infantry
iii) Commisariate Officer :-	Lieutenent F.H.S. Thomas, 15th Madras Infantry [Dy. Asstt. Commissioner General]
iv) Transport Officers :-	Lieutenent B.W. Marlow, 23rd Madras Infantry [Dy. Asstt, Commissioner General]

v) Army Signalling Superintendent :- 2nd Lieutenent R.C.R. Owen
Oxford shine Light Infantry
vi) Principal Medical Officer :- Surgeon Major P.M. Mukherjee, Indian Medical Service Madas [রা: কু: স: বি:, ১৯৭৩, ৫৩-৫৬]

অসিশিংসিনি। মখোয়সিগী ওভর-অল-কম্মাণ্ডরনা বৃগেদিয়ার/মেজর জেনরেল হেনরী কোলেট সি: বি: নি। মখোয় কম্মাণ্ডিং অফিসার অহুমসিদা খোঙহওনবা [Start] গী পীবা য়াথংগী মতুং ইন্না কোহিমা কোলমনা এপ্রিল ২০ দা, সিলচর কোলমনা এপ্রিল ৫ দা অমসুং তুম্মু কোলমনা এপ্রিল ২৩ দা খোঙহও-খোঙশানগদবনি হায়রিবা লান্মী মপৈ অহুমসি শেন্বা লোয়রে হায়বগী পাউ ফংলবদা লান্মী মপৈ অহুমসি মতম মান্ননা মনিপুরগী মায়কৈ অহুমদগী খোঙজঙলক্তুনা মতম অমতদা মনিপুরদা থুংমিন্ননবগীদমক্ত লান্দামিন্নরুনবগীদমক্তা ভারতকী গোভর্নর-জেনরেলগী য়াথংসি গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরীনা মহাক্কী মমিংদা এপ্রিল ১৬, ১৮৯১ দা থোকখি, মদুদি :-

Home Department Notification, No. 725

Dated Simla, 16th April, 1891

No. HD/75, dated, 16.4.1981; The Governor-General in Council has taken the necessary steps he exact full and signal retribution for this atrocious outrage, and troops are now converging on Manipur from Burma, Cachar and Kohima with the object.

Sd/-

Secy. to the Government of India

[বি: কে:, ১৯৯৬, ৩১]

অসিনি। য়াথংসিগী মতুং ইন্না বৃটিশকী মনিপুর ফিল্ড ফোর্সকী লান্মী মপৈশিংদু মাগী মাগী মায়কৈরোমদগী মাগী মাগী অপীবা চঙশিন্নবগী মতম ঙাইদুনা লৈনখিরম্মী। অদুবু সিলচরগী লান্মী মপৈদি এপ্রিল ৫ দগী

খোঙহওরক্কুনা লাঞ্জখ্রবনি, অদুগা অমরোমদা তুম্মুরোমগী লান্মী মপৈগীসু মসিগী লাঞ্জিং-পুরেন মেজর-জেনরেল থোমাস গ্রাহাম্না মেজর লেস্লীবু মহাক্কী লান্মী মপৈগী মাঙজীন থাবা লান্মী লুপ [Advance troops] কী লাঞ্জিংলেন হাপ্তুনা এপ্রিল ১৫ দগী থারক্কুনা পল্লেন্দা এপ্রিল ১৮ দা থুংনা লানগী লানফমগী তেঙ্গোল শাফম খুদোং চাগদবা মফম য়েংদুনা অমসুং য়েক্লবগী অচৎ-অকোম, অহোবা-অশোনবা, ফিবম-খোঙথাংনচিংবা য়েংশিন্দুনা লাঞ্জাদুনা লৈখ্রবনি অদুবু মখোয়গী তুম্মু লান্মী মপৈগী মপুঙ ওইবা তেঙ্গোল থুংলদ্রিবা মখৈদি, মখোয়, মাঙজীন থাবা লান্মী লুপনা য়েক্লবগা লান শোক্লরোয়দবনি হায়বা পাউতাক অমসুং য়াথংগা লোইননা খঙহনখ্রবনি।

তুম্মু-লান্মী মপৈগী মাঙজীন থাবা লান্মী লুপসিনা পল্লেন্দা হান্ননা লৈরম্লবা কেপ্তেন প্রেসগ্রেভ অমসুং লেফটেনেন্ট গ্রান্টকী লান্মীগা এপ্রিল ১৮ দা হেক পুখিবগা পল্লেন্দা বৃটিশ তেঙ্গোল লৈবসি খঙখ্রবনি। মরম অসিনা চঙলকপা থিংননবা লান্মী অমসুং লাঞ্জিংলেন, লাঞ্জিংবশিং মথং-মথং থাখ্রবা মতুংদা যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং সেনাপতি অঙৌশ্না অনিনা পল্লেন্দা শারিবা বৃটিশ তেঙ্গোলসি থুগায়রুনবা অফোংবা লান্দা মায়য়োক্লনবা চোংথা মিয়া মেঞ্জোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঞ্জোর অনিনা লানচিংবা লান্মী ৪০০ এপ্রিল ২০গী অয়ুক্কী নুমিৎ য়ুংবা মতমদা থাখ্রবা মতুংসিদা অরোনবা লম্বীদা চত্তুনা পল্লেনগী তেঙ্গোলসি থুগায়রুনবা হান্নদগী খন্নদুনা লৈরবা ৰাফম থবক্তা ওন্থোক্লনবগীদমক্তা ময়াম্বুং মহারাজদা লম-হেঞ্জিল্লক্লিবা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোল, ককচীঙ খুঞ্জাশিং খুদুম চনশিন্দুনা মখোয়গী চাকথাক তাল্লিবসি শোয়দনা থুগায়হৌদবা য়াদে; অফোংবা লান্মী, মাঙলোমদা লানথেংনগদবদি থাখ্রে-চৎখ্রে অদুবু অরোনবা লান্মীসু মতম লৈরিঙৈসিদা মাঙ-তুং থাঙচপ্লদুনা থুগায়নবা থাগদবা মৈতৈ অথৌবা, অকনবা, লান হৈবা কনা লৈরিবগে, পীখিবা-শীন্নখিবা লৈপাক্কী থৌগায়-থৌদাদা মায়পুননা ইনবা, পীখ্রবা য়াথংগী মথৌ থৌদাং পাংথোক্লবা চঙখ্রবদা হল্লোয়দবা করম-করম্বা মীওই লৈরিবগে খন্নরকপদা - লৈপাক্কী থবক্তা খক লৈথোকখিদবা, নীঙ-মাঙ য়েংনা চেকশিন্না অপীবা থৌদা পাংননবা হনবা লৈতনা লাঞ্জগদবা ৰাংখৈ মৈরাববু নীঙশীংনরকখি। মতমসিদা মৈরাবা পোইলাদি লানগী অরুবা মতমনিনা ময়ুমদা হন্দনা লান্মী লোইশঙদা য়ারেক্তুনা তোপ-গারোড শঙদুনা

লৈরম্মী। ৱাংখৈ মৈরাববু মমিং পন্নরকপদগী তোপ-গারোডতা পাউ থাদুনা কৌহল্লুরগা থৌরম- ৱারম পুন্নমক তান্নখি। চঙদবা লাঞ্জঙগী মওং-মতৌ, চৎকদবা লম্বী-লমদাং, মতম-তাঞ্জা, থেংনরুগদবা লানগী লানওং-লান্দা পুন্নমক কুপ্না খন্ন-তানদুনা ৱারম অশেংবা খঙহনখি। অদুগা পন্থবা য়াদ্রবা থবক-থৌওং ওইবা, ঙাইথ-পন্থরুরগা হেন্না মাঙজরক্কদবগী মরম ওইরবদা লান্দানবগী মপাং নামদি চঙখ্রবা ওইবনা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাবু থীন্থদনা চোংথা মিয়া মেঞ্জোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঞ্জোরনা অনিবু পল্লেন্দা মায়য়োক্লনা লান্থেংনরু হায়দুনা থাখিবা নুমিৎ এপ্রিল ২০, নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা মেঞ্জোর ফমথোন থিন্দোক্তুনা পল্লেন্দা অরোনবা লম্বীদা চত্তুনা লোন্না অহিংদা লোৎনা-লোন্না চত্তুনা ককচীঙগী মায়কৈরোমগী পল্লেনগী মতুংদা চীঙলক্তা চঙলগা চীঙ কাদুনা পল্লেনগী চীঙথক্তা শারিবা বৃটিশ তেঙ্গোল থুগায়রুনবা য়াথং পীখি। অদুগা মহাকপু নুমিৎসিগী অহিং নোংয়ায়দা মৈতৈ সিফাই ৭০০ পুদুনা ময়ায় লম্বী ফাওদুনা থৌবাল লৈশাংথেম তারগা থৌবাল তেঙ্গোলদা হাইগত্তুনা থৌবাল লাল্লমগী লাঞ্জিং পুরেন্দা পাউ তাক্লম্লগা থৌবাল অথোকপমদগী খাঙঙাবোক চঙলগা মোইরাং পল্লীদা চত্তুনা ককচীঙ য়ৌখিবা অমা নত্রগা শীঙজমৈ কাঞ্চিপুর চৎখ্রগা লিল্লোং ঙাংলৌ শন্নগা ৱাইথৌ খমপুৎ লান্দুনা থৌবাল তারগা লাল্লমগী লাঞ্জিং-পুরেন্দা পাউ পীরম্লগা অথোকপম-খাঙঙাবোক্তগী মোইরাং- পল্লী চৎলগা ককচীঙ য়ৌবা অমা অনিসিগী মরক্তা অপাম্বা লম্বী অমদা অহিংদুদা চৎখিদুনা নোংঙাল্লগা অয়ুক্তা থৌবালদা থুংলগা পোখাদুনা নোংথিন্দু লৈরগা নুমিদাং ওইরক্লবদা অমুক চত্তুনা ককচীঙ য়ৌখিনবা চেৎনা শীন্নখি। অসুম্না শম্না শীনরকপা লম্বীসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা মাগী লান্মীশিং পুদুনা অকোনবগী লম্বীসিদা লাকখি। মহাক্না লাকখিবা খোঙচত্তুগী শম্লপ্পা ৱারোন্দি :-

ৱাংখৈ মৈরাবনা লান্মীগা লোয়ননা খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং নোংয়ায়দা সনা কোনুংদগী লানগী যাত্রা তৌরগা মনিপুর-বর্মা লম্বীদা শীঙজমৈ ফাওরক্লগা থোঙলেন তাইবী লাংথাবান তারগা চজীং-লিল্লোং চত্তুনা ইম্ফাল তুরেল লান্থোকখি। মদুদগী ঙাংঙৌ/ঙাংলৌ চেঙগৈ লানশিন্দুনা ৱাইথৌ খম্পুৎ-তাংজেং শমদুনা হাওখা লাল্লগা থৌবাল

তুরেল তোবর্বান্দা তারকখি অমসুং থৌবাল তুরেল লাম্থোক্লগা তোমচীঙ চীঙখোঙ য়ৌরগা মৈতৈগী থৌবাল তেঙ্গোন্দা চঙদুনা এপ্রিল ২১ গী অয়ুক পুং ৯ গী অদুৱাইদা থুংলখি। মতমসিদা হান্ননা চৎখিবা চোংথা মিয়া মেঞ্জোরগী তেঙ্গোলগা য়েনখোয়বা মেঞ্জোরগী তেঙ্গোলগা তেঙ্গোল অনিদি পল্লেন্দা অমসুং ৱাংজীঙদা পান্দল্লগা চৎখিবনা উনবা - থেংনবা ফংহৌখিদে। থৌবাল তেঙ্গোন্দগী লেপ্তুনা চৎখিবা য়ানবা নুমিদাং চারা অথোকপমদগী চারগা নোংয়ায় মতম চঙ্শিল্লক্লবদা অমুক হন্না চৎনবা শেম- শাদুনা লাকপনা অরোং তুরেল লাল্লগা খাঙঙাবোক অদুগা মদুদগী ঈকোপ পাৎকী মপাললোমদা হাইখিদুনা ঈকোপ খোংবান্দা মতেক অমা চৎলগা মোইরাং পল্লী ফংখি অমসুং মমায় খারোমদা ওন্দুনা মোইরাং পল্লীগী পরিং ইন্না লাক্তুনা অমুক ৱাংজীঙ তুরেল লাল্লগা তেন্থা খুঞ্জাওগী খা থংবা খুনচেৎকী মনীঙ্দা লৈরিবা থম্বালচীঙগী চীঙখোঙ ওয়ওইননা লাল্লগা মোইরাং পল্লীগী পরিং ইন্না খারোমদা অদুম কুমথরকখি। অসুন্না পল্লীগী লমশাং চৎলক্লগা মান্তকচীঙ ফংদুনা চীঙদুগী নোংচুপ থংবা চীঙয়াদা কোয়দুনা চৎলগা মচীন-মনাও চীঙগী ময়াম্বা চীঙগী-চীঙদুম ফংদুনা চীঙদুদগী মনীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়া, সেকমায় তুরেনগী য়েৎথংবা তোবর্বান্দা লাক্লগা তুরেন্দু লান্দুনা য়াৱাবুঙ তারক্লন্মী য়াৱাবুঙগী লমতুপ্তু লান্দুনা মনাওচীঙগী অনেম্বা চীঙখোঙ চীঙয়াদা চীঙদুগী অৱাং থংবা চীঙয়া পক্লা চৎলগা অতেনবা মনাওচীঙগী শরুক্তুনা লোয়রকপদা চোমলাংপাৎ/চুমলাং পাৎকী শরুক হৌরক্লিবা মফমদু তাখি। চোমলাং হায়বা লৈ নত্রগা লৈসি শাৎলিবা, পাম্বীসি পাম্থী-কোমথীদা হৌগনবা অমসুং লৈ অসিনা মৈতৈ-খুন্নাইগী ঙল্লিঙৈগী চনুরা - নিংঙোনশিংগী নাপদা নাইন ওইনা চীন্নরম্বা লৈ অমনি। লৈ অসিগী মশক-মতৌদগী তমদুনা চোমাই হায়রিবা কোন/ধাতুগী নাদা য়ানবা নায়ান অসি শাখিবনি হায়না লৌনৈ। হায়রিবা লৈসিনা নত্রগা চোমলাং লৈ মপাম্বী চোমলাংসি য়াম্না হৌবা/লৈবা/শাৎপা লমনি হায়দুনা পাৎ অদুগী মমিং চোমলাংপাৎ কৌখিবনি অদুবু লোন থৈথরক্তুনা চুমলাং-পাৎ হায়নরে। হায়রিবা পাৎ অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী কংখিদুনা পাৎকী শরুক্তু কংফাল ওইদুনা লমজাও- লমহাঙ অমা ওইনা লৈরবা মতমদনি। হায়রিবা পাৎসিগী নোংপোক মৈরম হায়রপ ওইবা শরুক্তা চীঙদুম থোইনা ৱাংদবা অমসু লৈখ্রি। হায়রিবা পাৎসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর

অমসুং লান্মী ৭০০ অদুনা অয়ুক পুং ৮/৯ তাবা মতমদা থুংখি। হেক থুংবগা মমাঙগী চীঙদুমদুনা নোংপোক্কী ঙমখৈ ওইগদবা মফম খন্দুনা মফমদুদা লানশঙ-লমশঙ খনগৎনবা থৌরাং তৌখি। অদুগা পুরকপা লানগী চেঙজেন পুথোক্তুনা এপ্রিল ২২ গী অয়ুক্কী চরা নোংখন্ননবা থৌরাং শেম-শাখি। অসুম্না চাক-ঈশিং চার-থক্লগা লান্মীশিংদু মনা-মনীল নাইদনা নোংথিলগী মতম লেননবা তৌখিরম্মী।

ককচীঙ-ৱাইরী লমহাঙগী লান

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরনা ককচীঙ চুল্লাংপাৎকী লমদমদা থুংলুবা নুমিৎ এপ্রিল ২২, য়ুমশকৈশ নুমিৎসিগী নোংথিল-লৌরাংকাল, অহিং-চুপ্পা তুমদ' হীপ্তুনা চৎলকপা মৈতৈ সিফাইশিংদুনা চাবা-থকপা লোয়রগা ঙাইহাক অৱা' - পোত্থানরুরবা মতুংদা করম্বা লানওং-লাঞ্জঙ্ তৌগদবা, য়ারেক'-মিৎশেন খাঙনা মৈরীংগদবা, লানশঙ ঙাক'- শেনগদবা, লানশঙগী মপান্দা লাঞ্জা- লানয়েংলুগদবা, অসিনচিংবা লান্মীশিংগী মথৌ-মঙম, শীল্লম-শীন্থোঙ্, লাল্লম-লান্থেংনচিংবা মহাক্কা লোয়নরকপা লাঞ্জিংবশিং [হৌজিক ফাওবদা ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরগা লোয়নখিবা মৈতৈ-সিফাই ৭০০ তুগী মনুংদগী অমা ফাওবগী মমিং মথা অমতা ফংজবা ঙমজদ্রি]গা তাথোক-তাশিন, শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌদুনা থৌরাং তৌদুনা লৈখি। মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মহাক্কী লান্মীদা পীরক্লিবা থৌদা য়াথংগী মতুং ইন্না পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোনগী লানশঙদা চীঙ-কাদুনা লান্দাগদবনিনা মখোয়গী লাঞ্জঙ্ননবগী লন্বী অসিসু অরোনবা, য়েক্লবশিংগী মিৎয়েংদগী অরোৎপা লম্বেলদা ওইদবনিনা, মখোয়না লৈরিবা চুল্লাংপাৎসিদগী মৈরম পাংবদা কি: মি: ৮/৯ লোম লাপ্না উরিবা পল্লেনগী চীঙশাং পরেং অদু লৌবুক-লৌকোন, লমহাঙ-তুহাঙ ওইরবা অনেম্বা তম্পাক্কী লমশাং অদুদা চৎলবদি চীঙথক্তগী নত্রবসু লমহাঙ-লমশাংদুদগী ঈরায়-লায়না উখিগদবনিনা সেকমায় তুরেনগী খোংলম-তুখুন অসিবু লাল্লম লন্বী ওইনা শীজিন্ননবা ৱারেপ্লখি। সেকমায় তুরেল অসিনা পল্লেনগী চীঙশাং পরেংগী চীঙলোন্দগী চীঙশা-নাপোমশিংগী লোকচপশিংগী খোংলম- খোংনুংদগী চেন্থরকপা ঈচেলশিংনা চীঙখোঙদা ঈতীন্নরুরগা থোক্লকপা ঈরমদুনা ওইরকপনিনা সেকমায় তুরেলসিগী তুখুল-খোংলম ইন্দুনা মৈরম পাংনা কাখৎলবদি মখোয় পল্লেনগী চীঙখোঙ

চীওয়াদা থুংলুবা ঙমগনি অমসুং য়েক্লবগী লাঞ্জা-লানয়েংবশিং মিয়েংদগী নাম্থোকপা ঙমগনি। চীঙখোঙ অদুদগীদি চীঙগী উমং-ৱামংগী শরুকশিং হৌখ্রবনি, উমংশিং অদুনা মখোয়বু লোৎপীদুনা অরাপ্পা-অনকপদা লৈবা য়েক্ল বনা লায়না মখোয়গী খোঙচৎ-পান্দম অদুগী পন্থুংফম ওইরিবা পল্লেনদা বৃটিশনা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরিবা পল্লেনগী চীঙদুম/চীঙশাং - নাপোম অদুদগী থৎপা ঙমলোয়। মরম অসিনা হায়রিবা সেকমায়গী খোংলম-তুখুন অসি, মাঙজৌননা য়েংথোক্লুনবা লাঞ্জাবা মীওই ৫/১০ থাননবা খন্নদুনা মীশক-মীশা খন্দোকখ্রে অমসুং মাঙজৌননা য়েংননবগী লাঞ্জা-লাল্লুম্বা মীশিং থাখ্রে।

মিৎনা-খোঙনা উরিঙৈ নোংথিলসিদা তৌবা য়াবা, তৌগদবা পুন্নমক শীন্দোক্লদুনা অমসুং তেঙ্গোল-লানশঙগী অৱাৎ-অপা, অশোয়-অহো, তৌগদবা মিৎশেন-শন্ত্রীনচিংবা য়েংশিন-খোৎচিন্দুনা লেনখি। অদুবু তশেংনমক মখোয়না য়েক্লবশিংদুনা লৈরিবা চীঙ অদু লাপ্তুক্লা উরকপগী ঈ-পাউ তারবসু চপ চানা খঙবা হায়বদুমক্তি মশানা থেংনদ্রিবনিনা খঙদ্রি। অমরোমদা বৃটিশ তেঙ্গোল পনমাঙদা মায়য়োক্লনা লান্বা তৌননবা মৈতৈ-স্না কোনুংদগী থাখিবা মৈতৈ লান্মীশিং অদুনা কদায় ফাওবা মখোয়গী খোঙথাং চঙশিল্লবগে হায়বগী ঈ-পাউসু ফাওনবা ঙমদ্রে। অদুগা ককচীঙ-চুল্লাংপাৎ/মনাওচীঙগী তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন ওইরিবা ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোরনা ককচীঙগী খুঙ্গংসিদা য়েক্লবশিংনা চঙশিল্লক্তুনা ককচীঙ-প্রজাশিংদগী নমদুনা চেঙ-চাকশিং লৌবা, মখোয়গী সিফাইশিংনা নৈশিন-নৈশিন্দুনা, খুৎলাই শীঙদুনা মীচম-মীয়াম্বু কিহনবনচিংবগী ৱারম-থৌরমদি তারে অদুবু বৃটিশকী খুৎলাই পায়বা লান্মীশিংদু কদায়দা, করম্না লৈরিবা, করম্বা মতমদা খুল্লক ঈরক্তা চঙলকপা, অসিনচিংবগী ঈ-পাউদি খঙদ্রি। অদুনা লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরসিনা মশামক্লা মখোয়না তেঙ্গোল শারিবসিগী মনীঙ/নোংচুপ অমসুং কৌব্রু ওইনা লৈরিবা ককচীঙ-খুঙ্গংগী লম্মিৎ-তুমিৎ, লৈরক-কোনশাং, পুখ্রি-খোংবান, অসিনচিংবগী মরমশিংদা মশামক্লা হকথেংননা খঙনীঙ্লদুনা নুমিৎ তারক্লগা খোঙচৎ-খোঙথাং অমা লৌখৎনবা মশা মতোমতা থৌরাং তৌজখি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লান্মীগী লাঞ্জিংলেন অমা ওইনা লানগী ৱায়েল মতুং ইন্না খঙফম থোকপা-লানফম, লানশঙ-তেঙ্গোলগীনচিংবগী অকোয়বগী ফিবম খঙবা, অকোয়বা লমদমশিংদুদা লৈরম্বা/লৈরিবা

খুঞ্জা/মীওইশিংগী মরমদা খঙবা, মখোয়গী ময়ুম-মকৈনচিংবগী লৈফম-শাফম্ন চিংবগী লৌশীং লৈবা অমসুং য়েক্লবশিংদুনা অকোয়বগী খুঞ্জাশিংদুদা চৎপা লমচৎ-শাজৎ অমদি খুঞ্জাশিংদুনা মখোয়দা থল্লিবা মিৎয়েং, লৈনরিবা লীচৎ-শাজৎকী মরীনচিংবগী ঈ-পাউ লৌননবা, মহাক মতোমতা শকলোত্তুনা লাঞ্জাবা চৎপদু লমফৈ- লন্মাঙনবা মীগুম উহন্দুনা ঈ-পাউ ফংননবা মশানা হৈনজরবা খুৎশূ-খুৎলাই, মখুৎ চাজবা থাঙ-নোংমৈ, আরাম্বাই তেন্দোংনচিংবা পুদুনা মশাগী লানশা শগোল তোংদুনা তেঙ্গোল-লানশঙ শিন্নবা য়াবা মতীক চাবা মীদা শিন্নরল্লগা লানশঙদগী থোরক্তুনা তেঙ্গোল শাফমদু থাদোকখিরম্মী। মহাক্লা চুমলাংপাত্তগী চীঙখৈ হাইরপ পাংনা চুমদ্রিং হাইগৎনবা সেকমায় তুরেন লাল্লক্লগা ককচীঙ খুল্লক্তা অঙনবশিংনা হীপ্ন-তুম্ননবা-চঙনরবা, অথেংবশিংনা চান-থক্লরিবা মতমদুদা খঙন-চানখিবা অমগী ময়ুমদা চঙদুনা ঈ-পাউ লৌগে হায়দুনা লাকখিরম্মী। ৱাংখৈ মৈরাবনা, মহাক্লা নুমিদাং খুনগোয়রক্লিবা নুমিৎসিনা পানখৎলকপা থাবানগী মপান তাংদুনা থাবন্না খঙনা-চানবা মীগী মশক তাক্লিবসু মহাক্লা লময়েং-লাঞ্জাবা লাকপনিনা মহাকপু মীতোপ-মীরাননা খঙহন্দনবা মশা উহন্দনবা, মশক লোৎননবগী পান্থৈদ্দি থাবলগী মঙান্দগী মরূম ওইবশিংদা থুপ্তুনা অদুম শীজিন্নরম্মী। লানগী মতমনিনা য়েক্লবা কদায়দা লৈরমদগে, খুদোংথীবনা করম্বা মিৎকুপ্তা লাক্কদবগে হায়বদু খঙবা ঙমদবনা মশা কঞ্জনবা হোৎনফম থোকপা শাজেন্দু হোৎনজবা মাল্লি। ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা শগোল খুরুপ-মচা, কোরী লেঙহাইদা থৌদুনা ককচীঙ-ৱাইরী খুল্লকলোমদা ফাওদুনা লাকপদা খুনগী নোংপোক-মৈরম ওইরপ্না খুন্দোন্দা মৈ থানবগী মৈঙাল উরম্মী অমসুং শগোলগী খোঙজেন হন্থহন্নবা চুপলী ফারপ তৌরগা খোঙথাং মখোল তপথহন্দুনা চঙশিনবগী শউম পীকথহল্লগা লাকপদা লৌবুক ময়াগী লমহাঙ-লম্পাক অমদা মী খর পুননবগী মওং-মতৌ উবা ফংলম্মী। মীওইশিং অদুনা শেৎলি-ইল্লিবা ফিজেৎ-ফিরোই অদুদগী থাপ্লা উরবসু হেক উবমক্তদা মৈতৈ মচা নত্তে হায়বদু খঙখিরম্মী।

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরনা চেকশিন্না, লোননা অমসুং মী অমদি শগোন্না নকশিল্লকপগী মমিদু লোৎশিনবা য়াবা মখৈ লোৎশিল্লগা নকশিন্না চঙশিন্দুনা কনানা করি তৌরিবনো হায়না য়েংলুবদা গুর্খা অমসুং পঞ্জাবী/শিখ

সিফাই খরগা ঈঙ্গ্রেজ/সাহেপ মচা অনিগা ৱারী-ৱাতায় শান্নদুনা লৈরম্ব্রদু উখিরম্মী। মখোয় ঙাংন-শানরিবদু ময়েক শেংনসু তাদে অদুগা তারম্বা তারগসু মহাক্লা মখোয়গী মরোন্দু খঙদবনা মখোয়না ঙাংনরিবদু করিনো হায়বা খঙবসু ঙম্লম্লোয়। মহাক্লা উরিবা মওং-মতৌ অমসুং ফিবম অদুনা মখোয়না ঙাংনরিবদু খঙদ্রবসু মহাকপু য়াম্না খোয়শাওহনখি অমসুং মহাক্লা তারকপদু চুমলে, হায়বা খঙখিরম্মী। বৃটিশকী লান্মীশিং অদুনা মখুত্তা খুৎলাই পায়বা মখোয়নি হায়দুনা খুৎলাই পায়দবা ককচীঙগী মীচম-খুঞ্জাশিংবু উশিত্তদুনা নত্রগা তৌগে হায়বা মতাগুম, মখোয়গী ককচীঙ-ৱাইরী খুন্দোন-লমহাঙসিদা লমদল্লল্লিবা থৌওং-থৌদৌদু মৈতৈবু উশিৎ-থৌওইদবা, করি তৌজবা ঙল্লোয় হায়বগুম শীঙ্নবনি খন্দুনা মতোমতা মখা চীক্তুনা শাওজখি। মৈরাবা, মেঞ্জোরনা মখোয়বু মতীক ওকপদু মতোমতনা ওইবসু তৌরম্লগে হায়না লেপ্লদুনা মহাক্কী মখুৎনা হাইথখিদুনা মহাক্কী শগোল শাবন্দা য়াল্লিবা আরাম্বাই তেন্দোংদা মখুৎনা মারকখি। য়েক্লবশিংদা তেংনৌপন্দা য়েক্লবা লান্দানবদা মায় পাক্লা শীজিন্নখ্রবা মহাক্কী মৈতৈ হেগুবোম- আরাম্বাই তেন অমা লৌথোক্কুনা চেকশিন্না মদুনা মহাক্কী অনীঙবা থবক্তু পাংথোক্কদরা, পাংথোকপা ঙমগদ্রা অমসুং মচাক-মথুম শুনা য়াওরিব্রা হায়বদু মিৎকুপ খর য়েংলম্লগা খুৎপায়ফম মখোক্তুদা পায়দুনা আরাম্বাই তেঞ্জেদু লৈবা-উঙবা হৌখ্রে। মিনিট ৩/৪ উঙদুনা শাফু কলহল্লবা মতুংদা মহাক্লা পান্দমফম য়েংলকপদা থাল্লিবা থাউমৈ - অয়ানবী - অথীনবী অদুদা মাগী মমিৎকী মিৎয়েং তারুরে। মহাক্কী আরাম্বাই অদুনা থাল্লিবা থাউমৈদুদা লংশিন্দুনা মুথৎলগা লৈরল্লিবা বৃটিশ সিফাইশিংদুনা অরাক- অখংগী চঙঙক্লদুনা হুইঙক- য়েনঙকনরিঙৈদা ঙম্লগা য়েক্লবা অমা-অনি লোয়শিল্লমগে - হায়বসি খল্লদুনা মৈতৈ হেগুবোমদু থাউমৈদু তম্না শাফু কন্না খংহুন হুঞ্জিল্লকখি। আরাম্বাইদুনা থাল্লিবা থাউমৈদা পান্দুনা পোকখায়দুনা মখোল অমসুং মৈঙানগা লোয়ননা খংঙান ঙাল্লম্লগা খংমম মমদুনা থাউমৈ খংমুৎ মুৎখিবদুদা লৈরম্লিবা বৃটিশকী অফিসার অনিগা গুর্খা, শিখ সিফাইশিংদুগা করিগুম্বা নাশোন-শউম অমতা তাহৌ-খঙহৌদনা তৌরক্লিবা থৌদৌ, পোকখায়রকপগী থোক্লক্লিবা মখোল অদুদা মখোয়গী মথৱাইশিংদু মখোঙ মখোঙদা লোয়নমক চোংশিনখিদুনা খংমনখিদুনা মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা চেন্থোক্লখি। অদুবু মিনিট অমগী মতুংদদি মখোয়না

তাখিবা মখোলদু হেণ্ডবোমগী মখোন্নি হায়না খনখি অমসুং মফম-মরাং খণ্ডদনা লান্দারক্লিবসিদা খুদোংথীবা মায়য়োক্লগদবা অশি-অনা নংগদবগী শরুকপুদি মখোয়গী তেঙ্গোল তান্না য়ৌননবা চেনখিবনা শাফগনি খন্দুনা মহৈ-মহৈ, মচোয়-মচোয় লাঞ্জেনখি। মখোয়না কায়দুনা মফম থাদোক্তুনা চেন্নখিবা মতমদুদা ৱাংখৈ মৈরাবসু য়েক্লবা লান্মীদা এটেক তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহৌখিদ্রে অমসুং মহাকসু মখোয়না চেনখ্রবা মতুংসিদা মহাক মথন্তনিনা অমুক লান্নীঙ হল্লক্লবদি, মখোয়গীদি ২০/৩০ শুরিবনিনা অশোয়-অঙাম, ফত্ত” নুংদা থোক্লীঙঙাইনি হায়দুনা শগোল খুরুপ থৌদুনা মনীঙ পাংনা ময়ান্বা চীঙলোমদা থৌথরগা নাকোয়ননা মশাগী তেঙ্গোন লানশঙদা চঙগে খন্দুনা মফম থাদোক্তুনা চৎখি।

মথক্কী থৌদোক-লান্থোক অসিদা মীশি-মীনা থোকখিবা নত্রগা অশোক অপন নংখিবা বৃটিশ লান্মী অমতগী ৱারোল-ৱাফম [রিপোর্ট (Report)] ফংবা ঙমদে। অদুবু থৌদোক অসি থোকখিব্রা-থোকখিদ্রবা হায়বদুদি মথংগী নুমিত্তা বৃটিশকী পল্লেন লান্মী তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলেন মেজর লেস্লীনা অয়ুক অঙনবদা গুর্খা সিফাই ১৫০ পুদুনা লাক্লগা ককচীঙ খুল্লক্তা লাল্লুমদুনা লৈরগদৌরিবা অসি করি মরমগীদমক্তনো হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম্না পান্বীরিবা পাউখুমদুগী প্রুফ পীবীরসনু, মরমদি, নুমিৎসিগী লেফটেনেন্ট কোক্সকী মখাদা লৈবা বৃটিশকী শগোল-তোংবা সিফাই ৪০ দুগী রিপোর্টতা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোর অমসুং মহাক্কী লান্মীগী মৈতৈ সিফাই ৭০০ না ককচীঙ-কৈরক্কী মনাও চীঙ ফাওরগা য়াৱাবুঙগী নোংপোক-মৈরমগী নমলোন্দা লৈরিবা চুল্লাং/চোমলাংপাত্তা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখিবা নত্রগা লাকখিবগী ৱাফম অমতা ফংদে। মরম অসিনা ককচীঙদা মখোয় বৃটিশকী য়েক্লবা মৈতৈ লান্মীশিং হাইজিল্লক্লে হায়বা ৱাফমসি খণ্ডদ্রবদি অতৈ মখা থাবা অফিসারশিং অদুক য়াম্না লৈরগা তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন [Commanding Officer] না ককচীঙ খুন্দা লাকপসি লাকফম থোক্তে, অদুগা লাকপা তারবসু সিফাই মশীঙ অসুপ য়াম্না গুর্খা সিফাই ১৫০ [১২ শুবা বর্মাগী শগোল তোংবা লান্মী] পুদুনা লাকপা হৌনদে। লেফটেনেন্ট সি: জে: ডবলিয়ু: গ্রান্টনা তন্মুদগী মনিপুরদা লান্থেংনরুগনি হায়দুনা মার্চ ২৮ দা লাকখিবদুদা লোইনরকখিবদু ১২ শুবা

মদ্রাজ (বর্মা) ইনফেন্ত্রীগী সিফাই ৫০ অমসুং ৪৩ শুবা গুর্খা রাইফলস রেজিমেন্টকী সিফাই ৩৫ খক্তনি [N.K.S., 1983, A-Li]। অসুম্না মেজর লেস্লীনা ককচীঙদা লাক্কুনা লাম্থেংনখিবসিগী ৱারোলদি :-

"About five miles from Palel to the northwest" wrote a correspondent, "is a large Manipuri village called Kakasen ... On the morning of the 23rd he (Major Leslie) took out with him a party of 150 Gurkhas, the Mounted Infantry of the 12th Burma, and arrived at the village at day light. The enemy were taken by surprise and fled in all directions making no resistence, the great majority escaping into the jungle with their arms ....

The Manipur, Compiled from the Columns of the Pioneer, Allahabad, 1891 [Ibid, XXXXII]

অসিনি। মরম অসিনা মেজর লেস্লীনা তুম্মু লাল্লমগী লাঞ্জিং-পুরেল মেজর-জেনরেল থোমাস গ্রাহাম, সি: বি: দগী য়াথং লৌদনা য়েক্লবা থেংননবা অফোংবা লানফম নত্তনা হুরান-লাননাদা তৌবা হায়বসি মৈতৈদসু হুরান-লাননা অদুম তাবনি। হায়রিবা পুম্নমক অসি মেঞ্জোর মৈরাববু কনখৎ-হাক্কনবগী ৱাফমদা নত্তবা অচুম্বা লোজিক [Logic : the science of reasoning] কী মতুং ইন্না তাজরকপা ৱাফমশিংনি।

ককচীঙ-খুল্লেন-খুল্লক্কী লান

বৃটিশকী তাৎ অমসুং লাল্লুম্বা :-

ককচীঙ ৱাইরী খুন্দোন লমহাঙগী লান/থৌদোক-লানথোক অসিদগী খা-রাই/ৱাং খঙদবা মখৈ কোয়চেন চেনবা য়াওখিবা বৃটিশ সাহেব-মচা অনি অমসুং গুর্খা-শিখ সিফাই ২০/৩০ দু অকি-অখংবনা মখোয়বু পুদুনা কিলোমিটর ৮৯ খক লাপ্পা মখোয়গী পল্লেন্দা শারিবা তেঙ্গোন্দুদা নুমিদাংদুদা পন্থ-শোথবা তৌদনা চেন্নরক্কুনা পল্লেন্দা নুমিদাং পুং ১২/১১-৩০ রোম

তাবদা থুংলখি। মখোয় পুম্নমক মানা মানা তাখিবা হেন্দবোম/হেগু গ্রেনেডকী মখোন্দা অমুকসু মৈ হওদুনা চাকপা, মখোয়না থাজবা ঙমদবা, মৈতৈনা অসিগুম্না তৌরক্কনি খল্লুদবা, অদুগুম্না পোকখায়রগা মৈহওবা বোমবু মৈতৈনা শীজিন্নরমগনি, মখোয়দা লৈরমগনি হায়না ৱাখল তৌবা নত্রগা থাজনীঙঙাই লৈতবা থৌওং-থৌদৌ, লান্দা-তকশীল্লকপা খুত্তকশিল্লক অমসুং হুঞ্জিল্লকপা-লংশিল্লকপদা অদুক শাফু য়াওনা পাইশিল্লকপগী ৱাফমসি লীদুনা, করিনো, নখোয় থেংনখ্রবরা! অসিনচিংবা সিফাইশিংদুনা লাংনরিঙৈদা সাহেব-মচা অনিদুনা থোকখ্রিবা থৌওং-থৌদৌদুগী ৱারী-ৱাখোঙ পুম্নমক তমদুনা কেম্প কম্মাণ্ডিং অফিসারদা লীখি। হায়রিবা চীনহায় পাউদম-রিপোর্ট [Verbal report] অসি তাবদা মেজর সার চার্লস লেস্লীনা, মখোয় বৃটিশ লান্মীশিংনা সুপ্লায় পায়শিন্দুনা থন্বমক নত্রবসু খুঞ্জাশিংদা নত্তনা মখোয়গী খুনগী লুচিংবা, মকোক থোংবশিং ফাওবা মখোয় বৃটিশকী খুবামদা থমদুনা লাকশিল্লিবা নত্রগা লাকশিন্দুনা থল্লিবা ককচীঙ খুন [খুল্লেন অমসুং ৱাইরী] অসিদা য়েক্কবা মৈতৈ-লান্মীগী তেঙ্গোল/লুপ অমা চঙলক্লে/য়ৌরক্লে, মখোয়দা অফবা মখলগী খুৎলপাই য়াওরি [মতমসিদা বৃটিশ লান্মীশিংসিগী অয়াম্বা সিফাইশিংনা পায়রিবসি স্নেডর রাইফল (Snader rifle) নি অদুগা মৈতৈগী লান্মীনা পায়বনা মার্টিনি-হেনরী রাইফল [(Martini Henry) নি, অনিসি অকোনবগীসিনা ফবা হেল্লি অমসুং অনৌবা মথেল (New brand) গীনি] অমসুং এক্সপ্লোসিভ ডাইনামাইট [Explosive dynamite] না শেম্বা/শাবা করিগুম্বা খুৎলাই অমসু য়াওরি-হায়বসি খঙখি অমসুং খনখি। অদুগা মহাক্না মসিমসু খল্লমগনি মদুদি-অসিগুম্বা হিরমশিংসিগী ঈ-পাউদি লেফটেনেন্ট কোক্স অমসুং শগোল তোংবা লান্মী ৪০ অদুনা খঙফম থোকপনি অমসুং মদুগী পাউদু পীরকখিদে, হায়রিবসিনদি মখোয় শগোল তোংবা লান্মী অমসুং মদুগী লাঞ্জিংবনা ঈ-পাউসি ফংবা ঙমখিদে। অদুবু ঙসি এপ্রিল ২২ গী ককচীঙদা ঐগী মীশিংদা খুৎ থারক্কবনিনা য়েক্কবশিংসিনা অরোনবা ওইনা থম্বা লানওং অমা লৈরে, অদুনা অরোনবা লানওংসিদি ঐখোয়গী অরোনবা লানওংনা থেংনবা তাই - অসিনি। ৱাফম অসি খল্লকপদগী সার চার্লস লেস্লী, মেজরনা মহাক্কী তেঙ্গোল লাঞ্জিংবা কেপ্তেন, লেফটেনেন্টশিং পুম্নমক খুদক্তা কৌদুনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা অহিংদুদা মৈতৈনা চথরক্লিবা লানগী লানওং অসিগী মরমদা মহাক্না ময়ামদা লীদুনা থোকখিবা

থৌদোক্কুদা খুদম-চাংদম তৌদুনা মখোয়না মখোয়গী মপুঙ ওইবা লান্মী-মপৈ য়ৌরক্ত্রিবা ফাওবা ঙাইবা তারগদি তৌরক্লিবা মৈতৈগী লানওংদু মায়য়োক্লনা ঙাকথোকপা অমসুং য়েক্লবগী অরোনবা শারৌদু থুগায়নবগী মথৌ তারিবদু ময়ামদুগী মফমদা খঙহনখি।

মহাক্কা বৃটিশকী আর্মী অফিসারশিংদুদা - লেফটেনেন্ট কোক্স অমসুং মহাক্কী শগোল তোংবা লান্মীনা য়েক্লবগী খোঙচৎ-খোঙথাং খঙবা ঙমদবা ঈ-পাউ খর লৈরে। ঐখোয়গী মীনা লাঞ্জা-লানয়েংলিবসি খ্বাইগী ওইনা খঙনবা লম্বী [Main road] অসিদদনি। অদুবু মৈতৈনা অতোপ্পা লম্বী, ঐখোয়গী শগোল-লান্মীনা চত্তবা, য়ৌবা ঙমদবা লম্বীদা নত্রগা মায়কৈদা অরোনবা মৈতৈ লান্মী, বৃটিশকী লান্মীশিংনা খঙবা ঙমদ্রিবা মফমদা লৈরে অমসুং হৌজিক য়ৌরক্লে হায়বসি ককচীঙদা থোকখিবা থৌদৌসিনা খুদম ওইরে। য়েক্লবা লান্মীসিগী সিফাই মীশীঙ, খুৎলাইগী মশীঙ খঙদ্রি; মখোয়গী মতীক-মঙম, মহী-ময়াই লেপত্রি হায়বা য়াই, অদুবু পোকখায়গনবা অমসুং মৈ হওগনবা পোৎলম্মা শেম-শাবা হেঙুবোমগুম্বা অমদি মখোয়না ঙসি শীজিন্নরক্লে, অদুগা মখোয়গী লানশোক্ল-লানথেংনবগী শাফুসু খঙদ্রি। হায়রিবা অরোনবা, লুমদুনা লৈরিবা মৈতৈগী ঐখোয়গা য়েক্লবা লান্মী তেঙ্গোন অসিবু থিংননবা অমসুং মখোয়বু মাঙহন্নবা থৌরাংদি - লোন্না লাক্লগা লোত্তুনা লুন্নগা ঐখোয়গী মীশিংগী মথক্তা অরোনবা খুজীল- থৌরাংগী মখাদা লৌখৎলিবা মৈতৈ-লান্মীশিংসিবু থিংনবা, লাম্বা তৌনবা পাম্বৈদি ঐখোয়বু লোন্না লাক্লুমদুনা [Ambush] মখোয়গী মওং-মতৌ, মরীন-লীংজেল খঙদোক্লগা খুদক্তা খঙহৌদনা লান্দাবা, মখোয়না নাম্থোকখিবা য়াদনবা অমসুং মখোয়বু তান্ননবা শগোল তোংবা লান্মীশিংদি শোয়দনা য়াওদবা য়াদে। মখোয়না খঙহৌদনা লান্দানবা লাক্লুম্নগা শীনখিবনিনা ঐখোয়সু মদুম্মা তৌদুনা মখোয়গী লান্মী-লুপ, লানবন, তেঙ্গোল-লানশঙনচিংবা পুন্নমক থুগায়গদবনি অমসুং মাঙহনগদবনি। অদুগা য়েক্লবা লান্মীশিংদু কদায়দা করম্মা লৈরিবগে, লুমলিবগে হায়বসিগী ঈ-পাউ অমতা লৈত্রি, মখোয়দগী মদুশিংদু লৌননবগী খুদোং চাবদুসু লৈত্রি। মরম অসিনা করম্মা মখোয়বু থিদোকপা, থেংনবা নত্রগা মখোয়বু উবা ফংগদবগে হায়বসি লুনা থোক্লিবা ৱাফম্নি। অদুবু থাজবা ৱাফম অমদি- ঐখোয়গী বৃটিশকী অফিসার অনি য়াওনা সিফাই ২০/৩০ না অনৌবা

মফমশিংগী লম্মিৎ- তুমিৎকী ফিবম- ফিরেপ্পচিংবদা খঙবা য়াবা খঙননবা ৱারী-ৱাতায় শান্নরিঙৈদা মখোয়না লোন্না নুমিদাংদা ককচীঙগী খুঙ্গংসিদা লাক্কুনা ঐখোয়গী মীশিংদা খঙহৌদনা লান্দারকপনিনা মখোয়না হায়রিবা খুঙ্গংসিদা মখোয়না তৌখ্রিবা থবকসিগী ঈ-পাউ তাবা মী খর ককচীঙদা মফম অমদা নত্রগা অমদা শোয়দনা লাকখিগনি। মখোয়না ঐখোয়দগী রাইফলদদি হেন্না ফখ্রে, মসিদগী হেনবা খুৎলাইসু য়াওরম্বা য়ারি। মরম অসিনা বৃটিশ-লান্মী সিফাই মশীঙ য়াম্না চত্তবা য়ারোয়। মখোয় য়েক্লবশিংদুনা নুমিদাংদা এটেক তৌরম্বনিনা মখোয়না লমশাং চত্তুনা হোৎখ্রবদি নত্রগা ককচীঙ খুন পুমথা থাদোক্কুনা চৎখিবগী ওইরবদি খঙদ্রে, নত্রবদি মখোয় অনকপা চীঙশিং অসিগী মনুংদগী অমদা শোয়দনা পল্লমগদবা/লেক্কমগদবা মাল্লি নত্রগা অনকপা মফম অমদা মখোয়গী তেঙ্গোন-লানশঙ্ শাদুনা লৈরম্বসু য়াই। অমা ওইসনু, অমসু ওইসনু, মখোয় হয়েংমকসি ককচীঙ খুন্দা হল্লকপা, মদুসু য়ারিবা মখৈ লোন্না চঙলকপা য়াই। মতমদুদা থেংনহৌদুনা মখোয়দা অশিবগী পরা হায়বসি করিনো হায়বদু তস্বীরবদি মতুংদা খুমাঙ খক চাওশিল্লক্লোয়। মরম অসিনা হয়েং ঐখোয় বৃটিশ লান্মীগী সিফাইশিং খর, মখোয়না ঐখোয়গী মীশিংগী মথক্তা কাইহৌরকখিবা মফমদুগী অকোয়বদা অমসুং অতৈ মফমশিংদুদসু লান্মী খর খর চায়দুনা হান্ননা লাল্লুমদুনা লৈরুনবা মীতোপ্পা উদ্রিঙৈ- খঙদ্রিঙৈ মতমদা চত্তুনা লৈরুগদবনি। ঐখোয়না ঐখোয়দা পীবা ঈথৌগী মতুং ইন্না মখোয়গী লানবন/তেঙ্গোল, খোঙচৎ-খোঙথাংনচিংবা থি-হুন্নবা মতম লৌবগী মথৌ চঙলবসু মাঙদা তাদুনা লৈরিবা মখোয়বু অহানবা ওইনা উবা ফংগদবা নত্রগা মখোয়গা খুৎ থোক্লগদৌরিবসিগী থৌরাং তৌবনা শাফগনি অমসুং য়াইফগনি। মরম অসিনা হয়েং অয়ুক নোং ঙানফাত্রিঙৈদগী ঐখোয়গী তেঙ্গোলদগী গুর্খা সিফাই ১৫০ অমসুং শগোল-লান্মী ৪০ অসি ককচীঙ তান্না চত্তুনা নোং ঙাল্লকপদা থুংলুরগা মখোয়গী খুঞ্জাশিংবু অকি-অখং লৈহন্দনা থেম- নৌদুনা লোইনরগা মখোয়-খুঞ্জাশিংদা মৈতৈগী লান্মীনা লাক্লিবসি মখোয়বু/ককচীঙবু হাৎপা লাক্লিবনি অদুগা ঐখোয়না নখোয়বু কনবা লাক্লিবনি - হায়না থেমদুনা থাজহল্লগা লোইগদবনি। হায়রিবা ৱাফমশিংসি সিফাইশিংগী মফমদা খঙহন্দুনা মাগী মাগী কম্পনীগী, ক্রুপকী, অমসুং সেকসনগী জুনিয়র অফিসারশিংদা পাউতাক পীগদবনি। অদুগা হয়েং অমুক ককচীঙ খুঙ্গংদা

চৎপসিগী কম্মাণ্ডিং অফিসারনা ঐ ঈশামক্তা ওইগনি অদুগা পল্লেন কেম্পসি ঐনা লৈত্রিঙৈগী চার্জসিনা কেপ্তেন রঙেললনা পুগনি। শগোল - লান্মী ৪০ বুনা লেফটেনেন্ট কোক্সনা কম্মাণ্ড তৌগনি অমসুং ঐগা লোইননা কেপ্তেন দ্রুরী, লেফটেনেন্টশিং গ্রান্ট (অতোপ্পা মীশক অমনি অথোকপগ লানফমগীদু নত্তে) অমসুং পেটরসন অসিনি।

মেজর সার চার্লস লেস্লীনা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোলদা লৈরিবা মাগী মথা থাবা অফিসারশিংদা হয়েং এপ্রিল ২৩, শগোলশেল নুমিত্তা মখোয়না মখোয়দা লান্দারক্কনি হায়না চিংনবা অরোনবা মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোল থেংনবগীদমক্তা য়াথং পীবগা লোইননা মখোয়গী মথৌ-মথৌ য়েঙ্গোক্লদুনা মদু থবক ওইনা পাংথোক্লবা লেপ্লখি অমসুং শগোল তোংবা লান্মী ৪০ চৎপগী ৱাফম অসিনা অচুম্বা ৱাফম ওইগনি, মরমদি, মহাক্কী তেঙ্গোলসি শাবগী মীশীঙ নত্রগা লান্মীগী মশীঙদা শগোল তোংবা লান্মী ৪০ খক্তগী হেন্না য়াওখিদ্রে; অদুগা মখোয় ৪০ সি গুর্খা রেজিমেন্ট/রাইফলস অমতদা য়াওদে, মখোয়দি ১২ শুবা বর্মা রেজীমেন্ট [অহানবদা 'বর্মা' গী মহুত্তা "মদ্রাজ" হায়রম্বা] কীনি। মসি, মথক্কী কোটেসন্দুদা য়াওরিবা খুৎয়াওসিনা চমন্নহনবনি [হায়রিবা লান্মীগী সিফাই মশীঙসিনা ১৫০ খক্তা ওইবা তারগনা খোঙমীনা ১১০ অমসুং শগোল লান্মীনা ৪০ ওইগদবনি। লান্মী ১৫০ সিমক শগোল-লান্মী নত্তে। মখোয়না মখোয়গী কেম্পতা মেজর লেস্লীনা য়াথং তৌখিবা অদুগুম্বা খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক [I.S.T.] পুং ৪ মথায়রোম তাবদগী পল্লেন্দগী খোঙহৌরক্তুনা লাকপনা ককচীঙদা অয়ুক্কী পুং ৫.৩০/৬ লোম তাবদা থুংখি অমসুং খুনগী খুঞ্জাশিংবু থেমদুনা - "মৈতৈ-লান্মীনা লাক্লিবসিদি নখোয় ককচীঙগী খুঞ্জাশিংবু হাৎপা লাকপনি, নখোয়বু কনগে হায়দুনা ঐখোয় বৃটিশকী লান্মীশিং লাক্লিবনি, মখোয় শোয়দনা লাকখিগনি, মখোয়বু তাস্থোক্লবা ঐখোয় নখোয়গী নরক্তা লোত্তুনা লাল্লুমদুনা লৈগে, নখোয় করিসু পাখৎকনু, ঐখোয় বৃটিশনা নখোয়বু কনগনি" - অসিনচিংবা হায়জিন্দুনা ককচীঙ খুল্লক্তা লাল্লুমদুনা লৈখি।

মৈতৈগী শগোল হঞ্জিন কৈনা চাবা ঃ- ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোরনা বৃটিশ লান্মীশিংবু ককচীঙ ৱাইরীদা মৈ থান্দুনা ৱারী-ৱাতায় শারম্বদগী তানখায়রগা, শগোল খুরুপ থৌদুনা ৱাইরীগী মনীঙ খুন্দোন তারগা অমুক

খর অমুক চথবগা অৱাং পাংনা খজিক্তং হাইদোক্লগা মনীঙ পাংনা কুমথরক্তুনা মচীন-মনাও চীঙগী ময়াম্বা চীঙগী চীঙয়াদা থুংখি অমসুং মদুদগী চীঙখোঙদু য়েৎওইননা কোয়রগা মখোয়না ঙসাই অয়ুক থুংলবদা সেকমায় তুরেল লানখিবা ঈরানফম মপা অদুদা অমুক হন্না সেকমায় তুরেন লান্দুনা য়াৱাবুঙ লমতুপ্তুদা তাখি। হায়রিবা মফমসিগী ঙসাই অয়ুক্কী লম্বীদুগী খুদুং ইন্দুনা চৎখ্রগা চুমলাং পাৎ ফংদুনা মশাগী তেঙ্গোন্দা চঙদুনা পোথাখি। মতাংসিদা হংবা য়াবা ৱাহং অনিনা তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন্না মতোমতা চখোক্লিবসি করিগীনো অমসুং মহাক্কী লান্মীশিংনা করি'মতা হায়দ্রা হায়বসিনি। হায়রিবা অহানবগী ৱাহংসিগী পাউখুমদি মথক্তা কয়ারক হন্না পীজখ্রে অদুগা অনিশুবগীসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী হকথেংননা শাগোন্নবা ঙাকশেন-লান্মী/সিফাইশিংনা মহাকপু মশক মুন্না খঙবদগী ৱাহং-পাউহংখিবনি।

ৱাংখৈ মেঙ্গোরসিনা নুমিদাংদুমা মতোমতা চখোক্লুবসিদগী বৃটিশ লান্মীশিংগী লীচৎ, মখোয়না মৈতৈবু থৌওই- উশিত্তবা অমসুং ককচীঙগী খুঞ্জাশিংবু তূম্মিৎ-য়ুরানগুম খন্দুনা লান-লাক্লিবনি, মনিপুর হায়বসিদি মখোয়দদি মফম পুন্নমকসি লান্নং-লানশোক্লফম এরেনা [Arena of fighting/battling] নি হায়বসি খঙন-খঙনা লম হেঞ্জিল্লকপা অসিনা মনিপুর সরকারগী মখাদা লৈবা মীয়াম অৱাবা অমসুং খুদোংথীবা কয়া পীরে/থোকহল্লে অমসুং হিরম খুদিংমক্তা খুদোংচাদবা ওইহল্লে। মখোয়গী কাংলুপ্না মপাঙ্গল ফনা কন্দুনসু, মালেমগী শরুক অহুম থোকপগী অমগী মপু ওইদুনসু মতীক ওকপা ৱারক্তবদি য়াদে। মরম অসিনা মখোয়না মৈতৈ খুল্লক্তা চঙলক্লিবসি চঙলক্তনবা থৌরাং অহানবা ওইনা লৌখত্তবা য়াদে। অদুগা অমরোমদা মৈতৈ স্নাকোনুংদগী মঙোন্দা পীরকপা য়াথং, পল্লেন্দা শারিবা বৃটিশ তেঙ্গোলবু ককচীঙদগী নীঙলোমদা লান্দাদুনা থুগায়বা হায়বা অসিগা মখোয়না মৈতৈ খুল্লক্তা চঙলক্তনবা থবক লৌখৎপগা চপ মান্নবা ৱাফম্নি। হায়রিবা পল্লেন তেঙ্গোন্দা লান্দানবগীদমক্তা মখোয়গী লানবন্দুগী/ তেঙ্গোলদুগী ঈ-পাউ খর লৌবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি। মরম অসিনা ককচীঙ খুঙ্গংগী খুঞ্জা অহনশিংগা ৱারী-ৱাতায় শাদুনা ফংবা য়াবা ঈ-পাউ লৌবনা থবক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমগনি - হায়বা ৱাখলসি খন্দুনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লানশঙদা চাক-ঈশিং ঙন্না লানগী হৌনবী চারা-থক্লগা

সেকমায় তুরেনগী তুখুনগী খোংলম লীনবা লাঞ্জাবনচিংবা থবক শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌরল্লগা মৈতৈ সিফাই খর [য়াল্লবদা ১০০ হায়না পাবা ফাওবদা য়াম্মল্লি] গা লোয়ননা মমায় নোংপোক মৈরম ফেল্লেনা লাক্লগা সেকমায় তুরেন লান্দুনা ককচীঙগী খুঞ্জা অহল লম্মনশিং উন্নদুনা ৱারী শান্ননবা লাক্লম্মী।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা মহাক্কী অচেৎপা মনাই শাগোন্নবা খর য়াওনবা মৈতৈ সিফাই খর [মমিং-মথানচিংবা খঙজহৌদ্রবা] গনা সেকমায় তুরেন লাল্লকপসিদা শেৎলি-চারিবা ফিজেৎ-ফিরোই অদুনা খুল্লক্কী খুঞ্জাশিংদুগা মান্নদনা মৈতৈ-লান্মী/সিফাইশিংদুনা মখোয়গী সরকারনা শক্তাক্তুনা অপীবা ফিজেৎ- কোকয়েৎ অমুবদা শল্লাই-মচা য়েত্তুনা খদাংচেৎ লাক্লগা ফুরিৎ শাইককপা [খুদাং অককপা] অমুবা অমসুং ফৈজোম অমুবা কুঞ্জা তুংদা য়েপ্পা খুকউ মথক্তা তাখত্তুনা শেৎলগা খ্বাঙজেৎ অমুবনা নাকন্দা য়াল্লিবা থাঙশাংগী থাঙলী নন্দুনা লাক্লগা মখুত্তা কোরাটী মার্টিনি হেন্রী রাইফল পায়রগা নোংমৈ মরুগী পরেং অনি লেঙ য়েৎ-ওয়দা খাওল্লনা য়ানবশিংনা পুন্না পরেং নাইনা চৎলগা মখোয়গী ফম্নাইবা অথোইবা লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা খ্বাঙদা খামু/খামেন চপ্পা ময়েক অশুবগী ফৈজোম তুংদা কুঞ্জা য়েপ্তুনা শেৎলগা মথক্তা মনাফি - নিংথৌফি শাইজোনবা [খুদাং অচোনবা] ফুরিৎনা ফৈজোম মথক্তা থাদরগা খুকউ মথক্তা য়ৌরপ তাহল্লগা শাইজোনবা ফুরিৎ মথক্তা খুৎশু থাঙলেন [হায়রিবা থাঙ অসি বৃটিশকী শগোল তোংবা লান্মীনা খুন্দুনা লৌখরে ... About five miles from Palel ... called Kakasen[Kakching] ... on the morning of 23rd he [Major Leslie] ... On this Occasion 17 of the enemy were killed and 2 were made prisoners, and 9 guns were captured of which 7 were taken by the Mounted Infantry under, Lieutenent Cox. A fine sword, belonging to an officer of the enemy also fell into the possession of the Mounted Infantry. [Ibid & Ibid, XXXXII] গী মথক্তা খ্বাঙয়েৎ ফিঙৌনা য়েৎলিবা অদুগা কোক্তা নিংথৌজা য়েক্কী থম্বাল অঙাংবা মচুগী কোকয়েৎ, শল্লাই অচৌবা ওয়না নন্বীগী

লাইবক্কী কোকয়েৎ ফিবানদা নাপু মচুগী কিনারগী সে: মি: ৪ রোম পাকপনা কারন লাক্তুনা কোকয়েৎ ফিশাং ফারগা মাঙগী য়েৎথংবা কিনার মপাক কারনগী নামদুদা ফিরাল মথোল মঙা লোননা থেৎলগা নামাবলীনা খদাংচেৎ লাক্তুনা কোকয়েৎ নাম্থোক্তনবা ফারগা খুৎ ওইনা কোরাটী মার্টিনি হেনরী রাইফল পায়রগা নোংমৈ মরুগী পরেংনা ওয়থংবা লেঙ্‌বান্দগী খাওন অমা য়েৎথংবা লেঙবান্দগী খাওন অমা, খাওন অনিনা থবাক্তা কারন চৎনরিবা অমসুং খোঙলোই লান্মী- লাল্লোইশিংনা মাঙ-তুং নাক-ওয় য়েক্তা ফৈজোম খুকউ-মখা, খুজেং য়ৌনা শেৎপা, ফৈজোম কুঞ্জা তুংদা য়েপ্পা মখ্বাঙদা থাঙ য়ানবা থাঙলীনা খ্বাঙদা হান্না ফারগা মথক্তা খ্বাঙনা কোয়রগা ফুরিৎ শাইককপা, কোকয়েৎ শল্লাই মরক য়েৎনা নম্বী য়েত্তুনা খোঙলোইনরিবা খরগনা সেকমায় তুরেন লাল্লক্তুনা ককচীঙ খুল্লেনগী খুল্লক্লোমদা চঙশিল্লক্লিবদু বৃটিশ গুর্খা সিফাই খরনা উরদুনা মখোয়গী অফিসারদা তাক্তুনা লানফমগী তেঙ্গোল-লাঞ্জিংলেন মেজর সার চার্লস লেস্লীদা পাউ য়ৌখ্রে। মেজর লেস্লীনা মখোয়গী খোঙলোই-খোঙমী সিফাই য়াম্বনিনা লানফম মচা অমদি লৈরে হায়বসি খনখরে, অদুগা মহাক্কী য়াথং ফংদ্রিবা কনা অমতা উহন্দনবা শাথুপ্পুনা লৈখিনবা য়াথং পীরগা মখোয়গী শগোল তোংবা লান্মীগী লুচিংবা লেফটেনেন্ট কোক্সপু মিৎশীং-নাশীংনা চেনখিবা মৈতৈ লান্মী তান্ননা থৌরাং ফিবম শেমদুনা লৈননবা য়াথং পীখি।

চঙশিল্লক্লিবা মৈতৈ-লান্মীগী লাল্লম তেঙ্গোল লাঞ্জিংলেন, তুংইল্লিবা মৈতৈ ফম্নাইবা [Officer] শিং অমসুং লান্মী সিফাইশিং কনানা করি তৌরি খঙদনা অমসুং খল্লুদনা খুল্লক-চঙশিল্লকপা হৌরকখি। চেকশিনহৌদবা মিকুপ-পুংজা অমনা পুন্সিগী লন্বীগী চেঙজেন খমহন্নবা খুদোংথীবনা মীওইববু ঈনক-নক্লা চঙ্‌শিনগদবা থোঙজীন্দা লুমদুনা লৈ। মৈতৈ-লান্মীশিং চঙশিল্লকপদু ককচীঙগী খুঞ্জাশিং উনরক্লে। মখোয়গী মরক্তগী অহন ওইবা অহুম-মরি থোক্লক্তুনা তৌরিবা ফিবমদু খঙহনবদি থৱাই হাৎপীখিগনি কিবনা হায়ঙমদনা শউম্না-ঈঙ্গিৎনা খঙহনগে খন্দুনা মৈতৈ-লান্মীশিংগী মনাক্তা লেপ্লরে। মখোয়গী মতু ঈপোন পোনবা মতৌদুদা নুংঙাইজদ্রবা ৱাংখৈ মৈরাবনা মখোয়গী পুক্নীঙ থৌগৎনবা হায়দুনা ৱাফম কয়ামরুম হায়নদুনা ৱারী শান্নখি। ঙাইহাক ৱারী শান্নরবা মতুংদা লাল্লম-তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা বৃটিশ-লান্মীগী তেঙ্গোল কদায়দা শারিবগে অমসুং

মখোয়না কদায়দা লৈরিবগে? হায়বা ৱাহংসি পুখৎলকপদা ককচীঙগী খুঞ্জা অহল অমনা মখুৎনা পল্লেনগী চীঙগোলনা লৈখ্রিবা খা-মৈরমগী মায়কৈদুদা থিল্লগা "চীঙদা লৈবা অসিনে" হায়দুনা হেক তাক্লকপা মতমসিদা লাল্লুম্নদুনা লৈরিবা মেজর লেস্লীনা মখোয়গী তেঙ্গোল শাফম তাকথোকখ্রে, মখোয়না লাল্লুম্লিবা অসিসু তাকথোকখ্রগনি, অদুনেদি তাকথোক্ত্রিঙৈসিদা খুৎ থোক্লহৌবনা ফরে হায়না খন্দুনা মহাক্কী লান্মীশিংদা খুদক্তা নোংমৈ কাপ্পনবা য়াথং "ফায়ার [Fire]" হায়না হৌনা লাউদুনা, পীখি। অদুম্না য়াথং পীরক্কনি হায়বা খঙদবনা পান্দমদুনা লৈহৌদবনিনা খুদক্তা নোংমৈদু থাঙ্গত্লুনা কাপ্পনিনা পান্দমফমগী পনথুং লাকহৌদবনা নোংমৈ মরুদু চায়না চৎখিদুনা অহানবগী খুৎকাপ অসিদদি য়েক্লবগী লান্মী শোকহনবা ঙমখিদবগুম তৌখি।

বৃটিশকী সিফাইশিংনা ককচীঙ খুল্লক্তা হান্ননা লুমদুনা লৈরম্লগা নোংমৈ কাপ্লক্তুনা নোংমৈ মখোল থোক্লকপসিদা মৈতৈগী ফম্লাইবশিং অমসুং সিফাই খরদি থাজদবা থৌদৌ অসিদা খংবনা লৱাই শাৎখিদুনা মায়কৈ শল্লাই খঙদনা চেনখি। অদুবু লাঞ্জিংলেনগী নাক্তা থৌগলহৌবা, মশানা লান্মীগী শাজেল শান্নজবা খরনদি চেনবগী মহুত্তা মশাগী শাথুপফম য়েংনা নোংমৈগী পাউখুম নোংমৈনা পীরকখি। অদুম্মক ওইদুনসু মায়কৈ মরিমক্তা কোয়শিন্দুনা অমসুং হান্নদগী লাল্লুমদুনা লৈরম্বনা খুদোংচাবদু য়েক্লবা বৃটিশকী ওইখি অমসুং অসুম্না মায়কৈ অনিমক্কা খুল্লক্তুদা মতম ঙাইহাক নোংমৈনা অৱাই-অখু তৌনবদুদা ককচীঙগী মীচম প্রজা খরদি শিখিবা অমসুং অশোক- অপন নংখিবা য়াওরমগনি অদুবু মৈতৈ কোনুংদা ফন্নগা কোন্না মীঙোন্দগী পাউ তারগা ইবা চৈথারোল কুম্বাবনা মীচম- মীয়ামগী খনবীদবসি লাইবক থিবনি।

মনাওচীঙ চীঙয়া অমসুং চীঙশা নাপোমগী লান - ককচীঙ খুল্লক্তা মৈতৈ লান্মীগা বৃটিশকী গুর্খা সিফাই ১৫০ অমসুং শগোল লান্মী ৪০ অদুগা লাম্বা তৌনদুনা নোংমৈ কাপ্পরকপসিদা মৈতৈগী মী ৫০ মুক লাকপা অদুদগী লৈহৌরিবা সিফাই ৩০ রোম অদুগা পানবা য়ারক্তুদুনা মৈতৈ-লান্মীশিং পন্নীঙ হন্দুনা অচৌবা তেঙ্গোলগী শরুক্না লৈহৌরিবা চোমলাংপাৎকী লানশঙলোমদা লৈহৌরিবা লান্মীশিংদু নোংমৈ মখোল তাবসিদা য়েক্লবগা লাম্হেংনরে খঙদুনা মখোয়না লানবাংবা লাক্কনি নত্রগা মখোয়সু থোমজিল্লক্কনি - হায়বা মশা তাজরবা ৱাফমসিদা খন্দুনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা লুচিংলিবা মী ৩০ খক্কী

মৈতৈ তেঙ্গোল মচাদুনা তপ্না তপ্না নীঙহন্দুনা লানহন্দোকপা ওইনা লাঞ্জেল্লক্লম্মী। তৌ-লাং খর হৌজরবসু উপাল-ৱাপাল কয়া কুংনা হৌদবা লমহাঙ ওইবা মফমনা নম্বনা হৌগত্তুনা লান্নীং হনবদা খুদোং চারমদে। অদুগা অসিগুম্বা লম-তৃগী ফিবমসিদদি শগোল লান্মীশিং অদুসু খোঙমীগুম্না তৌবসিনা মখোয়গী অশেংবা মথৌ পাংথোকপা ঙল্লমদে। অসুম্না পাকথ-পাকথনা লান্নীঙ হল্লকপা বৃটিশকী মশীঙ য়াম্বা, ট্রেনীং নীঙথীনা ফংলবা অমসুং লান্মীগী থকশী-খাশী ঙক্লা চৎলবা গুর্খা সিফাইশিং অদুনা খজীক-খজীক তকশিল্লকপা, মখোয়নসু খঙতান-তানশিনবা য়াদবা; নোংমৈ মরুনা থৌনা ফবা,অমদি অয়ম্বা অমসুং লীন্দা লৈতবা হায়না খায়দোকপীদনিনা লেঙম-শাঙমদনা লেঙলকপসি পুংখায় অমা হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা চোমলাংপাকী মৈতৈ তেঙ্গোলদগী লান্মী অমা ফাওবা লাক্লে। মখোয়দি নোংমৈ মখোন্দু তাবদা লান্দাবা লাকপনি হায়বা কাউখিবগুম তৌরদুনা খুদোংচাগদবা মায়কৈ য়েংদুনা উমং-ৱামং উ-ৱা হৌবা য়েংদুনা চেনখ্রে। মখোয়না লাঞ্জেনখিবগী মওংদা বৃটিশ রেকোর্ডনা পীরল্লিবনি:-

...The enemy were taken by surprise and fled in all directions making no resistance, the great majority escaping into jungles with their arms. [Ibid, Ibid, XXXXII].

অসিনি। ৱাফমসিদা হেঞ্জিনবা খর য়াওরবসু ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা মৈতৈ স্নাকোনুংদগী সিফাই ৭০০ পুরকপদুগী মনুংদা সিফাই ৬০০/৬৫০ রোমদি ককচীঙ অমসুং মনাওচীঙগী লানফমশিংসিদা লান শোক্লবা য়াওখিদে, হায়বসিমদি শেংলবা ৱাফম্নি। মরমদি, মখোয়না ককচীঙ খুল্লেন খুল্লক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোলদু তারগা লানবাংবা/লানয়াওবা ওইনা লান্মীশিংদু লাকখিদবা/ থোমজিল্লকখিদবা অসিনদি মখোয় মফম অদুৱাইদা লৈত্রে, তেঙ্গোল-লানশঙ থাদোক্তুনা চৎখ্রে - হায়বনি। শিবদগীদি হিংহৌসিনা ফৈ অদুবু মরৈপাক্কীদমক্তা শিখিবা অমসুং মরৈপাক্কীদমক্তা হিংহৌবা হায়দুনা অনিসিদি খেন্ননা লৈ, মরমদি অমনা মৈচাক কোকখ্রবনি, অমনা মৈচাক্তু থম্মোইদা পুহৌবনি।

ৰাংখৈ মৈরাবগী তেঙ্গোল মচা অসিনা লাঞ্জেলকপগী লম্বীসি ককচীঙ-খুল্লেনগী খুল্লক্তগী হাইদোক্লগা সেকমায় তুরেন লাল্লক্লগা চুমদ্রিংননা মনাও চীঙগী মপাদা মতমদুদা লৈরম্বা তৌ-লাংশিং হৌবা, পাথী-কোমথী, লৈপুং-লৈহোম্নচিংবা লৈবা লমহাঙ-লমজাও মতেক অদু লাল্লক্লগা মনাওচীঙগী চীঙয়া য়ৌরকখিবনি। চীঙগী-চীঙয়া য়ৌরকপসিদদি উমংগী শরুক খর খর য়াওরক্লে, উপাল-উজাও হৌবসু লৈরক্লে। হায়রিবা মফম- চীঙয়াসি য়ৌরকপদদি বৃটিশকী তেঙ্গোলদা য়াওরক্লিবা শগোল-তোংবা লান্মী ৪০ অদু মথৌ তৌবা হৌরক্লে অমসুং অঁচেনবা মৈতৈ সিফাই তান্ননবা শেম-শারক্লে। মনাওচীঙগী অৱাং থংবা চীঙশা-নাপোমগী চীঙয়াদুদা মখোয় মৈতৈ-লান্মী ৩০ খক্তুগা বৃটিশকী শগোল তোংবা লান্মী ৪০ য়াওবা সিফাই ১৭০ অমসুং অফিসার অচৌবা [Commissional Officer] ৫ য়াওনা লান্মীগা ঙাইহাক কাপ্পরকপদুদা লানগী চৈথেং খাঙবা ঙম্লক্রদুনা মীওই ১৩ দি চেন্নবা থৌরাং তৌরক্লে। মখোয় মৈতৈ সিফাইশিং চেনগে তৌরকপশিংদুদা বৃটিশকী শগোল তোংবা লান্মী ৪০ দুনা ফুজিল্লক্লে। মখোয় সিফাই ১৩ অদুগী মনুংদা অমুক মায়পুননা নোংমৈ কাপ্পবা অহুমদি মনাওচীঙগী অৱাং থংবা চীঙয়া লাম্থোক্তুনা নোংমৈ কাপ্পা কাপ্পা তুংলোমদা চেল্লকপদা অথৌবা সিফাই অমদি মনাওচীঙদগী মিটর ৪০০ রোম লাপ্পা মফম অমদা নোংমৈ গুলীনা পান্দুনা তুখি অমসুং অতোপ্পা অনিদুসু মফমদূদগী পঙলাপ-লাপ্তুনা নোংমৈ-মরূনা পান্দুনা শিখি। মখোয় ১৩ দুগী মনুংদা সিফাই ১০ দি সেকমায় তুরেল লাম্থোকখিবনা শগোল তোংবা লান্মীশিং অদুনা তান্নবা ঙমখিদে অমসুং মখোয়দি ময়াম্বগী চীঙগী নমলোন্দা চৎখিদুনা অনকপা উমং ৱামংলক্তা হাইজিনখিদুনা নাম্থোকখিরম্বা য়াই।

পুম্নমক লোয়না লাঞ্জিংলেনবু থাদোক্তুনা চেন্নখিবা অমসুং শিনখিবা য়াওরবা মতমদুদা থাজনীঙঙাই ওইরবা, মখোয়গী লান্মীগী মরমচৎ অদুগীদমক্তা ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইবা মৈতৈ সিফাই ১৬ খক্তি মনাওচীঙগী অনেম্বা চীঙদোন-চীঙদোঙ [Low Knoll] অহুমগী ময়ায় থংবদুগী অৱাং থংবা চীঙখোঙদা মশাগী ফিবম-ফিরেপ শেল্লিঙৈদা য়েক্লবগী মশীঙ য়াল্লবা গুর্খা সিফাইশিংদুনা মমিৎ ঙাইহাক্তুং কুপ্লিঙৈগী খুদোংচাবদু লৌদুনা লৈরি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা নাপোমদা কাখৎখিদুনা অৱাংবদগী অনেম্বদা

কাপথনবগী খুদোংচাবদু লৌগে তৌশিল্লকখি। অসুম্না মৈতৈ-সিফাইশিংসু কাখৎনবা হোৎনরিঙৈ, খরনা কাখৎনখ্রবা তাঞ্জা অদুদা বৃটিশ শগোল তোংবা লান্মী ৪০ অদু অচেনবা মৈতৈ সিফাইশিং তান্নরুবদগী হঞ্জিল্লক্তুনা লেমহৌরিবা মৈতৈ সিফাইশিং অমসুং লাঞ্জিংলেন ৱাংখৈ মৈরাবা তমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মখোয়না কাপশিল্লকপসিগা লোয়ননা অতৈ গুর্খা সিফাইশিং অদুনসু নোং চুবদা অকনবা লেন তারকপগী শাফু অদুগুম্না লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশিনলকখি অমসুং মখোয়গী নোংমৈ মরুশিং অদুদগী নাম্হোকপা ঙমহৌদ্রবা মৈতৈ-সিফাইশিং খর লৈমায়দা হাইথখিদুনা অরোয়বা ওইনা মমা লৈপাক্কী লৈমায় চুপচখি। লোয়নাইররোয়দবগুম কাপশিল্লক্লিবা নোংমৈ মরুশিং অদুদগী মশাগী উকল-মরুম ওইননবা হৌরম্বা চীঙগী উপাল উজাও অমগী মখোঙদা মরুম থুপ্তুনা ৱাংখৈ মৈরাবনা য়েক্লবা অমা নোংমৈ কাপ্লি। অদুবু কুংলবা নোংমৈ মরুনা তমশিল্লক্লিবা মরক্তুদা মশাগী নোংমৈ মরু হাল্লিঙৈদা শগোল তোংবা লান্মী অমগী নোংমৈ মরুনা হাইজিল্লক্তুনা মৈরাবগী থবাক্তা পানখি। হেক পানবগা খুত্তগী নোংমৈদি থাদোক্তুনা অশোকপা মফমদুদা খুৎ ওয়না পায়রগা উপাল অদুগী উখোঙদা হকচাং শীথ্দুনা তারকখি অমসুং মফম অদুদা মমা লৈপাক্কীদমক্তা অৱাবগী নত্রগা অনাবগী খোঞ্জেন-খোন্থোক অমতা থোক্লমদা মালেম লৈমায়দুনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী য়াইবী থৱাই চুপখি।

মৈরাবা মেঞ্জোরনা তাইবং থাদোকখিবা মতমসিদা অহান-অকোন খজিক খজিক্তুং নাইনরগা মহাক্কী থাজনীঙঙাই ওইরবা খোঙলোয় ১৯ (তরামাপন) অদুসু মশাগী হকচাং থাদোক্লম্লগা য়াইবী মথৱাইদুনা মখোয়গী লাঞ্জিংলেনগী মতুং ইনখি।

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরনা থেংনখিবা লানওং

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরনা বৃটিশকী ফিল্ড ওপরেসন - মনিপুর, ১৮৯১ গী তুম্মু লাল্লম [তমু কোলম (Tamu Column)] গী মাঙজীন থাবা লান্মী-তেঙ্গোল, মেজর সার চার্লস লেস্লীনা লাঞ্জিংলেন ওইবা, পল্লেন্দা তেঙ্গোল শাবসিগা থেংনখিবা লানগী লানওং অসি মহাক্না লৈখিদবা নুমিৎ, খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩, শগোলশেল নুমিৎসিগী মতুং নিনি কোনবা এপ্রিল ২৫, থাঙজা নুমিত্তা থেংনখিবা মনিপুর ইতিহাসতা মমিং পঙহাপ্তা

হাপ্লবা খোংজোম লানফমদা লৈপাক-লৈপন-লানবন শাদুনা লান্মী তেঙ্গোলনা শাথুপ্লগা মৈতৈগী খোংজোম লানবন-তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন চোংথা মিয়া সিং, মেঞ্জোর [Ibid, 53] অমসুং লাঞ্জিংলেন - মথং/হিদং পাওনা নাওলসিং/ব্রজবাসি, তোপ মেঞ্জোর, লাঞ্জিংবশিং - খুম্বোং মেঞ্জোর, হৈরাং খোংজা মেঞ্জোর, সনখ্যা চীঙলেনম্না/ চুঙ্গোয়ম্না, ফুঙ্গানাই শঙলাক, পাওনা ব্রজবাসিগী সেবকশিং - অঙাংমচা অমসুং থাবলনচিংবা য়াওবা মৈতৈ সিফাই ৭০০/৮০০ লৈবা তেঙ্গোলসিনা মথক্তা হায়রিবা বৃটিশ লান্মীসিগী গুর্খা-শিখ/পঞ্জাবী সিফাইশিং অমসুং নোংমৈ অচৌবশিং

I) 2 guns of No 2. Mountain Battery,

II) 35 Mounted Infantry of the 12 Madras (Burma) Infantry

III) 250 rifles of the 2-4 Gurkha Regiment

IV) 50 rifles of the 12th Madras (Burma) Infantry

Report of Captain F.M. Rundall, 4th Gurkha Regiment [Ibid, XXX-XXXI]

য়াওবসিগা লান্থেংনখিবগী লানওং, লান্থোঙ-লাঞ্জঙ, লানফম-মফম্ন চিংবদা য়ানা খেন্নে। অহানবগী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরসিনা মতোমতা লাঞ্জিংলেন ওইনা বৃটিশকী পল্লেন-তেঙ্গোলগী কম্যাণ্ডিং অফিসার মেজর সার চার্লস লেস্লীনা লাঞ্জিংবা গুর্খা সিফাই ১৫০ অমসুং শগোল তোংবা লান্মী ৪০ না হান্ননা লোনন্না মৈতৈ লান্মীশিং খঙহন্দনা ককচীঙ খুল্লক্তা লাল্লুমদুনা লৈরম্লগা খঙহৌদনা খুদক্তা নোংমৈ কাপ্পুনা লান্দারক্লগা মদু ঙাকথোক্লবা লানশোক-লান্থেংনবগী লানওং-লানথোঙনি। অদুগা অকোনবগী খোংজোমগীসিনা লাঞ্জিংলেন ওইবা য়াবা মীওই/মেঞ্জোর ৪ সু য়াওরগা হান্ননা লানখোং-লানকোম, লৈপন-পল্লীনচিংবনা কোয়শিল্লবা য়েক্লবনা চঙশিনবদা ৱারবা লানবন শারগা মৈতৈ লান্মীশিংনা মশা শাথুপ্পুনা লৈরগা ফোংনা, মায়োক্লনা লান্দারকপদু ঙাইরগা শোক্লখিবা লানশোক খুৎশোক্লনি। অদুগা অহানবগীসিনা উদ-খঙদবা অমম্বদা পোৎ মাবনি, হায়বদি, ঈশিং

মনুংদা ঙা লৈব্রা হায়দুনা খুৎহুম্বনি অদুগা অকোনবগীসিনা খঙনা-উনা অঙানবদা পান্দম্বনি, হায়বদি, কংফান্দা ঙা চোংখৎলক্লগা ফাগে তৌবনি, ঙাক্রা ওইরদুনা মচীনা হাইরম্বনি। অহানবগী লানফমশিং অমসুং লানশিংসিগী মরমদদি মথক্তা মরী-মখোঙ উত্তুনা উৎচখ্রে। মরম অসিনা অকোনবগীসিগী ওইবা লানফমশিং অমসুং লানশিংগী মরমশিংসি খঙলগা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী লানওংগী থাক [Standard] লেপ্পনবগীদমক্তা অফংবা রেকোর্ডশিং খর উৎচরি :-

(১) Report of Captain F.M. Rundall, 4th Gurkha Regiment

On the morning of the 24th April, 1891, I received instructions to proceed some six or eight miles north of Palel on the road to Manipur, and dislodge a force of the enemy reported by Captain Drury to be holding an earth work in the plain, I was further directed to remain on the spot for the night, as the Brigadier-General and the remainder of the column would arrive there next morning. I took with me 200 rifles of the 2-4th Gurkha Regiment and two guns of No. 2 Mountain Battery. Captain Drury 2-4th Gurkha Regiment, had been sent out reconnoitring in the early morning with 50 rifles of the 2-4th Gurkha Regiment and 50 rifles of the 12th (Burma) Madras Infantry and 35 mounted infantry of the 12th (Burma) Madras Infantry. I thus had the following force at my disposal.

2 guns of No. 2 Mountain Battery.

35 mounted infantry of the 12th (Burma) Madras Infantry.

250 rifles of the 2-4th Gurkha Regiment,

50 rifles of the 12th (Burma) Madras Infantry.

On arriving abreast of the village of Bapam (situated a mile and a half west of the high road), I found the enemy occupying in force an earthwork entrenchment on the west of the road and about one mile north-east of Bapam. Before my arrival they had also occupied abreast work and rifle pits constructed on the low hills on the right of the road. Captain Drury had driven them out and I saw his party occupying a knoll about one mile to the north-east of the enemy's position and the enemy were firing with jinjals in his direction (vide rough sketch in margin).

I first directed Lieutenent Cox. 12th (Burma) Madras Infantry, commanding the mounted infantry, to proceed to the south west of the enemy's position, so as to prevent the any escape in that direction. Then in order to get a view of the ground before attacking, and to obtain a commanding position for my guns, I proceeded with Lieutenent Persse, Royal Artillary, and the two guns and 50 rifles to a hill 1000 yards east of the enemy's position, leaving captain Carnegy, and Lieutenent Grant, the 24th Gurkhas, south of the position, and some, 1,500 yards from it, in a slight depression of the ground.

Or arriving at a Meck, we saw a small body of the enemy sitting on a hill 600 yards from us on what would be the right flank of my guns when I had got

them into position, So I drove them off with a couple of volleys. The guns were then taken to the top of the hill, which was about 400 ft above the plain and I opened fire on the enemy's earthwork at 1000 yards range.

The work I perceived to be somewhat in the shape of an oval, being about 50 yds long by 40 braod. The eastern face was protected with bamboo chevaux defrise, and the work consisted of a parapet three feet high, with a ditch behind it $4^1/_2$ feet deep and $4^1/_2$ feet broad, the parapet had loop-holes flush with the terre pleine, and a second row above the bottom row. Almost every loophole consisted of a large hollow bamboo inserted through the parapet. I found afterwards also, what was not, visible at the commencement of the attack, as it was concealed by grass, a deep and difficult nala round three sides of the work with three or four feet of water in it. This nala was about 12 feet deep and 12 to 15 feet wide at the top with percipitous end, here and there, afforded troops who jumped into it an opportunity of serambling out, and these were extremely difficult. A number of lovonac shelters in the work, constructed of grass and bamboos, gave the defenders of the rear and side faces cover from view, and also concealed a number of deep shelter trenches constructed in the body of the work.

The first shell fired by the mountain battery brust in the middle of the work and killed a few of

the defenders, who were exposed to view, and who up to the time I opened fire had not behind the parapet, and opened fire on us with jinjals and shell arms. I continued to shell the work, end the 50 rifles with me poured incessant volleys into it in the hopes of making the defenders of the reap and side faces evacuate the place.

After a time the enemy's fire shackened and almost ceased, so I sent word to Captain Carnegy to advance against the south face. Captain Drury had meanwhile, with Lieutenent Grant, 12th Madras Infantry been advancing in extended order across the plain. I did not cease to shell the work and pour in volleys of musketry until Captain Drury's and Captain Carnegy's parties arrived too close to the work to permit of my doing so with safty to them.

The enemy did not notice the approach of Captain Carnegy's party till they were only about 200 yards from the work, but they had seen Captain Drury's party, and had opened fire to him when he was about 800 yards off owing to the nature, of the ground, both our parties had to advance across an open plain without any cover. When they were about 100 yards from the work captain Drury's right flank and Captain Carnegy's flank joined, and the enemy's position was thus attacked by our infantry on the northern, western and southern faces simultaneously. Both Gurkhas and Sikhs were magnificently led by their officers and Native officers, and advanced under

the heavy fire with the utmost studiness and coolness. When sufficiently close they fixed bayonets and charged shoulder to shoulder, but were pulled up for moment or two by the nala, of whose existance they were unaware, but leaping down into it they endeavoured to find a way out of it. Owing to the difficult precipitous side men could only scramble out in knots, and here the long legs of the Sikhs enabled a few of them to seramble and slightly ahead.

One of the enemy stood up opposite to Captain Drury, and held up a cleft stick with a piece of white paper inserted in it. Taking this for a flag of truce, Captain Drury held up his hands to stop his men, who began to cease firing. The man seeing this laughed and fired at Captain Drury, and a volley was fired at our men. This was probably a piece of individual treachery, as no flag of truce was shown elsewhere.

The difficulty of crossing the deep nala at distance of few yards from the work, under a heavy fire can hadly be over estimated, and to come suddenly on such an obstacle at such a moment would have tried the steadiness of the best troops but there was no hesitation whatever on the present occassion, except when Drury stopped his men for a moment or two when the enemy treacherously held up the flag of truce mentioned above. Directly officers and men saw the treachery they rushed into the work,

Captain Drury and some Sikhs being the first in, though the other officers and Gurkhas and Sikhs were pouring in close to them and into other parts of the work each men racing to be first. Even when our men got in the enemy would not give way, but some firing out of the ditches and shelter trenches, and others with clubbed muskets and swords, furiously resisted, and both sides enaged in a desparate hand to hand fight, which, however, did not last long, as the enemy could not withstand the determined on slaught of our officers and men, who, with swords, bayonets and kukris cut them down in heaps.

The enemy broke out of the eastern face of the work, and were pursued for 100 to 200 yards, by our men, in a north-west direction. As soon as it was safe to do so, Lieutenent Persse, Royal Artilary, shelled the fugitives with shrapnel with fetal effect, the gunmens working their guns with great rapidity though we suddenly become aware that the bullets were falling amongst us, which I imagined were fired by parties of the enemy concealed in the village immediately behind the artillary position. Lieutenent Cox, 12th Madras Infantry and his mounted infantry won galloped up, and hotly pursued the flying Manipurs, and killed amongst every one of them. I understand that only eight escaped to tell the tale.

I have stated that our infantry, when the enemy broke and fled, pursued them for 100 or 200 yards.

The pursuers, finding themselves fired at from the nala on their left, rushed up to it, and were a second fight occurred, for the nala was full of the enemy, who, I fancy, had, at the commencement of the action, run in to avoid the shells. On arriving at the bank of the nala, one of the Gurkha, whose name I have been enable to discover up to the present, begged some Sikhs who were about to fire into the enemy in the nala not to do so, and drawing his kukri he leapt into the ditch and cut them down. Other Gurkhas speedily emulating his example.

During the pursuit of the mounted infantry, Lieutenent Cox was severely wounded by a Martini bullet, fired at him at close qaurters by one of the enemy whom he was pursuing. The man turned suddenly, and he and Lieutenent Cox fired each other simultaneously.

It is with the deepest regret that I have to record the death of Jemader Adjutant Kiruram Gurung, 2-4th Gurkha Regiment, who was shot through the head and chest while gallantly leading his men, some twenty yards outside the work, before it was captured. He was the most promising young native officer I had even seen. All other officers in Gurkhas Regiments will understand what I mean when I say that so strong is the bond of friendship which exists between the British Officer and his Gurkha Native Officer that we of the 2-4th Gurkhas mourn the lost of Jemadar Adjutant Kiruram Gurung as that of a brother.

I have omitted to mention that Captain Drury's and Captain Carnegy's parties advanced till quite close to the work without firing, as they could not see no one to fire at, the enemy's loop-holes being so much below the crest of the parapet that they were all completely protected from our infantry firing when crossing the plain.

The enemy's two jinjals were captured, and 102 muskets and rifles of all sorts were captured inside the work, and some swords. A lot of express rifle cartridges were also found.

Of the enemy, 76 dead were counted inside the work, and 2 wounded; and just outside the work 52 dead were counted, those killed in the nala were not all counted, as they lay in heaps in the water, nor did those killed by the guns and mounted infantry, as it was getting late and the bodies were to far off. The mounted infantry estimated that they killed about 50, certainly not less than 50, and some villagers have since told me that 400 fell on that day.

Military Progs. Manipur 1891-92

Report on the Affairs at Bapam, Manipur, 25th April, 1891. [Ibid, XXX-XXXIII]

(2) ... But on 18th April the whole of the advanced body of of the Tammu column, under Sir Charle Leslie had arrived at Palel. It consisted of about 400 rifles, 2-4 Gurkhas under Charles Leslie, with Captains Rundall, Drury and Carnegy, and Lieutenent

Grant, Ducat and Peterson and Dr. Clarkson; 100 rifles of the 12th Burma Regiment with Captain Presgrave and Lieutenent Grant; 40 Mounted Infantry, also of the 12th, under Lieutenent Cox; and two guns of No. 2 Mountain Battery under Lieutenent Persse.

The force were not to take the field against the enemy, but they were to keep a watch on their movements. For this purpose the mounted infantry under Lieutenent Cox went out daily. On one occassion this officer patrolled close up to Thoubal, and found the enemy occupying the position recently held by Lieutenent Grant. He calculated the number of the enemy at five hundred. They fired a volley at the patrols but no harm was done.

"About five miles from Palel to the north-west" wrote a correspondent, "is a large Manipuri village called Kakasen (Kakching). .... On the morning of the 23rd he (Major Leslie) look out with him a party of 150 Gurkhas, the Mounted Infantry of the 12th Burmas and arrived at the village at daylight. The enemy were taken by surprise and fled in all directions making no resistance, the great majority escaping into the jungles with their arms. The Manipuri, unlike the Burman, never throws away his arms. He sticks to them till the last moment. Even in flight, when their arms were an encumbrance to them when pursued by Mounted Infantry it was noticed that never abandoned them. On this occassion 17 of the enemy were killed, under Lieutenent into the

possession of the Mounted Infantry. After this lesson the enemy refrained from troubling the villagers of Kakasen (Kakching) any further. Their attention, however was engaged in other matters, and we now heard they were occupied in throwing up works along the road up which we were to advance. Conflicting reports of all sorts were brought in. Some stated, that, in spite of all their preparations, the Manipuris had no intention of fighting, and by other reports the column was gratified to learn that every inch by ground to the capital would be severely contested.

THE FIGHT AT LANGATE

"On the morning of the 24th April" continued the writer, "Lieutenent Cox, with 34 Mounted Infantry of the 12th Burma, was sent out along the road to reconnoitre. He reported that about six miles from Palel, and some distance from the village of Langatel, he found the enemy had thrown up some earthworks in an open plain, about 200 yards to the left of the road, while 500 yards to the right of the road extended a long low range of hills, from which low knolls ran out towards the road, at intervals of a mile or so. The morcha or mud-work was reported to be chockful of armed men; about 300 in number probably. They had two jinjals, and a strong picket was also posted on a knoll opposite to the morcha. Lieutenent Cox dismounted some of his men and ascended a neighbouring knoll, from which he spied out the enemy's disposition. The enemy opened fire

on the party, but distance was two great for any harm to be done.

The position taken up by the Manipuris was inexplicable. There was open country all round, and once our troops surrounded the place the enemy had not a ghost of chance of escaping, as it afterwards turned out. The position was also beautifully commanded from the knoll across the road, on the right. Whether they selected the position through ignorance or by seeing our troops making constant reconnaissances but not attacking them, they had possibly become emboldened, and had thought that by throwing up the earthworks near the road they would check the advance; or whether the men in the Fort were all convicts, as some stated they were, sent down from the Manipur Jail to defend the place against us, with the intimation that all those who - returned would have their careers promptly terminated; or whether they were chosen men of the Raja, who had sworn a mighty oath on their swords to stoutly resist our advance to the death, are questions I will not stop to discuss as I can give no answers. Be the reason what it may, we shall presently see how valiantly they faced the British arms on the fetal morning of the 25th April. - Having learnt the nature of the position, Sir Charles Leslie applied to the General Officer Commanding for permission to attack the place at once; but he was instructed to postpond the attack till the arrival of the 60th King's Royal Rifles, who were expected in Palel on the morning of the 25th April, with the General; the

headquarters of the 12th Burma, and two more mountain guns having come in on the 24th. However a party was directed to send out to make a careful reconnaissance of the enemy's position early on the morning of the 25th, and to select the best position for the guns.

Accordingly, on the 25th April, at day break, a party consisting of 50 rifles 2-4th Gurkhas under Captain Drury and Lieutenent Grant and 50 rifles, 12th Burma under Lieutenent C.J.W. Grant, with the Mounted Infantry, under Lieutenent Cox, marched up the Thoubal road. The Mounted Infantry made a detour off the road and got to the left or west of the enemy's position, while the Infantry got round the hills to the right or east of the enemy's position. The enemy kept up a harmless fire on our men but we did not reply. Captain Drury now wrote in to Palel, stating he had surrounded the enemy who were all in the mud fort, and he asked for more troops and guns, and permission to attack the place. The General with his staff, who had in the meantime arrived at Palel, the rifles coming in later, ordered, out another 150 rifles of the 2-4th Gurkhas with Captain Rundall and Carnegy, and 12 guns of No. 2 Mountain Battery, under Lieutenent Persse, to reinforce Captain Drury's party and attack the enemy.

The guns took up their position on the knoll opposite to the fort, and poured into it 47 rounds of shrapnell and shell doing much damage, but the

enemy firmly held their ground. The guns. however, had soon to cease firing, as the Infantry had by this time advanced close up to the mud fort. Captain Rundall, the senior officer present, planned and commanded the whole attack. The party under Captain Carnegy and Lieutenent Grant advanced up the road, while captain Drury with the Gurkhas and 12th Burma closed on the right flank of the enemy. The Mounted Infantry hovered about on the left flank. The two lines of Infantry advanced on the fort in beautiful order, as if executing a manoeuvre in a camp of exercise. Our fire was reserved, the enemy, too, doing the same. Above time the two Infantry lines got opposite to each other with the fort between, and it seemed as if they would have to fire into each other. By a skillful move the two line were manoeuvred into V-shaped formation, and the order was given to storm, the position. The enemy now began to pour in volleys but their shooting was very high and passed over our men, suddenly a deep nullah containing water which was found to surround the east, south and west sides of the morcha, obstructed the advance. The nullah was entirely concealed by tall grass, and it could not be seen till one almost tumbled into it. The foot, I may mentioned was almost circular in shape, the earthwork all round being about four feet high. Behind the wall was a deep trench occupied by the defenders. The whole of the centre was filled up with

temporary shelters of bamboo and grass. All round the fort outside were scattered a few trenches, in which were sharp pangis covered with grass, for our men to tumble into, no doubt. The fort was about 40 to 60 feet in diameter.

Our men, however, nothing daunted, soon jumped into the nullah and scrambled up the opposite side, the enemy keeping up a hot fire all the time. There were many narrow shaves, but no one appears to have been damaged at this time on our side. Having got over this obstacle, the Infantry changed the fort in grand style. The fire was now very heavy, and many of our men were hit. Lieutenent Grant, of the gallant 12th Burma, while dashing along at the head of his men, who were the first up at the fort at this time, saw one of the defenders held up a white flag. He naturally thought this meant a surrender, and at once shouted out on his men to cease fire. No sonner had he done this then one of the enemy stood up and fired at him, wounding him on the left side of his work and knocking him over. His men, however, who had their blood up, rushed into the fort, being the first in, and made short work of all they came across. Lieutenent Grant, who at first was stunned, picked himself up, and rejoining his men managed to be at the final melee. Almost simultaneously the brave little Gurkhas, led by Captain Drury and closely followed by Captain Carnegy, got over the mud parapets in other directions. About this

time the fighting had become a hand-to-hand encounter. The Manipuris were at a disadvantage as they had no bayonets. They appear, however, to have asked for no quarter, and none was given, Captain Drury, as he erabled over the wall, revolver in hand firing into the thick of the enemy was struck on the wrist with the bull end of a rifle, and another of the enemy with uplifted rifle was about to put an end to the gallant officer when Captain Carnegy and some Gurkhas, who were just behind, came in just in time, and smote down the man. Immediately after Captain Carnegy himself was shot through the right thigh. The man who fired this shot was soon made to bite the dust by a sturdy little Gurkha. Lieutenent Grant, 2-4th Gurkhas also had a near shave, a bullet having passed through his coat. By this time, nearly the whole of the trenches all round were filled up to the top with their dead. A good many were found lying all round the fort outside; 75 bodies were counted inside and 52 outside. Many jumped into the nullah and got drowned there. Some managed to escape from the north of the fort, but most of these were pursued by Mounted Infantry and killed, Lieutenent Cox chased one man, who ran up the hill on the right. He fired his revolver at him once, but missed him, and the next two shots missed fire; the man now suddenly stopped, turned round and fired at Mr. Cox, hitting him in the left shoulder, very severely. The officer after this had to discount and could not pursue

the fugitive, who, he thinks, got away. Other state that two Mounted Infantry men, who were now behind Mr. Cox, followed and killed the man who had shot their officer.

THE MANIPUR

Compiled From the Column of Pioneer, Allahabad, 1891.

[Ibid, XXXXI-XXXXXIII]

(৩) মথক্কী ৱারোল অনিসিগী নৈনরোল

মথক্কী ৱারোল অনিসিবু মিৎয়েংদা থন্নগা মখোয়গী মনুংদা য়াওরিবা মচাক-মথুমশিং অসিগী য়ুন্ফমদা ৱারোল অনিসিগী মশক লেপ্পা তারবদি - কেপ্তেন রগুলনা লানফমগী লাঞ্জিংলেন [Commander of Battle arena] অমা ওইনা মশাগী পীখৎফম থোকপা ৱার/বেট্টল-ডায়রী/রিপোর্ট [War/Battle-Diary/Report] অসি পীখৎফম/লানখৎফম থোকপা মথক থোংবা অফিসার (শিং) দা লানখৎখিবদা অরান-অহুই, হায়জিন-হাপচিনবা, চিথি-ৱাৎহওবা, অসিনচিংবা কয়া-মরুম য়াওবা, মখা থারা অফিসার ওইনা লানফমদুদা মশামক হকথেংননা শরুক য়াখিবা, থবক্না অমনা তৌরগা অমদা ওইনা নমথাক তৌদুনা পীবা, অসিগুম্বা থবকশিং য়াজনীগুদবা অফিসার অমনা মশক মমিং লোৎলগা ময়ামদা লানফমদুগী মমিৎকী মমাঙদা থোকখি অমসুং মশামক্না তৌখিবা, থেংনখিবা, উখিবা, খঙখিবনচিংবদু পুথোক্তুনা মরী লৈনবা মথক থোংবশিংদা মীনম্বদু খঙহন্নবা পীবা রিপোর্ট মখল অমনি। অহানবগী অসিনা কেপ্তেন এফ:এম: রগুলগী মশানা লানথেংনখিবা লানফম নৎত্রগা ৱৈপন-লানবন্না অদুদগী গজ ১০০০ রোম লাপ্পা মফমদা লৈরগা, রিপোর্ট ইরমদায়দা টেবল ফমদুনা অতোপ্পদগী পাউ লৌরগা মমিৎনা উবা পাউদম শাবা রিপোর্টনি। অদুগা অকোনবগীসিনা হায়রিবা লানফমসিগী নাকপাক অমা পুদুনা লাঞ্জল্লক্লগা লানবন্দুগী মনুংদা হকথেংনা লান থেংনবা য়াওখিবা লান্মীগী অফিসার অমা [মসি কেপ্তেন এফ: এস: ড্রুরী, ৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী অনিশুবা বেটালিয়ান ওইবা য়াই] না

মশানা উখিবা থেংনখিবা, পাংথোকখিবনচিংবদুবু লুচিংবনা অচুম্বা তৌদবগী ৰাকত্তুনা নত্রগা শীঙনদুনা মীয়ামদা অমসুং মথক থোংবশিংদা খঙননবা ইবা-ৰারোন্নি। মরম অসিনা ৰারোল অনি অসি করম্বনা হেন্না খুৎশেম য়াওরোয়দবগে হায়বদু খনবীনবা থমজবনি। অমনা টেবলদা অদুগা অমনা লানফমদা লান শোক্লখিবগী ঈ-পাউনি।

মথক্কী রিপোর্ট অমসুং ৰাকৎ- ৰারোল অনিসিদা ৰাংখৈ মৈরাবগী লানওংগী লমদাংদা মখোয় বৃটিশ অফিসারশিংনা মমিং মথাদি খঙদনা পাল্লিবা মৈতৈ-লান্মীশিংগী ৰাফমসি থমজবগা - মখায়গী পল্লেন তেঙ্গোল লানজিংলেন মেজর এস:সি: লেস্লীনা গুর্খা খোঙমী ১৫০ অমসুং শজোল লান্মী ৪০ পুদুনা ককচীঙদা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা [Day-light] লাকপদা মৈতৈ/মনিপুরী লান্মীশিং ঙকপদা লাকশিনখ্রে হায়বসি মেজর লেস্লীনা ককচিংদা লান্মী অসুপ য়াম্না পুদুনা লাক্লবসি করিগীনো অদুগা লানফমসিগী ৰারোলগী ৰারোয় ওইনা পীরিবা - "After this lesson the enemy refrained from troubling the villagers of Kakasen (Kakching)" - হায়বসিনা পীরিবা - তাক্লিবদি মেজর লেস্ললীসি ককচীংদা করিগুম্বা পান্দম, "Lesson" অমা তম্বীনবা লাকপনি - হায়বসিনি। মখোয়গা লাম্হেংনগে হায়দুনা লাক্লগা মখোয়না লাকপা উরগা ঙক্কদৌরিবসিনা করিনো? মরম অসিনদি মখোয়না করিগুম্বা ঙক্লবা খর/অমদি তৌরম্বা তাই, লান থেংনবা লাকপা লান্মীশিংদদি লাল্লুম্লম্লগা লান্দারকপা [এটেক তৌরকপা] সি ঙকপনি। অদুনদি মখোয়না লুমদুনা লৈরম্লগা নোংমৈ কাপশিল্লকই হায়বসি অচুম্বা ওইবা তাই। মরম অসিনা কেপ্তেন রন্দলসিনা মশা থাগত্তুনা পঙহায় হায়জিনবনি। মরম অদুনা মথক্কী ককচীঙ মায়কৈগী লানগী মথক্তা পীরখিবদু য়েংবীয়ু।

অদুগা ৰারোল অনিমক্লা চীনখুল মান্নবা পীরিবা - খোংজোম লানবনগী তেঙ্গোল কায়দুনা অশিবনা শিবা, অচেনবনা চেন্নবা হোৎনবগী হিরমদা মখোয়গী লেফটেনেন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ: কোক্সনা লাঞ্জিংবা শগোল-লান্মী ৪০ না অচেনবা তান্নদুনা হাৎপা অমসুং লান্দাবদা লেফটেনেন্ট কোক্স মশানা তান্নখিবা মী, লেফটেনেন্ট কোক্সপু মার্টিনি- হেনরী রাইফল কাপ্তুনা ওয় থংবা লেঙজুমদা শোকহনখ্রিবা, লম্বীগী য়েৎথংবরোমদা লৈবা চীঙদুম/চীঙদা চেল্লকখিবা মহাকসি কনানো হায়বা খঙজিনবা কান্নগনি অমসুং মসিগী মরমসি খর হেন্না চুম্লনবা থিজিন-হুমজিনবসি তঙাইফদে।

(৪) মীনম চারবা চৈথারোল-কুম্বাবগী ৱারোল

... অহোংশাংবা দুহোনগী কুম শক ১৮১৩ ... শজিবু থা ... ৯ নি ঈরাই [এপ্রিল ১৭, ১৮৯১] নোংপোক্লমদা সাহেবকী সিফাই য়াম্না কারকএ হায়না তোপ গারোৎতা পাউ থুংলৈ। শ্রীযুৎনচিংবা লৈপাক পুন্নমক দারবার তৌএ। সাহেবকী লান অসি তোকখিগবরা হায়ববু নোংপোক, নোংচুপ, অৱাং লম ৩গী লানবাউ থুংলরে। লৈপাক ঐখোয়বু করম তৌশিবনো, চেনবদি য়াদরে। নাকে নাকে হায়বা চোংথোক্লকও, নঙগী নঙগী নতিক য়েংনা ফম হাপকে অসুম খন্নরবদা শ্রীযুৎ সনা য়াথং মতুং ইন্না পাওনমচা ব্রজবাশি, চোংথামচা মিয়া অনিসি মেঙ্গোর হাপএ। হাওবমচা অঙাংহনসু মেঙ্গোর হাপএ। লোংজাম্বা সুবিদারবু পোইলা হাপএ। নোংপোকলমদা স্না ৱাংখৈরাকপা মাইপাক, য়েনখোয়বা মেঙ্গোরনচিংনা সিফাই ৭০০ লোয়নদুনা থৌবালদা লান ঙাকপা চৎলে। পাওনা মেঙ্গোর, চোংথা মেঙ্গোর ২মনচিংনা সিফাই ৪০০ গা লোইননা [লান চৎলে]। ১১নি নোংমাইজিং (এপ্রিল ১৯) অৱাংলমসু সাহেব য়াম্না লাক্লে হায়না পাউ থুংলৈ। ১২ নি নিংথৌকাব (এপ্রিল ২০) দা থৌবান্দা থুংএ। অদুদা পাওনা মেঙ্গোরনা হায়। মচা ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপনচিংবা লৈপাক অয়াম্বদি থৌবান্দা তেঙ্গোল শাদুনা লৈবি-ও। ইশেন চোংথা মেঙ্গোরগা ইবিংঙা মৈতৈ মচা [লা:৪৯০] নাগে নাগে হায়বা মৈতৈ মচা জমান্দার সুবিদার ওইরকপা লোয়নদুনা সিফাই ৪০০ দি পলেন্দা চঙগে, তোপ ১ দি পীয়ো হায়এ। ৱাংখৈ পোইলা নঙনচিংবা ককচিং পলেন্দা চৎলো। অহিং নোংয়াইদা লান চৎহল্লে। তোপ মেঙ্গোরনা তোপ অসিদি ঐখোই পুখিগে হায়রবদা মচা ইবুংঙো ৱাংখৈরাকপা চোংথা মেঙ্গোর ২মনা তোপপু চীনথংবনা পুবদি হৌনদে হায়দুনা পীদে। অদুদি ঐখোয়দি ফরবসু ফত্রবসু অদু মঙাইরে হায়দুনা অহিং নোংয়াইদা চঙখি। ... ১৩ নি য়ুমশকৈশ [এপ্রিল ২২] ... শ্রীযুৎ সনায়াথং লানচৎলো হাইনা মতোন ইবুংঙো খ্বাইরাকপনচিংনা লাইশ্রবা জম্ভুবান মেঙ্গোর, মাইব্যা তাত্র সুবিদার, হৈগ্রুজাম্বা পোইলানচিংবা সিফাই ৮০০ অৱাংলম চৎলে। নোংচুপলমদসু সাহেপ ১০ মরুমগা সিফাই ১০০০ রোমগা লান কারকএ হায়বা পাউ থুংলৈএ। ১সুংশগোল শামুসু য়াম্না পুরকএ হায়বা পাও তারবদা লৈপাক পুন্নমক লাংতক্লরে। অদুদা শ্রীযুৎনা মনাও ইবুংঙো যুবারাজগা লৈপাক পুন্নমা দোরবার তৌএ।

মদুদা মচা ইবুংঙো কালা [লা: ৪৯১] শগোল হঞ্জবা, স্না ঙাংবা লৌরুং পুরেন, য়েনখোইবা পোইলা, লোংজাম্বা পোইলা অসিনচিংবা সিফাই ১০০০ লোয়নদুনা লান চৎলে, লাইমতোন্দা তেঙ্গোল শাদুনা লৈএ। কোনুংদসু লৈপাক্কী অঙম্বা খুরাইলাকপা, ৰাংখৈরাকপা পুম্নমা তিন্দুনা লৈজএ। ....। পাওনা মেঞ্জোর চোংথা মেঞ্জোর ২মনা খোংজোম তুরেল মপান্দা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরে। ৰাংখৈ পোইলানা চিংজিন্দা [লা: ৪৯২] তেঙ্গোল পুদুনা চঙখিদুনা সাহেবকী তেঙ্গোলদি কদায়নো হংববু ককচিংনা চিংদা লৈবা অসিনে হায়রবদা খুল্লক্তগী সাহেপ সিফাই থুপ্লমদুনা খুন হৌদুনা নোংমৈ কাপ্লরে। ৰাংখৈ পোইলানচিংনা নিপা ৩০ মরুমগা খুৎনা ফংনা য়াম্নরে। ৰাংখৈ পোইলানচিংবা মী ২০ শিএ। অতৈ অয়াম্বদি চেনখিএ। খোংজোম তুরেন্দা মেঞ্জোর ২ মনচিংনা তেঙ্গোন্দা পঞ্জাবীনা চীঙদোন্দগী বমদিয়ার ৩লক কাপথরকপদি য়ৌদ্রে। মরিরক শুবদা তেঙ্গোন্দা তাই। অদুদা পাওনা মেঞ্জোর, চোংথা মিয়া মেঞ্জোর ২মনা থৌবান্দা মচা ইবুংঙো ৰাংখৈরাকপা য়েনখোয়বা মেঞ্জোর ২মদা তোপ পীরকও, তেঙ্গোলসু তকশিনবীরকও, মখোয়গী মরুনদি য়ৌরে। ঐখোয়গী মরুনদি য়ৌবা ঙমদরে। হায়না পাও ৩লক হায়খিববু পীরকতে। অদুদা পাওনা মেঞ্জোরনা হায়। লৈপাক মচাশা মরুদি য়ৌরে চেন্দুনা শিবদি ফত্তে, ইবাই য়েনখোয়বা মেঞ্জোরনা পুকচেল ফত্তবা নিংলবোই হায়দুনা তেঙ্গোল ময়ায়দা থাঙ শত্তুনা কোইনা চৎলে। ঐখোয় পুম্নমক হিংলক্লোই। মায়সু ওল্লরোই হায়দুনা থাঙ অনি পায়দুনা হোৎচিনখিএ। ১৪ নি শগোলশেন [এপ্রিল ২৩] দা নোংঙাল্লকপদগী হৌনা শোক্লববু নুমিদাং য়ুথক্কী মতম য়ৌরক্লবদা সাহেপনা চিনথংনা শগোল তোংবা ময়ামনা মৈতৈবু কোইরে। অদুদা পাওনা মেঞ্জোর, চোংথা মেঞ্জোর, সরদার পুম্নমা মপা মপা চোংশিন্নদুনা য়ানরে। গুলিনা পান্দুনা মী য়াম্না শিরে। সাহেপনা চিনথংদুনা অতৎপা নাইদনা তকশিল্লক্লে। অদুদা মাঙগী তেঙ্গোল মুৎলে। শিবদি পাওনানচিংবা - হিংবদি চোংথা মেঞ্জোরনচিংবা মী ১০০ [লা: ৪৯৩] রোম থাঙ-তেন্না শোকপা খরগা হিংখিএ। সাহেপকী তেঙ্গোন পনচীনসু য়াম্না শিরে। নুমিৎ তারবদা সাহেবকী তেঙ্গোলসু মখোয়গী তেঙ্গোন্দা হনজিনখিয়ে। অদুদা নিংগী তেঙ্গোল ৰাংখৈরাকপা, য়েনখোয়বা মেঞ্জোরনচিংনা কোনুংদা চেল্লকএ। [চৈ:কু:, ১৮৯১, ৪৮৯-৯৩]।

চৈথারোল কুম্বাবগী ৱারোলসিদা :- চৈথারোল কুম্বাবনা শান্নরিবা মিত্রংসিগী লমদাংদা মথক্তা মতেক-মতেক খরসু পঞ্জখ্রে। মসি চনখৎলিবা নুপা অদুগী মপুক থোক্কী ওইরম্লবদি ৱারোলশিং অসি মথক্তা পীজখিবা ৱারোল অনিদুগী অহানবা বাপম (শাৎপম)/লাংঙাথেল/খোংজোম লানগী লানফমগী ওইখিবা কেপ্তেন এফ:এম: রঙুলনা মথক থোংবশিংদা লানখৎখিবা টেবলদা শুংবা রিপোর্ট অদুগা চপ মান্নবা মওং-মতৌ অমসুং মখল-মথেলগীনি। ৱারোলসিদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরসি "পোইলা, পোইলা" হায়দুনা পীরি, অইবা মহাকসি "দরবারবু" "দোরবার" হায়না ইরিবসিদগী অদুম্মক ৱাফমসিগী মখা তাদ্রবসু য়ারে। হায়রিবা ৱাংখৈ মেঞ্জোরসিগী লান্দা-লাঞ্জঙ, লানঙাক- লানকন, লাম্থোঙ-লাল্লম, লাম্থেং-লানশোক্লনচিংবগী মরমদা থোইদোক্লা পল্লমদে, মরমদি, মহাক্লা পনগদবা, লীগদবা অতৈ লৈরি। মহাক্লা পন্দবা য়াদবগী পল্লিবশিংদুগী অশোয়বা - অরানবশিং থৈদোক্লম্লগা লৌখৎনীঙঙাই ওইবা খর লৌখত্তুনা মতীক চাবা মরম (শিং) পীদুনা-উত্তুনা থমজনীঙলিবদি :-

১) মসিমদি কল্লি হায়নসনু, থৌই শোন্নসনু হায়দুনা খোর্জৈ থারগা - "ৱাঙাং হৈতবনা মপা চৈবা শকই-" হায়দুনা শোয়দনা শিগনি খঙলবা লান্দা অমসুং লানফমদা খঙনা খঙনা মশা শিখিবা কিদনা, অথৌবা লান্দা-লাঞ্জঙলকপা, য়েক্লবগী মায়য়োক য়াদুনা লাম্মী - লাল্লোয় অমনা শিফম থোকপা মীশিদা শিজখিবা অদুগুম্বা মীশক অমগী অকন-অথৌ ওইবগী থাক, ফিরেপ অমসুং মিংচত্তা শোকহনবা অমদি মরৈপাক নীঙজবা, মমা লৈপাক্কীদমক্তা মথৱাই-হকচাং কখোকখিবা অশেংবা থৱাই অমগী মিংচৎ-উরোঙ্ খীনবদা অমসুং মহাক্কী ৱাফমশিংসি কুম্বাবা চনখৎলিবা অইবগী মবুকথোক্কী ৱাখল-লৌশীং অমসুং থম্মোইগী থৌয়িনশিনগী থৌরাং ওইরমদ্রবদি মতমগী তোবর্বান্দা হৌরিবা অইবগী মিংচৎকী মিংলেন-মিংফমগী উপাল অদুনা মতমগী ঈচেলনা য়ৈবদা তুখিবা থোক্লবদি উপালদুদা লঙজবা ওইগদ্রা নত্রগা মতম্না লালহল্লখিবা ওইগদ্রা?

২) পাওনা ব্রজবাসিনা মৈদিংঙু কুলচন্দ্রধবজ সিংহ অমসুং মনাও ঈবুংঙো যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা পল্লেন বৃটিশ তেঙ্গোলদা

লান্দারুনবা হাপখিবা মেঞ্জোর ফমসি চোংথামচা/চোংথা মুহোদরনা পায়রন্বা তোপ-মেঞ্জোরগী ফমনি। তোপ মেঞ্জোর হায়বসি নোংমৈ তোপ/কামন [Canon, Breach-loading gun], বমদীয়ার, [Shrapnell and Shell] জিঞ্জাল [নোংমৈ অরঈবী (Jinjal/Jinjil/Swoul-gun)] নচিংবা অচৌবা নোংমৈশিংসি কাপ্পনবা-লান্মীশিং/সিফাইশিং অমসুং নোংমৈশিংদুগী শীনবা লাংবা, পুথোক-পুশিন, পীবা-লৌশিনবা, শঙবা-থম্বা, য়েংশিন-চেকশিনবনচিংবা থবকশিংগী থৌবুরেন ওইবা; অমাঙ-অতা, অতেক-অকায়নচিংবা থোক্তনবগী থৌদাং লৌবশিংগী লুচিংবা অমসুং লানগী মতমদা অসিগুম্বা খুৎশৃ-খুৎলাইশিং কাপ্লিবশিংগী লাঞ্জিংলেন ওইবগী ফমথোন্নি। অদুবু কুম্বাবদা চনখৎলিবা মওং-মতৌসিদা পাওনা ব্রজবাসি মেঞ্জোরনা তোপ পুগে হায়রগা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগা ঈশম শম্না ঈওৎ ওৎশিন্ ৱাংখৈ মেঞ্জোরগী লান্মী-লুপ তোপ পুজে নীবগুম তৌবা মানহল্লিবা অমসুং অসিগুম্বা মথোঙ-মরম খঙদবা মওংসিনা মরৈবাক নীঙবা কয়াগী মিংচৎ থীহল্লি। খোংজোমগী লানবনগী লান্দদি নোংমৈ-অরঈবী/জিঞ্জাল অনিবু শীজিন্নদুনা বৃটিশশিংগী মথক্তা কাপ্তুনা শীজিন্নরি; অদুবু ককচীঙ অমসুং মনাওচীঙগী তেঙ্গোল সিফাইনা ৭০০ শাবসিদদি নোংমৈ-অশুবী [Musket], মার্টিনি-হেনরী রাইফল [Martini-Henry rifle] খরগা পীদুনা পল্লেন তেঙ্গোল দা লান্দাদুনা থুগায়রু হায়দুনা চোংথা মিয়া অমসুং পাওনা ব্রজবাসি মেঞ্জোর অনিদা পীবা য়াথংগা চপ মান্ননা পীদুনা থারকখিবনি। খোংজোম তেঙ্গোলগীদি য়েক্লবা বৃটিশকী গুর্খা সিফাই ৫০/৫০ না নাকন য়েৎ-ওয় অমসুং তুং [South, west and north] কোয়থৎ থৎচিল্লগা শগোল-লান্মী ৩০ না কোয়চেন চেন্দুনা মী অমতং হেন্দোক্লকপদা তান্নদুনা নোংমৈ কাপকদৌবগী লৈরিবা অমসুং মাঙলোমদগী/ নোংপোকলোমদগী গজ ১০০০ গী লম থাপ্ন া চীঙদোন্দা মাউন্টেন গন [Mountain gun] অনি থীন্দুনা বমদীয়ার মশীঙ ৪৭ লক কাপশিন্দুনা কোয়থিং থিংলবা মতমদুদা অহুল্লক হন্না লান্মী/সিফাই থাদুনা তোপ নীহনবগী ৱাফম পীবীরিবসিগী ওইথোকপা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বদুদি মোন্দ্রংগী লৈপাক্কী ৱায়েনবনা লেপ্পীরসনু।

৩) সনখ্যা মাইপাকস্না ৱাংখৈরাকপদা লাঞ্জিং-পুরেন ওইনা খা-মৈরম লাল্লমগী লানঙাকপা চৎপা নুমিৎ এপ্রিল ১৭ অসিদি বৃটিশকী মেজর লেস্লীগী

লান্মীসু থুংলদ্রি অদুবু নুমিৎসিদা মৈতৈ-তেঙ্গোল থাবা হৌবা নুমিৎসিদা পাওনা মেঙ্গোর অমসুং চোংথা মেঙ্গোরসু লান চৎহল্লে, অদুগা মখোয় এপ্রিল ২০ দা থৌবান্দা থুংহল্লিবসি ইম্ফালদগী থৌবাল চৎপসি নুমিৎ হুমনি চঙলিবসি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা চৎপদদি পুং ৮ লোমদা চঙলগা তৌরিবা মওংসিদা পাওনা মেঙ্গোর অমসুং চোংথা মিয়া মেঙ্গোরসি নুমিৎ ২নিগী মতমসি কদায়দা লৈরুবগে - হায়বসিগী পাউখুমসি পীফম লৈতে। অদুগা ঈঙ্গ্রেজগী পল্লেন তেঙ্গোন্দা লেফটেনেন্ট গ্রান্ট অনি শুবা [অমনা Lieutenent C.J.W. Grant, 2ND Battalion of Burma Regiment or 12th Madras Infantry অতোপ্পদুনা Lieutenent Grant, 2nd Battalion of 4th Gurkha Regiment অসিনি] অসিগুম খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ১৭ কী মতুংদদি চোংথা মেঙ্গোর অনি শুই [অমনা চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া পুরেন মেঙ্গোর অমসুং অতোপ্পনা চোংথা মিয়া সিংহ, মেঙ্গোর (অথু-অকায়গী হাপ্পা) অসিনি। মসিগী ৱাফমসিসু মচা খায়না তাক্কুনা ইবিবা ফৈ।

৪) ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরসি মৈতৈ সনা কোনুংদগী নিংথৌ যুবারাজনা ককচীঙলোমদগী চঙলক্কুনা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোলদা নীঙলোমদগী/ লুতুংলোমদগী লান্দারুনবা য়াথং পীদুনা এপ্রিল ২০ গী অহিংদা থারক্লগা নোংঙাল্লগা থৌবান্দা থুংদুনা চোংথা মিয়া মেঙ্গোর, পাওনা ব্রজবাসিনা য়েনখোয়বা মেঙ্গোর অমসুং চোংথা নিলমনি অয়া পুরেন মেঙ্গোরগা মাঙগী তেঙ্গোল শাননবা থৌবাল থাদোকখ্রবা মতমদা থোক্কুনা উন্নখিদবনি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবগী ৱারোলসিদদি - এপ্রিল ২০ গী নোংয়ায়দা ইম্ফালদগী লাক্কদবা মেঙ্গোরসিদা তাং ২০ সিদা ডাইরেক্ত স্পীচ শীজিন্নদুনা "ৱাংখৈ পোইলা নঙনা চিংবা ককচিং পল্লেন্দা চঙলো" হায়দুনা মশামক নুমিত্তুগী নুমিৎ লৈরিঙৈদা থৌবান্দা থুংলদ্রিবা পাওনা ব্রজবাসিবু ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরবু ককচীঙ-পল্লেন্দা লাঞ্জঙনবা য়াথং পীহলে। অদুগা হায়রিবা মতাংসিদা মতমসি পাওনা ব্রজবাসি মেঙ্গোর মশামক্লা থৌনা ফনা মাগী মশেন চোংথা মিয়া মেঙ্গোর অমসুং মখোয়গী সিফাই ৪০০ দুগা পল্লেন্দা লান চঙগে হায়খ্রগা মশানা হায়খিবা ৱা ঙাক্তনা করিগীদমক্তা খোংজোমদা তেঙ্গোল শারিবনো হায়বদু মথক্তা পঞ্জখ্রে, মৈতৈ অথৌবসি মীনা শিবনা চীন্দা, শানা শিবনা

খোঙ্গুন্দা হায়বা মৈতৈ অহল লম্মনশিংগী পাউরৌদু কাউখিবা মাল্লি। "লাইরেন্না মগুন ঙাকপদা লফুদা য়েত্তুনা শি" হায়বা ৱাফমসিদা চোংথা মিয়া মেঙ্গোরগা মখোয় অনিসিনা চীল্লেঙ- খারেঙ হায়দোকখিবা ৱাফমপ ওইবা তাখ্রে।

(৫) চৈথারোল কুম্বাবনা - "ৱাংখৈ পোইলানা চিংজিন্দা তেঙ্গোল পুদুনা চঙখিদুনা" - হায়বসিদগী ৱাখল লৈবা, লৌশীং ফবা খোংজোম পর্ববগী ওঝাশিংনা খুনুদা চীঙ্জীন/চীঙজেং হায়বনি খুনুদা চীঙদনি হায়না ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরবু ৱাংজীঙগী মমাঙ, হৈরোক্কী মনীঙ্ অদুৱাইদা লান থেংনহল্লি অমসুং মখোয়না হাত্তোকপী/শিহল্লি [(ন:শ:, ১৯৬০, ২বা - ১২); (ডা:চ:স:, ১৯৭০, ১৭৩-৭৪) ১সুং (রা:কু:স:, ১৯৭০, ১২৬-২৭)]। অসুম্না মফম-মরাং খঙদবা মখৈ পঙহায়দা হায়জিন্দুনা ৱাংখৈ মৈরাবা ৱাংজীঙ্ মমাঙদা শিবা অমা অমসুং মনাওচীঙদা শিবা অমা ওইনা অনি শুহনবীরি, মসিনা মীচম-মীয়ামদা লৌশীং লৌমাঙনবা পোকহল্লি।

(৬) মথক্তসু মতাং অমদা পঞ্জখ্রে, মদুদি, বৃটিশকী তুন্মু কোলম অমসুং মসিগী মাঙজীন থাবা লান্মী-লুপ [Advance troops] পু থিংননবা/ঙাক্লনবা মৈতৈগীসু খা-মৈরমগী লাল্লম লান্মী [South-easternly eastern force] গী তেঙ্গোলসি এপ্রিল ১৯ দা থারকপা মৈতৈ-সিফাই ৭০০ অসিগা এপ্রিল ২০ গী নুমিদাংদা থুংলবা চোংথা মিয়া অমসুং পাওনা ব্রজবাসি, মেঙ্গোর অনিনা পুরকপা ৪০০ গা থৌবাল তেঙ্গোল-তোমচীঙ মনাক্তা লৈরম্বদগী এপ্রিল ২১ গী অয়ুক্তা লাল্লমসিগী লাঞ্জিং-পুরেন সনখ্যা মাইপাকস্না/লোকেন্দ্রবীরজিৎ সিংহ, ৱাংখৈরাকপা অমসুং হাওবমচা মেঙ্গোরনচিংবা লাঞ্জিংবশিংগা লোয়ননা সিফাই ৪০০ থল্লল্লগা ৱাংজীঙদা তেঙ্গোল অমমুক মচীন/মমাঙ থংবা তেঙ্গোল ওইনা শাদুনা লৈরুনবা য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ মেঙ্গোর অমসুং চোংথা নিলমনি সিংহ অয়া পুরেন মেঙ্গোর অনিসিনা লাঞ্জিংলেন অমসুং লাঞ্জিংলেন-মথং/হিদং ওইনা সিফাই ৩০০ পুদুনা চোংথা মিয়া মেঙ্গোর অমসুং পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঙ্গোর অনিনা পল্লেনগী বৃটিশ লানশঙ-তেঙ্গোন্দা মনিপুর-বর্মা লম্বীরোমদগী লান্দারুগদবা লান্মী লুপ [Attacking/Invading Meitei/Manipuri Troops at/on Pallel British Advance Force through Manipur (Indo) - Burma Road] কী লাঞ্জিংলেন অমসুং

লাঞ্জিংলেন-মথং, মথং শিংনা ওইদুনা মখোয়গী সিফাই ৪০০ গা লোয়ননা পল্লেন্দা চংখিনবা খোঙহওমিন্নরক্লগা য়েনখোয়বা মেঙ্গোরনা লাঞ্জিংলেন ওইবা লান্মী লুপসিনা ৱাংজীঙ্‌দা তেঙ্গোল শাদুনা লৈহৌরগা চোংথা মিয়া মেঙ্গোরনা লাঞ্জিংলেন ওইবা লান্মী লুপসিনা এপ্রিল ২১ সিমক্তদা পল্লেন্দা লাঞ্জঙনবা লাকপদগী খোংজোম য়ৌরকপদা বৃটিশ লান্মীগী ঈ-পাউ ফংদুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমদনা নুমিৎসিমক্কী নুমিদাংদগী খোংজোম তুরেন মপানগী লমহাঙ-লমজাওদা লৈপন/ লৈরং- পল্লী তাখৎপা, লানখোং-লানকোননা খা, ৱাং অমসুং নোংচুপ মায়কৈ অহুম কোয়শিনবা লানবন-তেঙ্গোল শাদুনা লান ঙাক্লনবা লৈখিবনা খা-মৈরম লাল্লমসিগী পনমাঙ, পল্লক/পনয়ায় অমসুং পন্নীঙ-লানঙাক- তেঙ্গোলশিং- খোংজোম, ৱাংজীঙ অমসুং থৌবান্দা মথংশিংনা লানঙাক তেঙ্গোল অহুম লৈরগা পন্নীঙগী থৌবান তেঙ্গোন্দগী লান্মী খর খায়রগা থৌবাল অথোকপমদা লানচাক-লানশঙ শাদুনা লাঞ্চাক-তেঙ্গোল লীংদুনা এপ্রিল ২০ দগী লৈখিবনি। অদুগা চৈথারোল কুম্বাবনা এপ্রিল ২২ দা চোংথা মিয়া মেঙ্গোর অমসুং পাওনা তোপ মেঙ্গোর অনিনা খোংজোমদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে [চৈ: কু: ১৯৮৯, ৪৯১] হায়না পীরগা বৃটিশকী লান্মীশিংনা এপ্রিল ২৫ [তশেংনা তৌখিবা-থোকখিবদা] নত্রবসু এপ্রিল ২৩ [চৈথারোল কুম্বাবনা পীবদা (মথক্কীসিদা, ৪৯২)] দা কোয়শিল্লকপা অমসুং লান্দারকপগী থবকশিং তৌদ্রিঙৈ, এপ্রিল ২২গী লানগী ঈ-পাউ পীবদা - " খোংজোম তুরেন্দা মেঙ্গোর ২মনচিংবা তেঙ্গোন্দা পঞ্জাবীনা চিংদোন্দগী বমদিার ৩রক কাপথরকপদি য়ৌদে। ৪রক শুবদা তেঙ্গোন্দা তাই। অদুদা পাওনা মেঙ্গোর, চোংথা মেঙ্গোর ২মানা... মখোয়গী মরুনদি য়ৌরে। ঐখোয়গী মরুনদি য়ৌবা ঙমদরে হায়না পাউ হায়খিববু [তোপ] পীরক্তে। অদুদা পাওনা মেঙ্গোরনা হায়/ লৈপাক মচাশা [মখোয়গী] মরুনদি য়ৌরে চেন্দুনা শিবদি ফত্তে, ইবাই য়েনখোয়বা মেঙ্গোরনা পুকচেল ফত্তবা নীঙলবোই হায়দুনা তেঙ্গোল ময়াইদা থাঙ শত্তুনা কোইনা চংলে। ঐখোয় পুন্নমা হিংলরোই। মাইসু ওল্লরোই হায়দুনা থাঙ অনি পায়দুনা হোৎচিনখিএ" - হায়দুনা ঈরোই লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাননা হাৎপগী থৌদৌদা পাওনা তোপ মেঙ্গোরসি মমল য়াওদবা-লৈতবা মেঙ্গোরগুম থৌনা ফহন্নীঙবীবনা মাগী তেঙ্গোলগী সিফাইশিংদা মথৌনা লৈবা শাবা - উৎহল্লিবসি মীগী অকন-

অথৌগী মিংদা অমসুং মিংচত্তা কালি তৈশিনবীদুনা মিংদা থীবা থোকহনবনি, লান লাক্ত্রিঙৈদা বমদিয়ার কাপ্পকপা অমসুং নোংমৈ [তোপ/বমদিয়ার, অসিনচিংবা] মরু য়ৌরকপা- লৈকায় ফৌশুখোলনা খুবাক-কুরোল হুবনি অমসুং লান্থেংনদ্রিঙৈদা "থাঙ অনি পায়দুনা হোৎচিনখিবা" সি - নীংথম-থাগী নোংশানা নম পোকপনি, লান্দি মথংগী/মতুংগী নুমিৎ এপ্রিল ২৫/২৩ দা য়ৌরক্কদবনি - মীবু অঙাওবা তাহনবসি লৈপাক্কী পণ্ডিত ওইবগী লীচৎ নত্তে, [তৌরিবসি মনিপুরগী নীঙতম লানগীনি হরাও-কুম্মৈগী/তয়ামগী নুপী-অঙাংগা লোইননা য়েংমিন্নরিবা লীলা/ড্রামা নত্তে।

(৭) নোংমতদা থাবান [Date] অনি পানবসি/লৈবসি লুনিও-সোলার কেলেণ্ডর [Lunio-Solar Calender] চৎপশিংগীদি লৈ, অদুবু থাবাল্লোনগী কুম্বারোল [Lunar Year Calendar] চত্তবা নুমিৎকী খোঙচৎকী কুম্বারোন [Solar Year Calender] দা চৎপশিংগী থাবান অনি লৈবসি লৈবা য়াদে। অফিসকী নত্রগা হওখ্রবা থবক্কী মালহন্নবা থাবান চৎখৎনা [Date back] পানখৎপগী লৌনম-মীনম্বা থবকশিং তৌনৈ হায়দুনা কংয়েৎ [Dry argument/logic] তৌবসিনদি বৃটিশকী অফিসার ময়ামগী চীনখুম চপ মান্নরিবা অমসুং আর্মীগী/মিলিটরী অকক্লবা-অরেপ্পবা থৌরম-পরেং [Army/Military scheduled programme] গী মখাদা এপ্রিল ২৩ দগী তুম্মুদগী খোঙহওরকপা [Start তৌরকপা] তুম্মু কোলমগী মরু/মপুঙ ওইবা, লাঞ্জিং-পুরেন য়াওবা লান্মীনা হায়রিবা নুমিৎসিমক্তদা তুম্মুদগী পল্লেন য়ৌরকপা ফাওবসি হৌজিক্কী মতমগী জেট-হেলিকোপ্তরগুম্বদা লান্মী ময়ামদুগা লানগী নোংমৈ অচৌবা মাউন্টেন গন নোংমৈ অনি [অপুনবা ৪গী মনুংদা অনিদি মাঙজিন থাবা লান্মী, মেজর এস:সি: লেস্লীনা লাঞ্জিংলেন ওইবা তেঙ্গোলনা পুরক্লে] দুগা পাইরকপা য়াগনি, খোঙনা চৎপদদি হায়রিবসি ওইথোক্লোয়, থাজবীদ্রগনা, অমুক্তং খোঙনা খোঙচৎসি, লান্মী/মীগকা য়াওদনা ঈতোমতা লৌখত্তুনা চাংয়েং তৌবীয়ু। ...

(৮) পাওনা ব্রজবাসি, অথু-অকায়গী নত্রগা খঙহৌদনা লৈপাক্তা অৱাবগী/লান্দারকপগী/লানগী ঈরাং থোক্লকপদগী লান্মী ফম হাপ্পগী খুৎহাপ [Emergency Commission of Army/Military Officer/

Post] তা হাপ্পা তোপ মেঞ্জোর [Artillary Major] সিবু য়াম্না মথৌ খঙবা লান্মীগুম অমসুং থৌনা ফবা অমা ওইনা থাঙ অনি [য়েৎথাঙ-ওয়থাঙ : নোংমৈ মরক্তা নোংমৈ য়াওদনা থাঙ খক্তনদি শিবা নত্তনা উপায় লৈতে, অদুগা বৃটিশ রিপোর্টশিংনা পীরিবা - লেফটেনেন্ট কোক্সনা অরোয়বা ওইনা খোংজোম লানবন কায়রগা চীঙলোমদা (খেবচীঙলোমদা) তান্নরকখিবা, মহাকপু মার্টিনি হেনরী রাইফলনা কাপ্তুনা ওয়থংবা লেঙজুমদা শোকহল্লন্বা মীশকসিনা রা:কু: সনাহল গৃণেশ্বরনা খেবুচীঙ/খেবচীঙ চীঙখোঙদা শিরিবা পাওনা ব্রজবাসি (রা: কু: স:, ১৯৮৮- ৪১-৪২) সি ওইরম্লবদি মখুত্তা নোংমৈ পায়বসিনা অচুম্বনি, মরমদি, শগোল তোংবা লেফটেনেন্ট কোক্সনা নোংমৈ রিভোলভরনা কাপ্তুনা তান্নরক্লিবসিনদি মীশক অনিসি মিটর ৩০/৪০ গী চাংদা নত্রগা হেন্না লাপ্পবা মশানবা তাজরবা ৱাফম্নি; রাজকুমারসিগী মৈতৈ থাঙগী এদভর্টাইজ খর হেঞ্জিনবীরে] পায়রগা হোৎচিনখি" হায়বসিনা খোংজোম লানবন-তেঙ্গোলসিগী লাঞ্জিংলেন ওইরিবা চোংথা মিয়া সিংহ মেঞ্জোর [Chongtha Mia Major who commanded the Manipuri troops at Khongjom ... (N.K.S., 1983, 53)] সিবুনা মী নত্তবগুম তেঙ্গোল/লান্মী লুপ অমবু লুচিংলিবা,লাঞ্জিংলেন ওইবগী মথৌ খঙদবগুম অমসুং য়াম্না য়মখ্রবা মীতম্বালগুম শীঙথানদবা চৈথারোল কুম্বাবনা খোংজোম-লানফমগী অমসুং লানগী মিৎনা উবা পাউদম পীবীরিবসিগী মরুমদা য়ুখল/ফিজঙ/মায়খল অমা লৈব্রা হায়বসি খন্দবা ঙমজদে। পাওনা তোপ মেঞ্জোরসিনা মরাইবক ফদুনা চেল্লোয়, "মায়সু ওল্লরোয়" হায়রগা খেবচীঙলোমদা চেনবদা/চৎপদা [রা:কু: স্নাহল গৃনেশ্বরনদি "শামরামরোমদা... চঙখ্রে (রা: কু: স :, ১৯৮৮, ৪১) - হায়রগা খেবচীঙলোমদা চঙখিবা হৈরাংখোংজা মেজর, থাবল, অঙাংমচাবু .... য়েংলকপদা খেবুচীঙগী তময়াদা বৃটিশ তেঙ্গোন্না কোয়শিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবদু উরে.... ব্রজবাসিনা মখোয় অহুমবু কনগে হায়দুনা চেনশিল্লকই" হায়দুনা পীরি (মথক্কীসিদা, ৪১-৪২)]। বৃটিশকী শগোল তোংবা লান্মীগী লাঞ্জিংলেন লেফটেনেন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ: কোক্স [Lieutenent F.W.A. Cox] না তান্নরকপনি অদুগা মহাকপু পাওনা তোপ মেঞ্জোরনা নোংমৈনা কাপ্তুনা শোকহল্লগা তান্নবা ঙমহন্দ্রবদা কোক্সকী শগোল লান্মী অনিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা পাওনা ব্রজবাসি তুবনি [The Manipur, compiled

from the Columns of the Pioneer, Allahabad, 1891 (N.K.S., 1983, XXXXVII-XXXXVIII) : অদুগা কনাগুম্বা অখঙ-অহৈ অমনা পীবদা "মতমদুদা বৃটিশ তেঙ্গোলগী শগোল লান্মীগী লুচিংবা মকোক লক্ষ্মনসিং কৌবা মেজর অমা শগোল তোংদুনা থাঙ, তা নোংমৈ পায়বা অমদা বৃটিশকী জেনরেলনা হায়, মেজর সাহেব! নঙগী লাম্বানি নং থেংনৌ হায়খি - অসিনচিংবা" মথোঙ-মরম চাদবা, খঙদবা অমসুং মরী-মখোঙ শন্নদ্রবা ৱারী ময়াম অমা তোপশিল্লিব [(রা: কু: স:, ১৯৮৮, ৪৩-৪৪)] সিদা হংনীঙলিবা ৱাহংদি য়াম্না লৈখ্রে, অদুবু "লক্ষ্মনসিং" হায়বা হিন্দু/ইন্দিয়ান মিংসিনা গুর্খা সিফাই ওইরবসু বৃটিশকী শগোন লান্মীগী লুচিংবগী মমিং নত্তবনা মোন্দ্রং শান্নদুনা নেসনগী ইতিহাসতা লঙজবা অমসুং পাওনা ব্রজবাসি তোপ মেঞ্জোরগী অকন-অথৌগী লীচত্তা করেম-কথায়নবনি হায়না লৌদবা ঙমজদে। অদুবু লেফটনেন্ট কোক্সপু শোকহনবসিদা অখঙ-অহৈ অমনা "বৃটিশ তেঙ্গোলগী শগোল লান্মীগী লুচিংবা মকোক লক্ষ্মনসিংহ/লক্ষ্মনসিং কৌবা অমা .... পাওনা ব্রজবাসিনা ... মঙক ককতুনা হাংখি" [মথক্কীসিদা, ৪৪] পীরিবসি বৃটিশকী লানফমসিগী অশিবশিং অমসুং অশোকপশিংগী মমিংশিংগী মনুংদা লক্ষ্মনসিং মেজর য়াওদে, লেফটেনেন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ কোক্সকী মমিংদি অশোকপশিংগী মনুংদ য়াওরি, মসিগী ৱারোলদি :-

From Viceroy to Secretary of State

April 28,1891

Manipur, Tammu Column, Graham reports from Pallel, 29 miles from Manipur, that, on the 25th, a reconnaissance under Captain Drury, 2nd Battalion, 4th Goorkha Regiment, discovered enemy, about 1000, strong in an earthwork on plain five miles north of Pallel. The line of retreat was closed by Captain Drury, and Graham then attacked enemy with 350 2nd Battalion, 4th Goorkhas and 12th Madras

Infantry, under cover of fire of two guns, and after hand to hand fight captured the earthwork, which the enemy defended with great stubborneness, losing 128 killed in and near the work, and many more in the pursuit by mounted infantry. Our troops behaved spendidly. The casualities were -

A) Killed,

1) Jemadar - Adjutant Kiruram Gurung, 2nd Battalion, 4th Goorkhas,
2) One private, 2nd Battalion, 4th Gurkhas

B) Wounded,

1) Captain F.M. Drury, 2nd Battalion, 4th Goorkhas
2) Captain P.M. Carnegy " " "
3) Lieutenent C.J.W. Grant 12th Madras Infantry, severely in the neck
4) Lieutenent F.W.A. Cox " " " " " shoulder
5) Subadar-Major Kurpatti Gurung 2nd Batallion 4th Gurkhas, severely
6) Jemadar Birbal Nagarkoti,43rd Bengal Infantry (P) severely
7) Sepoy
8) Sepoy
9) Sepoy
10) Sepoy
11) Sepoy
12) Sepoy

Total, two killed, twelve wounded

Correspondence Relating To Manipur (London, 1891), P. 78 [চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৪৯৩]

অসিনি। অদুগা মরাইবক থীরবা চোংথা মিয়া মেঞ্জোরসু লানফমদুদা শোক্তুনা অৱা-অনা, অশোক-অপন নঙলিবনি, অদুবু অশোকপা অমা ওইদুনসু হেক মথন্তা শিজবদি ঙমদবনা, মরমদি, তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন অমা ওইরুবনা মহাক্কী মখাদা লান শোক্করিবা মীশিংনা লান্দা মায়থীরবদা য়েক্লবশিংনা হাৎপীখিগদবদগী কন্ননবা হোৎনবা অমসুং লানফমদা অশোক-অপন থোক্লবা লান্মীশিংবু খুদোংথীরোয়দবা মফম নত্রগা অশোকপা লাইয়েং-লাইকন্নবা মফম, লাইয়েংশঙ নত্রগা অদুগুম্বা মফমদা পুননবগীদমক্তা মশাদা খুৎলাইনা শোক্না-শোক্না অনাবা চৈনাখোন খল্লুবা শংদনা মাগী লান্মীশিং, অশোকপা-শোক্তবা পুম্নমকপু খুদোং থীবদগী নাম্থোক্লবা মৈতৈ লান্মী/সিফাই ১০০ রোম পুদুনা ৱাংজীঙ তম্না লাঞ্জেল্লক্তুনা পনয়ায় তেঙ্গোল য়ৌরক্লবদা তেঙ্গোন্দুগী লান্মী পুন্মক লাঞ্জেনখিরন্নদুনা অমুক থৌবালগী পন্নীঙ তেঙ্গোলদা কারকপদসু লান্মী তেঙ্গোলশিংদু খোংজোমগী তেঙ্গোল অমসুং লানবন থুগায়খিবগী পাউ ফংখিদুনা অমসুং মৈতৈনা শোয়দনা মায়থীরগনি হায়বা উরদুনা মতম থেংজিল্লক্লবদুদা তেঙ্গোল-লানশঙ থাদোক্তুনা "লান মায়থীবদা লান্মী মীয়াম শিহনগদবগী মহুত্তা মখোয়গী মপুন্সি কলহৌবনা ফৈ অমসুং লাঞ্জিংলেন অমদি লাঞ্জিং-পুরেন/লাঞ্জিংলেন-পুরেনশিংগী মথৌনি" খঙলবা সনখ্যা মাইপাকস্নানা য়াথং পীদুনা মৈতৈ কোনুংদা লান হন্নখিবনা লাঞ্জিং-পুরেন মশা অমসুং লাঞ্জিংলেন/লাঞ্জিংবশিং- য়েনখোয়বা রুদ্রসিংহ মেঞ্জোর, চোংথা নিলমনি সিংহ, অয়া-পুরেন মেঞ্জোরনচিংবগা লৈরমদ্রবনি। মরম অসিনা চোংথা মিয়া মেঞ্জোরনা মাগী মীশিংদু পুদুনা থৌবালদা লানগারকখিবনি। অশোকপা, অনাবগী চৈনারোল পুরিবা/লোইনরিবা মীশক অমনা নুমিদাং পুং ৯/১০ তাবদগী খোংজোমদগী ৱাংজীঙ, থৌবালনচিংবা লান্দুনা খোঙনা লাক্লগা অহিং অমতদা থৌবালদা থুংনবা লাকপদা ফংলমগদবা অৱা-অনাদু ৱাখলনা লাকশিন্দুনা য়েংবীয়ু। অসিগুম্বা পুম্নকসি খঞ্জিন্দুনা থল্লিবা - "শিবদি পাওননচিংবা - হিংবদি চোংথা মেঞ্জোরনচিংবা মী ১০০ রোম থাঙনা-তেন্না শোকপা খরগা হিংখিএ [মথক্কীসিদা ৪৯২-৯৩] হায়না লোন্দা-পুদা, ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসিনদি অইবদু লৈপাক- মীয়ামগীদমক মশা কখোক্তুনা থবক তৌগে, মমা লৈপাক্কীদমক্তা থৱাই থাদোক্তুনা শিদোক্কে খল্লবা-লেপ্পবা মীওইশিংদু/মীশকশিংদুগুম শিবা ঙল্লোয়দৌরি।

৯) য়াম্না খঙবা-হৈবা শাবীদুনা চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎলিবা/ইখৎলিবা মীশকসিদা খোংজোমগী লান লোয়বগী মতম পীবদা "১৪ নি শগোলশেন (এপ্রিল ২৩) দা নোংঙাল্লকপদগী হৌনা শোক্লববু নুমিদাং য়ুথক্কী মতম য়ৌরক্লবদা সাহেবনা চিনথংবা শগোল তোংবা ময়াম্না মৈতৈবু কোইরে" [মথক্কীসিদা, ৪৯২] অমসুং - "নুমিৎ তাক্লবদা সাহেপকী তেঙ্গোলসু মখোয়গী তেঙ্গোন্দা হঞ্জিলখিয়ে" [মথক্কীসিদা, ৪৯৩] - হায়না পীবীরিবসিবু মৈতৈগী মতম পাবগী য়ুথক ৮গী তাংককশিং, (১) নোংঙানবা য়ুথক, (২) অয়ুক্কী য়ুথক [নুমিৎ য়ুংবা তানবা] (৩) নুমিৎ য়ুংবা য়ুথক, (৪) নুমিদাংৱাইরমগী য়ুথক [য়াচঙবা/নুমিৎ-তাবা তানবা], (৫) য়াচঙবা/নুমিৎ-তাবা য়ুথক, (৬) নুমিদাংগী য়ুথক নত্রগা নুমিদাং [অহিং-নোংয়ায় তানবা], (৭) নোংয়ায়গী য়ুথক [নুমিদাং অমসুং অহিং অনিগী ময়ায়] অমসুং (৮) নোংঙাল্লমদায় য়ুথক নত্রগা অহিং [নোংঙানবা তানবা] - অসি নীঙথিনা খঙবীদবা মাল্লি, মরমদি, মথক্কী কোটেসনগী মতমসিনা য়াচঙ্বা/নুমিৎ - তাবদগীনা নোংয়ায়গী মরক্তা/ময়ায়দা লৈবা, নোংমা [অয়ুক-নুংথিল অমগা নুমিদাং-অহিং অমগনা শাবা] সি পুং ৬৪ না শারগা য়ুথক অমমমদা মৈতৈ পুং ৮/৮ [হৌজিক্কী পুং ২৪ না শাবসিদা পুং ৩/৩] লৈবগী মওংনি। মরম অসিনা হৌজিক্কী মতমগী পুংসিদা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৫.৩০ (I.S.T.) দা য়াচঙলবদি/নুমিৎ তারবদি নুমিদাংগী য়ুথকসি নুমিদাংগী পুং ৭ তগী পুং ১০ ফাওবগী মতমসিদনি। অদুগা অকোনবগী কোটেসনসিদা নুমিৎ তারবদা/তাবদা" হায়রবনিনা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ৫.৩০ অসিদনি। অদুগা অমুকসু অহানবগী কোটেসনগী মতমসিদদি লান লোয়দ্রি, "হকথেংনা খুৎকা খুৎকা খুৎলাই পায়দুনা য়ান্নবা হৌগদৌরে" হায়বা মতমনি। মরম অসিনা অসিগুম্না ফৈরেং-তুরেং তৌদুনা মনিপুরগী ইতিহাসপু লান্‌না উহল্লিবা পণ্ডিতসিসু, ঈডিট তৌবগী ঈডিটরগী নত্রগা সম্পাদক্কী মথৌ-মওম খঙদনা সম্পাদক/ঈডিটর [Editor] ওইবীরিবশিংগী তৌবীমলগী মরম তুংলমচৎকী মীরোন্না খঙনা পীজরক্কনি।

অসিশিংসিনি। অসুম্না চয়েৎ-খোয়েৎনবনা মপৈ ওইনা পৈশিন্দুনা লৈরিবশিংসিগী মরকসিদা - ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা খৃ: ১৮৯১ গী মনিপুরগী নীঙতম- লাঞ্জাওগী লানগী লানফম পুন্নমক্তা/খুদিংমক্তা শোক্লখিবা লানগী লানওংদগী লাঞ্জিংলেন অমা ওইনা মথৌ তৌবা, পাংথোক্কদবা মথৌগী

থৌদাং লৌবদা, লান্মী অমা ওইনা মথক থোংবনা পীবা য়াথং থবক ওইনা ওন্থোক্লবগী খোঙজঙদা অমসুং মখা থাবা লান্মীশিং ঙাক্লবা-কন্নবা হোৎনবদা মায়থীরে/ মায়থীগদৌরে হায়দুনসু লানফম থাদোক্তুনা চেনখিদবদা, মরৈপাক-মজাতিগী নীঙতম্বা ঙাকপদা অমসুং মশাগী অকন-অথৌগী মশক ময়েক শেংনা তাক্লম্বগী থাক পুম্নমক্তা মঙোন্দগী কনানসু হেনখিবা লৈতে। তেঙ্গোল/লানবনগী লাঞ্জিংলেন ওইদবা লান্মীনা থৱাই শিবা পাম্মুদুনা লানফম/লানবন থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখিবা নত্রগা তুংগী ৱাখন্দা লান্থেখিবা অয়ম্বগী লমচৎনি- হায়না লৌনীঙঙাই ওইদে। অদুগা লানফমদা মশানা হায়দোকখিবা ৱাফম্বু “লল্লোনবীনা ৱাশকপা খোংবান অমা চোংলগা কোকই” হায়বগুম লাঞ্জিংলেন নত্তে হায়দুনসু, ঙাক্লবদি লানফম মায়থীবদা নত্তনা পুন্সিগী লানফম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙল্লোয়। নুমিৎ ফনা ওইদুনসু নোংজু পান্থাদা অমুবা নোংগী লৈচীন্না খনবদা মঙান শন্দোকপা, নুংশা থোকহনবা ঙমদে। মরম অসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরগী পুং ৪/৫ দং শোক্লখিবা লানগী লানওং অসিনা থল্লল্লিবা ফিদমদি - “সনা কোনশেং ফনা শেংবা ওইদুনসু মশাগী ৱাশক্কী, ৱাঙাংগী, মশানা য়াখিবা তৌগনি, চৎকনি হায়খিবা, লৈপাক্কী থৌগায় ঙাকপা-পুবগী থৌদাং লৌবগী অৱাবা, খুদোংথীবনচিংবা কয়া মায়রোঙ য়াবগী কোনশঙ মৈফমদা চঙদুনা শেংদোক্লিবা মখৈদি সনাগী অশেংবা মশেক, মঙাল অমসুং মচু খক থোক্লক্লোয়” হায়বসিনি। চীরোন-খারোন্না থাক ৱাংবা, চীন কনবা, চীনফেন ফবনা অচুম্বা শকপা; ৱাচৎ-ৱানোম্না, নত্তবা ঈ-পাউ শন্দোকপনা ইতিহাসকী লামায়দা নীঙথিবা শক্তম কয়া য়েকপা, ফিজঙ খন্দুনা অঙানবদা লৈবা লাইবু ফিজঙ মনুংদা লৈহন্দুনা থিরুবদি ফিজঙ মৈনা চাকখিবা নুমিত্তুদা লাৎলুরিবা লাইদুগী মশক-মশা শোয়দনা উরক্কনি অমসুং অচুম্বনা মতোমতা মশক উথোকচরক্কনি।

ৱাখোম-ৱাখৈনবা

অথৌবনা অমুক শিবদা অয়ম্বনা চামরক শি অদুগা চামরক শিরিবা মহাক্কীদি মমিং পন্নদে, লৈতে; অমুক্লকখক্তং শিবা মহাক্কীনা মমিং শোন্নে, লৈ, মিংচৎ নাই, মহাক মহাক্তুনা শিখিবগী মরম, মতম, মশীঙনচিংবা শীঙথাবদা-থিবদা মীশীঙ অমসুং চিথদনা-কান্দনা শীঙথানৈ। মসিমক, ৱাংখৈ

মৈরাবা, মেঙ্গোর মৈতৈ-স্না কোনুংদগী মৈতৈ-সিফাই ৭০০ [চাতরেৎ] পুরগা পল্লেন্দা বৃটিশনা মেজর লেস্লীগী মখাদা শারিবা তেঙ্গোন্দা লান্দাদুনা থুগায়রুনবা চৎখিবদুনা লান্দাননবগী লম্বীগী পরীংদা ককচীঙ-খুল্লেনগী খুল্লক্তা বৃটিশনা লাল্লুন্নদুনা খুৎ থোক্লবদা অতৈনা চেনখ্রগা শুপ্পগী মৈতৈ-সিফাই ১৯ খক্তুংগা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগা লোইননা লান্থেংনহৌবগী ৱারোল চৈথারোল কুম্বাবনা পীবীরল্লিবসিদগীসু, খুদম-চাংদম অদুম্মক উবা ফংই। অদুবু হায়রিবা লানফমসিদা মশা য়াওবা বৃটিশ লাম্মীগী অফিসার অম [কেপ্তেন এফ:এস: ড্রুরী, ৪শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী অনিশুবা বেটালিয়ান (Captain F.M. Drury, 2nd Battalion of 4th Gurkha Regiment), মনিপুর ফিল্ড ফোর্স, ফিল্ড ওপরেসন - মনিপুর, ১৮৯১ (Manipur Field Force, Field Operation - Manipur, 1891) ওইরম্বা য়াই] না হায়বদদি - মখোয় মৈতৈ সিফাই ৭০০ তু নুংথিল-পোবোপ্তা বৃটিশকী সিফাইশিং উবদা অঙকপনা কোয়ঙাওনহনখ্রে অমসুং লান্থেংনদনা মায়কৈ শল্লাই খঙদনা কোয়চেন-চেনখ্রে [On the morning of the 23rd he (Major Leslie) took out with him a party o f 150 Gurkhas, the Mounted Infantry... and arrived at the village at day-light. The enemy were taken by surprise and fled in all directions; making no resistance, the great majority escaping into jungle with their arms] - হায়না পীরি। চেনববুদি চেনখি, অদুবু "মখোয়বু অয়ুক-নুংথিল পোবোত্তুদা উরগা অঙকপনা কোয়ঙাওনহন্দুনা" গকা হায়জিন্দুনা মখোয়বু য়েক্লব [মৈতৈ] গী মফমদা/মথক্তা খুৎলাই থারমখিগনু হায়বা ব্রিগেডিয়ার/মেজর জেনরেলগী য়াথংগী মায়য়োক্তা হান্ননা লুমদুনা লৈরগা খুৎলাই থাবগী মরাল কুপশিল্লিবনি - হায়দুনা মশা মতোমতনা মশা মথন্তবু মীনমজরিবা করিনো? য়েক্লবা মখোয় বৃটিশকা লান্থেংনগনি হায়দুনা লাক্লগা মখোয়বু উরগা ঙক্কদৌরিবা, কিগদৌরিবা নত্রগা পাখৎকদৌরিবা করিগীনো? মখোয়না হুরান লান-না তৌদুনা হান্ননা লোত্তুনা লাল্লুন্নল্লগা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা খংহনখিবদগী থোক্লকখিবা অথু-অকায়গী অরাক-অখং' গী থৌদোক্কী ওইবা শাথোক-লান্থোক্কী ৱাফম্নি। অদুবু বৃটিশ মচাসিনা মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা

লান্মীগী অয়াম্বা শরুক্কা চেনখি - হায়বদুদি চুম্বনা চৈথারোল কুম্বাবনা মী ৩০ রোম খক্তংগা হকথেংননা লান শোক্লে হায়দুনা পীরল্লিবনি। অসুম্না চেনখিবা লান্মী ৬৫০/৬৭০ রোম অমসুং মখোয়বু পানবা/শেন্নবা ফম্নাইবা [কোথোন্দার, কুট, জমান্দার, অসিনচিংবা নত্রগা লাল্লুপচিংবা, শেল্লুং-কৈরুংবা, লুপলাক-শঙলাকপা অসিনচিংবা] অমতগী মমিং, মফম-ফমথোন্নচিংবগী মমি তাদ্রিবা অমসুং মমিং তাহন্দনবা মুথৎখ্রিবা-লোৎখ্রিবা অসিনি। মফম-ফমথোন' মঙাল নাইজদ্রিবা, নহা ওইরিবা, চহি ৩০ রোমদা ঙাইজরিবা সিফাই অমনা মশীঙ হেনখ্রবা বৃটিশ - লান্মীশিংগী লানগী চৈথেং খাঙবদা মনাওচীঙগী মপা লান্থোক্তুনা লান্নীঙ-হল্লকপা, লাঞ্জেন-লান্থেরকপদা বৃটিশকী শগোল লান্মী ৪০ গী মনুংদগী খরনা তান্নরক্তুনা মতোমতা চোয়জায়ননা হাৎখিবা [হৌজিক-হৌজিক (খৃ: ২০০২) কবর লৈরিবা মফমদা অশিবা মশা তাদুনা লৈরম্বা] মহাক অদুফাওবা য়ুম্নাক-শাগৈ, মমিং-মথামরুচিংবা অমতা খঙহৌদ্রবসু মহাক অমা মফমদুদা বৃটিশনা নুমিত্তুদা তান্নরক্তুনা হাৎখি হায়বদুমদি খঙহৌ-উহৌবা নত্রগা অশিবা মশাদু থেংনহৌবা-উনহৌবা অদুম য়াওদুনা ঙসি নীঙশীংনরক্লি। অদুবু মশীঙ য়াম্লবা ৬৫০/৬৭০ দুদি মী ওইনা পোক্লকপগী অমুক্তিং শোয়দনা শিননবা পীথোক্লক্লবদুগী শিগদবা লৈবগী ফিবম থোকপগী তাঞ্জা/মতম/ মশরুক লাক্লবা/ওইরক্লবদুদা মরাইবক ফবনা মমা লৈপাক কনবা-ঙাকপগী লানফমদা শিবদুগী খ্বাইনা শকখঙনগদবা, পুন্নমক্না মখুৎ থেক্তুনা শীঙথানগদবদু অয়ম্বা মরমচৎকী মীকিথী-মীতম্বাল ওইরুবদুনা শিফম থোক্তনা ১০০রক শিরুবনা কনানসু মমিং পন্নবীদনা, নীঙশীংনদ'- শীঙথাবীদনা অমসুং মী ওইনা পোক্লম্বগী কনানসু শকখঙনদ'- শোন্নবীদনা লোক্তাক পাত্তা থুম্পাক থাদবগুম তুমদুনা মাঙখি। অদুবু মসিনা য়েক্লবা বৃটিশকী মশা কঞ্জনবা উপায়/পাম্বৈ ওইহল্লি।

মথক্কী ৱাফমসিদা বৃটিশকী মেজর সার চার্লস লেস্লী, বৃটিশ এডভান্স ত্রুপস নত্রগা পাইওনিয়র সেক্সন [Advance Troops or Pioner Section of British (Tammu Column)] না ২-৪ শুবগী গুর্খা সিফাই ১৫০ অমসুং [২শুবা বর্মা বেটালিয়ান] ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রীগী শগোল-লান্মী ৪০ গা লোইননা ককচীঙ খুল্লেন্দা লাক্লিবসি করি মরমগীনো, করি তৌবা লান্মী অসুপ য়াম্না পুরগা লাক্লিবনোনচিংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম

লাকপদা/থল্লকপদা লান শোক্লবা লাক্লিবনি, হায়বসি মশান চোংথোকচরকই, মরমদি, মসিদা বৃটিশকী শগোল লান্মীগী অহানবা মথৌনা য়ৌবা ঙমদবদুগী অনিশুবা মথৌনা মশাগী মথৌ-মঙম কুপখৎপা তান্নদুনা মশক উৎলক্লি। ৱাফমসিনা পুরক্লিবদি - মহাক্কী শগোল লান্মীগী অহানবা মথৌনা পাউ পুরকপা ঙমদ্রবা মৈতৈ লান্মীনা ককচীঙ-খুন য়ৌরকপগী ঈ-পাউসি মেজর লেস্লীনা করম্না ফংলিবনো? পাউ ফংদনদি অসুপ য়াম্বা লান্মী পুরকপা অমসুং হান্ননা লাল্লুমদুনা লৈবা নত্রগা ককচীঙদা লাকপগী মথৌ তাদে/চঙ্দে, বৃটিশ মশা কঞ্জনবা মথক থোংবগী য়াথং ইন্দবগী/ঙাক্তবগী চৈরাক/মীচৈ/ পনিস্মেন্টে ফংগদবদগী নাম্থোক্লবা ফনা য়াম্না হায়জদুনসু মখোয়না অয়ুক্তা শগোল লান্মী ৪০ দু নত্তনা গুর্খা সিফাই ১৫০দু পুরকপসিনা মখোয় লাল্লুম্বা লাকপনি হায়বসি চেনবা য়াররোয়দবা খুদম ওইরবনি, নত্রগা খুদম- চাংদমনি সাক্লিনি। অদুনদি মখোয় বৃটিশনা মৈতৈ লান্মীনা ককচীঙ খুন [খুল্লেন অমসুং ৱাইরী] য়ৌরক্লে- হায়বসি করম্না ফংখিরমগদগে? ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী এপ্রিল ২২ গী নুমিদাংগী মৈতৈ হেঙুবোম-আরাম্বাইগী থৌদোক [The episode] অসি থোক্লমদ্রবসু/থোক্লল্লবসু ৱাংখৈ মৈরাবনা ককচীঙদা মৈতৈ লান্মী পুদুনা লাক্লিবদু ককচীঙ [খুঞ্জাশিংবু] হাৎপা লাক্লিবনি হায়না নত্রগা ৱাফমসিগীদমক্তা ককচীঙ [খুঞ্জাশিং] বু বৃটিশনা কোয়শিন্দুনা চুল্লাং/চোল্লাং পাত্তা নত্রগা মফম অমদা থল্লগা কনখিবনি হায়না পাউ শন্দোক্লল্লিবা/ তল্লল্লিবা [ককচীঙগী নত্রগা ওইনীঙৰা মফম অম্নগী] মশক-মমিং তাক্লমদ্রবা/ তাকনীঙদ্রবা/হায়জীন্নরল্লবা অহনশিং/মীওইশিংগী মথৌদাংনি, থৌরাংনি অমসুং থৌরাংদুগী ফংফম/লৌফম থোকপা মহৈদু ফংদনবা অমসুং মদুদগী নাথৈনবা/ নাম্থোক্লবা শারৌ-খুজীন্নি, মরমদি, পল্লেন্দগী মাইল মঙারোম [কিলোমিটর নিপাল্লোম] লাপ্পা অৱাং-নোংচুপলোমদা লৈবা ককচীঙদা এপ্রিল ২২ সিগী অয়ুক পুং ৮/৯ তাবদা থুংলবা অমসুং লোন্না চোল্লাংপাত্তা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরিবা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী লান্মী তেঙ্গোল অসিগী ঈ-পাউ করম্না অসিগুম্বা ঈ-পাউ [শিং] কোয়থি-থিরিবা, কোয়খোম-খোল্লিবা অমসুং কোয়য়েং-য়েংলিবা বৃটিশকী লেফটেনেন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ: কোক্স [Lieutenent F.W.A. Cox] না লুচিংবা শগোল লান্মী ৪০ না পীদনা কনানা পীরমফম থোকপগে, পাউ পীরল্লবদি মশা কঞ্জনবা, হিংননবা মীনম্বা/লৌনম্বা/শাজিন্নবা- হায়জিনবা ঈ-পাউ করম্না শন্দোক্লোয়দবা

লৈবগে, মরমদি মখোয়গী নেসনগী মরমদমগী/মরৈপাক্কী নত্রবসু য়ুম্বু-কাংবুগী অমসুং মফমসিগী ঈশিং থক্লবা, মফৌ-মচেঙ চারিবা লমদমসিগী মফমদুগী য়েক্লবনি, বৃটিশতা অরোনবা পাউ পীবা মী [Secreat Intelligence Men/Agent] নি/মীওইশিংনি, অদুনদি, নত্তবা-ওইদবা হায়জিন্দুনা ককচীঙ খুঞ্জাশিংদা উৎ চায়বা তাই নত্রগা মরালদুগীদমক্তা কিজবনা বৃটিশতা ঙাকপী-শেনবীনবা হায়জ-নীজদুনা মখোয়না হায়জবগুম তৌবীরম্বসু য়াই, মসুম্না হায়রিবা খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ-এপ্রিলগী ৱাথোক-লান্থোক অমসুং লাঞ্জাও-লানঙাক্কী মতমসিদা মৈতৈ মচা/মনিপুর মচা ওইনা ওইনা য়েক্লবা বৃটিশকী মী/মীচঙ ওইরকপা, খুদম ওইনা খুরাইদা লৈরম্বা মোইরাং তোঞ্জাও [চৈ: কু:, ১৮৮৯, ৪৯৪-৯৫], খুমন্থেম্বা পাথর সিংহ,[মমৈদা ইন্টরপ্রিটর/দোভাষী], থাঙজম খেলেন্দ্র সিংহ, সুবেদার, সুর্মা ভেলী পোলিস [Th. Khelendra Singh, Subedar of the Surma Valley Police] (ডা: চ: স:, ১৯৭০, ১৭২) অমসুং চীঙমী-হাও কয়া [মথক্কীসিদা, ১৭২] অসিশিংসি অতাঙবা নত্তে, মরমদি, মশাগী ওইজবা থিবদা অকুৎপদা লৈতৌবা অমসুং অৱা-অনা নঙলিবদুদা লু কোকপদা লেন তাহনবা নত্রগা তাবা নঙহনবা মীওইবগী হৌনশানি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী খুৎনা লান্থেংনখিবা চপ চাবা বৃটিশকী লান্মী মশীঙ

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা মৈতৈ-সিফাই ৭০০ পুদুনা ককচীঙলোমগী লাম্থোঙদা লাঞ্জঙদুনা পল্লেন্দা শারিবা বৃটিশকী খোঙমী ২-৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী সিফাই ৪০০ রোমনে, ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রীগী খোঙমী সিফাই ১০০ অমসুং শগোল-লান্মী সিফাই ৪০ অমদি নোংমৈ অচৌবা মাউন্টেন গন অনি [Two Mountain guns of No.2] [মখোয়দু কাপ্পনবা তোপ-সিফাই শিখ-পঞ্জাবী ৫০] গা কম্মিসন অফিসার ১২ অমসুং নেটিভ নন-কম্মিসন অফিসার [Native non-commission officer] কয়ামরুম য়াওবা লান্মী তেঙ্গোল [N.K.S., 1983, XXXXI] দুদা লান্দাদুনা বৃটিশ তেঙ্গোলসিগী মাঙলোমদগী বর্মা রোডতা লাক্তুনা লান্দারক্কদবা মৈতৈ-স্না কোনুংদগী চোংথা মিয়া, মেঞ্জোরনা লাঞ্জিংলেন ওইরগা পাওনা

ব্রজবাসি, তোপ মেঞ্জোরনা লাঞ্জিংলেন-মথং অমসুং খুম্বোং মেঞ্জোর, হৈরাংখোংজা মেঞ্জোর, চীঙলেনম্না/চুঙ্গোয়ম্না ফুঙ্গনাই শঙলাকপা, থাবল অমসুং অঙাংমচানা লাঞ্জিংবা ওইবা অমদি লোইতোংবা জমান্দার, কৈশা জমান্দারনচিংবা য়াওবা লান্মী ৪০০ পুদুনা চৎখিবা লান্মীদুনা পল্লেন্দা তেঙ্গোন্দা লাঞ্জঙলকপা ঙমদদুনা খোংজোমদা মখোয়গী লান্মী ৪০০ দুগা মৈতৈগী ৱাংজীঙ-পনয়ায় তেঙ্গোলগী লান্মী ৩০০ গা পুন্দুনা খোংজোমগী লমহাঙ-লম্পাক্তা মৈতৈ সিফাইনা মনুং-মপান অমসুং মনাক্কী চীঙদোন্দা পনয়েং-পনঙাকপা লান্মীশিং থম্বা খোংজোমগী লানখোং, লানকোম অমসুং লৈপাক-লৈরং পল্লীনা কোয়শিনবা, মনুংদা মৈতৈ-সিফাই ৪০০, মপান্দা ১০০ অমদি মৈতৈ অৱা-লম্বী [মনিপুর-বর্মা রোড (Manipur/Indo-Burma Road)] দগী নোংপোকলোমদা গজ ৫০০ [454.54 metres] রোম লাপ্পা চীঙদুম-চীঙদোন্দা মৈতৈ সিফাই ২০০ রোম্না মিৎশেন-মৈরিংদুনা লানয়েং-কাই লানশঙবা ওইনা ঙাক্লিবা লানবন-তেঙ্গোল শাদুনা লৈথোকখ্রবা, শীন্নখিবা লাল্লম-লান্থোঙ কায়রবা অমসুং পীখিবা য়াথং নত্রগা চৎকনি/তৌগনি হায়না পীরম্বা য়াথং/ৱাহৈ ঙাক্লক্ত্রবা নত্রগা মশাগী মথৌ, থৌগায়, থৌদাংনচিংবা লাল্লম-তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন চোংথা মিয়ানা শিবা কিমনবদগী ঙাক্ত্রবা নত্রগা পাংথোকপা ঙমজদনা তোল্লবা অয়ম্বগুম ফম্লগা মখুৎ পুন্বায়নদুগুম পুন্বায়দুনা লৈখ্রবদা অমদি থৌনা ফবা মী য়াওরবা ফাওবদা মৱা-মপাউ নাইখিদ্রবনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী তেঙ্গোলসিগী মী ৩০ মুকসিখক্তনা অততায় নত্রগা থাদোক-হুন্দোকফদ্রবা, পোল্লকপদগী মশরুক ওইরক্লবা অমসুং মপা-মপুনা থম্বীরম্বদগী কান্থোকপা-কাওথোকপা য়াদ্রবা মথৌ/থৌদাং ওইনা লান্থেংনবা তাখি অমসুং লান শোক্লখি। তশেংনা খুৎলাই থানখিবা মোইরাং পল্লী লান্থোঙ- লাল্লম [Moirang Pallee Column/Section] গী নত্রগা ককচীঙ সেক্তরগী লান শোক্লখিবসিদা হকথেংননা মশা-মশামক লান থেংনবা য়াওখিবা বৃটিশ লান্মীগী মশীঙ অমসুং মখোয়গী অফিসারশিংদি :-

১) মেজর সার চার্লস লেস্লী, ২-৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট কম্যাণ্ডিং অফিসার
২) কেপ্তেন এফ: এম: ড্রুরী, ” ” ” এসিষ্টেন্ট ” ”

৩) লেফটেনেন্ট গ্রান্ট
৪) লেফটেনেন্ট পেটর্সন
৫) লেফটেনেন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ: কোক্স, ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ত্রী

অমসুং লান্মীদা :-
১) ৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী ২ শুবা বেটালিয়ান খোঙমী সিফাই ১৫০
২) ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ত্রীগী শগোল তোংবা-লান্মী ৪০

অসিশিংসিনি অদুগা মৈতৈ-লান্মীগী ফম্নাইবদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙোর অমসুং খোঙমী মৈতৈ-সিফাইশিংগী মনুংদগী লেমহৌবা সিফাই ৩০ অসিখক্তনি। অদুগা বৃটিশশিংনা নত্রগা মনিপুরগী ৱাংমগী মীশিংনা য়াম্না ফাওহঞ্জরিবা অমসুং মতমদুদা খা-এসিয়া অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী লানশিং অমসুং লানফমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবনি হায়না শীঙথানরিবা শাৎপমগী/লাংঙাথেনগী খোংজোমগী লান অমসুং লানফমসিদা বৃটিশকা গুর্খা লান্মী ২৫০ মদ্রাজ ইনফেন্ত্রীগী লান্মী-খোঙমী ৫০ অমসুং শগোল-লান্মী ৩৫ অমদি রোয়াল আর্টিলেরী [নিংথৌগী তোপ-লান্মী] গী মাউন্টেন গন ২ (অনি) অমসুং মসিগী কাপ্পনবা তোপ-সিফাই শিখ-পঞ্জাবী ৫০ কায়থোক্তুনা লানফমসিগী লাঞ্জিংলেন [Commanding officer] কেপ্তেন এফ: এম রঙেলদা পীরে হায়রবসু লানফমদুদা হকথেংনা মশা-মশা লান শোক্লবা য়াওখিবা বৃটিশ অফিসারশিং অমসুং মখোয়গী সিফাইশিংদি :-

১) কেপ্তেন এফ: এম: রঙেল, ২-৪ গুর্খা রেজিমেন্ট অমসুং রেজিমেন্টসিগী সিফাই ২০০ গা লোইননা মৈতৈ লানবন তেঙ্গোন্দগী নোংপোক্লোমদা গজ ১০০০ (মি: ৯০৯.৯) লাপ্পা চীঙদুম-চীঙথক্তা তোপ/বমদীয়ার কাপফমদা লান য়েংদুনা লৈরম্মী। লান্দি হকথেংননা য়াওদে।

২) কেপ্তেন এফ: এম: ড্রুরী, " " " রেজিমেন্টকী লান্মী গুর্খা সিফাই ৫০ গা লোইননা মৈতৈ লানবন্দগী গজ ১৭৬০ [মাইল ১ (মি: ১৬০০)] লোম অৱাং-নোংপোক্তা লাল্লুমদুনা লানফমগী অৱাং-মায়কৈ পুদুনা লান শোক্লরগদবনি। লান য়াওই।

৩) কেপ্তেন পি: এম: কার্নেজী " " " রেজিমেন্টসিগী সিফাই ৫০ গা লোইননা মৈতৈ-লানবনগী খা থংবদা গজ ১৫০০ [মি: ১৩৬৩.৬৩] লাপ্পা কুখবা মফমদা লাল্লুমদুনা খা-মায়কৈগী লান মায়য়োক য়াখি। লান য়াওই।

৪) লেফটেনেন্ট গ্রান্ট, কেপ্তন কার্নেজীগা পুনবা

৫) লেফটেনন্ট এফ: ডবলিয়ু: এ: কোক্স, ১২ শুবা মদ্রাজ ইনফেন্ট্রীগী শগোল-লান্মী-সিফাই ৩৫ গা লোয়ননা মৈতৈ-লানবনগী, খা-নোংপোক কাচীন্দা লৈরগা নোংচুপ মায়কৈগী লমশিং, ফৈথিংননবা য়ৌশিন্দুনা নোংচুপ মায়কৈ ঙাকখি। লান য়াওই।

৬) লেফটেনেন্ট পার্শি, রোয়াল আর্টিলেরীনা কেপ্তেন রণ্ডেলগা মহাক্কী তোপ সিফাই ৫০ শিখ-পঞ্জাবীশিংগা বমদীয়ার ৪৭ লক কাপখি, অহানবগী অনি অহুল্লক্তি নীঙথিনা বমদীয়ার/শ্রাপনেল [Shrapnell] নত্রগা শেল [Shell] পোকখায়খিদে, ৪ শুবদি মৈতৈ-লানবন-ময়ায়মক্তদা তাদুনা পোকখায়খি। লান য়াওই।

অসিশিংনি, হায়বদি গুর্খা খোঙমী-সিফাই ১০০, তোপ-সিফাই ৫০ অমসুং শগোল লান্মী ৩৫ খক্তগা বৃটিশ কম্মিশন অফিসার ৫ (মঙা) গা নেটিভ নন কম্মিসন অফিসার (অয়াম্বনা নেপালী/ভারতিয়ানি) খরগনি। অদুগা মৈতৈগীদি চোংথা মিয়া, মেঞ্জোরনচিংবা ফমথোন-ফম্নাইবা [Commission officer] ৫ অমসুং সুবেদার-জমান্দার ওইবা ফম্নাইবা [Non-commission officer] খরগা লান্মী-খোঙমী সিফাই ৫০০ না লানবন মনুংদা খোঙমী-সিফাই ২০০ না মপান্দা ঙাক্লন্নবদগী চেনখ্রবা অমসুং মৈতৈ-লান্মীগী চেকশিল্লবা চক্রবিহু লানবন অমসুং নোংমৈ অচৌবা অরৈবী-নোংমৈ/জিনজাল [Jinjal or the Chinese/Indian swivel-musket/gun] অনি য়াওনা লান্থেংনখিবনি। মখোয় বৃটিশ লান্মীবু পল্লেন-লান্দারুনবগী খোঙফমদা থেংনজরোয় হায়দুনা লান্থেদুনা খাঙজবা চোংথা মিয়া, মেঞ্জোর অমসুং মহাক্কী অথৌবা লাল্লোয়-ফম্নাইবশিং অমসুং সিফাইশিংদু, লান্থোঙ শীনবা হৈবা অমসুং লানবন শাবদা হৈথোই-শীংথোইবা ফনা য়াওদুনসু পল্লেন্দা লান্দানবগী লানহও-খোঙহও [যাত্রা-পুত্রা] দা শোয়খিবদুনা লান-ঙাকপা ওইনা থেংনবা লান [Defensive warfare] অদুদসু মায়পাকপা ঙমখিদে। মায়থীবগী মতম্না লাক্লবদা মদুবু নমহত্তুনা কনানসু মায়পাকপা ঙম্নখিদে।

ৱাংখৈ মৈরাবগী তেঙ্গোল-লানশঙ খুৎশারোন

ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোরগী অরোনবা নত্রগা শকলোৎপা-লাম্মীগী লাম্থোঙ-লাল্লম-তেঙ্গোল ওইনা লাকপগী তেঙ্গোল-লানশঙ শাবগী ৱায়েল অসি মরু ওইবা মায়কৈ মরি খা-নোংপোক্কী মৈরম ওইরপ্পা পল্লেনগী চীঙথক্তগী য়েংথরকপদা চীঙদুম অমনা মিৎয়েং থৎকদবা ককচীঙগী মহাদেব চীঙদুম্না খনবা অমসুং নোংচুপ অমদি অৱাং-নোংচুপ্তা মনাওচীঙগী চীঙদুম-চীঙশা-পরেং অমসুং অৱাংদা মচীন-মনাওচীঙগী ময়াম্বা চীঙনা মিৎয়েং খঞ্জিনগদবা অমদি সেকমায় তুরেন্না অৱাং-থংবা শরুক্কী য়ৱাবুঙগী লমখৈ কন্দুনা লানগী থাঙ্গপাৎকুম য়েক্লবা খন্দোক্কদবা মফম/লমদম, চোল্লাং/চুল্লাং পাৎকী ঈশিং লৈত্রবা, লমহাঙ-লমজাও/লমপাক ওইরবা চোমলাং, লাং, তও অমসুং নাপীশিং হৌবা মফমদা শাখিরম্মী। চীঙখোঙ-চীঙয়াসু শোকফাত্তবা, চীঙথক-চীঙয়াঙদা য়ৌবসু ৱারোয়দবা অমসুং ঈশিং মায়শিংসু পঙলাপ লাপ্তনা লৈবা মফম অমদি য়েক্লবদা লৈরিবা লমদম/তেঙ্গোল-মফম লাপ্পা খাজিন্দনা উবা ফংবা অমসুং য়েক্লবনা তেঙ্গোন- লানশঙদুদা লান্দারক্লবা খোঙশাল্লকপগী খোঙচৎ-খোঙথাং অমদি খোঙফম-লেপফমগী মরু ওরিবা লম্বী [ককচীঙ-ৱাবগাই/হিয়াংলম/ সেকমায়জীন লম্বী] তরু-তরুনা উগদবা/উবা লমদম/ মফম খন্দুনা মৈতৈগী লানশঙ-তেঙ্গোন ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা য়াইরেকফম/য়ারেকফম নত্রগা লমশঙ্ য়ারেপ-নোংলেনশঙ ওইজরবসু মহাক্কী তেঙ্গোন-লানশঙ খুৎশাসিনা মহাক্কী লমলক-তেঙ্গোন লানশঙ শাবগী খুৎশারোনগী মহে-মশীং/লৌশীংগী মমিদু উৎলি। হায়রিবা তেঙ্গোন-লানশঙ খুৎশাসিগা খোংজোমগী তেঙ্গোন- লানবন খুৎশাসিগা অকোয়বদা লৈরিবা তেঙ্গোন-লানশঙ/লানবন্দুবু শৌগৎলিবা লমমিৎ-তুমিৎকী মওং-মতৌ অমসুং মখোয়দুনা লানশঙ/লানবন্দুদা পীবা মতেং, মপাঙ্গন্নচিংবদা য়াম্না খেন্নে। মরম অসিনা বৃটিশ অফিসার, হায়রিবা লানদুগী লানফমদুদা হকথেংননা চঙদুনা মশামক লানদুদা শরুক য়াখিবা অমা [কেপ্তেন ড্রুরী, ২-৪ শুবা গুর্খা রেজিমেন্ট ওইবা য়াই] না য়াম্না পঙমনবগুম হায়রম্মী, মদুদি :-

The position [Mud-fort or the battle camp] taken by the Manipuris was inexplicable. There was open

country all round, and once our troops surrounded the place the enemy had not a ghost of chance of escaping, as it afterwards turned out. The position was also beautifully commanded from the knoll across the road, on the right. Whether they had selected the position through ignorance or by seeing our troops making constant reconnaissance but not attacking them, they had possibly become emboldened, and had thought that by throwing up the earthworks near the road they would check the advance; or whether the men in the fort were all convicts, as stated they were, sent down from the Manipur Jail to defend the place against us, with the intimation that all those who are returned would have their careers promptly terminated; or whether they were the chosen men of the Raja, who had sworn a mighty oath on their swords to stoutly resist our advance to the dead, are questions I will not stop to discuss as I can give no answers.... [Ibid, XXXXIII-XXXXIV]

অসিনি। মরম অসিনা খরুঙ মফম চাদবা হায়বদু তেঙ্গোল-লাঞ্জঙগী লাঞ্জিংলেন [Commanding officer of the encamped troops] ওইরুবা চোংথা মিয়া মেঞ্জোরনা মীচৈগী চৈবুনদি অদুম চাবা তাখ্রে অদুগা ৰাখৎনবগী ৰাপাগী/ৰাপাংগী ৰায়েল ৰানা শোয়বা ৰাথিনরকপগী-ৰামেন্নহৌদবা চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎলম্বা পণ্ডিত [শরাং পণ্ডিত/পাজ্জি নত্রগা তাওরিয়া হিদং অমসুং মখোয়দা ঙঙ্ঙমগদবা অমা] অদুদি মশাবু মশানা লৌনম তৌজবদু য়াজখিবা তাখি ৰানোম-ঙাতোন্না।

ৰাংখৈ মেঞ্জোরনা লম য়ৌনা মায়-খুখিবগী মরমশিং

ৰাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোর, মহাক্কী মহৈ-মশীং তম্মীন্নরকপা মরুপ পাওনা নাওলসিংহ/ব্রজবাসিনা হাথু-হাথু মশাগী চহি ২৩, খৃ: ১৮৫৬ তা

সুবেদার ফম ফংদোক্লগা খৃ: ১৮৮৬ ফাওবা ফমদু ওইরম্লগা চহি ৪ ফমদু তারুবদগী খৃ: ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর থাদা সুবেদার ফমদুদা অমুক হনগৎলগা খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিলদা অথু-অকায়গী লৈপাক ঈরাংগী লান্মী-ফম্নাইবা হাপ্পদা মেঞ্জোর ফম ফংখিবগুম চাং অমসুং থাক নাইদনা চহি ৩০ ফম মচা লেঙদবা [মসিনা তাকলিবদি চহি ৩০ দু লৈপাক্কী/মীয়ামগী/নিংথৌগী থৌগল/থবক তৌদে হায়বনি] গী মওংদুগুম নত্তনা চাং নাইনা, মতম লেপ্তুনা, ফমগী থক-খা চোংদনা লৈপাক- নিংথৌগী থৌগল তৌজরকপনা অথু-অকায়গী লৈপাক-ঈরাংগী লান্মীগী ফম্নাইবা হাপ্পদা নত্রগা মশাগী ফম কাফম থোকপগী পরীংদা খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিলদ্দা মেঞ্জোর ফমথোন ফংলবসু মহাক্লা হান্নদগী হৌনা লান্মীগী শীন্থা- শীল্লমগী পরীং কায়দনা লাকপনা বৃটিশশিংগী মপাঙ্গল, মরৌশীং, ফত্ত' লৌশীং, খুৎশূ-খুৎলাইগী মতীক-মঙম্নচিংবা পুন্নমক নীঙথিনা খঙলম্মী হায়বসি মহাক্কী হেনবোম-আরাম্বাইনা বমদীয়ার [Cannon missiled shell] গী শরুক বমদীয়ার-বম্মুলা [Shrapnell, the part of a shell] গী মওং-মতৌ তমদুনা পুথোক্লগা শীজিন্নরিবসিনা খুদম্নি। মরম অসিনা মহাক্লা বৃটিশপু থেংননবা থৌরাংদা তোপ মেঞ্জোর [Major of Artillary corps/troops/Tuli (Battalion)] না জিঞ্জাল [Swivel-gun] অনি য়াওনা য়াওনা তোপ [Cannon/Mountain gun for firing shell and shrapnel] পুগে হায়না মরম চাদনা নীশিল্লগা চৎকদবা পান্দমফম য়ৌবা ঙমদদুনা হেন্না হৈ-শীংবা শাদুনা কিরগা লানবন শাজিন্নদুনা পীরকপা য়াথংগী থবক/মথৌদুদগী নাম্থোক্লবা লমহুইগী তাৎকী লৌশীং- হওনা খোংলগা মাগী মীচঙশিং কৌবা, অদুগুম্বা লৌদুমক চোংথা মিয়া, মেঞ্জোরগুম হৈত্রবসু চেকশিন- খুকউ শেন্দবদি নত্তে, হায়বসিসু মহাক্কী তেঙ্গোন-লানশঙ খুৎশা-লাকশাসিনা তাক্লি। অদুবু মহাক্লা বৃটিশকী লান্মীগা থেংনবদা লম-য়ৌনা মায় খুখিবগী মরু ওইবা মরম অমনিদি :-

১) মহাক্কা লোয়নরকপা মৈতৈ লাল্লোয়-ফম্নাইবশিং অমসুং খোঙমী-সিফাইশিংদু খোঙমী-সিফাই ৩০ খক নত্তনা অতৈ ৬৭০ দি মীথীবোঙ-মীতম্বাল ওইবা অমসুং লাঞ্জেননবগী লাঞ্জেনচাক চাদুনা লাকপা,

২) ৱাংখৈ মৈরাবনা মশানা মখা থাবা লান্মী থাদুনা লাঞ্জানবা, লন্মিৎ- তুন্মিৎ য়েংনবা অমসুং য়েক্লবগী খোঙচৎ-খোঙফম য়েংহন্নবা থৌরাং তৌহৌদবা অমদি লাল্লম-লাঞ্জঙগী লাঞ্জিংলেন ওইরিবা মহাক্না লাঞ্জাবা-লান্মীশিংগী মথৌ-মঙম, থৌদাং-থৌগায়নচিংবসি লৌখৎলুবা,

৩) লাল্লম-লাঞ্জঙগী অমসুং তেঙ্গোল-লানশঙগী লাঞ্জিংলেন অমা ওইনা চেকশিন্না লৌগদবা য়েক্লবগী খোঙচৎ-খোঙথাং, খোঙলৈ-খোঙফম্নচিংবগী ঈ-পাউ লৌহৌদবা অমসুং হিরমসিদা কুপ্না য়েংশিলহৌদবসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা অশোয়বা অমসুং অহোবনি। মহাক্কী চেকশিনহৌদবগী মিকুপ অসিনা মহাক অমসুং মহাক্কী থাজনীঙঙাই ওইরবা খোঙলোয়, হাকথং-সিফাই ১৯ গী থৱাই-হকচাং মাঙখিবদগী হেন্দুনা মখোয়না নুংশিজরবা মকাংলুপ মৈতৈ অমসুং মাগীদমক্তা মথৱাই-হকচাং কৎলিবা মমা লৈপাক মনিপুরগী মফমদা মখোয়না কৎচখ্রিবা মথৱাই-হকচাং অমসুং থাদোকখ্রিবা পুন্সিগী লমদাং পুম্নমক্তু অরেম্বদা তাহনখ্রিবনি।

৪) মৈতৈ-স্না কোনুংদগী য়াথং পীদুনা পল্লেনগী বৃটিশ তেঙ্গোন্দা নীঙ্-মাঙ চপ্পুনা লান্দামিন্নগদবা নোংমতদা মঙোন্দগী পুং ১২ হান্না অফোংবা লম্বীদা ফোংনা চৎখ্রিবা এপ্রিল ২১ দা তশেংনা য়ৌগদবা অদুগা লানওংগী ওইনা এপ্রিল ২২ দা থুংদুনা লান্দারুগদবা চোংথা মিয়ানা লাঞ্জিংলেন ওইবা মৈতৈ সিফাই ৪০০ অমসুং অথৌবা লাল্লোয় ফম্নাইবা ১০/২০ দগী তাদনা য়াওবা লান্মী-তেঙ্গোন্দুনা পল্লেন্দা লাঞ্জঙ-লান্দাবগী মহুত্তা খোংজোমদা তেঙ্গোল শাদুনা মশা-শিনীঙদবদগী লান্থেরিবা অসিনা মাঙলোমগী তেঙ্গোল লৈখিদবনা নীঙলোমগী তেঙ্গোন্না মুৎলকপা/মায়খুবা তারকখিবনি অমসুং মসিগী থৌদাং ফংফম/লৌফম থোকপদি থৌনা-ফনা বর্মা রোডতা চৎখিদুনা পল্লেন বৃটিশ তেঙ্গোন্দা লান্দারুগনি হায়না নৌনা ফংলিবা মেঞ্জোর ফমথোন পুরগা মশাগী ৱাফম-ৱাঙাং ৱারকচবা ঙমদবা তেঙ্গোলগী লাঞ্জিংলেন অদুনি। মখোয়না মী/অতোপ্পনা শিগদবদুদি খন্দে, মশা শিগদবদুদি খল্লি, মদু নৎলমদ্রবদি খোংজোমদা মখোয়না তেঙ্গোন-লানবন/ লানশঙ শাবগী মথৌ তাদে, পল্লেন্দা/ককচীঙদা চঙশিন্দুনা বৃটিশ লান্মী থেংনরমফম থোকপনি, অদু ওইরবদি খোংজোমদা য়েক্লবনা/মীনা লান্দারকপা ঙাইদুনা য়েক্লবনা মায়কৈ মরিমক কোয়শিল্লগা লান্থেংনরল্লোয়। মসিনা খ্বাইদগী হেন্না অনিশুবদা মরু ওইবা ৱাংখৈ-মৈরাবা মেঞ্জোরনা ককচীঙ-খুল্লেন অমসুং মনাওচীঙ-লানফমদা লম য়ৌনা মায়খুবগী মরম্নি।

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লৈখিদবা নুমিৎ

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরনা লৈখিদবা, তাইবং থাদোকখিবা নুমিৎ, ঈঙ্গ্রেজী থাবান অসি, মহাক্কী মরুপ, মঙোন্দগী কোন্না নুমিৎ নিনি চথুরগা লৈখিদবা পাওনা নাওলসিং/ব্রজবাসিগা নুমিৎ অমতদা ওইনা হৌজিক পাংথোক্লুরি। মরুপ অনিসিগী শিংবগী মতম খেন্নবসিগী লমদাংদা মথক্তসু উৎচখ্রে অমসুং অখণ্ড- অহে কয়ানসু পীনরি মদুদি ৱাংখৈ মৈরাবগী অশিবা হকচাংদা ব্রজবাসি পাওনানা লমখাং-খুল্লক [রা: কু: স:, ১৯৮৮, ৩৭], [ডা: চ: স:, ১৯৭০, ১৭৪), অসিনচিংবা] কুপ্লম্মী অমসুং “মরুপ হাৎপগী লমন শীংগে/খুমগে” হায়রম্মী - হায়না। মরমশিংসিনদি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরসিনা পাওনা ব্রজবাসিদগী হান্না লৈখিদ্রে হায়বা তাক্লি। অদুবু মীওইবনা শিবগী মতমসিদা অহান-অকোন খায়নরবসু নোংমগী মনুংদা খায়নবা, হায়বদি, নোংমগী মনুংদুদা অনিমক [মৈরাবা অমসুং নাওলসিং/ব্রজবাসি] লৈখিদবা ঙাক্তরা নত্রগা মখোয়না লৈখিদবগী নুমিৎ খেন্নব্রা, কোন্না লৈখিদ্রিবা পাওনা ব্রজবাসিনা নুমিৎ কয়ানি (গী) কোন্থরগা (চথুরগা)/মতম শাংথহৌরগা লৈখিদ্রিবনো?

মথক্কী ৱাহংসিগী পাউখুম থিরকপদা পাওনা ব্রজবাসিনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোরগী অশিবা হকচাংসি থাদোক্লুনা চৎখ্রবা মতুংদা খোংজোমদা লানশঙ-লানবন/তেঙ্গোল শাবসিগী মরমদা খন্নবা অমসুং লানকোম তৌদুনা খোংজোমগী লমহাঙ ওইবা তেঙ্গোল-শাফমদুদা লানথুপফম-শাথুপফম হাপচিনবনচিংবা থবক খর [নোংমগী মতমদগী হেন্না চঙগদবা] তৌবা/পাংথোকপগী ৱারোল ৱাফমশিং পীনরি [মথক্কীসিদা, ১৭৪-৭৫ অমসুং রা: কু: স:, ১৯৮৮- ৩৭-৩৮] । মরম অসিনদি ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোরদগী পাওনা ব্রজবাসিনা নোংমা-নিনি/নিনি হুমনি কোল্লি। মদুনদি ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোরসি মহাক্কী মরুপ পাওনা ব্রজবাসিগা নোংমতদা শিমিন্নদে, মহাক্না পাওনা ব্রজবাসিদগী নুমিৎ নিনি/অনিগী মমাঙদা লৈখিদে।

মথক্কী ৱারী-ৱাখোঙশিংসি নৈনরুরগা অমসুং মখা তানা মরীশিংসিগা মরী লৈনবা অমদি ৱাংখৈ অমসুং পাওনা মেঙ্গোর অনিসিনা খৃ: ১৮৯১ গী লাঞ্জাওদা খা-মৈরমগী লাল্লম অসিদা লৈখিদবগা মরী লৈনবা/নক্লবা ৱারী-ৱাতায়, ৱারোল-ৱাফম, ৱায়েৎ-ৱাপাংনচিংবদগী ঈ- পাউ লৌদুনা থিরকপদা

মরু ওইনা নুমিৎকী খোঙচৎকী ওইবা নুমিৎকী-খোঙচৎ-খোঙফমগী কুম্বারোন [চহিগী চৈথারোন] [Solar Calander] চৎপা, চহি ৪/৪ দা নোংমা/নোংমগা চহি ৪০০ দা নোংমখক্তগী অহোংবা লৈবসিদা চৎনবগী মতাং ইনবগী নুমিৎ- থাবানদদি - ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঞ্জোরনা লৈখিদবসি খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩, শগোলশেল নুমিৎসিনি - হায়না অখঙ-অহৈ-পাঞ্জি-গনক; লানফমদুদা লানজঙখিবা হকথেংননা লান য়াওখিবশিংগী রিপোর্টশিং, মতমদুগী লৈঙাকলোন-খুন্নাইলোননচিংবা নৈনবা, মরী নক্লবা চেফোংশিংনচিংবদদি পীবীরম্মী, পীনরি। অদুবু থাগী খোঙচৎকী নুমিৎ থাবান্দা ইনবা, থাবান কুম্বারোন [Lunar Calander] চৎপসু নত্তবা, নুমিৎকী খোঙচৎ খোঙথাং/খোঙফমগী কুম্বারোন [Solar Calander] চৎপসু নত্তবা, হায়রিবা অনিমকসি য়ানশিন- তীনশিন্নরগা মশাগী অতাবা লৈজগদবা নুমিৎ হাপতোক-হাপচিন অমসুং লৌথোক-লৌশিন তৌফম থোকপা পুম্নমক্তু নত্তবা থাগী-খোঙচৎকী থাবান কুম্বারোন্দুনা নুমিৎকী খোঙচৎকী নুমিৎকী কুম্বারোন্দু তাহন্নবা নুমিৎ হাপচিন-লৌথোক [নুমিৎ ১৩ দা থাবান নোংমা লৈতবা নত্রগা থাবান নিনি পানবা, মালমাস (অশিবা/অমাংবা ৱা হায়বদি, চহিগী থা ১২ দা মশীঙ থুংদবা ১৩ শুবা থা ১২ দুদগী অমগী মমিংদা হেক্তা ওইবা থা অমা)] নত্রগা তীনশিন-খায়দোক তৌরগা কুম্বারোন অনিদু য়ানশিন্নদুনা নুমিৎ- খোঙচৎ-থাবান-কুম্বারোন [Lunio-Solar Calander] চৎপদা থাবানগা নুমিৎকী খোঙচৎকী খোঙকাপ ওইরিবা নুমিৎ [Day] কা চানদুনা থাবান্দুদা নুমিত্তু তাগদবা [The day on the date] নত্রগা মদুগী ওন্থোক্লবদা নুমিত্তুদা থাবান্দু তাগদবা [The date on the day] অদুদা চপ চানা তাজদুনা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা লৈখিদবগী নুমিৎ অমসুং মৈতৈগী [চৈথারোল-কুম্মাবগী] কুম্বারোনগী থাগী খোঙচৎকী থাবান্না নুমিৎকী খোঙচৎকী খোঙকাপকী পীরিবা থাবানসি থাদোক্লগা মালেম-পুম্বগী মী- কাংলুপ পুম্বনা চৎনরিবা গ্রীগারিয়ান/খৃষ্টান কুম্বারোন [Internationalized Gregorian/Christian Calander] গী থাবান [Date] দা লৌজদুনা এপ্রিগী তারিক/থাবান ২৩ সিদা চপ চানা লৌজবনি। অদুবু মঙোন্দগী [ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরদগী] নুমিৎ নিনি কোন্থরগা লৈখিদবা মৈরাবগী মরুপ পাওনা ব্রজবাসিগী লৈখিদবগী

থাবান্নি হায়দুনা অখঙ-অহে কনাসু তান-খন্নহৌদ্রবদা নত্রগা নহানা মাইবা শাবগী মং থল্লিবরা - খঙদনা পুশিল্লক্নি [(মথক্কীসিদা, ৩৮-৩৯), (ডা: চ: স:, ১৯৭০, ১৭৫), অসিনচিংবা] বা অমসুং ৱাংখৈ মৈরাবা মেঙ্গোৱবু এপ্রিল ২২, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈখিদবনি হায়দুনা পীবীরিবসি চৈথারোল কুম্বাবননি [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৮৯-৪৯৩], হায়রবদি, চৈথারোল কুম্বাববু লৈপাক নিংথৌনা খঙবা অমসুং য়ানা চনখৎকদবা-ইখৎকদবদু মৈতৈ নিংথৌ পান্দ্রবা, ঈঙ্গ্রেজ-সাহেবনসু মরে মুন্না, মমুৎ তানা মৈতৈগী মনাৎ অমসুং মনাৎকী চৎন-লোনচৎ খঙদ্রি-তাদ্রিঙৈগী মতম [খৃ: ১৮৯১ গী মে ১ দগী সেপ্তেম্বর ২০ ফাওবগী মতম] দা লোন্না মাগী কাংখল মনুংদা [মাইবা শঙগী হিদং পাওনা (মথক্কীসিদা, ৫০০) গা তানদুনা] ইখৎখিবনা এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৫ দা তাইবং থাদোক্কদবদু মৈরাবা মেঙ্গোরনা নোংমা ঙনখৎনা এপ্রিল ২২ অমসুং পাওনা ব্রজবাসিনা নুমিৎ নিনি ঙনখৎনা/চৎখৎনা এপ্রিল ২৩ দা হাত্তোকপীরে; পুকচেল ফজমন্দে, শিনীঙদবা, কুইনা শাংথনা হীংনীঙবা মীওইবা/মী ঙাক্তনি, ঐখোয়বু ঙনখৎনা লৈহনবীদ্রিবা, মী ওইরগা মীওইবগী খুন্নাইগী মতম চৎখৎ-ঙনখৎনা তাম্বোকপীরিবা, শিফম থোকপা মতমদা শিজবা ফংদ্রিবা করিগীনো হায়বা অশিবশিংগী ৱাহংগী পাউখুম অচঙবা অহিংবা কনানা পীবীগদবগে?

চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎপদা থৌদোক-ৱাথোক মশা-মশাদুগা কোন্ননা-লোইননা ৱারোলশিংসি ইখৎ-চনখৎপা নত্তে, কোন্না মতুং থা ৫/৬ লৈরগা নীঙশীং-নীঙশীংদুনা ইখৎপা নীঙশীং-লাইরিকনি, মতাংসিগী চৈথারোল কুম্বাবগী ৱারোল অমসুং ৱাফমশিংসি। হায়জরিবা ৱাফমশিংসি চৈথারোল কুম্বাবা মশাদা মতাংসিগী চনখৎলিবা ৱারোয় অমসুং ৱাফমশিংসি উবীরগা-য়েংবীরগসু খঙবীগনি। অসিগুম্বা মওং-মতৌশিং অমসুং ফিওং-ফিবমশিং অসি ফাওবদা নোংমাংখানা থুম্লল্লিবদু মহাও ওল্লকপা, লোক থুংবা ফহল্লকপগী মতম ওল্লত্তুনা নোংমখত্তদা শিবগী থৌদোক থোকমিন্নখিদবা মরুপ অনি-ৱাংখৈ মৈরাবা, মেঙ্গোর অমসুং পাওনা নাওলসিং/ব্রজবাসি, তোপ মেঙ্গোর-সি নোংমদা পোকপা মচানি হায়দুনা নোংমতদা লৈখিদবা ওইহনবীগনু। তৌবগীবুদি নীঙশিংজবা অমসুং শোঞ্জবগী অকক্লবা মতমসিদা ওইগদবনি- হায়বগীদি লৈতে অদুবু পোকপা-শিবদি খক মতম মান্নগনদে শুপমান-মান্নরোয় হায়জবগী ৱাফমদি নৎচদে; অখন্নবা অমসুং অকক্লবা মরুপ অনিমক্কী মরক্তা/মফমদা ওইনখিবা ৱাফমদি ফিবমগী লমদাংদা থমজবনি।

মীখুৎশেম্না শোকহনবীরবা ৱাংখৈ মেঞ্জোর

অমা য়োকখৎনবা হোৎনবদা অতোপ্পা অমবু শোকহন্নবা/মাঙহন্নবা তৌবা নত্ৰগা মাঙহল্লক্কবগী মহৈ থোকহনবসি মীনুখাঙ, হিংচা-য়াইতন্বা মীগী মরমচৎ-মশাজৎনি। মরম অসিনা ঙসি শরাং পাঞ্জি/পণ্ডিত অমসুং তাওরিয়া হিদং [চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৪৯৯-৫০১] অনিনা মিংদা থীবা নঙলরিবসিনি। অদুবু তশেংনমক মখোয়গী মরাল্লা হায়বদুদি মৈতৈগী খ্বাংজেন/খাংজেং/ খ্বাংজেৎ লাইরেন্বা-লাইরেম্বীনা খঙবীরল্লগনি। চৈথারোল কুম্বাববু থৌদোক-ৱাথোক চনখৎপা-ইশিলহওবগী মিংদা মশাগী পুক্নীঙ-ৱাখলগী অপাম্বা ৱাফম নত্ৰগা ৱারমশিং ইশিন্দুনা থম্বীরম্লিবা অশেংবা পণ্ডিত/মায়চৌগী ৱাহন্দোক, মচৎ মনাৎ, লমচৎ-শাজৎনচিংবা খঙজদ্ৰবা তোল্লবা মীশক্তুনা ৱাংখৈ মৈরাবদা "মেঞ্জোর" অসুপ য়াম্না হাপ্নীঙদ্ৰিবা ওইহন্নীঙদ্রিবা অসি করিনো? মহাক কনানো খঙদোকপদা কান্নবা লাক্কনি, তাংককসিগী মনিপুর ইতিহাসকী হিনাও শাবদা মথৌ চঙলক্কনি, মরমদি মহাক্কী মখুৎশেম অসিনা শোকহল্লিবসি ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরদদা নত্রে, মতুং তারকপদা ঈশৈ-নোংমাইদা থৱাই য়াওজবা অমসুং মশা কখোকচবা শাবা, মমান-মমান্নবনা পেনা পায়দুনা শৈথা-শৈশকপদদি লাম্বা তৌনরুবা ঙমজদদুনা অনৌবা হৌদোকপগী লীচত্তা পুং-ধলক/ধোলক/ধুলোক পায়দুনা খোংজোম লান অমসুং লানফমসিদবু খৃ: ১৮৯১ গী মৈতৈ-নীঙতম লান অমসুং লানফম ওইনা থম্মোই পীক্সন্না লৌদুনা খোংজোম লানগী ৱারী-ঈশৈ লেঙথোক্লগা "খোংজোম পবর্ব" হায়না মিংথোঞ্জিল্লগা পুকচাক তান্ননবা থোকচরকপা মী [শিং] ফাওবদা ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরগী থৱাই থাফম খঙনহন্দ্রে। অদুনা পীকখ্রবা-নকখ্রবা মনিপুর লমশিং অসিগী মনুং লৈবা টেবলদা/কাঙখল-মনুংদা রিসর্ছ তৌবশিং ফাওবনা স্পোট সর্ভে সুপতৌ তৌদবমখৈ ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরবু ৱাংজীঙ মনাক্তা শিহনবীরে। অসুম্না ওইদবা নমথাক ময়ামগী ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরবু মীখুৎশেম্না শোকহনবা, মীখুৎ চঙলবা খুৎশেমগী মীহাত্তা ৱাংজীঙ মনাক্তা/ ময়াদা শিহনবীবগী ৱারীশিং - শন্দোকপীরি। অসুম্না ইতিহাসপু ইতিহাস ওইহন্দদুনা মীগী পুন্সিবু ফাগি-লীলাগী শক্তম ওইনা তাহনবীরিবশিংবু কিজবনা কলম/খোর্জৈসি তাংককসিগী ওইনা লেপচরে।

ৱাখৈননা নীজরিবা ৱাখোম-ৱারোল

ৱাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জোরনা মহাক্কী পুন্সিগী চৎলিবা মতমদুগী ওইরিবা-চৎলিবা হৌজিক হায়বা মতমদু মহাক্কী তুংলমচত্তা লেপ্লগদৌরিবা

ঐখোয় অমসুং মখোয়গী ওইরিবা ঙসিগী অমসুং লাক্কদৌরিবা হয়েংগী হৌজিক হায়বা মতমশিংদুনা ঐখোয়-ঐখোয়না নীঙ-খা তম্না পালহৌনবগীদমক্তা মমল লৌদনা/থিদনা কখোকপীরন্নবনি। মহাক অসুং মহাক্কী থাজনীঙঙাই ওইরবা খোঙলোয় ১৯ না কৎখ্রিবা থৱাই-হকচাং অরেম্বদা কৎখিবা নত্তে; নঙ, ঐ অমসুংমা; নখোয়, ঐখোয় অমসুং মখোয় পুম্নমক অসিগীদমক্তনি। মরৈপাক নীঙবশিংদুগী হকচাংদগী শীন্থখিবা ঈঙাং-ঈমু, মীনুংশি খঙদ্রবা মালেম-লৈমায়না চুপশিনবীখ্রে, থৱাইগা হকচাংগা খায়নরমদায় মতমদুনা ৱানা হোন্দোকখিবা নুংশা-শোর তমথীরবা নোংলৈ-নোংশিংনা হুমদোকপীখ্রে অদুবু মখোয়গী মরৈবাক নুংশিবগী অমসুং মকাংলুপ মৈতৈ ওইজবা পামজবগী অনীঙবা অমদি অপাম্বদুগী ফিদমগী ঈচেন্দি ঙসিসু, হৌজিকসু লেপ্তুনা চেন্থরি; মখোয়গী অহিংবা-অচঙ্বা থৱাই ১০০-১০০ দুনা ঈচেন্দুগী ঈপোম খুদিংদা ঈহন নাইহল্লি, হৌখ্রবা মাঙলমচৎকী ইতিহাসপু নীঙশীংহল্লি। অদুবু মখোয়দি তাইবং-মপুনা তাইবং-পানবগী মৈশা কোকহনবীসনু, চীক্লা-ঈংনা মৈতৈ-লৈমা ঈমাগী মতম্পাক্তা পোত্থাবা ফংজনবা মপু মহাক্না শীনবীসনু, অদুগীদমক্তনি মখোয়না কৎখ্রিবা থৱাইশিং মনিপুর ঈমাগী মনাওচীঙগী চীঙয়াদা থৱাই অমমম্না মমা লৈমগী নাচোমগী লৈচন- লৈচা অমমম ওইনা।

মরী-মখোঙ উৎচবা

১) ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪ - মনিপুর ষ্টেট কলা একাডেমী: শাগৈ-শলাইরোল, ইম্ফাল - ১৯৯৪।

২) চৈ: কু: ১৯৮৯ - শ্রী লাইরেন ইবুংঙোহল সিংহ ১সুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা, ইম্ফাল - ১৯৮৯।

৩) বি: কে:, ১৯৯৬ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা, ইম্ফাল - ১৯৯৬।

৪) গ: শ: - গৌরচন্দ্র শর্ম্মা : গম্ভীর সিংহ (চহি ৭ খুন্তাকপা), ইম্ফাল - ০।

৫) এম : চ: স: ১৯ - মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ : খাহি ঙম্বা, ইম্ফাল ১৯ ।

৬) বি: কে:, ১৯৯৮ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা : সনাচহি অহুম, ইম্ফাল - ১৯৯৮।

৭) রা: কু: স:, ১৯৮৮ - রা: কু: সনাহল গুনেশ্বর (অমিনসন্না) : পাউনা ব্রজবাসি অমসুং মহাক্কী থাংলোন, ইম্ফাল - ১৯৮৮।

৮) জি: ক: শ: ১৮৯১ - শ্রী জি : কৈরাওস্না শর্ম্মা, মৈতৈ থাঙগী লাংওন, ইম্ফাল - ১৯৮১।

৯) ন: শ: ১৯৬০ - নন্দলাল শর্ম্মা : মৈত্রবাক, ইম্ফাল - ১৯৬০

১০) এন: কে: স:, ১৯৮৯ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : ফমলোন, ইম্ফাল - ১৯৮৯।
১১) বিনোদিনী, Nil - বিনোনিদী : বড সাহেব ওংবী স্নাতোন্বী, ইম্ফাল - Nil
১২) ডা: চ: স: ১৯৭০ - ডা: লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ : মনিপুর ইতিহাস, ইম্ফাল - ১৯৭০।
১৩) ম: ম:, ১৯৬৯ - শ্রী লাইশ্রম মঙ্গি সিংহ অমসুং লোংজম মনি সিংহ : মনিপুর ইতিহাস, বিজয় পঞ্চালী, ৫শুবা খণ্ড, ইম্ফাল - ১৯৬৯।
১৪) রা: কু: স:, ১৯৭০ - রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর (অমিনস্না) : সংজাল, ২ শুবা শরুক: ইম্ফাল - ১৯৭০।
১৫) রা: কু: স: বি:, ১৮৭৩ - রা: কু:, সনাহল সিংহ; বি: কম:, বীর টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, ইম্ফাল - ১৯৭৩।

1) NKS., 1983 N. Khelchandra Singh : The Battle of Khongjom, Imphal - 1983.
2) S.J.J., 1990 - Sir James Johnstone : Manipur And The Naga Hills, Delhi - 1990.
3) T.C.H., 1981 - H.C. Hadson : The Meitheis, Delhi - 1981.
4) N.I.S., 1976 - Dr. N. Ibobi Singh : The Manipur Administration (1709-1907), Imphal - 1976
5) M.E.G., 2000 - Ethel St. Clair Grimwood : My three Years in Manipur : New Delhi - 2000
6) N.K.S., 1991 - N. Khelchandra Singh : Documents of Anglo-Manipuri War (Pt-II), Imphal - 1991

Appendix

No. 1 - Surchandra Maharaja's Letter to Mr. J.W. Quinton
No. 2 - Mr. P.R. Gordon's Report to C.C.
No. 3 - Assam Secretariat. Foreign A Progs. September, 1891, No.s 1-388, No. 213
No 4 - - do - No. 214
No 5 - The Gazette of India, Part I - Index Dated 20th June 1891 Pp. 360-62
No 6 - Ibid Pp. 357-58
No 7 - The Manipur, compiled from the columns of the Pioneer, Allahabad, 1891.

বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেলঃ ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেলঃ ১৯৬৯)
৩) যুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেলঃ ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইনিংথৌসিংগী লাইরিক ৬খকঃ ১৯৮৯)
৭) মৈতৈ বামোন হৌরকফম (১৯৯১)
৮) মৈতৈ পাঙ্গল হৌরকফম (১৯৯১)
৯) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত ঃ ১৯৯৬)
১০) নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মমা মপা থিবা (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
১১) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
১২) ৰাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৬)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুন্থোক- খুন্দারোন (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৭)
১৪) চীংঙা লাইরেম্বীগী পুৰারী (থিজিন- হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৫) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-ৰানশারোন (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৮)
১৬) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী ৰাহন্থোক য়াওবা)
১৭) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী ৰায়েন- ৰাখুন (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৮)
১৮) মৈতৈগী শা লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
১৯) সনা-চহি অহুম (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
২০) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
২১) Typolgy & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work - 1999)
২২) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবাঃ ২০০০)
২৩) লমাংদোংগী বিষ্ণু লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোল (থিজিন-হুমজিনবাঃ২০০০)
২৪) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (থিজিন-হুমজিনবাঃ২০০০)
২৫) সঙ্কীর্ত্তণ নির্ণয় (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৬) কেক্রুপাৎ (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৭) ফাইল (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৫)
২৮) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work 2007)
২৯) মৈত্রবাক্কী য়োৎ থাঙগী চক (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৭)
৩০) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০৮)
৩১) Phamlon (Translation Work 2009)
৩২) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশুশিং (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৯)
৩৩) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc. (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০১০)
৩৪) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল অমসুং নুমিৎ থবান (২০১০)
৩৫) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুর মুস্লিম)গী ফিভম (২০১০)
৩৬) জেনরেল শৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি ৰারী (২০১১)
৩৭) সনা চহী অহুম (২০১১)
৩৮) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম-পাদম (২০১১)
৩৯) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার - ১৯৭৪ (২০১২)
৪০) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী ৰায়েনশঙশিং (২০১৩)
৪১) লৈশং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না (২০১৩)
৪২) হিয়াংথাং লাইরেম্মা (২০১৩)
৪৩) Cheitharol Kumbaba-1955 (English 2013)
৪৪) Elements of Meitei Folklore (English 2014)
৪৫) Cheitharol Kumbaba-1984(2015)
৪৬) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী (২০১৫)
৪৭) পাৰারী পুৰারীগী মৈতৈ চনু খর ৩শুবা(২০১৫)
৪৮) পাৰারী পুৰারীগী মৈতৈ চনু খর ১বা (২০১৬)
৪৯) পাৰারী পুৰারীগী মৈতৈ চনু খর ২শুবা (২০১৬)